
পাঞ্জ



মীতইবগী বাকৎ

স্নেহের মেত্র সংচরুকশতা মডমর্কি

এথবী পুং শি ইরামণ,

মহেন অমী ক্তুমদ -

পুংশি রাখণ কেমব্রুণনী

কেমব্রুণনী, পুংশি রাখণ কেমব্রুণনী ॥

পাওধন্দমাগ নকা

মুং ৩৭৩

কাময়বাঁ থাম্মাই ইপাওরথাণ - ওসিন্দি,

কুমজা থরা হৌথি

থাম্মাই তেংশৌ ইথৌজ

থীরবে ওসিনর ঙমবীবা

পুঙ্গি অহা-নাহকবা - ও - পুথীত্তর ॥

পাচা

মীওইবগী রাকৎ



[illegible]
[illegible]

M U. LIBRARY
Data Entered

BY ....

MEEOIBAGI WAKAT

A Manipuri novel by **Pacha Meetei**
and
Published by
Sharat Khuman for P.S. Publications, Manipur.



অহানবা ফোঙবা : ১৯৯৬

ফোঙবা : সরত খুমন্না পি, এস, পব্লিকেসন্স মণিপুরগী ১৭ শুবা লাইরিক ওইনা ফোঙজবা।

মখুম য়েকপা : ইবুংঙো মচা

কপী মশীং : ১০০০

মমল : লুপা ৪০/-

নম্ফম : পি, এস প্রিন্টিং এণ্ড ষ্টেশনরী
সগোলবন্দ, মোইরাং লৈরক মচিন।
টেলিফোন নম্বর : ২২৮৭৩৪

পব্লিকেসন্সদগী

পি. এস. পব্লিকেসন্স, মণিপুর পব্লিসর মরাঙ কাগ্বনা লৈব্রিবা ইরমদমসিগী অইবশিং মরুওইনা, ইরুরগা মশাগী খুৎই লাইরিক অতু ফোঙজবা ঙমদবদগী নীংহম্বরক্লবা অইবা কয়াবু পুক্লিং থৌগৎচবগা লোয়ননা অফবা লাইরিক কয়া পুথোকচত্লনা মতম মতমগী ওইনা মীয়ামদা সীন্নজবা অমদি মণিপুরী সাহিত্যগী অঙম্বা সেবা তৌজবনি। পান্দমসিগী মথাদা সোক ১৯৮৬ তগী হৌনা লমসিদা থোঙ থাংজিগ্গরকপনি।

পব্লিকেসন্সসিগী অতোপ্পা পান্দমসিংগী মহুংদা অমনা চহী খুদিংগী ওইনা পব্লিকেসন্সসিনা লাইরিক কয়া লৈথিদ্রবা পুথ্রম ৺জয়চন্দ্র সিংহগী মীংদা লন্ন'ই সংস্থ'ন কয়াদা মমল লৌদনা খুদোল তমজবনি। পান্দমসিমসু সোক ১৯৮৬ দগী লেপ্তুনা চথরক্লি।

হন্দক পুথোকচরিবা শরুাইরম্বা লৈথিদ্রবা ওজা ইবুংঙো ৺পাচা (১৯৭৩ গী সাহিত্য একাদেমীগী মনা ফংবীগ্রবা) গী "মীওইবগী ৱাকৎ" পব্লিকেসন্সসিগী ১৭ সুবা লাইরিকসিমসু লমদমসিগী অপাবশিংগী খুদোংচানবগীদমক পব্লিকেসন্সসিনা খ্বাই পুম্নমক্তী মফমদা খুদোল তমজরি। লাইরিকসি খুৎই ওইনা লৈরম্বদগী নমথোক্লনা ফোঙদোক্লবগীদমক অম্নাবা শীবীরকথিবা খুৎইবু হকোম্নবীরিবা মচা ইবুংঙো "ইবুংঙোমচাবুসু" পব্লিকেসন্স অসিনা তৌবীমল থঙবা উৎচবগা লোইননা থাগৎপা ফোঙদোকচরি।

লাইরিকসিবু মতম চানা পুথোক্লবগীদমক, নম্নবগী থৌদাং ম্নাখিখিবা পি, এস প্রিন্টিং এণ্ড ষ্টেসনরীগী মেনেজর পুথ্রম ওংবী মন্তৌলেবী

(লেবলা) লৈমা অমসুং প্রেস অসিগী সিল্লী খুদিংমক্কী মফমদসু পত্রি-কেসল্লসিনা থাগৎপা ফোঙদোকচরি। অরোইবদা, লাইব্রিক অসি নঙ্গী প্রুক পাখিখিবা অমদি মথুম য়েকপিখিবা ইবুংঙোমচাগী কাওড্র-রোইদবা খৌদাংগীদমক হন্না হন্না ইকাই খুম্নজরি।

"পত্রিকেসল্লসিগী ফোঙপ্রবা লাইব্রিকশিং অমসু মরী লৈনবা হীরম-সিংদা অখণ্ড অহেশিংনা তাকপীরকপা ৱাকম খুদিংমকপুসু হয়াউ তরাম্না লৌজগনি।"

মরী লৈনবা পুন্নমকপু অমুক্কা হন্না থাগৎচরি।

ইম্ফাল
তাং ২৬ আগষ্ট ১৯৯৬ ইং।

পি, এস, পত্রিকেসল্ল
মণিপুর।

ৱাহৈ খরা

লৈপাক মীয়ামগী মকমদা— লৈখিদ্রবা শ্রীলোইতোংবম পাচা মীতৈ ইপা ইবুংঙোনা খৃঃ ১৯৬৭ তা খুৎই খুৎথাবিরম্বা অমদি খৃঃ ১৯৬৮ দা খুৎইবু হনা অরাং-অপা হেন্দোক-হেক্তিন য়েংদুনা ছাপা নম্বা য়াননবা খোৱাং তৌনা থনম্নবা "মীওইবগী ৱাকৎ" হায়বা উপন্যাস অসি খৃঃ ১৯৯৬ ইং অসিদা ছাপা নমদুনা ফোংদোকচরি।

লৈপাক মীয়াম মাংদা থমজগনবা ৱাফম অমনা লৈখিদ্রবা অইবনা খৃঃ ১৯৬৭ তা ইরম্বদনদি উপন্যাস অসি "মীৎলু পি" হায়না মীংথোনদুনা ইরম্বগী মওং লৈ অদুগা খৃঃ ১৯৬৮ দা খুৎইবু নৌন শেমদোক শেমজিন কয়ারক তৌরদুনা ছাপা নম্বা য়ানবা মওংদা থনম্বদি হান্নগী মমীং "মীৎলু পি" বু থার্দ ব্রেকেট কী মনুংদা থম্নগা— মদুগী মথ'দা নিংথিজবা খুৎয়েক্তা "মীওইবগী ৱাকৎ" হায়না মীংথোল্লম্বা/মীংহোংলম্বা ওইরম্মী। হায়রিবা ৱাফমসিদা পাংদ্রবনা কয়ম তৌশিগে থঞ্জদুনা সাহিত্যগী শরুাইরবা মীওইশিং অদুগা ইপা ইবুংঙোগীনা য়ান্না নকনচান্নবা লোয়নরম্বা-তিম্নরম্বশিংদা ৱাতানজরুবদা অকোনবগী মীংসিদা লাইব্রিকী মীংথোল পীননবা পাওতাক পীবীরকপদগী অকোনবগী মীংদা উপন্যাস অসি মীংথোঞ্জদুনা পুথোকচরি।

উপন্যাস অসিগী মথুমগী অয়েকপা লাই অমস্থুং ময়েক্কী খুৎথা অসিসু অইবনা খুৎই লাইব্রিক (বোই) মথুমগী চেমায়দা য়েকলম্বা লাইয়েক থন্না অমদি ময়েক্কী খুৎথা থেনজবদগী মদুশিংগী মশক মওং লৌজরগা লে আওত তৌজবনি। কনাগুম্বনা মথুমগী ৱাফম'সিদা অপেন-পেন্দ লৈরবসু ৱায়োবীদনবা হায়জরি।

হন্দক ফোংজরিবা উপন্যাস অসি ইপা ইবুংঙোনা নোঙ্গা য়াকুমপ্রবা মতুংদা খুৎই ওইন থনম্বা লাইব্রিকশিংগী মনুংদগী ছাপা নমদুনা ফোংবা অনীগুবা লাইব্রিকনি। অদুগা লোয়নননা লৈবাক খ্বায় মীয়ামদা খুৎশিনজরি।

অইবগী ছাপা নমহুনা ফোংলবা ১১শুবা লাইরিকনি। উপন্যাস অমিনা মণিপুরী সাহিত্যগী লৈকোন্দা অনৌবা লৈশক লৈচু অমা ওইনা লৈথাংশগনি লৈতেংলগনি হায়বগী অচেৎপা থাজবা থমজরি।

লাইরিক অসি খুৎই ওইনা মতম কয়া লৈরম্বদগী ঐখী মরুপ শ্রীপুরুষ শরত খুমননা ছাপা নমহুনা পুথোকপীবা-কোংদোকপী শীনমক তৌবীমল খঙনা ইকাই খুম্নজরি। অসিগুম্বা লাইরিক ফোংহুনা মণিপুরী সাহিত্যগী লনগৈ পৈশিনবদা অফোংবা ওইনা থৌদাং ময়াবীরিবা মরুপপু তাইবং মপুদা পুন্সি মুংশাংনা লৈহনবীনবা মুংঙাই য়াইফ নুংকুবীনবা অমদি মতম শাংনা মণিপুরী সাহিত্যগী সেবা ফংহনবীনবা য়োলুবচনা পুনেমজরি।

মীয়ামগী—
মচা ইবুংঙোচা মীতৈ
সেগালম্বী, থোদাভাবোক লৈকাই
ইম্ফাল।

তাং ২৪ আগষ্ট, ১৯৯৬ ইং
ইম্ফাল।

হৈলাংজবনি .... লৈলাংজবনি তোল্লবনা

ঈরৈপাক্কী অয়োইবা ঈনীংথৌ,

মজাইবুংঙো লাইনিংথৌ য়াইফরেল য়াইফবা— কংলৈ ফম্বাল য়াইতোংবা, স্না খুৎলেন-দগী ঈমা লৈবাক মীতোপ খুৎচম্নগ্রগনীকো খনবদ পুন্সিগী মীকুপ খন্না অবা বাথম্নহুনা মীৎলু-পি শিঙ্খবিগ্রবা— নোঙগা য়াকুম্নগ্রবা ঈনীংথৌ বুধচন্দ্রবু কনা নত্রবা ননাইনা মীয়াম'লক্কগী নীংশংঝে।

নচরৈবাক-না

লোইতোংবম পাচা মীতৈ

ইম্ফাল।

অতিয়াগী অমংবা নোংদি মচিন থীবনী। অতিয়া গুম্বা মঙুই
তার'নী থল্লুই। তারক্কে। মঙলগা তোকখিনি থল্লুই, কুইনা চুথরকই।
মাগীবু অচেৎপা য়াশক লৈবরা? অপংবা মতৌনিসিদি। অদুবু অমংবা
নোংদা হুংশিবা মত্রৌ অমদি লৈ, পংত্তকপা চমক্তবা, মোং হান্দরা,
ঈথক ঈরাং পক্তবা, তপ্না তপ্না পাইরীবা অচুম্বা মতৌনি। নোংগী
মপৈগুম য়েংবদা ঈথক ঈরাং য়াওদ্রবা কুচু মুবা পাথংসিগী মমীং মোতি সাহ
কৌই। মোতি সাহ মশাগী চহি কুন্দ্রামঙা (৩৫) হায়রগনখকপদা মণিপুরগী
মচিন চৎপা মীশক অমা ওইবা কঙলম্মী। লৌউ শিংউবগী ওফিস
মাগী মথুক্তা লৈরম্মী। মহাকী মপুক্কিগী অয়াংপা হায়বদু কনা লৈরক-
লক্কবা অদি মঙাইরম্মী। মোতি সাহ মমা মপা কনা অমা লৈত্রে।
লৈরম্মী, মোতি সাহবু পোকপা রঘুনাথ সাহ মশাগী চহি হুমফু-গা
মঙা (৬৫) শুবা ফাওবা লৈরম্মী। হন্দক চহি অহুম কাল্লে রঘুনাথ
লৈখিদবা। মপাচুম্মক্তং লৈরবসু লৈমিত্রবদা পাথং ওইরিবা অহুম্বা
কমখোন চাওরবা মোতি সাহ অহুক পাক চাওবা তাইবংনিদা

গুমগী মতোমতা ভাইহৌই। হন্না য়েংখিবদা মরী মতা, মপা মতোন কনা উত্রে হায়বগী ৱাদনী য়েংখি য়েংখিবা লম্বী খুদিং মোত্তি সাহুগী মী ৱাংপদি নত্তে। মপাগী মশাইগোন তাংহুনা পুন্সি হিঙবা মীনা মশিং খীঙমদনা লৈরী। অশোকপা মপা রঘুনাথ সাহু ঈচম চম্বা মীশক অমা নত্তে। রঘুনাথকি চাওরবা চেক'কোল অমা খাবমদা লৈ, মুত্তিগী চেন্নৌবা ঈস্কালদগী গুগুমু, য়ৌবা বস অমসুং ঈস্ক লদগী কর্কচাং য়ৌবা বস, বস অনীগী মপু, ওফিসার অমদি থাক ৱাঙবশিংগী অমত্তা ভায়রবা মণিপুরগী মায় ভাল্লৌবা কা য়াঙখৈতরুক (৫৬) লৈবা মথোন অনী হৌবা "গুএস হাউস" অমগী অগুপ্পা মপু, লাইরিক নম্ফম অমগী অত্থুগা থাও শুঙকম অমগী অগুপ্পা মপু, পুন্নমকসিগী মপু অমা ওইনা রঘুনাথ সাহুনা মণিপুর "সরকার" দা চহিগী কাঙপোৎ কারম্মী। রঘুনাথ লৈখিত্রবদা মণিপুরগী অঙম অথৌশিংনা মচাম্নপা মোত্তিগা অরুবা ৱাফমছু লন্নাই ওইনা খন্নরম্মী। মপা রঘুনাথনা কারমলিবা চহিগী ওইবা "ইনকম টেক্স" অসি অগুম্মক লেঙদনা কাখত্তুনা মপাগী থবকশিং'সি মচুং শিন্ন পুখিগে হায়বন্না নত্তরগা মতীক চাবা মমলদা লৈরিব । চেকোন অমদি থাও শুঙকমচিংবসি মণিপুর সরকারদা য়োম্ছোক্কে হায়বন্না ? ৱাফম অসিনী। ওফিস অমগী মকোক ওইনা থবকগু তৌবা অত্থুগা অগুক চাওরবা থবকশিং'সিগু য়েংশনবা, ঙমগদবা অমসুং ঙম্লোইদবগী মরমদা মোত্তি য়াম্না কুপ্না খম্থরম্নবা মতুংদা কাফম থোকপা "ইনকম টেক্স" লেপ্তনা কাহুনা মপানা থম্বীরম্লিবা ফংকম থোকপা অমত্তা পুম্বা কায়হজ-ন্নোই হায়না অরেম্বা ৱাখলছু মম্যামগী মফমদা উৎলম্মী।

ৱাফমসিদা লৈরখি। মোত্তি সাহুনা মণিপুর সরকারদা ইনকম টেক্স তু কাবা তারে। অহুক য়ামথ্রবা লম্ফাংনরবা থবকশিংসি য়েংশনবা অমসুং চাওথ্রবা লৈবাক অমগী ওফিস অমবুস্ন য়েংশনবা পুন্নমক'সিনা পাথং ওইন্নিবা মোত্তিবু মীকুপ হাংহন্দবা তারবনী। পুন্নমক অসিনা মোত্তিগী মফমদা অন্নাবা ওইনদি থোক্কে। "অত্থুবু কনাহু লৈজবা ঐহাক্কা অহুক য়াম্বা লৌরি মুফম অমদি লল থুমশিং'সি পায়শল্লুবগী কন্নি কাজম্নিবনো" হায়না শন্নরগা কন্নিঙবা মতমশিংদা . মোত্তি

হৃকচ াংগী তহুবা পোকললকই। পুম্নমক থাদোকুম্না য়াম্না চম্বা পুক্নি অমম্বা মথোল মরা অমা নাইদনা লেম্লগে থম্লকই। ময়ুমদা মাগীনি হায়না অকক্নবা মনাই অমত্তা থমদে। অকক্নবা থমদে হায়বতনি লৈরিবা মনাই শাইগোন তাংলরিবা মী পুম্বা মনাইগী মনাই ওাক্নী। ময়ুমসিদগী মোত্তিনা য়ুমগী অকক্নবা য়ুমগী মীনাই অমগীদমক খোশারুদে। ওফিসতগী হল্লক্লগা ওহাক হাংলবা, অতুগা পাক চাওরবা ময়ুমদা মোতি মতোমতা পোৎ-থারহুনা লৈ। মতমসিদা বসকী ড্রাইভর অনী, চেকোনগী মেনেজর থাও শুওকমগী মেনেজর অতুগা লাইব্রীক নম্ফমগী মেনেজর মথোয় মওানা হৌনহুনা লাক্নবা মতম ওইরম্মী অমসুং মোত্তিবু পোৎথাবা ফওহল্লমদে। নোংমগী ইনবম (শেনলাক) এগ্নপেন্দীচর (শেনচৎ) পুম্নমক চেদা ইহুনা নত্তরগা শেন ওইনা (ড্রাইভর অনীগীদি শেন ওইনা পিশম্নৈ) লানশমরকলম্মী। মথোয় পুম্নমক শেনলাক শেন্দোওগী কুপ্পা পানরমলগা মমথরক্লবা, হুমিদাং ওইরক্লবা মতমদা কার'ছু তোংলহুনা মোত্তিনা "গুএস হাউস" তাম্ন অমুক চংলম্মী। মফমহুদা মোতি গুএস হাউসকী মেনে-জরগা উনৈ অমসুং নোংমগী ওইবা শেনশাংগী মরমদা কুপ্পা পানরম্মী। মফমসিদা মোতি হুমীৎ খুদিংগী হুমিদাংগী চাক চ'য়। চাব চাবা মুং শেনবা'নবা তোইহুবদা মোতি খু'ইহুমবন্দ বৈথেহ দা হাইং থক্কুনা মক্নপ ডাঃ তোমচৌগী প্রাইভেত্ত ক্লীনীক তা ফমলম্মী। ওহাক ময়াম খেওনহুনা পোৎথামিন্নরয়গা মোতি য়ুমদা হল্লকুনা পোৎথাবা শওদনা থবক পায়-খৎলম্মী। নোংমগী মমুংদা মোত্তিগী অশংবা মতম ঈরৈ লৈরমদে। অমুক চিল্লবা অতুগা অমুক য়াম্নবা মখৌশিংসিগী মরক্তা মোত্তিনা থরতং মশা তয়াং তয়াংলিবসি হুপী-নহা লৈতবা য়ুম পান্দবা অসিননি।

লৈখিদ্রবা রঘুনাথ সাহু হেক চাওরকপদগী মপুক্সি চুপ্পা মৈতৈ মরক্তা য়ুমলাংলক্লবনি। কনানসু মাবু তোওানবা কাওলুপকি মীশক অমনী হায়না নীংশিংনখিদ্রবনি। মহাক মোইরাংখোমদা লৈ। লম্বী লময়াও নক্লা মীপুম্নগী মীৎয়েওকমদা কোল্লুংগুম লওলবা অচৌবা চেকী কুময়াও শারম্মী। রক্টীক্তি পাক চাওরবা হিওগোল অমদি মথোল

জোংলবা চেক্নী য়ুমজাওহু অচাম্বুপা মোতি মতোমমতগী ওইদুনা ইরাং হারনা লৈহৌরে। মোতি য়াম্না চম্না অহুগা মোং হাদনা পুন্সি লেপ্পবা শারং অমা ওইরম্মী। লৈক্লামগী হদুংহল্লা অমদি ময়াম্নবা মীপুম খুদীংনা মোতিবু সুংশিনরম্মী অহুগা য়াম্না ঈকায় খুম্নবীরম্মী।

অমায় মায়থোংদা নীংওমদবা ৱাথকগী মমিনা মতম কুইনা কুপ-লক্লিবা অসিগী থোইদোকপা মরমদি "অস্তুক পাকলবা তাইবংসিদা ঐগীনি হায়বা কনা লৈত্রবনিকো" হায়বা অসিতনী। মতম কুইনগী মতুংদা তেলি পতিদা ওস্তোক্লা অহল ওইখ্রবী লুখ্রা হন্নুবী অমা লৈ হায়না হজিক্তা তারকই। লুখ্রা অসি মপা রঘুনাথকী মবাঙ্গ (মনেনা পোকপা) থোকপা শ্রীরাম কৌবা লৈথিত্রবা অহল অমগী নুপীনী হায়। চহি হুন্দ্রতরামঙা (৭৫) রোম শুরে। মরী মতা অশুম থীরকপদা হন্নুবী অসিমতং ফঙহুনা মোতি থম্মোইনা থরতং হরাওবা ফঙজরম্মী। নোংমা নোংমা অশংবা মতম য়েংলহুনা মোতি লুখ্রা হন্নুবীসিগী মনাক্ত চৎলম্মী। মহাক খুনগী নাকচি অমদা ওস্তোক্লা পীক্লবা নেম্নবা থাংপোকশং মচা অমদা মতোমমতা লৈরম্মী। ৱারী ৱাতাই শামিম্নরে। সুমীত্তুদগী শকথং মায়থংনথিবনা কনা লৈত্রবী হন্নুবীহুবু অয়াম্বা মতমদা মোতিনা চং-চত্তুনা য়েংশনবীরম্মী।

তেলি পতিগী খুঙ্গা পুম্বা নোংমা নোংমগী মোতিবু শকথং মায়-থংবা হেনগৎনরকই। মচানীঙোল লৈবা শিংনা মোতি সাহুবু ময়াম্নুপা ওইননবা মহৈ মহৈ য়েঙনরকলম্মী। মনে হন্নুবীহুগী ময়াথং মতুং ইন্না মোতি সাহু, কৌরক কৌরকপা য়ুমথোং খুদীংদা চৎলম্মী অমসুং য়েং-লম্মী। মথোয়শিংহুগী মরক্তা মোতিগী থম্মোইনা থোয়দাবা ফনা য়াওরে। য়াওরে কৈদৌগনী। মীওইবগী লাইথক্তা তমথিবনা মথোয়শিংহুগী মসুংদা অমত্তা থুংনহৌদনা মোতি ডিষ্ট্রিক মেজিষ্ট্রেত মঙ্গীগী মচা নীঙোল মহৈ মশীং মপুং ফানা হৈরবী কুচু ঙোবী অহুপা মায়থোংদা শমক্রু মচা অমনা য়াম্না হৈনা নপথিবনা য়েঙংদা শুমহৎ য়ুম্বিচেরবী। ভুমজাবী পীজকপী নাতোন অম্বুগা ঈশী মচুতনা জত্তাংহজবী খোঙজাবী পালন্নবী

চীনবান পানবী, ইবেমহলবু মৈতৈগী চংনবী মতুং ইন্না লুহোঙবা হায়রনা য়ান্না থুনা লেপখিরম্মী। মোতি লুহোঙজিনৈগী মমাংদা য়ুম্নাক পানবা তাবা ময়মনা শাপম ওয়নবা হোৎনরম্মী। পিবা মখেনা য়ুম্নাক তিন-শম্নয়োই য়াখিদবনা মোতি খেত্রিময়ুম (ক্ষেত্রিময়ুম) ওইনা য়ুম্নাক পাল্লম্মী।

লুহোংগদবা মতম লেপ্লে—তাং ৫ কাসেনগী ১১নী পানবা নিংথৌকাবা চুমীৎ অহুগা চুমিদাং পুং ৬। থা অনিগী মমাংদগী লুহোঙনবগীদমক্তা লাংবা হৌখি। পুন্নমক থংনরক্লম্মী ক্ষেত্রিময়ুম মোতি হায়রদি লৈখিরবা রঘুনাথ সাহুগী মচানুপা এগ্রিকলচর ওফিসার মোতি সাহুবুনি হায়বনি।

অনৌবা ৱাখলনা পাখং ওইরিবা মোতিগী থম্মোইবু অহুগা হকচাংবু তথক তথরুহন্নম্মী। গুএস হাউসতগী, থাও গুওকমদগী, অহুগা লাইরিক নক্ষম অমসুং চেক কোলদগী মশিং থীওমরবা মীয়ামগী মপৈনা মবুংঙো লুহোঙগনী তাবদা চৌংথবা লৈতনা লাক্লম্মী, অমসুং মীয়ামগী মপৈনা মহৈ মহৈ অঙম্বা থবক তৌশিন্নহনা পুম্নাং লাংনৱে।

করিগুম্বা মীয়ামগী মপৈনা হয়খিবা নত্রগা অচৌকপা কা অমগী মনুংদা মতোমতা তারকপা মতমদা মোতিনা চুক্লপ মচৈ অমত্তং চিং-লহনা ৱাখল থনবা হোৱকই। খাল্লাই, খনগে, অনৌবগী মথা পোম্বা ওম্বা নত্তে। থল্লক্লগগু মংগী মতোওম্বা চংনবী অমসুং মশাগী পুন্সিবু মশক খংঙ্গরক্তে। খনকম খংলক্তে, "হৌখিনৈগী মোতি সাহু হায়বনা করিনো, অহুগা ক্ষেত্রিময়ুম মোতি হায়বনা করিনো?" অহুগা মতুং তারক্লদবা পুন্সিগী মথুং চল্লবা করম্বা চহি অমদনা করম্বা মোতি অমা ওইরক্লদোরিবা? ৱাকমসিদা মোতিনা মীংকী পি তাওম থম্মোঙ্গ শোক্ল থহুক্লবদি নত্তে। তাইবংগী চংনবী অসি থরক্তং নোক্লীংবা পোক্লবতনী। মোতিগী খুত্তা-য়াম্না তনাল-তনাল্লবা, অরৈবা পুম্বদগী ময়েক লাবা অমসুং নীংথীবা খন্দুনা শীবক্লবা ইবেমহলগী কোটোঙ্গ চেৎনা পায়রম্মী। ৱাখল থরক্তং খল্লম্বদগী খনকম খংলক্লবগুম মোতি ওগী তিন থরক্তং য়োৎথরহনা, ফাগী ওইবা ৱাখলনী হায়বগী মতো, চীনবান্না থরক্তং নোকমিন্নহনা, অনৌবা (নৌনা তৈরব, হাইরব) মচুঁ

অমসুং মহুগী অশাবা, অয়াকপা মনম ফুং-ফুং থাওরিবা, চীক্রবা থাগী মমুক্তবা, খুংতু [illegible]বা. ইবেমচলগী লোকখিরবা য়ায়থোংনা মকা শাম্মা শন্দোক্লিবী কোটো'সু শুংত্রীক মস্রা য়েংলকই। খশোইনা খাগী অহুগা, থশোইনা থরকই— "য়ায়থোংসিদা অতুগা চীনয়ানসিদা মীওম-য়াওবা হৈক্সী য়াম্না শোনা লৈশ্রবী হুংশিবা মতৌ অমনা মপোকুর্ক্তে লোয়নরক্লবা, থৌনা ওইনা চেন্দুনা লৈরে। তুম্রীন থক্লি "তোক্লো—। ভুমগনী হায়বা নীংদে। শক্তমসিগী মাংদা ঐ থক থাক্লবা ভুমোই। ঐ করী ওইখিগনি? ঐবু ফুংশি লীচীংনা চেংনা গুনয়খিগনি। য়াম্না চেংনা। থংলে শক্তমসিনা ঐবু খুত্তম লাকখিনী।"

চহি মরী (৪)গী মতুংদদি মীনাইত্তুগী মরমদা নৈনগনী। মহাক্তী চহি মরী (৪) মপুং ফানা লৈমিন্নরক্লবা অসি ফাওরদা মাগী মশক্তী অসিনি হায়না কনানম্ম তাক্লবা ঙম্মদে। তাক্লীনা-মকোয় চোম্বা মমীং লাওবা মশম চওম্বা ফমচং চংপা (নীংগাং-খুউ শোনা শোনা চংপা) অত্তুগা লাইরং মীওইনা পোক্ক্নস্তু মীওইবগী য়াম্নবা লোক্লুশিংসিগী মতুংদা থুম্নগী লোম অমত্তং মচীম্না শেঙনা পাওদম্মনা ভাংথোকপা ঙমজত্রবা, মী চংনম্বা লোকমুংদা তাবা মশক মওং নাইত্রবা ফুংজাওশুম্নবা মীশক অমনী, অসি মঙায়রে। অসিগুম্বা কাম্নফম থংত্রবা মীশক অসি মোত্তিগী অমত্তা ভাইরবা মশংবা ঈমুং-মনুং পুবা মনাই ওইনা লৈরক্লমী। মোত্তিগা থনন-চানরা মীপুম থুন্দীংনা শক্লাইদুবা মোত্তিগী মীনাইসিবুস্থ ঙম্মক্লা মশক থংনৈ। পাক চাওরবা চংকুমু থংত্রবা মথোল লোংলবা অত্তুগা কাপ্পী মশীং থাম্নবা ঈমুংস্লিদা কুঞ্চিগুম্বা মফম অমদগী কনাশুম্বগী থোঙ্গেল অমনা "চাওরা" হায়না কৌরক্লবদি শক্লাইদবা মীশক'স্নিনা তিম্বংপদা তারবা মকম[illegible], অত্তুমক্ত কোনুশম্নত্তুনা, বা লাল অমত্তা ভাংদনা, লু [illegible]না, কৌথিবা [illegible]হুগী হৌরক্কম ওইবা মায়কৈত্তুগী মনাক চন, কম্ন কম্ন চায়নবীগনি।

অত্তুক অঙনবদুগী মোত্তি চেক'কোল য়েংশনবা, থাও তঙক্কম য়েং-শুনবা অমদি লাইরিক নক্ষমচিংবা পুম্বা য়েংশিনবা চংলুবগা ঙুক্সি

মতমদা ওফিস কারশী। মুমীদাংৱাইরম ওইরক্লগা মোত্তি ওফিসতগী কুমগকই। কুমলকই, অদুবু পোথাবশি কংলমদে। মতমসিদা মবুংঙোনা ঘুমগুম্মকপদা ওইঠুনা লৈকোন্দা. মাঙোলদা, অদুগা মী উনকম কাতুগা মশাং থাঙমত্ৰবা মীয়াম্না ঙম্মুং অদু থম্না লৈনরে। ওইনরে। কৌতমলবা অদুগা কদৌডে ৱাঙাং থোক্তুবগী মতৌ হুডনি মবুংঙো মোত্তিগী ৱুমদা লাক্লিবা মী পুম্বা মহাক্না মশক মমাং থংলবা লৈতে। লাইব্রিক নম্ফমগী মেনেজর, তোলহল, মহাক্না য়াম্না লৈবাক মচা তাঁত্রবা মীশক অমনি। য়েংবদা চুং-কিয়াল চাম্ন মীওইশীতৌ ফজে। মৱাহৈ খোনফম। মহাকী মৱাহৈ'খোনফম্ মাগী লমচৎকী মনুংদা খাইদগী হেনবা শরুক্নী। থাও শুংকমগী মেনেজর—, মহাক ময়াংনী, দেসৱালি। মহাক্নী অহল ওইরে। অদুগা মৈতৈ মচা বসকী ড্রাইভর অমী, থরতং অহল ওইশিল্লবা ড্রাইভরদুনা অঙাহল্ল অদুগা নহা পাখং মচাদুনা শাম্মুঙৌবা। শাম্মুঙৌবা হায়রিবা ড্রাইভর নহাসি চাওরাক্না মশাগী চহি কুন্থ্রামঙা-তরুক (৩৫-৩৬) মুক শুরে। মহাক্নী লমচৎ অদুগা শাক্সংকী মরমদদি থংনবা হোৎনবদা অদুক হাক্না ক্ষাই তরাইবা ওইনা থোক্তে। শক্তাদি-চঙমলবা অদুগা মৱাং কায়না হৌরবা অম্মবা পীগুম অদু শুক্কৈ অদুগা য়েংবদা চীং-লেম্বা শক্তানি। মহাকপু ঈম-ফালদগী শুঙ্কু য়েৌবা বস অমথক্কী থাদা লুপা ১৫০/- দং ফংবা মতমগী মহৈ-মশিং লাইব্রিক-লাইশু হৈহৌত্রবা ড্রাইভর অমনি হায়বসি, চীং লেম্নবা মায়থোংদুদা য়েংবতনদি থক থংবা ঙম্মোই। মফমসিদা (ৱুমসিদ) লাকপশিতংগী ওইনা তেমশিংননা শেংলক চারক্লিবা মফি ফিজোল্লা নত্রগা মহৌশাগী মহৌশা ওইনা অদুম্মক তনানজরত্রা, মতুদি থংলুত্রবসু মুডিগী লাক্লনা মবুংঙো মোত্তিবু ঙাইররিবা মাগী ফিজেৎ-চাকচেৎ অদুদি য়াম্মক চংখোল্লে। ৱাঙাং য়াম্না মোঙ হাদে। মহাক্তী চীং-লেম্নবা শাওং শাদা মোঙ হাত্রবা মৱাহৈ খোনফম পুম্নমক 'সিদগী নাম্থোক্লনা থরতং লাক্ল-ফানবা য়াত্রিবা অদুগা থরতং মঙাও থীনা লম হেল্লৌবা অসি চঙম্নবা মুরবা পীগুম নাক্ত তুকথরিবা, অকুপ্পা

খুদিং তখৎ-তয়াঙ্লবা, পল্লেপকম অমা ঈথৎ খংদনা ঈচোই চেইহনা লৈরিবা তরু তরুরবা য়ুমীংকী চেনবা হৈবা মীং নহা অনীতুঙংনি। মতুংদগী মহাকী খোংচ নৌজবা মুংশিবা অদুগা গুমহৎ য়াইচেন্নবা মতৌ অমদি অদুগ্মক থাবা লৈতে। অদুগুম্বা তখৎ-তয়াঙলবা চোইতরুরবা মমীং মীং নহু। অনিদুনা হুরাল লম্বীদা হুংলু-হুংলদুনা মবেম্মগী মকমদা, অদুগা হকচাং কয়াংশি'দা মিতা মীংচোইনৈ। য়াম্না লোম্না য়েংই। কুইবদি নত্তে। চেনবা হৈরবা মীং নহা অনিদুনা ওংতক ওংতক অনি অহুমলক্কংনি — অদুগা তরু-তরুবা মখোং খোংগ্রাও ফুরিংথাওদগী মশক মমীং খংত্রবা চুরুপ উপুত্থু লোথোক্লদুনা চমথংলি।

নোঙ চুত্রবা অদুগা অইংবা মুংশীং শিংত্রবা মখোয় মরীনা মবুংঙো হল্লকপা ঙাইনরদুনা লৈনম্ম মনম মুংশিহল্ল মমাংগী অশেম্বা লৈকোলদা চৌক্রি থাদুনা ফম্মে। মখোয় মরীনা মথল মথলগী বারী পুথোক্লদুনা শানৈ, অমনা অম,, অমনা অমা। কনাগুম্বা মখোয়গী মরক্তগী অমনা হৌগৎলক্লিবা নহায়োলশিংগী মরমদা, কনাগুম্বনা চেং-চাকী মরমদা কনাগুম্বনা চেং-চাক্তি লাইরদুনা মনা-মশিং ফাওবনা তম্বা হৈত'মথৈ তাংশল্লকপা, অদুগা কনাগুম্ব অমনা, অগুক মুংঙাই য়াইফরম্বা লৈবাক অসিনা মতৌ করম তৌথিদুনা, যুজ বারীগী হিংচাবগী চঁঙ্গাক হুনবদা, মী কয়া কয়া থবায় মাংখিদুনা ঙমথৈ থেঙনা বাত্রবা লৈবাক'তুদগী হেম্না বারবা অমুক তমথিবা শেংথুঙ-চাকথুঙনত্রবা ফিভমসিদা তারক-লিবনো হায়না কুপ্না থম্মুরবগুম হোদোক্লরকই। অদুগা করিগুম্বদনা মশা য়াওদবা (মখোয়গী মরক্তা য়াওদবা) মীশক অমগী মরমদা (অকবা অদুগা ফত্তবা) মহৈ মহৈ হায়নীংবা হায়নদুনা বারী শান-বগুম মখোয়না লৈকোলগী অপূংবা লৈ পাম্বীগী মখোংদা মখোয়গী মনাক য়াম্না নক্না ফমদুনা লৈরিবা চাওবগী মরমদা বারী শানরকই। য়াম্না কুপথনা শানৈ। মীওইবা অমবু থবায় য়াওত্রবগুম থম্মোক্লবা। চাওবনা তুমীন ফমলদুনা, নীংতম্না হোৎনবা মনিং নিংশাদু ফাজন্দুনা তপা তপ্না হোৎনদুনা চীকশন্দুনা তায়। লৈকোলগী নাকচিদা ফন্দা

পুংবা নেমতক্নবা লৈ পাব্বী অমগী মথোংদা নাম্বিথক্তা খুট শোৌনা কমলহুনা, করিগুম্বা বাথল খবা খল্লিবনি। তাক্লবগা— মহাক য়ম্মানা থম্মিবা রাথলশিংহু মচেং মচেং, মচেং জিঙ্গিং কয়া লোক্কা থুগাক য়ৈথায়হুনা মাংহল্লখি অহুগা মথোয়না শাম্নিবা বারীহুদা য়াম্না মুন্না থোইজংনা তাহুনা লৈ। তারু তারুবগা য়াজবা পোকচববই—মথোয়না ঙাংনম্নিবা খুদিং কৈদবু অবানবা য়াওবিবনো, অমানবা অমত্তা য়াওদে। পুন্নমক অচুম্বা ঙাক্তনি।

"চুম্মী" চাওবা মথানা য়াইজে, মতম অমদদি, হৌখিইও মতম অমদদি ওম্বোক্লা হৈনবনবা পুল্লি অমা ওইনা থোক্লম্মী। মরেম্মগা লৈমীনবা অসিমক লমচং নাইত্রবী, মীওইবশিংগী মরক্তা পোকলক্লবী চাউরক্লবী মুপা-মুম্মীগী থম্মোঈবু অসিন্নি হায়না মশক খংলবী, মীওইবা অমগী পুল্লিবু করিগুম্বা মায়কৈ অমদা য়েংহুনা থরক্তংদগু ইকায় খুম্নবীবা হৈত্রবী, লমচং নাইত্রবী মুম্মী অমগী মনাক্তা লৈবগুম, ওক্ত-বীশিংগী চাকথাক চাহুনা পুল্লি লেনবগুম, ওম্বোক্লা হৈনদনা অহুগা হঙোইনা থোক্লম্মী। অসিগুম্নবা চনৈনরবা হৌখিদৈগী মতমহুদা অবাবা অশাওবা অহুগা নীংঙমত্রবা বাথল কয়া থম্মোয়দা ফাওখি, অহুগা ফোংদোকহৈদে হায়বগী মতৌ বাথলশিংহু চাওবনা লোম্না থংমাঈদা ফুমহুনা থমখি। মনিল চাওরবা বাথলশিংহু য়াম্না হৈংশিংনা অহুগা চেকশম্না থম্মোঈমুংহুদা ফুমহুনমু মনিলশিংহুনা মায়থোংহুদা অশাবা ইনিল নত্রগা মৈশাহু কারক্তুনা, কাথেকহনশ্রে। অমুম্না মায়থোংগী লোং-ফমদি লৈখিদবনা, অউবা মীপুম খুদিংদা মহাক্নী অবাবা শক্তমহু লেপ্পুনা উংপা তাথীবনি। অহুগুম্বা মতমশিংহুগা চাংদম্নক্নবদি হুজিক চাওবগী মায়থোং অসিদি লৈচিল থাওত্রবা তক্কলবা 'তিয়াগী পাল্লবা অহুগা পশোংনরবা কুচুগুম তরুং তরংলে। মীওইবশিংনা অহানবদা শা-শঙ য়োকখিবুগী বারী নত্রগা, মী চাগল্লবা কৈচ্ছাওবু মীন্না চীক্লা চায়নবা ওমত্রবা হোলগী মমুংদা চোও ফলহল্লহুনা য়াম্না তেঞবা মওংদা সরকাস তন্বীখিবগী থোদোক অহুগুম্বনী— চাওবনী, তমখিবী শক্লোন

পুরবী হৌনা থংত্রবী মবেম্মগী মনাক্তা লৈনা লৈনা মায়থোংনা মকা লামলক্লীবনি। মখোয় মনিগী, লাইকোং লাইফাওগুম্বা লেপনত্রবা ৱারীহু তারক্লগা তোনগ্রবা মীনাইহুনা, লৈগী লৈকোলতুদা তুমীন কয় কয় থম্মোঙ্গ'হুদা য়াজনীংলে হায়বা ৱাকমহু কোংদোকচরকই। "চুম্নে মখোয় মনিনা ঙাংনরিবা, ঐগী পুন্সিগী ওইবা, মতাং'নরবা ৱারী'সি নত্রগা মরাইহেশিংসি চুম্নে। ঈশানা য়াজরবনি— হৌখিডৈ মতমশিংদা ঐহাক তমখিবী মরমচৎ ময়াথং অতুগা মশাজংশিংহুদা ওক্তবী অমদগী হেন্না তুকচরম্মী হিংচা য়াইতম্নবী অমদগী হেন্না হঙ্গোইরম্মী। হুজিকশু ময়াথংশিংহু অতুম্মক হোংবা লৈত্রি। অতুম্মক ময়াথংলী। হোংবা লৈত্রি। অতুবু হুজিক্তী হৈনগ্রবা হায়বহু ওইগ্রমাল্লে য়ানীং য়ানীংদবা, হঙ্গোই হঙ্গোইদবা অতুগা হাকমল্লি হায়হুনা থম্মোঙ্গনা শাওহুনা মাগী মকমদা থানা থানা য়েংলম্বা অতুগা য়েংলমদবা পুম্নমক, মনিল ওনগ্রবদা ঈশীংগী মহাওনা শকথেংনঙমহৌদনা তুমীন ঈশীংদগী মাংখিবগুম মতমশিংহু হৌগ্রেদনা, অতুগা হুজিক্তী পুম্নমক্তু থম্মোঙ্গসিদা করি অমত্তন্ন পক্লখিদ্রে। নীংশীংলুববদি অমুক থাংঙ্মা নত্তে। তুউ অসি চুঙজি। থাদোক্ত্না চংনীংলক্লে। য়ুম অসিবু থাদোক্ত্না। মহুদি, মহুদি ওইথোক্লরোই। মরা তাগ্রবদা করম্না চক করম্বা মতম করম্বা উপাঙ্গী অমনা লৈহাও কত্রে হায়হুনা মক্ষম হোঙখিবা ঙমগ্রবগে?"

"ঙমখিবগে?" মথা তাবা ৱাথল থরতং থল্ল-থল্লহুনা মপোক তোল্লবা য়ুমশংবা মীনাইহু লৈখোংহুদগী অতুম্মক তুমীন ফয়া ফয়া চংখি। অতিয়ানা, মীকুপ'তুদা নাকোয়নমক নত্তরবন্ন লমজাও লমথোম্মনা হুমখিবা মালংবনা, শন্দোকগ্রিবা লৈকোল'হুগী মথং মথং ওইবা লৈপাম্বীশিংহুনা, য়াহৌ ঙনবী নোংপোক্কী নাইতোম তাখিবী থবানমীচাক অমা অনিদং'হুনা, লৈচিলগী কাংবু থরতাংহুনা অতুগা ঙম্নমক্লা থংনহৌখি। ঙসিদি হৌখিডৈ মতৌ নংত্রে মীনাই অঙ্গিগী মায়থোং মকা লাম্নে অতুগা মকা লাম্নে অতুগা য়াম্না মকা লাম্নে।

মশামকী ওইবা (মমা-মপাগী ওইবা) শাগৈ-নাতে কনা লৈজ-ত্রবসু মুপী ময়ুমগী মরী-মতা অদুগা শাগৈ-নাতৈনা, মোত্তিবু খুরক হাংহন্দনা য়েংশন খোমজিনবীরম্মী। মরম অসিদগী মশাগী ওইজবা মহৈ-মশিং মরল-মথুম পুম্নমকসিগা পুনশন্নখিহুনা মোত্তি মহৈদা মশিংদা, মরলদা মথুমদা, অদুগা শাগৈ-নাতৈগী থুংকন পাক্সনবদা পুম্নমক্তা অরাং অপা লৈত্রবা মীশক হায়বদু ওইরক্লে। মাগী মকমদা ফনমক তৌহুনসু কোকপা লৈররোইদবা অদুগা মেনখৎপা ওম্নরোইদবা হায়ববু পু-পাও শুদবা অদুগা পাক চাওরবা ইমুংসিবু নাওকোনশনবী-মীংঙাই কনা লৈতবা অসিত্তংনি। নাওকোম্ননীংঙাই লৈত্রবা পাক চাওরবা ইমুং অসি চাওবনা শংহুনা লৈজে। মাবুদি কনানা উশিং-শীগদগে। মুত্তিগী ওইনা মবুংঙোগা উনবা লাক্লিবা মীশক মরিসি কুপ্না য়েংশন্নুরগা চাওবনা খল্লি মখোয়শিং'সিগী মসুংদা নোংমা নত্ত্রগা নোংমদি ইমুং অসি কায়নহল্লকদবা মীশক অমা য়াওরে। ইম্ফালদগী শুগনু য়োবা বস থৌরিবা ড্রাইভর নহা শামুত্তোবনি। শামুঙোগী চোইরবা মমীংকী মীংয়েংহুনা খুদোংচাবা নত্ত্রগা অরৎপা, অহাংবা মতম ঙাইরহুনা, মরক ঙহাক্তংহুদা য়াম্না হৈ-শিংনা ওম্না ওম্না মবেম্মগী কানুঙ তম্না হেক হেক য়েংলম্মী। করিগুম্‌দা মবেম্মনা কাগী মপান্দা লেপ্পরবদি মমীংকী মীংয়েংহুনা মহৌশাগী মহৌশা ফিগোম্নরবী মবেম্মগী তঙোনরবী অদুগা মহুপ কুপ্লবী উনশাতনা কুপ্লবী করিগুম্বা হকচাংগী কয়াৎ থবশিংহুদা মমীংকী মীংয়েংনা হুৎনা হুৎনা হুনা হুনা অদুগা ওকুপ তকুপ্পরহুনা চাক্না মিতাবা হৌই। মতম কুইনা য়েংলক্লবদা অদুগা অশুক কুইবা চহি অসি হনবা লৈরক্ত্রবদা ইমুং পুবা ওইনা লৈজরিবা য়ুমশংবা মীনাই অসিনা নোংমদি মবুংঙোগী অহাংবা মতম অমদা নাকোং ময়াদা চংশল্লরহুনা ইম্ফাল শুগনুগী বস থৌরিবা ড্রাইভর নহা অসি য়ুমসিদা অহুক তোয়না তোয়না চংহনবীরগম্ভু মীংয়েং নাম্লেং চুমদে হায়না লোল্লা বামেন বাকৎচরম্মী। মহু তারগা মবুং-ঙোনা লিংশল্লুরবা ফুরীংকী ঙকশমহু খেকথ খেকথ, মনাইগী বাহুদা

য়োক্‌ইনা য়া ওইনা য়োৱীদগুম নোকম্নি নোকমি মবেম্মক্না ওনশন্দুনা হায়্—

"তারেদনা ঙাংলিবসি— মীতুনা তাপ্রবদি করী হায়গনবনো ? করী হায়গনি'সে—। মফম থংবা নত্তে— মীতুদগা হায়খি লাকখিগনী— মতৌম্নি তৌহল্লুম্— মপান থোকহল্লুম্ ইবেমহল।"

"অশেংবনী—" মবেম্মনা য়াপাংবীরকই "হুপাম্— মমীৎ মীৎয়েং চুমদে।"

"নংগু— অঙাওবী।"

"অশেংবনী" ইবেমহলনা হায় "মাগী য়াথল মাঙ'মাঙদবদি থংজে অতুগা মমীৎ মনাদি ঐঙোন্দা খর চোই শামুডৌসি।"

"অতুম থল্লুবা য়াবা নত্তে।" মোত্তিনা হায় "মহৌশানা মমীৎ মনা খরতুম কুপফেৎ কাফেৎনবনি ঈপা হাক্তক্তগী তিম্নরক্লবনী ঈপাগা।"

অতুম তেনশর্নথি

অতুদগী মোত্তিনা অতেবা হুইগুম লৈমায় থক্তা তুমীন কুম্নীবা মনাই চাওববু হুংশিবীবা মমীৎ মীৎয়েংনা য়েংবীরতুনা চানীংবা খরতং চাজনবা শেন খরতংতু পীবীরম্মী।

অসুম্না মতমতু হৌথি অতুগা হুজিক্তা মীনাইগী মশিং য়ামথৎপা তারক্লে। ফি শুনবা ঈম্নুং শেঙদোক্লবা, ফত্তহৌদি থোমদোক্লবা অতুগা মরম খুঁজিংমক্তা থমফম থোকপা মীনাই মবুংঙোনা লৌশিল্লম্মী। তোল্লবা মীনাইতু হুজীক্তি শুপ্পগী ফম্বতা অতুগা ঈপ্প চাবক্তা থঙতুনা লৈরে। অতুম্ন লাওনরক্লিরগী মরম লৈ অতুগা মরম নত্তরগা য়াফম অসিদা কৈরোই লৈকাই থংনা চান্নবা মীপুম খুঞ্জিংনা হরাও তয়াম্নরম্মী। চহি মরি অসি চাবোক-পগী মতৌ উরক্তুরবদা হন্দক্তা ইহাল হানবা ওইনা মোত্তিগী হুপ্পীনা মীরোল্ল খুন্নরক্লে হায়বসি তান্নরগা চেকবোলগী, কাইকীক নফমগী, খাও শুঙফমগী, লৈকায়গী, খুনগী অতুগা ওক্তিসক্তি থংনা চান্নবা মীপুম খুঞ্জিংমক্তা হরাও তয়াম্নরকলম্মী। মবেম্মগী ন্যাওপুরবী ওইবনা ন্যাহেক্নক্তা অতুগা মীরোল্ল চৈনা চৈফানরক্লবনা তঙাং ফঙাংবক্তী মাইয়্নোম্নবা, য়েংবা

ওহোক্লা হুংশিবা মতৌ ওইরক্লে। তোল্লবা মীনাইচু মবেম্মগী মতৌচু উরগা করিগুম্বা খম্মোইনা হরাওরম্মী অচুগা করাওরকপা ছুতরকপী অচুগা থিরিগুম্বদনা ওহোক্লা ওমচাক্লরবা শক্তম্না খীৎনা-চেক্লেং উইশক্নবায়োং তম্মদনা লুকখক্লে। হুন্দোক্লবা অৱাবা ওমচাক্লবা অচুগী ফণাশিনা মতৌচুদি তোল্লবা মীনাই শিনা কনা অমা উহল্লমদে। থুমগী মোমোল্লবা য়াম্না হক্লাওমকা-লাম্বা মশক শকফম অচুতনি। মবুংওোমা ক্লেবক্লা মরল্লো মবেম্মগী নাওপুরক্লবী শওং শদাগী শকওংসি উবদা পাক চাওরবা ইমুং শিংনা ওহোক্লা হুওশিন্নবা অঙাং (হুপামচা নত্তুন্নবস্থু হুপীমচা) অমা লৈরম্মগনী অচুগা অয়ুক অমদগী হুমিদাং অমকাওবা শান্নগনী খসিগীদমক্তা মনাইশিন্না খম্নভং হরাও তয়ামজরক্লে। অসিগুম্বা য়াথনগী হরাও তয়াম্বসি উরক্লগা নোংমা মবুংওো যোত্তিনা মনাক্তা তকশন্দুনা কল্লিবা মনাইদা মৌকথিরক্লনা হংই "চাওবা—"

মওক ছাইগৎচরকই। মবুংওোনা হায়—

"হুপা ওইরবা ... হুপীবু ওইরবস্থু হা— ঈচাহুদি নংনা শান্নগদবনি, ইমুংগী থবক অমত্তা তৌরয়োই ... উরেদনা— নহাক পোৎখানবগীদমক্তদি ঐনা অহুক য়াম্বা মীনাইগী মপৈ খমলিবসি—" হন্দলকই "অঙাংচু শান্নগত্রা— হৈরোইর্ত্রা— নত্তে কপহন্নগদৌরিত্রা— ঙৈহাক লৈতনা!

মওক লোমক্লে। লুকথক্লে।

"হায়ু— কপহন্দনা। কপহনবদি য়াদে।"

খরতং নোকচবগুম তৌল্লগা লুকথে।

"কপহল্লোই।" অচুগা নোকই "হা- হা- হা-"

হুমীত্তু অঙ্গুম্বা য়াম্না হরাওনা তয়াম্না অচুগা চান্নগা হোৎখি।

নোত্তমা নৌত্তমা হোৎখি— খাদুম তরেং নাওপু— নাওপুরক্লবদদি মবেম্মচু মহোশানগা খম্না নীংলুমজবী ওইবনে নাওপু চৈনা পুত্তম খাতমলক্ত-খত্তম অয়ুকী হুমীদাংগী মত্তম-শুপ্নী ওইমা অমা নাহেনচুনত্তা মতৌমক্লে। নোত অমা তানবদগী হুমীং অমা তারকপা খ তমশুপা হৌগংকাং খংগুকনা অনা লাইওইনম্নবী মতৌ মত্তম চুপ্প লৈকোদম ওৌজিদা অচুগা অমানবা

কমগী কময়ক্ত পোংখাহ্লনতা লৈরক্লে। অয়ুক্তা চীন য়া শেঙলবা মতুংদা অশাবা চা, চান-থক্লবা। মতুংদ অয়ুক্কী ফিক্কেৎ লৈতেং মতুংদ— মতুংদদি য়েত্তিগী দুগুশিন্নবা ঈশৈশিং— মথংদদি মানা খোকপা কোমথোকনীংবা অহুগা পোংথানীংবা। অহুগা হকচাংগী ওইবা ডাক্তরগী হিদাকশিং— হিদাক ময়ামহুৎ ওয়মক করম মঙ্গিং মথা শংলুরগদগে— কল্লিগুম্বা মতম-শিংদা থুরক হাংজ্রবা (থাইনা মমা লৈশাৱিঙৈদা তিন্নরগী মমাল্লবগী কাংবু) মমায়বীগী কাংবু কাংবু মবেম্মগা উমবা লাক্লরম্মী। ৱিকসা, কার, জীপ, অহুগা খোং— পোংথাফম কা অহুগা মথোয় ময়াম্মা হেক চংখিবগা চাগী কপ অমম্লুং স্লেটশিংগী মপৈনা পুমথন থনহনা লৈহৌই। পুন্নমক্লসি ওসিদি তোল্লবা মনাইসিগী মথৌ অমত্ত ওইদরে—। মীনাইনা থুরক হাং-লক্লরে তোল্লবা মীনাই অসি অহুক্কী মতিক থবক হাংলিবমথৈ মতোমতা তুমীন ফমলহনা ৱাখল থনবগী চাং হেনগংলকই। অচীকপা মকম অচীকপা মতমদতা হৈনবা হেল্লকই। অচীকপা ইমুংগী মীনিল তাত্রবা কাচিন কোয়া, লৈকোনগী নাকচি নাকচি তোল্লবা মীনাইসিনা মতম থুদিং ৱাখল থল্লহনা, হবচীক লাংলহনা অহুগা পোংথারহনা লৈরকলম্মী।

নোঙমা নোংখী নোংমঙলবা ঙ্গমীৎ— ঙ্গমীৎ অহুদদি তোল্লবা মীনাইহু কল্লিগুম্বা ৱাখল অমদা য়াম্না কুপ্পা থহ্লকরগা তোল্লবা থম্মোঈহনা পুঙম থাংমদনা থাংওমলক্ত্রবগী মতৌদা লৈকোলগী মনা পুংলবা লৈপাগী অমগী মথোংদা কনা উহল্লোই মতৌ নোঙ্গরহনা, থম্মোঈ য়াম্না শোক্লা থম্মোঈ শোক্লা হীক্ল হীক্ল কপচরকই। মীওইবশিংগী মীমাং থোক্লা শীন্থজবা ওমত্রবা মমীৎ মীৎলুগী পিরাংশিংহনা লৈকোনগী মক্লম্নবা মফমদা হৌরিবা লৈমায় 'থক্কী অশংবা নাপীশিংহুদা কুপ্প কুপ্প য়াম্ন পীক্ল লীক্লাগুম লৈতেঙহনা পক্লরম্মী। মথোয়শিংহুদা মীৎয়েংনা হম্ন নোম্বহনা য়েঙলুরগা তোল্লবা মীনাইহনা "কাম্নত্রবা অহুগা তোল্লবা ঐগী ঈমীৎসিগা তিন্নরক-পদগী কান্নকম থংত্রবা— কহা মাংলবা অহুগা অয়েকদা মপুন্সি লোমন্নক্লবা ঈমীৎকী পিরাংশিংসি কল্লি কান্নবা অমুক য়োক্লুনা থমখিগদগে ? হজীক্কী মাংবগী মাংবা মশর্ক নাইদনা তুমগ্রসমু" হায়না থল্লহনা, থুরক লোম্নহনা

অশুবা মথুউ অনীমক্তা থমলিবা মখুৎ খুৎশাশিং শত্তোক্লনা, মমাংগী নাপী মত্তোনশিংদা পল্লীবা লীক্লাশুম শীক্লবা অত্থুগা তন্নংলবা মীৎলুপী পি শিংহু শাক্ফু কন্না হাইদৎ— ফুদৎলক্ক্লনা— কনথৎতুনা শুন্নমক শকউহন্দমখৈ মাং ত্তাকহল্লকলমী। লৈকোন্দগী কনা উহন্দনা তুমীন চঙশল্লক্লনা মাগী হীপকম কাদা অত্থুগা কমথক্তা ফৈজুপ চিঙথত্তুনা হীপখ্রে। থোদা মতম য়োৈরক্লবদা মবেম্মনা মাবু কৈদা লৈপ্রবগে হায়না কোইকৌ কৌবা অত্থুগ, অতৈ মীনাইশিংদা কোইহং হংখিবত্থু তানা তানা চাওবা ত্তাশন্নদনা অত্থুম হীপচন্দুনা লৈপ্রে। ফল কুইরবা মত্থুংদা থৌয়াম পুবা মীনাই অহলত্থুনা চংশল্লক্লনা হংলৈ। হীপলংত্থু উরগা মশা পায়ত্থুনা হোৌদোক্লে। চাওবত্থু ৱাঙাং থোকলমদরে। মশাত্থু থক থক নীকলয়ে। চংলক-লিবা মীনাইত্থুনা চাওবগী মশাদা অত্থুগা মমায়দা তাপ তাপ পাইবীরত্থুনা য়েংলয়গা হায় "অম্লক মনিল কারবা! সিদি অরুম লাইহো তৌরেদনা। ঙাইখো ঈবেম্মদা হায়বীক্লগে।" থোকখি। চাওবত্থু য়েংলক্লে। খুমলক্লে। কন্নিগুম্বা পাওখুম অমত্ত শীদ-হায়দনা তুমীন থক থক নীক্ল মরৈহোৈই। চাওবনা মশা শুমদে হায়বসিদা মবেম্মনা নাহে নাহেরপ, খোংথাং তপ্প তপ্প থাঙলত্থুনা, শুমদা শুমদা মনাইগী কান্নুংদা চংলক্লনা ফমনাক্ত লেপ্লে।

"কৈদৌরে? শুমদ্রে হায়বা নংবো?"

চাওবা খুমদে। তুমীন লৈ।

"নীকপত্থু থরতং—। নত্তে কয়াম থীনা শুমদ্রবগে?" হায়না হায়না খোং কোনশল্লত্থুনা চেপ্তক্লনা হীপ্পীবা মনাইগী অচোইবা মশন্না কুপশিল্লিবা লাইবক্লদা মশমশিংত্থু হাইগৎ খোমগৎপীত্থুনা য়াম্ন তপ্প তপ্প নানবী শোকপীরহনা য়েঙবীরকই। মনাইত্থু থক থক নীক্লে। হকচাংনা মৈগুম শারে। অশাবা মনিলনা ঈখৌ লাঙহন্নে। অনপ্প হুমাঙনা মমায়ত্থু কাঙথৎলক্লে। অত্থুম য়েংলগ্নদগী মমায় মরান্নবক্ত পল্লীবা হুমাঙশিংত্থু মবেম্মনা অনকপদগী অমোমবা ফদ্ভি অমনা তৈথোক নাম্নোকপীরকই। হুমাঙশিংত্থু মবেম্মনা নাম্নোকপীরকপদা মনাইত্থু থরতং অন্না কোকচবগুম

অশাংবা নিংশা হোল্লকই। নাম্বোক তৈথোকপীরম্লগা "সিদি— করিনো, হিদাক অমা চাবা তারে— নবুঙো লক্তি বাদি এদি খংদে। অদুম উহাক হাঁপখো।" হায়বীরম্ল মনাইগী কান্নুংদগী মবেম্মচু মাহৈ নাহৈ খোংথাং তপ্ন তপ্ন খাওলহুনা, অচোইবা মফিগী ফিদোলশিংনা লৈমায় চিঙনা চিঙনা কাম্লগী মপান খোকখি। চংশ্রে। "মীনাইহুনী মীচু হনগৎনা থরুতং হুঁনা য়েংজররুম্মী। "চংখিবা খোংথাংগী লম্বীচুদা ৱাম্লা মরৌ লৈরবা মমীংকী মীৎয়েংহুনা তান্না য়েংজরম্মী।"

মুমীদাং ওইরে। মুমিদাংদ ওইবা নক্তে, ইমুংগী মীনাই পুম্বা নোঙমগী শুরম নোমলমগদবা মথৌ লোইহিরহুনা ময়ুম মম্নুমদা হৱথিরুম্মী অহুগা ইমুংচু মহৌশাগী মহৌশা উনগুম ৱাইগুম পুমচাক অমুক চাকলম্মী। ইমুংনা মীৱা মোনিল মাইৱনা চাকলরুবদা মাগী কাগী খোংচু চেংনা লৈলশল্লহুনা য়াম্না চেকশন খোসজনবা মতৌদা থমলীবা অরৈমি মকমদগী অথুম্না 'চেগী' চবুল অমা অহুগা মুকফু মুকচৈ ঙগ্নমক পুথোরক্লহুনা মুকচৈ পায়রহুনা থক থক ইম্ন নীক্লবা মথুঙনা কবিঙবা ৱাইংগী পরেং থরা ইশল্লমই। ৱাখল অম্নক খংহুনা তুমীন অমুক লৈখবে।

মুমীদাং (অহিং) দা লাকপা য়েভিওগী ঈশৈ মুথংখিবা ফন কুইশ্রে, অহুগা মবেম্মনা লাইরীক পারম্বগী ঙুং ঙুং ঙওলম্বা খোজেলহুম্ন লেপথিবা ফনা কুইখরে। মবুংঙোনা হুজিলক্লি ফাওবদি মহাক্লা অমা মপাশরু নক্তরগা মতম কুইনা য়োক্লরবা মপু মশক খংলবা হুইগী মতৌগুম্না, নওপুরবী মবেম্মাবু শংবা তাবনী। মহুগীদমক নক্তরা মহাক্লা লৈরিবসি? কান্নুংদা লৈরম্বদগী মীনাইহু পোৎ পুম্নমক চেংনা থমজল্লম্লগা মহৌশাগী মহৌশা চওম্নবা মফি ফিজাওহুনা মশাম্বু কুপ্ন লৈমায় শ্রো শ্রো চিংনা ইল্লহুনা মবেম্মগী কান্নুংদা ফমচংনরবা মথোং খোথাংহুনা লুকথ লুকথ চংশীল্লকলম্মী। শংলরিবনী। থম্মোইদা মীনাইহুনা ৱা— "শংবা শংলদবা পুম্নমক অরেম্বনী— তৌগদবহুতা মপাংখোকনি।" থারুরগা ৱাম্না শিদোম্নজরবা মনাইহু মহৌশাগুম কাগী চিজাইনবা নাকচি অমদা মুকচু

খুতাংক কুম্দুনা মবেম্মবু শংবত্থু তৌরদ্রে। থুনা চংশল্লক্তনা নাল্লবা কমথক্ত চেপ্প য়াহীপ্পয়িবী— নাওপুৱবী মবেম্মবু শংত্রিক য়েংহনা লৈরম্রে। মীকুপ কয়া অতানবা মৈতায় য়ৈরবদা অমুক হেন্না তথক লৈতেংনরবী মবেম্মগী মায়খোংদা শংত্রিক য়েংলমলগা, নিংশানা ফুইনা ফুইনা শাংনা শাংনা হোৱমলগা, মতম কয়া মমাংদগী অরোনবা মতম কয়া চংনা ফেংহনা থমলক্লবা অকিবা মতৌ চেল্লবা খুত্থপ খরা হেন্না শাওলবা, অরুংবা অত্থুগা মতোম্ন ঈকাদগীস্থু হেন্না তুম্নবা থাংহু মখুৎনা চেংনা কুক লাকশন পায়রহনা চওয়বা মফি ফিনুগুদগী মীকুপ মীকুপকি ওইনা খিন্দোকপা হোৱকলম্মী। মীৎকী মপি! মীৎলুগী পি শিম্বরক্লে। মমীৎকি মপি শিম্ব শিম্ব, ফুগায়না লৈশাংনজহুনস্থু মনয়া কনা লৈহানজহুনস্থু লৈখোক্লা লিল-খাক য়েংলবী নীংথিবী লৈগী মতৌগুম্নবী, মবেম্মগী নাওপুৱবী, পুমবুম-নৱবী, ঈ থাওলবী, অত্থুগা মৌওইনবীগী হোনশা খরুঙ লৈশল লিশল্লকসবী, মায়খোং অত্থুগা মীৎ অনীমক অহীংগী খয়ালগুম উমশল্লবী, মমায়খোংহুদা মনাইহনা অহনবা লৈতনা চাদোগুম শংত্রিক য়েংলহনা লৈরে। করিগুম্না মীকুপ অমদা নোঙথাং নোঙফাক্লবগুম “করিনো মতম অসি হোৱগনি” হায়বা ৱাখল খল্লকই। মতমহুদা মীনাইসিনা অরুংবা থাংহু খুৎপায় চেংনা পায়শল্লকই অত্থুগা য়েংকি মখুৎতু অস্থুম অস্থুম হাইগৎলকলম্মী। অত্থুগুম্না ঈচং খৌরবা মীকুপ অত্থু পুন্সি য়াম্না তেল্লম্মী। মৈরানবীগুমই। য়াম্না থুনা মাংখি। অত্থুগা তেমশিংল-রিবা মীনাই অত্থু লাইনা পল্লবা মীগুম খৌনা খোকহল্লমদে। খৌনা য়াওত্রবদা পাংথোক্কদবা মখৌশিংহু কাওথোকপগুম মায়খোংহুবু মীৎলুগী পি তানা তানা য়েংলহনা তুমীন লৈখোক্লম্মী।

ওন্না লৈত্রে। মীনাইহু কয়ারক খম্মোঈনা খল্লানবগুম মতম কুইনা তুমীন লৈকল্লবদা খাংগা লোয়নরবা মখুৎতনা তপ্প তপ্প হাইগৎলক্লনা, পেহো পেহোনবা মতৌ মমীৎ মীৎলুগী পিরাংশিংহু শিম্ব শিম্ব, চেপ্প য়াহীপ্পীবী মবেম্মগী মায়খোংদা, লাইবক্তা অত্থুগা খোম্দরুবী খল্লাইদা

অকি হঙগোই নৈতনা নাম্নকলম্মী। পেনবা নৈরক্কে। খুৎনানগ্গনা অহনবা নৈরক্কবদা, শুং শুং লোয় লোয়, ফানা ফানা কপলম্বা থদাং চীকলবা মীকপ অহুনা ফাঙমদা পুওমদা অস্থুম অস্থুম চাওখৎলক্লবদা, ইগীবী মবেম্মত্থু মীকপ খংথোক থোকলক্লুনা ঈখং খংনা মশেল মরাংনরবা মমীংকী মীৎয়েংনা মনাইদা য়েংলকলম্মী। মীৎলুগী পি! পি! থাং! অত্থুগা মবেম্মগী হকচাংদা মহাক্ক খোইদানা নাম্নমলীবা। হাৎকে তুপকে মতৌ! তৌরমলীবা মনাইত্থুগী অকীবা মতৌত্থু তশেং তশেং উরক্লবদা কমথক্তগী ইখং খংনা খংগ্রেক্লনা কৌরকই—

"চা—ওবা··· চাওবা নং!"

খুৎনান অত্থু লেপ্লে—। থাংগা লোয়নরবা মখুত্তু তপ্ন লৌথোকলগা মওক নোম্বরত্থনা মনাইত্থু তুমীন চীং লেম্ন অকিবা য়াওদবা মতৌদা কম্মাঙ-ত্থদা লেপ্তনা নৈ। খঙখিবোই কিথিবোই মবেম্মত্থু হীপ্লম্বদগী য়েঙন য়েংনা চোংখৎলকপগুম খংহৌ হৌগৎলক্লগা মমাংদা লেপ্লীবা মনাইত্থুবু শংত্রিক য়েংলকলম্মী— অরুংবা মখুৎকি থাংত্থু উরক্লগা হাৎকে তুপকে তেমশিংলম্নে হায়বগী অকিবনা খোংনৈ থুনা চংশলক্তুনা খংহৌদনা থাক্ন থাক্ন— হৌন হৌন— হকচাং হুমাং কাঙনা লাওরক্লম্মী। লাওরে। খোঞ্জেল অত্থু অকিবা ফংনা য়াক্রে। মীনাইত্থু করিস্থু কি খংদবগুমই। ওহাক তুমীন লেপলম্নগা, য়াক্লবা খোঞ্জেলত্থু তারক্লগা খোঞ্জেন্দুনা হেক নেমথরকপদা মথুত্তগী অরুংবা থাংত্থু নৈমায়দা থাদরক্লম্মী। খোংথাং তপ্ন থাঙলত্থনা চংখি। খর চংলগা ফিস্থুংদগী অথুপ্প চেগী মপেইস্থু অত্থুম্বক থাদরম্নে। পুম্নমক্ক অমত্তা খুনগৎলম্বা তৌদে মশাদা করিস্থু থুকংপা অকীবা পক্তবগুম চওম্নবা ফিজ্জাওত্থনা তোম্নবা মশাবু কুপলত্থনা ফম্ন ফম্ন কাম্নুংত্থদগী মপান থোকখি। মীকপ থোকলমত্রবদা ওইরমগদৌবা মতৌ, মতৌত্থু লীকশল লাকশল মবেম্মত্থু থাবুম তরেং লোয়ক [illegible] হকচাং শাইখল কাউখরে। চোকথ হাইওমদরে [illegible] খিথান [illegible] তোংখরে। চাঁমগী তিন এক এক টকংনরে খাথল মাংলুরে।' নিংশা নৈত্তা মিং-হৌরওমখিদরে। খোংথাং থোকলমদরে।' [illegible]

কাইক কাইকেনমা থাডলছুনা, কাপী অহানবা ঢোং অমদি থোমজাও পুন্নথক চেৎনা পুনা হৈনা লোলশনুরে। হৈনী অডাননবা মঙান হেন হৈন হাপাকৎ থানগংলরে। অমুক লময়াইদা চপাইলেলহনা মনাইগী মথুৎসী ভাহৌরিবা অকীবা কঙানবা মচীন তুনবা অকুপা অরংবা থাংছনা শংক্রিক য়েংলছুনা নৈ। লৌথংলে। মথংদা অইবা ঢেপী মইপেছুবা। কন্নাক্ত অডাওবীগুম কেরুপ কেরুপ য়েংনা চংশনলছুনা, অডানবা মৈডান্দুনা অইবা ঢেৰুলছুগী লমায় হাইদোক্তুনা পাখা হৌরকলম্মী।

অহানবা লমায়মতুদা মযেক চাওরম করিগুম্বা ৱাহৈ থরা ই, মছু চৈনেমরবা মুকী লৈরিশিংনা হুন হুন চিঙছুনা পাখা থোকহন্দনা মুংথংলরে। ইবেমহল — ই খংবডনী পাবদী থোকতরে। তোক্লে। ইবেমহলনা খঙী। কুইনা থিগৎলমদনা, মতুংদা ইরিবশিংছুদা পাগে থন্দুনা ইবেমহল লমায়'তু হাইদোকলকই

(মথংগী লমায়দগী হৌন চেকুলছুদা ইরমলিবা ৱাহৈ পুবা মথান উৎলি)

ঐগী হৌশিবা পুন্সি ৱারী ………।

করিমু কাম্নকপদগে থন্দুনা পুজিনা য়ায় তুন্নীর থাংলক্লমনী। ঐনা ওসি ওইরিবা ঈশক শক্তম অসিবু ঈপোকইওগী ওইরকপ্রা? মতুঙি মঙ্গে। মরুম নৈ। ঐনা অতুম ওইরলীবগী মরম নৈ। মরম অচু, নত্তরগা ৱারী অছুদি য়াম্না শাওই অহুগা অম্ভোক্না ভরথি। কনা অমদী মকথদতু ঐহাক্না ৱারী অছু লীনীংলুমে। লৈরুবনিতু করি কাম্নকপদগে। কামকম লৈক্তে থঙী। ইমাক হৈবাক থুননা করিওম্না লৈবাক অমগী থৌনা লৈরবা লৈমাবা-হুন্নী লৈমা লিশিং লিশিংনী মথক লৈমরেলবী ওইছুনা অতিক মরাই লৈরবী লৈমাক লৈমরেমবী অমনা কমদা-করকা অকুপা পংথ পুমথবী লাইনানা চেঙলৌ হেনমরী মমায়মু ফমহুনা অলেৌমমরী মথাযু পুমদকনদা, মীরককী থাপা, য়ায়া থাপা চৌংমুও মহৎদা নাইথছুনা পুন্সি লেমকবদা, মহাকী নীংথীরবী মচেং-লৌবী-করমদা, মহাকী হয়াও হুনাইরবী, মতিক মমাইনবী, হৌখি মপুন্সিগী

মরমদা, লেপ্তুনা ৱারী লিতুনা কনানবু তাহল্লোইগদগে? ৱারীশিংডু লাইহনা মীওইবা মমাল্লবশিংদা অমুক তাহল্লীংখিগদ্রা? মহুদি ওইদরে, ওইথোক্তরে. ঐহাক ৱংই মপুন্সিগী ৱারী'ডু লেপ্ত থমদা লঞ্চুনা মীওইবা কনাগুম্বদা তাহনবদি লাইরহনা মশা কাওবনা নীংশংজনীংজ্রবনী—পুন্নমক্তু কাওথোকপা পামলবনি। কাওথোনীংলে অহুবু মহুদি য়াদে। করিগুম্বদা ৱারীশিংডু অকাও ঈপাক্ত লুপলুবা থোক্লবস্তু অয়াম্বা মপুন্সিগী মীকুপ নতুরগা শরুকশিংদি ওন্নমক্ত,বু নীংশং নীংশং পুন্সিনা চীক্ল চীক্ল য়াম্ন লোম্ন লোম্ন অহুগা মতোমতমক হীক্ল হীক্ল কপতুনা লেপ্লমগনি।

ঐহাক মহাক্রুম্বী—লৈবাক নিংথৌ কনা অমগী লৈমক্লেলবী অহুগুম ঈভীক ঈয়াই লৈবা মীশক অমদি নত্তে। মহাক্রা চেংলৌ হেনবগুম ঐহাক ঈশক্ত অহুক নাপল কানীংঙাই লৈজদে। ঐহাক্তি ঈচম চম্বা, মমীৎ পাংথোকপদা তাইবং. অসিবু থুংনবা য়েংবদি লাইরহুনা লৈবাক অসিগী ম্না কৈথেল ফাওবা থুডনা উবা ওমজদবা য়াম্ন তোনগ্রবা লৌউবা, মশাগী হৌরকফম থংজল্লবা মল্লী মতা কনা অমা লৈজল্লবা তোনগ্রবা লৌমী অহল অমগী মপুন্সিগী অমত্তা পোকচবা মচান্নুপানি। অহুবু থৌদোক অহুদদি অহুগা য়াম্ন নীংঙমল্লবা শা ঙাদগীস্থু হেম্ন তোম্বরবা পুন্সি—পুন্সিহুদি—ঐগা অহুমক চাংদম্নবা য়াম্রিবম্না?

ঐহাকী ঈমা অমা লৈরমগনী। ঐহাক করিগুম্বা মতমদা তাইবংসিদা তাইবং মী ওইনা পোকখি অহুগা অস্নুম চাওরকখি। মসি কনানস্থু য়াদবা তৌরোই। ঐহাকী ঈমা অমদি লৈকম থোকই। লৈকম থোকই কদোগদগে মহাক্তি, ঐগী মীওইবগী ওইবা ঈমীৎ অসি পাংথোরকপদা অগুক পাক চাওরবা তাইবংসিদা অহুগা উমং ৱামংনা থল্লবা পাক চাওরবা মালেম-সিদা অহুমক লৈরমদরে। ঈমাগী থুম্নবা থোমলাং'ডু ঈচিম্ন থকচওমজবা ঈশানা থংজহৌরে। পুন্নমক ঐগী কংফম খোকপা পুন্নমক নোংদবনা ঐগী ঈকমদগী মুনবীখিল্লা নত্তরে হায়রকপা ম্নপোক থীবা ওইবনা ঐহাকী শরুক থুওবীরমল্লবম্না, কংফম থোকপা ঈশরুক পুন্নমক্ত, ঈনবীরনা, ঐহাক ঈপুন্সিগী অহানবা ঈমীৎ পাংথোরকপদা অহল ওইরবা ঈপাহুবী

চেঙশঙবা মৈক কৈবাক অনিহুনা কোনশরুতনা শেম্বা মতম্বাকথক্তা লৈরবতং মথেংনরম্মী অহুগা করিগুম্বনা মনমদা শোবীবা অহুগা মখুই মখুইরবা মনমগী উনশাথক্তদা ঐহাক্ক কপচবা ঈমাম্বসিনা নৈশঙবা।

ঈমা লৈত্রে হায়না কদৌনুংদম্ ঐহাকী পুন্সি লোমশিবা লৈতে অহুগা চাওজন থীহন্দুনা, অওম্মক, অপিকপা অঙাংহ্ ওইনা ঈশাগী অনিগুবা মপোক ফাওবা থোমলাং কোকচনবা ঙাইহনবত লৈতে। ঐহাক চাওরক্লম্মী। মতমহুদি ঐহাক নীংশংবা থোক্লি— ঐগী ঈপা য়াম্না লাইরৈ অহুগ কনা লৈতে হায়বা। লৈত লৈত ঐগী ঈপানা ঐহাকপু থৌবালগী লম্বী লমজাও ময়া নক্ক শাবা লাইরীক তম্বমশং অমদা অহানবা অহুমগুবা অহুগা মরীগুবা তমহল্লম্মী। অওম্মা ঐহাক মঙাগুবা কাখং-লম্মী। ম্বাথল হেক তারকপদগী মঙাগুবা ক্লাওবা তমলকপগী শাওনবা অহুগা পাংজবতনা মীওইবা ওইবা মপোকী নত্তরবা পুন্সি অসিগী মরো চাউরবা অরাবা মশক খংজদ্রবা, হরাও তয়ামজগ্রবা অহুগা চমজগ্রবা শীক্লীতৈ পুন্সি মতেক্ত,গী রারীহুদি পল্লুবগী অহুগা শিংথাক্লবগী করিবু কাম্নগদগে। মতমহুবু অহুগা পুন্সিহুবু শিংথাবদি ঙম্বা হৌনদে। পন্দবনা কৈ। ঐহাক পুন্সি মতেক্ত,গী রারীহুদি পল্লরোই। পুন্সি মতেক্ত, অহুগা মতমশিংহু, মখোয়হু য়াম্না হুঙাইখি, তয়াম্না হরাওখি য়াম্না অহুগা য়াম্না। কদৌগদ্দগে হৌজিক্কী মখোয়হুবু, মতমহুবু অহুগা পুন্সিহুবু নীংশংলগা। গুপ্পতগী নীংশংলুবতদা ওস্তোক ওম কৈনগ্রবা মত্তৌদা থম্মোজ অসি চাকলকই, ঙকই "অহুক হরাও তয়ামগ্রবা মতমহুবু নীংশংলগা করিগী অম্মুক থম্মোজ চাক্ল, থাংওমজবা মত্তৌ থম্মোইনা ওইরক্লিবনি ?"

ঐহাক্ক মঙাগুবা লোইরক্লবা মতুং থা থম হৌরকলগনী মতমহুক্তা ঐগী অহল ওইরবা ঈপাহু লৌউ লৌখাও থা, পুরমক হৌরকুনা কং চিং-বগী থবক তৌরগী। কনাগুম্বা ঈনাক খুনবশিংনা, মখোয়গী মুম শাগংকদবা লৈরবা অহুগা হীওগোল অকোয়বহ চেকপল থাগংকদবা লৈরবা, নক্কগনা শম্বী শেমগদবা লৈরবা ঐগী ঈপানা (হুং চিংবা কাংবু অমা লৈ মহুগী মক্কুবা ঐগী ঈপাবু অমনি) মীগী কাঙপোং অমমা (মীতৈলোনগী লোওমগী

[illegible] [illegible] [illegible] [illegible] মযমকী অচৌ অচৌবা [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] শিংদু [illegible]। [illegible] [illegible]রকপা। [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] ঐহাকপু য়োক শাকখিবা অতুপা [illegible] [illegible] [illegible] পুনিংগী ওলোক শিঙখিবনু। [illegible] ঐহাক [illegible]বগী [illegible] [illegible] [illegible] মাঙাইবা অখিমকী অশেংবা [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]। অঙ্কুকপা মচু শংখিবা পশোংবা অচৌবা [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] অশোংবা [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] অহুনা হাংলবা [illegible], চমথবা অহুপা হাংলবা ঐগী পুনিংগী মীকুপশিংদুগী, [illegible] [illegible] [illegible] শিংনা [illegible] মীকুপ অমতং শংতোক্তনা [illegible] অতুগুবা মীকুপ অহুনা তমখিরবা [illegible]— [illegible] [illegible] ঐগী [illegible] শিমখি। অহল [illegible] ঐগী ঈপাদু [illegible] [illegible] [illegible] তুরেলগী অগুবা লৈরাঈনা কাঙপোং [illegible]শিদুনা, [illegible] [illegible], কাঙপোং চিংজিকা [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]। [illegible] অতমহুনা, তমখিরবা শাওসি তাবনা অতমদুনা ঐনা [illegible]— [illegible] [illegible]—। [illegible] কাওত্রি, [illegible] [illegible] অহুনা [illegible] অহুনী [illegible]— ঐহাক কাওত্রি, [illegible] খাঁও কোয়বী ওয়েন-[illegible], নাহে-নাহে ঐবু চিঙবীদুনা ঈপানা [illegible]— [illegible] তুরেলগী [illegible] [illegible] তানা পুরিবি। তুরেলগী [illegible] [illegible] [illegible] অহুপা কাঙপোং [illegible] অহুনা [illegible] [illegible] [illegible] ঈপীংদো [illegible] তুরেল [illegible] [illegible] লৈতৈ—[illegible] অসি চুঙলি—ঐহাক [illegible]— [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] কোঙল অচৌবা শোক [illegible] [illegible] অহল [illegible] ঐগী ঈপাদু অকোঁ [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]। [illegible], অহুনা [illegible] ঐহাক [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible], [illegible] [illegible] ঐহাকপু [illegible]। ঐগী [illegible] [illegible] ঐগী [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]

[illegible]শিন্নবা, মখোয়মসি, ঐবু যামদ্রা তোক্না য়েঙবীবা মমীংকী থীং-লেংশিন্নবা ঐবু য়েঙনবিন্না, থুনিংমক, ঐগীদমক অহুগা ঔপাগীদমক অরাবা লোনলোকবিশিনগুম তৌখি। মখোয় ময়াম অহুম য়েংনবগী ঊরগা ঐহাক্না হনুমানবী ভায়োলনবীগুম্বী য়নেক মচিলা থাংশেন্না কম কম কোনশনরগদুনা হীক হীক হেম হেম কপচখি। অহুক হীক [illegible] মতমদুদা ঐনা ঐগী থমোয়দা মরতং লুমজখিবা (অহুক হাক্ক [illegible]) হুদি ভায়োলনবী হনুবী'দুনা ঐবু চেংনা কোনশনবীখিবদুননী। অদুগী মমল ওইদুনদ্রা? ওইহনদ্রা নত্তরগা ওইহনগুমদ্রা ঐহাক হুন্নবীদুগা মতম শাগনা ইলমিন্নরকই। মাগী শোলবা মতমদুদা, মাগী অরাবা অমক কয়া ঐহাকত্তু মোনখি। মহাকী কুম অমগী ওরবা শাং ঐনা চীংদগী চনখিখি— মনুম থমকন নৈবাক তৌদুনা থাওনা লোনশংথিখি। কয়া কয়া—মহাক্না পেনখিদবা করি য়াওবগে— ঐগী তৌকমম হনুবী'দুনা মতম-মচাত্তু নত্তনা ঐগীদমক অমীংকি পি তাখিবা নত্তরা, ঐহাকত্ত মাগী শরাল থাখিবা মতম অহুকাওবদা মহাকী পোৎনন তৌখিবা নত্তরা? পোৎলোয়বকাওবা। পুন্নক মীনমগী মাদোই লেমোইশিদা হক্কদুনা লৈরি। পুন্নকশিদগী ঐন মহাকী চাউবী লমকহুশিংবু হায়না থগোক্কে থনুই অহুবু থমোইনা মাকা ওমদে, মপোক মপোক কয়ারকো ঐবু পোকহনুনহু মীকুপ অহুদা মহাক্না ঐবু চেংনা লোন-শনবীখিবদুগী লমলহুদি, মপোকশিংহু মনুদা ঐহাক্না শিংতমপানি হায়বদি নীংদ্রে। কৈদগী শিংবা থমগদগে? মহাক্ক লৈখিদরা অসিমক কনা লৈরবা ঐগী ঊকবদা খুইদগী চাওবা মরাংপা শকক হায়বহু ওইখি। মাগী মফমদা চংনন্দা-তাওজরমু ঐকাইজবদা পাথং কাপ্পবা ঐহাক্না মতমদুদা লোইপুকী চিলায় অমদা খাংপোক্কগং অতা অমা শাকমহুনা লৈখি। লোইবা লেপ্পোলসীং থাক্কনা ঐহাক্না মীগী লৌনীবা অমহুং লৌখাওবা [illegible]বী। মীতৈলবশিংবী মকতা শাং চনবা [illegible], অহুবা [illegible] [illegible] [illegible] ইরেবাই হৈতলোই তৈতখবা, করিগুম্বদা চীংদগী [illegible] মীংশিংহু [illegible] [illegible] অহুম ঔথেনমকবা [illegible]

ওইবগী পুন্সি অদুনা পুন্সিগী অশেংবা মশক থংজদনা খরাইতং হিংনবা লৈজরকপনি। মতমতুদা হবচাং অসি থরুতং শোন্দম নাদমলাদবদি ঐহাক হিংঙকম লৈরমলোইদবনী। অদুবু পাওগন্না তীক-তীক লাওখি-বদগী নোংম নোংমগী শুজ নোমজরুবনা ঐহাক নোংমগী ওইবা চরাতাংদি চাজবা ফংলকই।

ঐনা শামজখিবদি— অৱাবা থংদবা— থরতং চাজ থকচরগা পুন্সিনা হিংজবনি। অশুম্না হিংঙজ পাঙবনি, অদুবু য়াবা লৈখিদে। অৱাবা ৱাখলশিংনা মপুম মরৈ কাগৎচরক্রবা—পাথং মচা ঐবু—তন্তুনা শুৎ-নৈবা হোৌরে— হৌরবা নত্রে শুপ্নগী মীকুপ অমতং নোক্কে হায়বা ঙমখিদ্রে। ঐগী ঈমাগী (মহাক্কী মশক কাওবা উহৌত্রে) কায়নবগীসু অদুগা শক-থেংনজহৌদবগীসু, খোমলাং থকহৌদবগীসু, মাগী মথুংকী থুংনালগী মহাও থংহৌদনা লৈরম্মবগীশু অদুগা ঈপাগী (ও! মহাক্কী পুন্সিগী লৈয়োম অদুনি। মহাক্কী ঐগীদমক্তা ওম্মোক্লা ৱাজখিবা হন্নুবা হুনী। মহাক্কী নোকমীবা মায়খোং— ফাগী য়ান্না মানগ্রবা মশক, মকুউগুম লাওথোক-খোকপসু, ওন্না অদুগা শামুগুম থুজনবসু ওন্না মাগী হৈ-শিংলবা মমীৎ— নীংশংলকপা অসিদসু নোক্লীংলে) অদুগা মহাক্কুবা ঈপা অমগা কুইনা লৈমিন্নওমজহৌদবদগী অৱাবা, পুন্নমকসিগী মথক (মতমদুদা ঐহাক কয়াদা কপকনগ্রবা) অদুগা অহল ওইরবা ঈপাবুসু ঐগী নিংঙাইদা কয়াদা পাঙগন থেক্লা ৱাহনগ্রবা— পুন্নমকসিগী অদ্না ৱাখলশিংনা ঐঙোন্দা ওঙলরিবা। অন্নাবা ৱাখলসিংসিগী মরক, ঐহাক নোংমগী চান্না ঈশানা খোংলগা চাজবা তারকই। মতমসিদদি (ঐনা শাথং ওইরবসিদদি) ঐহাক কনা অমগী মকমদসু নিংঙাই তৌত্রে। নোংমা ভুমিৎ চুপ, অৱা-অনাবা থংদ খবক কয়া পাঙগন থেক নোমলু-তুরুবা মতুংদা ভুমিদাংগী চাক্ত, ঈশানা অমুক খোঙগৎচে। থেকলাবা অদুগা চোকথরবা হুকচাংহনা ভুমিদাং ওহাক পোৎখাজনরবা মতমদুদা কৈজাক কমদুনা লৈখি। কয় কয় করিগুবা মতমদা মায়ল-পুনা মাংখিদ্রনা ইইরবা য়াওই। অদুগুবা ভুমিৎ অদুদি মীকপ, লোয়রকপা, জাক অদু

কারম্মী অতুগা থুম থাক্লবা মহী পুম্নমক কওশল্লবা ইনশাংতু, মখোয়তু চাতুনা লেনবা তাখি নত্তরবা ঐগী ওইনজকম শাওজফম মতম'তুনা কনা লৈখিবগে। অসিগুম্বসি থেওনয়কউে অতুগা অন্নাবা থাখলনা নোঙমা চাও হেনগৎনা হকচাংবু পুনশল-লাকশল্লকউে মপোপ মরেননা ফন্নম্বা ঐগী হকচাংতু ময়েঙ তাথরক্লমী- অস্তুম অস্তুমক শোকচল্লমী। থাখল খনবগী চাও হেনগৎলকই—মোং হাঙীংলক্তে—, নোক খেবা অতুগা হন্নাও মুংঙাইজবা শক্তম পুম্নমক মতম পুম্নমক্তী ওইনা ঐগী ইফমদগী মাংখখি।

লৌবুক্তী অকংবা চরুনা শীং ওইবা অতুগা ঈতোমতগী শাক থরতং থোংখিবা, মুমীৎতো— ঐগী পুন্সিগী অরোইবা মুমীৎ ওইজরম্বনা হেন্ন মকরম্বনী। মুমীৎতুদা— ঐহাক্লা চরু মৈ য়াংলতুনা চাক থরতং থোংখি। মুমীৎ অসিদগীনি ঐগী পুন্সিনা শা-ভাগুম পুন্সি ওনখিগদৌরিবা। চাক্তু থোংনা থোংনা চরু মৈতু য়াংনা য়াংনা ঐহাক ফন্ন থম্মোঈ শোক্লা কপখ্রে মুমীগু। অবাবা হায়বনা কদায়দনো, থাদবা হায়বনা কদায়নো ঐহাক অমত্ত থংখিদ্রে। ঐনা উইথখিবতু ঐহাক ইশানা নীংশংবা থোকখিদরে। কয়াম্না শাংবা মতম ঐনা মৈনাক্তদা তুমলুরবা—। থংদে—। অতুগা শত্তম চাউরবা অতুগা শারবা অশাবা চৈনা থরনা ঐবু মীকপ থোকহনখিবতুদি নীংশংলি। মীকপ থোরক্লবা, অতুগা মীৎ পাংথোকলকপদদি হকচাংগী অকোয়বা মায়কৈ পুম্বা মৈতনা কোয়শনখীবগুম অচাকপা মৈরীমক্তা ঐগী মীৎনা উরক্লমী। মংলাক্লবগুমখ্রে। পাখৎখরে অতুগা ঐহাক অশাবা লাইগুম মৈরক্তদা ইঙাও ঙাওনা ঙহাকতী তুমিন চপ লেপখি। কুইনা মৈশা লাংলক্লবদা মৈগী মৈমক্তা ঙাইরক্লবদা ঐহাক চেনথোক্তে থল্লমী — থল্লিউে মীকুপশিংতুদা চেনফম লৈত্রবা মৈরিশিংতুনা তুমজল্লক্তনা ঐগী মায়দা-মীৎতা কমলাক্তা থোংদা-থুংতা অতুগা ঈফি ফিরোলশিংদা মৈচাক কন্ন, কন্ন কন্ন মৈরায়নরকই। মৈ চাক্লে, ঐ ওন্নমক থংখি অতুবু থংখি উখিদবগুমখ্রে। মৈচাক অতু অস্তুম অস্তুমক কনশল্লকলমী, ঐহাক লাও থোংখ্রে— খাংবা ঙমখিদবনা। খোংথাং অনী অগুমদং থৌনা লৈবা শাতুনা মৈরক্তদা চেঙ্খোকর্তুই।

চেংলোকগা লেপ্লকই মৈচাক কয় চাল্লম্বা। কেমলম্বা খাংপোকপাংগী য়ুমথক মচেং কিন্নরকই, ইথক্লা, ওঃ! মৈশাত্থু হৌজিকশু চুরবগুম হকচাংদা মৈচাক ফাওরে। ঐহাক চেনখ্রম থংখিল্রে মীৎ মমশল্লক্লে, খদাং চীল্লদুনা কয়ারক চেংলোক্লে থৌর‍্যাং তৌকই— অতুবু ঙমখিদে। মী থব্লগী মীনিল তারকপদা হিংলগত্রা খন্দুনা কয় চেংলোক্লবা হোৎনখি, নেৎলু নেৎলু খুদিং মৈথক্লদা ওইরম্মী—। মৈশাত্থুনা ঐহাক্ল ঈশিংখা থোক্ল কয় কয় লাওখি—। অসিত্তনী— ঐহাক কমদৌথিবা মতুদি নীংশংবা থোক্লরে।

ঐহাক্লা বাথল তারকপদদি অশাবা মৈশানা হকচাংগী মফম মফম খুদিংদা চুত্থনা লৈরমলে। ঐহাক থাংবা ঙমদনা লাও থোঙখি। মৈশাশিংথু— মায় মীৎ থোং খুৎ মফম পুম্নমক্লা থাকখিদে। ঐনা লৈর-ল্লিবা মফমদি ডাক্তরশংদনী হায়রবা মথৈদি মৈচাক মরক্তদা ঐনা থংবা ঙমখি। ঐনা ক্লোয় তাবদা— থৌবাল স্কুলগী ওজা অহম্না লুচিংথুনা ঐবু খুঙ্গা থরল্লা ঈস্কালগী ডাক্তর শংদা পুখৎপীরকপনি হায়না তায়। ঐহাকপু মফমসিদা মিং চনশনবীথুনা থরায় হিংনবতং ওইনা লাই-য়েংহনবীখি। ডাক্তরগী হিদাকশিংথুনা মৈশাশিংথুবু ইংহনখি। মৈচাক্লী কোক্লে। থরায়সি হিংলেকো খলল্লুরগা ঐনা থরায় হরাওজরম্মী অতুগা খুঙ্গাশিংবু থম্মোঈনা থাগৎচরম্মী। মখোয় পুম্নমক ওইত্থনস্থ ডাক্তর বাবুনবু অতুক থরায় য়াওবীগ্রবদি ঐহাক অস্থম তৌরম্বা ওইথোক্লে। মরমসিদগী কনা লৈত্রবা ঐনা মখোয় পুম্নমকপু থৌজাল হৈবনী থগুখি। থগুখি অতুবু মতু অরানবা ওইরম্লে। মীকুক অতুদা— নত্তরবস্থ থংনবা অয়ুক্তেদা অসি পুম্নমকসি চুমল্লবগু— নীনী চনবা য়ুমীৎতুদা ঐহাক্লী থরায়সি থারম্মবদি ঐহাক কয়াদা নীংবা থুংলমগদবনো। ঐবু অস্থম্না হিংহল্লবা হোৎনবীরমলিবা অসিমক ঙসিদি ঐগী ঈফমদা য়েক্লবা ওইনা থোক্লরে। কমলাক অনিমক য়েংগু ওইগু কোংচন তাইশনখিথুনা নীংতম মওং চুম্ল তিঙথোকপা য়ারমত্রে। চৎপদা খুত্ত পোন— কয় কয় চৎলে, অতুগা অহাংবা লৈতনা মৈ চাকপ্রবা ঈমায়, ঈমায়গী মফম খুদিং লৈতেম মায়বগুম্লে— ঐগী অরুশংবা— মীওইবু অমা ওইবগী

ঈশক অহু সাংলয়ে। করে কদৌগী মীওক্তি মতমতু ভাইদুনা অতোপ্পক হিংবা তারে খন্দুনা ঐহাক ডাক্তর শংদা লৈখি। করি করিগুম্বা মতমদা খুনগী ঈশ্বর কারকপা খুঙ্গা কনা. কনাগুম্বনা শেন-থুম অচা অথক খর থরতং ঈশরক তথীরম্বা য়াওই। নৌরিভৈগী হান্নি—কুইশরক্রবদি অমত্তসু শকাথং শকউমগে ফংলক্করে। খুন্দুমা চংলু হন্নুবগী করি কাম্বা। ঐগী কনা লৈহুনা ক্ষিতমসিদা তারবদা চাবা খাক্ল য়োকপীগদৌরিবা। কাম্বদে। পুন্সি অসিনা চাবতংদি ফংহুনা শিবা কাওবদং হিংননবা ঐহাক নাবা ফরবসু ডাক্তরশংদা ডাক্তরবাবুগী কাগুংদা মাগী পাখোয়োই ওইনা শেনখি। কনা লৈতে থংলক্লবা অহুগ কুইনা লৈশল্লবদদি ডাক্তর-বাবুনা ঐহাকপু থাদোকপীরে, ফিথোনবীরে। করিগুম্বদনা চানিংবা পোৎ চাজনবা শেন— ! মহাকপুত্ত ঐন কাওররোই। কাওগদবা নত্তে মহাক্তী ঐনা লাৎকদবা লাইহুনী। পুন্সি অসিমদি মাগী মনাক্ত নপচ তাংজ মতোল লোমগ্রগদবনী।

অসুম থল্লিউে—চহি—চহি অহুম চুপ লৈমীমরক্লবদা নোঙমদি ঐহাক অসি মাগী চাম্নবা মরুপ অমগী মসুমদা য়ুমশংবা মনাই ওইনা লৈক্কনবা শিমখি। মহাকমুক মপুক মপাও ফবা মীশক অমগী মক্কমদা— ঐহাক য়ানীংদবা উংনীংখিদে। অহুগা— মানা শিনবীরক্লীবসিনা ঐগী ঈফমদা অরাবা ওইরক্কনি হায়ফাও থনখিদে। মরমসিদগী— ময়াথংতু পুজরহুনা ঐন। ঈবুংঙো মোতিগী য়ুম অসিদা য়ুমশংবা মনাই ওইনা লৈবা তাখি।

অহানবা মুমীৎ—

ওসি কালেন থাগী কুনগা হুমদোইনি পানবা মুমীৎনী। মুমীৎ অসি ঐনা ঐগী ডাক্তর বাবু (ডাক্তর তোমচৌ) গী চাম্নবা মরুপ মোতি হায়রিবা ঈনাক কৈরাক থুম্নবা মুপা তুগী মমুমদা চংকদবা মুমীৎনি। চহি কয়া নৈহুনা লৈরক্লবা ডাক্তর বাবুগী কা অসি থাদোক্লমনি অমদি ঐবু অনিগুবা মপোক্ত পোকহনবীবগুম থৌজাল হৈরবা ডাক্তর বাবুগী থরতং থাম লৈক্করগনি হায়বসি থম্বক্করগা ঐহাক ওরাং অহিংদগী,,হৌরে

থম্মোক্সী শোকলা। অতুম্মকপু ময়াথং ঙাকচবা ওইনা ঐহাক চত্ত লৈরক-নবদি য়াম্রে। ময়মসিংদগী পুগনবা ঈকি ঈরোল থরতংসি চেংনা কোনশন্দুনা কান্নুংসিদা তুমীন কমলী। ডাক্তরশংদা ঐগী থবেনদবা কনানো? লৈরিবা— ঈশীং শোকপশিং, লৈকোন শেঙবশিং, নরসশিং অহংগা অতম কুইনা কবা লৈতনা মাতুনা লৈরক্লবা অনাবশিং। ওসাই য়ায়া ঙনপ্রবা অঙনবা অয়ুক্তা নেপালি মচা বহাদুর (মহাক কৈথেলদদ লৈরকপা মমাংমপা মশক থংব্রবা নেপালী অঙাং অমনি। মহাক ময়াইবক ফবনা হায়-গত্রা ফজবনা হায়গত্রা—কন্ন নাক্লবদগী মথোং মথুং চিংশনখিতুনা— ডাক্তর শংদা অতুম্মক লৈরবা অঙাংনি। ডাক্তরশংগী অনাবশিংগী চাক য়েনবগী কাংশি খিংলকপদা মহাক চাক চায় ডাক্তরশংগী ময়াং তুন্নাংলবা অনাবগী ফিজেংশিংহু মহাক্তী নারবস্থ নাপ্রবশু মফি ফিজেংকুম অতুম্মক শেংলে। ডাক্তরশংদা হিপই। অতুগা ঐগী ঈনাক্ত হুতিগী লাক লাক্তুনা য়ায়ী য়াতাই শারৈ। ঐগী শেন লৈবা হুমীৎ থোক্লবদি ঐনা মঙোন্দা শেন পি অতুগা অচিংবা মথোংহু চিংল চিংলহুনা পোংয়োনবীশিংদগী অচাপোং লৈরুই— অতুগা য়ায় চায়থ্রবা মরুপকুম য়'-ঐ চ'মীনৈ। মহাক মনাতোন তুমই বুচু ঙৌই অহুগা অশোয় অঙামশিংসি থোকলমগ্রবদি মহাক মশক ফজবা মুপামচা অমা হাইবতু তশেং তশেং ওইরমগনি)।

বহাদুরনা ইনাক্তা লাক্লগা হংলৈ—

"কৈদৌরে নং দাদা —?"

"ঐ চৎপা ডারেদনা" ঐনা হায়— (ঐগী লোলদি মহাক থংলে)

"কদায়দা?"

"মোতি—" ঐনা খুং খিল্লহুনা হায়— "আঃ— নং খংলম্মোই।"

"লাক্লরোইদবা সিদা অমুক?"

"অং" মহাকস্থ হুংগুকৈ করিগীনো থংদে মহাকপু য়েঙলুঙৈ ঐস্থ হুংস্থক্লখি "লাকনীদা— ঐ লাকনী" ঐনা য়া ওয়োকই— "চৎলু বহাদুর! হুজিকপু চায়োনবা লৈরব্রা।"

"লৈরে— লৈরুচোয়া?"

"লৈরুচো— ওরাং ডাক্তর বাবুনা শেন পিবী" ঐনা ঐগী কিজিদগী লুপা অহু কিশি থে'ক্তনা লৌথোক্লগা পিন পিন হায়— "নং চৎলুবা তারেদো— ঐদি চৎপা ওমদবনীনা—।"

"কদায়—"

ঐগী চাক্লবা ঈর হৈহু মা থংদে। শেন্দু পুরগা অওনবা অমুক্তদা মহাক চা লৌবা চৎখি। ঈবান্নী চা থকমীন্নখি। বহাতুরনা হায়—

"ঐদি চৎকম লৈতে— অসুম লৈহৌরগনী" চাহু ক্রুট চিংই— "লৈহৌরগনী।"

"লৈহৌ" করিগীনো মতমহু মখোঙ্গেলহু তারগা ঐহাক্না পি শিঙ্খিবা! ঙৈহাক লৈরগদি য়াহৌনরকপা মীশিংনা মায়কৈ খুদিংমক্কগী বহাতুরবু কৌনরকই। মহাক থকচরিবা চাহু গ্রুগ্রু থকচল্লগা "চৎলগে অমুক লাক্কে" হায়রমলগা অহুম চৎখ্রে। চত্তবা য়াদবনী। মসি মাগী মথৌনী। ডাক্তরশংদা লৈরীবা অনাবা অনানী মীপুম খুদিংগী পাওখোল (পোৎ লৈথোক লৈশিন) মহাক্তনা চৎলি— মহুদা শেন থর থরতং পিনবীবহুনা মহাক্না চানীংবা থর থরতং থকচ চাক্তবা ফংলীবনি—। ঐদি মাগুন্নফাওবা তৌবা ওমলোই—। কৈদনো ঐন হিংলুগদবা? হুঙ্গীক্তী অমুক থেঙজল্লক্কে মরমসিদগী ঐহাক ডাক্তর বাবুতং ডাইহুনা লৈরে।

হুঙ্গীক্তী ঐহাক য়ুমসিদা থুওলরে। ওসাই ঐনা কুইনা ডাইজরিঙৈ— ডাক্তর বাবু মোতিগা লোইননা কার তোংলহুনা ঐবু লাবা লাক্লে— অহুগা কারহুগী মনীং থংবা মফমহুদা ফমহন্দুনা পুং তরা থরা হেল্লকপা অহুন্নাইদা ঐবু য়ুমসি তান্না পুবীরকলম্মী। ঐবু খুংশমহুনা ডাক্তর বাবুনা কারহুদগী খাওথবী, অহুগা কৈস্থ থংজদবা ঐবু মাওগোল তানা থাক থাক্তদা চিংথংশীহুনা মাওগোল নাকচিদা ফমহল্লম্মী। চৎলমলাইদা ডাক্তর বাবুনা শেল পীবীরম্মী। মানা কৌখি "চাওবা!" থংলে— ঐনা লুকথরগা, থম্মোঈ শোক্ল, মখোঙ্গেলহু ভাবদা কাচখিবহু "মহাক" উরক্লোইহি। উরক্লোই অহুনা থংদক্লোইহি।

য়োক্লিং নহাবি— । ঐগী অশেংবা ঈশক্তী মখোয়না য়েংশনবীরম্লোই অতুগা কয়ারক হয় য়েংশল্দুনন্ত শীংয়ানবা হৈত্তবশিংনা য়ানখিবদা ঙমদতনা খাকলম্নবা অচৌবা উপাস্যীগী মরুপুম্বা মায়থোং অমা নত্তনা হুজীক্তী ঐগী অশেংবা ঈশক্ত কৈদম্ভ উবা ফঙম্নরোই। অতুগা মখোয়গী তেকে কায়দনা লৈরিবা মমায়থোংশিংতুবুদি ঐহাক্ মুম য়েংশনবা ঙম্মী। মহাক্ ঐগী চহি লেংগা লেংগা নত্তরগা ঐখোয়দগী খরতং হন্তক লৈরমগদবা নহানি। ডাক্তর বাবু চংশ্রবদা মহাক্ ঐবু কৌশনবীতুনা মশামক্ লমজীংবীহনা— টৌটি খিনকম, কত্তহৌদি হৈদোককম, মী উনকম, লাইব্রীক থমকম, ক্সি হোঙদোকক্কম অতুগা চাক থোঙকম মফম পুম্নমক, য়ায়বা কা-কাতুদা চংহনা তাকপীরম্মী। ঐহাক হুজীক্তী ঈমুংগী চাওরাক্পা মওং অমা থংলে। য়াম্ন ঙক্পা অম লৈরে, মহাকসি ডাক্তর বাবুনদি য়ুম পাল্লে হায়খি অতুবু হুজীক চাওবসিদা ঐনা অশুক চাওরবা ঈমুংসিদা মুপী অমত্ত উবা ফংদে! উবা ফংদে। অসুক পাক চাওবা কয়ামসিবু ঐন কয়ম থংগদগে। মথক্কম্ভ অসিমুক চাওবা য়ুম অমা লৈরিবনি। মত্তুদা কা ময়াম মা। কনানা থংবা কা ময়ামতুগী মচুংদ— অমদা লৈরম্বা। অতুবু ঐহাক হুজিক হংবা তৌদে।

ঙসাইমুখৈ, উবদি লাইরহনা মুপী অমা লৈবগী খোঙেল অমকাওবা তারমদবতু মুমীৎ মুংলকুবা মতুংসিদদি কৈদগীনো চেক্তী য়ুমতু মুপী শঙগু শঙগুগী খোঙেলতুনা পুম্নাং লাংলক্লে পুমনিঙ্গ নিঙ্গক্লে। ঐহাক্না খরতং চংথোক্কনা মরম ওইবা মফম অমদগী পোৎথাকম কাদা নোক থেরিবী মুপীগী শঙগুতু য়েংহনা লৈখি। য়ামখরে। কুরম্বা মরাম্নবক কুবী মুপী অহ য়ুমসিগী মবেন্মদো হায়বা ঐহাক থংবা ঙমখিদে। থংনীংবা অমদি পোকই! পুম্নমকসিদগী নাম্বহৌতুনা চুং কোইনা য়ুমসিদা লৈহৌবী মুপী অচুনা য়ুমসিগী মবেন্মতু শোয়দনা ওইবা তাবনি খন্দুনা ঐহাক্ মখোয়বু য়োংলম্বদগী মনীং থঙবা কাদ অতুম্মক চংলে।

হুজীক্তী মুমীদাংয়াইরম ওইরক্লে। ঙসাই লাকুম্বা মুপী শঙগু লক্লদগী মুপী অমদি য়ুমসিদা লৈহৌরে কুরিগুম্বা মতম্দা মখোয়ক্লেহ

তাপ্নে ঐ। তাপ্নে রা ভাংখিবগী ভুতুগা ঈশৈ ভুগভখিবগী শেংলবী মখোষ্কেনত্র অত্তবু মশক্তী উবা লৈরম্মে। পুংশিং ময়ামত্তু হৌতুনা থুমীৎনা লৈখরক্রা ; থুমীদাং থাইরমসিদদি ময়াম মরক্তগী লৈহৌরিবী থুমসিগী মবেম্ম ওইরিবী মুপীসি ঈমীৎনা তশেং তশেং উবা ফঙলে। মহাক্ত অরংব অনানবা মকি কনেক্তনা কময়া নপ্প ফিরৈ ফিশেৎনরত্তুনা অত্তুগা চেঙলবী খোংচ নৌজবী মতৌ মাল্লবী চেঙলবী মখাংতুগী অরৈবা পুন্নমক লাকশল্লতুনা, থাখুমকিবু উহন'ওম্ম পারনী অপাবা ফুরীৎ অমা খুমদফদে মত্তৌ মখোংনবী মহক্তাংবু খুমলতুনা লৈকোন্দ হনগৎ হন্দা চত্তনা লৈনা থুদৎতুনা— কম্বিগুস্তলনা অশাংপী লৈ অমত্তং থংলতুনা শ মরম্বা, অত্তুগা হকচাক লাওন্নংদগী থাখল তৌনা তৌনা, য়াম্ন তপ্প তপ্প চশল্লক্তনা, মাঙগোন্দা ফমজতুনা গুপ্নগী ওহাক্তং ওইনা মাবু য়েক্তজতুনা কমলিবা ঐভোন্দা খৌদারকই—

"নংগী নবুংভো লৈকম খত্রা নং? কৌরুচো-ও।"

"ঐ খাই।" ঐনা গুক্তলরা- ঈওক নোমই। খংই হায়বা উৎলি।

"অত্তুদি— চৎলু কৌখোকলু।"

ঐহাক্ত তুম্মীন ম্নাম্ন ওম্মোক্তনা ঐগী মওং মীরবা শাক্তং অত্তুদা ইবুংঙো মোত্তি কৌখোক্তবা ঈমুং চংলকলম্মী। ঐন খনখি— "মহাক্তী চেঙলবা, অত্তুগা ভোঙপানবী মশা-শাবান অত্তুগা চুং ফিরারবী মীতানাতা, নীংথিরবী হকচাং কুয়াৎ, অত্তুগা মায়খোং— পুন্নমকসিনা ওইবা তাই রাঙাং শঙাংদা মহাক্ত অগুক থোক্তচৎনরিব'সি।"

নীফুংওানিগুবা থুমীৎ— ইঙা থা।

থৌদোক কয়া থোকখ্রে। অগুক থামবা থুমীৎশিংসিদা থৌদোক কয়া থোকপ্রে— অত্তু চেমান্নশিংসিদা কম্বিগু ঈশমখিদে। ওদি অসিত্তু ঐগী মহাপুবা থুমীৎ মথল অমনি। ঈবুংঙো মোত্তিগী মুপীগা ঐগা তৌতনা থগী থাতাই শনম্নিবা ভুমিংনি। অগুক শাংলবা থুমীৎ নীফুংওানিরোত্তুদি থা-গী খংবী থাগী অদত্ত শাম্নিল্লনা থুম ফাম্নবা য়েকনদনা

লৈরকলম্মী। অহুবু ঙসি য়াম্না লৈতানা ৱারী শাখরে। মহাক্না ঐবু কৌশনবীখি—। মনাক্ত ফয়োরাও হায়ন— ঈমীং পন্দুনা। ঐহাক চংশল্লী— কন্নি তৌগনী? মনাক্ত চংশল্লগা ইঙক অসি লুকথরম্মী।

"নং নবুঙোত্ত চাক চাবা ইয়া য়াদে শোক্লম্মী ঙসিদি ঙা চাসি। ফজনা—" হুঙলকই "ফজবা খোঙগত্রা?"

ঐনা নোক্লহুনা ঈঙক নোমই, খোঙগে হায়বা উৎলি।

"নঙক নোমগনু নং" মানা য়েংলহুনা খাংওমদবগুম হায়রকই "ৱা ঙাংবা থরা থরা তম্মু। নং, শুকখোক খোক্তবনু নত্তে নংবু।"

মর হৈ অসি ওস্থোক্না মুঙশিবীবা মতৌ মানথি। তাক্লরগা থম্মোঈনা "ও!" হায়না থল্লকখিহুন, থরদং নোকমিজগে তেমশিংলুবহু কায়খিরম্মী— অহুগা থংহৌদনা থম্মোঈনা নৌথরক্তুনা লৈমায় তন্না লুকথরবা ঈমায় মায়খোং— মীংলুগী পিনা চোৎথে। মহাক্তি উহন-বিবা নত্তে। তাইবংসিদা— অশুক পাক্লবা মালেমথকসিদা ৱা ঙাংনীংদবা লোল খোক্লীংদবা মীওইবা অহু কনানো— করম্বা চহিদা পোকখিবনো অহুগা মালেমগী করম্বা মফমদা লৈবনো? চীন-লৈবু ফাজন্দুনা থম-নীংবা কনানো? কনানো অহুগা কৈদনো? মহু ওইথোকপা য়ারোই, লোম্থোক্তবশিংনা লোম্থোক্লীংই অহুগা নীংথীরবী তাইবংপানবগী চেংলৌবু উকংত্রবা মীংতাংবশিংনা মীং শিংনীংই— মখোয়হুনবু থরা হেন্ন শাফম্নায় ঐগুম্না অম্বুক তোম্ন হিংদৌ শরুক। ঐনা ৱাঙাংবা তাক্লগা অতাবশিংনা মুঙাইরমগনী অহুগা মখোয়গী মকমদা অকায়বা পীবা শক্তম অমা ওইরোই হায়না ঐহাক খক থাজবা ঙমদে। মাগী মৱাহৈসি— ঐবু মুঙশিবিহুনা হায়বীরকপা ওইরবহু— মহৌশানা নিংঙমজত্রবা ঐঙোন্দা অচাকপা ৱাখল পুন্নমকপু পোকহন্নবা ওইনা খোক্লরে, ঐগী থম্মোঈহু ওংহল্লরে—। ঐনা মীওইবশিংগী কাংকম খোৎপা ঈরল-ইপুম মুলিংমক ৱাঙনবা কংজনীংখি— কংজনীংখি তহুবু কঙলয়োইকো কনুনা ঈথৌ-লাঙলবা ঈৱাখলহু নমকহুনা থমখি। অহুঙবা নমখ ঈৱাখলহু [illegible]

তারক্লগা মশোং কাংথৎহল্লরে। মীংকী পি—পিবু শিন্থহল্লরে—। ঐহাক্ত ঈমীৎ মীৎলুগী পি তানা তানা তুমীন অহুম্মক মরৈ।

ঐনা তুমীন্নতা লৈবসি উরগা মহাক থওই উশিন্তবা মাল্লুরমাগী খোন খরা কল্লপ হায়রকই—।

"খুমউ— নংবু— থোঙগেরা? হাওনবা থোঙগেরা?"

ঐনা ঙক নোমজে।

"মতু নত্তে—" মানা হায়— "মতু নত্তে— 'থোঙগে' হায়রু...... হায়রু 'থো—ঙ—গে' মতু তাগে। ঐবু ঈকায়রিব্রা ... হায়রু 'থো—ঙ—গে' চাওবা— নং।"

য়াররোই—। ঐন থংই। মরমসিনা ঈকায় হুঙগোইবা পুম্নমকপু ফাজন্দুনা, মতম চংনা কুইনা শেম শাক্লরবা মতুংদা ঐনা ঐগী ঈরোল-'তুদ।— "থোঙগে" হায়না ওন্থোক্ল থুনা তেনগ্রবা মীকুপ অমদা হায়দোকখী। ঐনদি "থোঙগে" হায়বা থাহে'সিমক হায়খিবনী অদুবু মাগী নাকোং অনিতুদা করম্বা মরোল থোক্তবা থাহে ওইনা থুঙলম-গদবা? ঐহাক খংদ্রে— অদুগা থাজবসু ঙমজদে। করে খুমদি খুমগ্রেদনা। মহাক অমুক তক্লক্লরোই—। ঐনা তুমীন লৈরিঙৈদা খরতং নোকমিরদুনা— ঐবু সুংশিনা য়েঙবীরদুনা হায়রকই—

"অদুক শেঙলিবতু কৈদৌরে— অদুম ফাজন্দুনা— তশেংনা লৈখৎ-ঙমদনবা শিঙ্গরিব্রা নং। হয়েংমখৈদি খংলব্রা অদুম রা য়ারিবমখৈ ঙাংগদৌনি।"

ঐহাক কাওররোই। খল্লী "ওঃ ওন্থোক্লা খোঈখুম্নগ্রেদা—ঈমাগুম থোং-মেঙলবী নরাহৈসে ওন্থোক্লা পামজগ্রে অদুগা—কনানসু উরোঈ থম্মোঈসিদি লোথৎপা য়াদনা— য়াম্ন কুপ্ন— কুপ্ন-কুপ্ন কায়রক্লে।"

থোঙনাওরগী ঐন উরে— অতিয়াগী লৈচীল, লৈচীলগী মপৈ।— লৈচীলশিংসিবুসু ঐহাক চেমায়মিল্লা ইপ্পনগনী—।

ইঙেন থা— থম্মায়—

ওসি অসি নোংমায়জীং সুমীৎনী। সুমীৎ মতম কুইনা পান্থনা লৈরক্লে মরমদি ওসি অসি ঈবুংঙো মোতি অমত্তং ঈবেম্ম কারদা লময়েং লমকোয়বা চৎকদবা অকরবা সুমীৎনী। ঐবুস্থ পুবীগনী হায়না হায়রি। ঐহাক্তী চক্রবস্থ ঙায়দে।

সুমীদাঙ— ।

মজীক্তী হল্লক্লে। কুইরে, অত্থুগা ঐগী কাম্থুংদা ঐনা চেমায়শিং-সিদা ইরিবসিনি— । লময়েং লমকোয়বা অত্থু চৎলুরে— ঈবুংঙো মোতি— ইবেম্ম— অত্থুগা— ঐ। ঐত্ত চৎপা য়াওরম্মী। চারু থকলুনবা পোৎ-চৈ পুম্মা, ফিদা অত্থুগা কোল-লীক পুম্বা কারগী মনিং থঙবা ফমফমগী কাত্থুদা পৈরম্মী অত্থুগা পোৎলকশিংত্থুদা— ঐহাকপু— মখোয়না চিংথৎলীত্থুনা ফমহল্লম্মী। ঈবুংঙো মোতি সুমীৎসি অঙৌবা ফি ঙাক্তমক শেৎলম্মী— শাঙলবা শউন মচেৎনা মরী ওইবা কেমেরা অত্থু— ওই থঙবা লেঙবান্দা য়াম্বরত্থুনা য়েৎ থঙবা পাম্বোম ঈবেম্মবু চপশন চেৎন কোনশল্লত্থুনা ঙাথ-ঙাথনরত্থুনা ঈমুংদগী মপান থোরকই। মমাংগী ফম-ফমদা মখোয়নী ফমথরে। ঈবুংঙোনা কার থোই অত্থুগা অরেম্বা ওই থঙবদা হাংলিবা— ফমফমত্থদা— ঈবেম্মনা মপুরোইবদা ঙাথু-থেঙথুরত্থুনা ফমই। মখোয় অনী য়ারী শামিন্নরকই—

"পুং কয়া তারে হুজীকপু?"

"নীপান— নীপান" ঈবুংঙোনা কার মমায় চুমলিবা মখুত্তদা য়েঙথকরগা ঈবেম্মদা হায়— "নিপানগা মীনীং, খঙা তারে— । ওঙী করোমদা হায়া চৎনীংই নংঙো— ?"

"সেকমাই—" সেকমাইদগী খরা চৎলগা—ঈবেম্মনা মপম থোমজন্ থোমজন হায়—"খর চৎলগা চীং অতুম লৈরদাই ?"

"চীংগী চীংমক্তনা,— চীংমৈরোংদগী হৌরে—" ঈবুংঙোহু নোংজুম তৌই—।

"চীংদো—"

"হোইনে চীংদো—"

মখোয়মীমক নোকম্মিখি। মতমতুদা ঐগী থম্মোইদা ফাওখিবহু কররিনো— ? ঐহাক থংজ্রে—। নোংশংবস্থ থোক্তবে—। ঐচাক মখোয়গী ফুংঙাইরবা পুম্নিহু অতুগা রাইহেশিংহু তাক্ত উক্তরগা ওতাক্তী নাইকেমখি—। ঐনা তারকই (মতমতুদা মখোয় মোকপদগী হন্থরকপদা ঙাইমরম্মী)—

"য়াম্না রাংপ্রবা চীংশিং লৈ ঐ থংই—" ঈবেম্মনা হায়— "চৎলুরে— কুইরে—।"

"য়াম্না ফজবা চীংগোলশিংসু লৈ—।"

"অতুদা হায় চৎলুসি।"

সিনা যুমদগী থুইরম্বন কৈথেল য়ৌবফাওবদংগী বারৌনি।

কৈথেল যৌবক্রবদা হোটেলদগী অচা-অথক খবতংগা লৈশল্লগা সেকমাই তম্না কারহু অথাম্বা লৈতনা থোরম্মী।

"সেকমাই য়ৌরে" ঈবুংঙোনা হায়।

খরা অমুক থৌই। খর হেন্দোরকপদগীদি— মী তাবা খুম হায়বহু ইউ উবা ফংবিদ্রে। অহাঙবা— লমপাক-লমহাং— উমং অতুগা নাকল অমদনা ওয়োয় শহম চাঙরবা তুরেল ঈচেলগী ঈরুম—। তুরেলহু য়ৌই পাকই—। ঈশীংদি উদে—। করিগুম্বা উবা য়াঙই— থেম্ব চেনবা তুরেল ওইরমগনী—। খম্ম থৌই। পুম্মক তোকল্লে, উখিদ্রে। চীংগী চীংমক্তা—। হাঙলবা চীং অতুগা চীংমায়-চীংচেম্ভু— কারহু মপতুনা লৈবগুমই। তুরেল-তুদি মাকল অমদা অতুমক চেল্লম্মী। ওয়োক্ত পাক্রবা চীংথেক অমা থোক্লম্মী। ঈবেম্মনা কায় থাম্মো হায়বগুম কায় থোক্লিবা মপুরোইবগী তেঙবাঙ্গা

মপাম্বোম্ন হীক্তোকলবী মতৌ নাম্বরহুনা৹ চংশন্দুনা ৱাহৈ থম্ন হায়-খিগুম তৌই। ঐ থংহৌদে— থামগনী হায়নস্থ নীংলুদে—। ঈবুংঙো মোঙ্গিনা চীংথেক অহুমক্তদা চীংয়া নম্মা কারহু থংথাম থামলম্মী। মফমহুদা কার থায়ে অহুগা থোংহু হাঙদোক্ত্ন মখোয়নীমক কার মন্নুংদগী শিং নাল্লবা পাক্লবা চীংথেক ওইবা লম্বী লমজাউহুদা ফন-ফন চোংথনখি-রম্মী—। ময়ায়'হুদা পুম্ন লেপমিন্নরম্মী—। লমদমহুগী— ফজবা শক্তমশিংহু থম্বায় তাবা মতৌদা য়েঙনরম্মী। অঙম্বা চীংহুগী— লম্বীগা তাইনবা চীং-খোং পরেঙ'হু মুংনা লৈপল থাবগুম নীংথীনা চনথংলহুনা থমই। ঐ অমা য়াওরকই হায়বসি হুম্বী,মুপা ওইবগী নক্ল লিচীংনা কাওথোক্লথ্রব্রা— নন্তুরগা অয়োক হুইগুম করিগু ওইদন থন্দোক্লথ্রব্রা— ঐহাক্তী মীৎয়েং-মাংদা— মখোয়নীগী নীংথিবা মওং-মতৌশিংহু পুথোক্লরম্মী। মখোয় অনীমক থোইনা ৱাঙদনা থাগৎলীবা (থুহুপ অনী-অহুমমুক ৱাংগনী) মুংগী চেকপল মথক্ত্দা— খোং য়াম্থনরহুনা লেঙতক্লনা ফম্নরম্মী। ফম্নংদগী ঈবুংঙো মোত্তিনা হৌগৎলক্ত্না ঐগী ইনাক্ত পৈহুনা ধমলিবা— চেন্না য়োম্ব। অচা অথর্কশিংহু পুবা য়াবা মথৈ পায়শল্লহুনা— ঐগী ঈশকক' থম্নতং থুংলমলগা— কোল্লহুনা ঈবেম্মগী মনাক্ত পুম্নে। মখোয় অনী হকথেংননা ফমলহুনা অচাপোৎশিংহু চানরম্মী—। মকে য়াম্না পুনরম্মী— অহুগা অমনা অমদা থোৎন মেংনা অচাপোৎশিংহু অমমমতা ওইনা ইম্নরম্মী। ঐহাক য়েঙমলক্তে। নোম্থরে। য়েঙনীংবদি অগুম অগুম হেনগৎলকখি। য়েঙনীংবগী চাং— য়াম্না হেনগৎলকখি অহুগা শক্তমশিংহু য়েঙলগা কাম্নরিবনা করি ? য়েঙদবনা কাম্নরিবনা অমুক করি ? ঐহাক্র অমত্ত থংলমদে। করি অম্না থংখিবা নত্তে গুপ্নগী য়েঙনীংলু-বদনী— অহুগা য়েংঙমলুদবতনী— য়েঙনীং চৈনাহু অম্নুম অম্নুম কনথৎ-লক্লবদা— ঐহাক নোম্থহুনা থাংলুবদগী ঙক অসি থম্নতং হাইগৎহুনা কার মন্নুঙগী শক্তমশিংহুবু হুনা৹ মীৎয়েঙনা হুনা-হুনা য়েঙবা হৌরুই। চানম্না পোৎলকশিংহু মনাকশিংদগী য়াম্না থাম্ন লৈরুয়ে। অহুগা হকচাং অনীহু মুংগী লৈপল মথক্ত্দা ফম্ন ফম্ন য়াম্ব'চেংনা কোম্নহুনা লৈরুবা ঐহাক্র

থেংগনৈ। ঐহাক মীৎ কুপকে হায়রবা ঙমখিদে—। ঙমখিদে— অদুগা য়েংঙমলরোই হায়নদু খনখি। চীংয়াদগী— কনা অমা লৈক নত্তে—হৌরিবা উ-ন্না, উচেক থরক্তং খোংলিবা (মখোয়মসু মথক উবা ফংখিবা নত্তে)। কয় হুদা সুংশীৎ অদুগা ঐ— থরগি নত্তনা— চীংরবা চীংয়াহুলা— কনা অমা লৈবা নত্তে। মরমশিংসিনবু— মখোয় অনীনা— অদুক থোনা লৈন কোনশনব ঙমলিবনি। মখোয় অনী কয়ি কয়ি হায়রা-শক্করিবা? মদুদি ঐহাক তাখিদে ওপগী শক্তমশিংদু উরম্বতনী। লেকথকরবা ওকশিংদু থর থরতং থুংহাই তপ্প তপ্প নোঙথং হাইগংনরকলগী—। নোকমিন্নরমী—। মীৎশিংদু পাংগন থোনা লোইখিবগুম উমথনরক্লমী—। মপুরোইবনা— থুদাং ঘরিনা লৈত্তেঙলবা— থুংকী থুংশাশিংনা ঈবেম্মগী মীৎলৈ পেন্নবা অতিয়া তপ্প পুনথংলবা নোঙ্গ পেন্নবগী থাওয়েক কারবী শমকুল চেংনা পায়থনলমী। ঈবেম্মগী মায়থোং মায়রোংমহক্লমী। মচু শংবনা— অঙাংবী কুচুনা তঙাংলবী চীনবান অদুগা উমথরক্লবী মীৎ তিয়া তায়রমী—। পুন্নমক তিয়া তম্নরমী, য়েংঙমলক্লরে থোনা পুন্না মাংখিবগুমে। ঐহাক শাক্তলবা অদুগা ফুঙ্গরবা নিংশা হোন্দোকলমী— "ঐহাক মীওইবনিকো?" ঐহাক থাজবা ঙমলক্তে—। ঐনতা মীওইবগী হায়না নাপল তৌজবা তারমী। ঐহাক অশাংবা কমকমদুদা চেপ্প হীপথরে।

কনা কুইনা চেপ্প চেপ্প হীপদুরবদা ঐহাক অমুক কমলমী। কয়াদা কনখ্রব। ঈহৌনো—মতমদু কাওবদা—মখোয় অনী মখোয়গী হয়াও তয়ায়বা পুংফমদু লোইশনবা লৈরমদে। ঈবেম্মগী— ফিথুমদুনসু মকা লায়বী থাবুম পুংবাথক ঈবুংঙো মোত্তিনা লেকথরবা কোক্ল ঙাথরদুনা অদুগা ঈবেম্মনা চৈনা ফঙলবী কনাগুম নোম্থরদুনা কুচু পায়বা মপু'রাইবগী মায়থোং'দুদা, শংত্রিক মুন্না য়েঙজরদুনা তনৌজরবী মথুং থুংশাশিংদুনা ঈহৌনবা শাফুদা ঈচায় চায়রবা অচোইবা মশাম শমলাংশিংদু তপ্প তপ্প থোমগৎ-থোমদা শানরম্বা থেংনৈ।

থাজকম অমা হৈরে লৈজবা নোঙহৌ ওইরমী। য়াম্না তমঙমদবা নোঙহৌনি— অদুগা— চীংয়ানি—। নোঙনা তুশোয়না অমুক্তং ঙঙখিবদা

মশীং লাকচমক্রবা অওওবা খোঙ্জেল লিশীং লিশীং থোকহনবা ওমলম্মী। কুইরমদে— খোঙখীবগা কুপ্পবা, পীক্রবা নোঙলীকশিংহু তানরকই কারণী মমাঙ্গী অপাকপা মিংশেলখক্তা মরীক, মরীক পক্লম্মী। নোঙছৌ অহু কনথংলকলম্মী, ওস্থোক্ল থুপ্পবা খোংলৈদা খংহৌদনা অতিয়াহু অমঙবা নোঙছৌনা কুপখিরমই। নোঙগী মপৈনা মুমীৎ মশক উহন্দনা শন্দোকলকই। অহুগা নোঙলীকী শাকু কনথংলমই। ঐনা য়েঙলিবহু— ওস্থোক্লা চরান হৈপ্রবা মীংয়েঙ অমদা হুনা হুনা য়েঙলিবনি। নোঙলক্তা লৈবা য়াত্রহুনা মখোয়'নীমক কার তম্ম চেনশনক্লবা হেক শেম শানরক-পদা ঐহাক্ল ছুং হম্বহুনা য়েঙলু-উরুদবা শারমক্ত অহুগা ইনাক্কী অচাপোং-শিংহু থরায় য়াওন চাশম্নহুনা লৈ। নোঙনা কনথংলক্লবদা মখোয়-নীমক ফিজেং ফিইন কোমতক কোমতক্লরহুনা— খুংশম্নরহুনা— কার মনুংদা চেনশনরক্ত্না ফম্মরে। পম্বরমদে— কারহু মায় ওস্থোক্লগা অকনবা খুংথৌ অমদা ঈম্ফাল তম্ম কম্ম থোরকলম্মী। কারনা কম্ম থোরবদা ইবেম্মহু অগুম অগুম ওাথখিহুনা কার থোরীবা মপুরোইবগী লেঙদা গুক্ল মোনথাংন্দনা তুমথখিগুমলে। তরাওনরবী ওকলম পানবা ফুরীৎতু— ইবেম্মগী নমগী অয়াম্বা শরুকমথৈ খুমওমখিরে। নমওইনরবী অহুগা ফিবক্ল ফিখুম্নরবী তঙৌরবী ঈবেম্মগী নমগী উনশাহু তুওদা ফম-লিবা ঐনা তশেং তশেং উরম্মী। মীওইবা অমগী ওইবা চুম্নগী উনশানী অহুবু ঐগী মীংয়োংজদি— মুমীৎকী মশেক মঙালনা য়ৈরব্বা শকয়েং মিঙ-শেলগী মতৌগুমলম্মী। ঈথক থকলম্মী। য়েংওমজখিরে। অসিতনী— ঐগী থশ্মোয়ঙ্গা করিবু থুপখিবগে করিসু ফুমহুনা থমখিদে—। ঈম্ফাল য়োরক্লম্মী। করম্বা মতমনো. হায়বহুদি খংদে। ঈম্ফালগী অরাংবা মীনিল তারক্লগা লম শাওনা তুমলুবগুম লাকলবী ঈবেম্মনা মপুরোইবগী লেংবান্দগী চুক্ত, থরভং হাইগংলহুনা হঙলকই—

"পুং কয়া তাপ্রবগে?"

"ওজি" মপুরোইবনা খুমলকই "মুমীৎ মুংলৌরে।"

"য়ারা ওজী"

"ঙন্না কদৌগনী— নোঙ হাঙগনী নীংদরে। শেন্নাও অতুগা য়েলহাওও হয়েঙ কোয়া চৎপা তারে।"

"হয়েঙমুক চংকনী" ঈবেম্মনা নোঙবু শাওবগুম পোমশাওননা হায়রকই "হয়েঙমুক চংকনী— ।"

সুমীৎ অসিমদি অসুম্ন লোইশল্লমী। হল্লকপা কুইরে। নোঙসি সুমীদাং তশেংলবা অসি ফাওবা হাঙবা লৈত্রি।

পোইন্ন— ।

ঙসি নোঙমাইজীং সুমীৎনী—। অতুগা কয়ানি পানবনো হায়বদু খঙত্রবসু, অসুক তমথিবা— অসিমুক চঙাগাইনীঙাই ওইবা সুমীৎ— ঐহাক্কী পুন্সিদা অমুক্তংসু থেংনরক্ত্রি। সুপী অমনা সুপা অমগী মফমদা অশুক লমচৎ নাইদবা অসুক ৱাখংদবা অসি ঙসিতং ম'ায়রি ঐহাক থেঙনবা। চুম্মী ঐহাক অয়োকপা চাকলেম চাবা মনাই অমা ওইনা মথোয়না হায়বা হ'ায়বা পুম্বা— তৌবা তাই যাথঙ পুম্বা ইনবা তাই— ঐহাক পুম্নমক কুপ্ন খংবা মীশক্কী ঈমুংসিগী— য়ামলবা মীমাং থোকপা য়াদবা ফিরোল ঐতনা শুবা ঙাক্তনী ইমুং অসিগী লুখাক ঐতনা শেঙবনী— পুম্নমক ঐহাক্না তৌবা ঙাক্তনী অতুবু ফনমক তোঙ্খবা মীনাই ওইতুনসু, সুপা অমনবু থতুপ মরীতং মশেংপী লেঙমাম্নবী অতুগা মপোক ঈথা'নবী সুপী অমগী মফি ফনেকপু— থুংমক্না শু-চায়দি হৌনত্রা— ? ঐগী মীনি হায়না পাকলবা তাইবংসিদা ঈমা ঈপা নত্তরগা ঈচিন ঈনাও, কনাগুম্বা ঈতিন ঈরেমম্নিবা অমতং লৈজরমলবদি— ঙসি, ঐহাক্না অসুম্ন হংগোইম্নবা অতুগা ইরালগী মশক ওইরবা থৌদাংশিংসি পুতুনা পুন্সিনা চাক্ক হিংলমখিগত্রা— ? হিংলম্নোই, কদৌগুং ঐহাক অসুম পুন্সিনরম্নোই। পাক চাওরবা অতুগা থারবা তাইবং থোংচংবী ওইবা ৱারীগী লাইরীকী

চেম্বারদা, ঐহাক অসিমা পোকহনলম্বনা মুপা ওইবগী মতিক, মরাই খরজং হম্বনা য়েঙনহৌরগনী—। মশিং লাকঙমলনা পোক্লিবা তাইবং পানবগী মুপা ওইবশিংসিগী মমুংদা অশুম মীংচং থীহনগদবা লৈরমলবদি ঐহাক হৌথিঙৈনা শিখিবনা করম্বনি—। ঐহাক অমা শিখিবদা মশীং থীঙমত্রবা তেংবানবগী মুপা ওইবশিংগী মশীং, মথৌনা থক হম্বয়োই— ঐ থংই— পোকলমদবনা হেন্ন কৈ, শিখিবনা হেন্ন শাকৈ। অহুবু ঐহাক করম্বা থৌনা লৈত্রবা মপোক্তা পোকলকপনো থংদে, পুম্নমক ঈশানা থংন থংন ঙসি ফাওবদা ঈশান-ঈশাবু হাং-চবা ঙমদনা লৈরি। ঈশাবু ঈরাল লৈরে থংন থংন হাংচ-ঙমদনা হিংহনা লৈরিবা—। মসিমক ঈরালগী মথক্তা ঈরাল ওইহনা লৈরে। ঈরাম্নি থংই— অহুবু কদৌবগে হায়না থম্নোক্লনা, থম্মোঈনা য়ানীংদ য়ানীংদনা য়ানীংবা শাহনা থোই-শাওননা —তমথীবা ঈথৌশিংসি তৌন, অহুগা থাংঙমদনা লৈরিঙৈ ঙসিনা অমুক হেনগংহনহন্নম্মী থোঈশাওনহনবন। ঙসি অসি ঐনা য়ুমস্নিদা লৈরকপা থা নীপান ফারক্লে—, থংই— থা নীপান, ঙসিগী মুমীৎসিগী মুংথোলদা চীক্লবা কাহুদা ঐবু কৌশম্নুনা মহাক্না মকোক্কী হীকশিংহু ঐবু কাইহন শংহন্নম্মী। মহ'ক্ক ঐগী ইমাংদা মনম ওম্বোক্লহনা কমই। মশমশিং-হুনা কানা শম্বোক্ক্লনা মনমদা অহুগা নাক্লমদা তারমই। মশা'হু মশাগী কয়াংপু মতিক চানা খুমঙম্বা কি অমম্ভ পকলমদে। পকলমদে, গুপ্নগী মরেং অনৌদা কাগংলক্লীবা পীক্লবা থাখুমফিগী অফাবা মরী অনৌহুক্কী—অহুগা কিথক চিঙথংতুনা শেংলিবা ফনেক অত্তুক্তনী। অম্হক কা-হেনবা অহুগা থৌওই নাওইদবা মতৌসি উরক্লগা ঐহাক ঈশাসি অশাও মৈশা কম চাক্কলম্মী। মীং অনীমক শঙদোক্ক্লনা হীক কায়না কায়না য়াম থানা মতুংহুদা ঐনা মাবু অশাওবা মীংয়েংনা য়েংলমই। ঐনা খানা শাওনা মহাকপু য়েংলীবহু মহাক উবা লৈতে। করিগুম্না ইতৌ অহুবু মহাক্না উক্লবদি ঐহাক থংই মহাক অঙকপা য়াম্বল অমা পোকনী— ঐগুম্না কমনা অশাও শাওদ খায়ক্লম্মী। হায়না অহুবু উবনা মহাক অঙকপা পোকখিবনী মহক্তা ঐগী থাইদ থংইরবা শমখোক

থেঙলবা অতুগা থোইদোক্লা নাত্রবা হীকশংকি চৈনাহুদা মহাক্ক মুংঙাইরু পোক্লহুনা য়া লাল অমত্ত ভাংদনা য়াম্না তুমীন লৈরম্মী। তুমীন লৈরম্নদগী 'লেফ্রুদা নুভোন্দুদা অমুক্তা য়ুম য়েংউ' হায়না হায়না কোমথরক্রবা ফিথক চিংখৎনরম্মী মফি ফনেক্ত্না নীং তম থাজরকলম্মী অতুগ থোয়-গাননা। য়াম্না নাচুঙদনা হকোম্না গুপগী থরক্তং য়েপশনবগুম ভোরম্মী। য়েঙলু য়েঙলুরগা অশাওবতনা ঐহাক লৈত্তা ওমহনখিদে হকচাংবু নীকহনখি। য়ুম অসিদা, অসিগুম্বা মীওইবা অমবু থরদং ঈকায় খুম্নবীব। লৈত্রবা য়ুমসিদা লৈগ্ররোই খল্লকলম্মী। অশাওরাখম্ন—কোক অসিগী অহাঙবা অবৈদা লমপুম্বা কনশনখিহুনা ওম্নমক নীংশংবা থোকখিদ্রে। ঈথৌ কাও শবে অতুগা হীক কায়বহু ওমলকখিদে। য়াথম ননখিবনা ঐহাক ওহাক হীকায়'হু লেপলম্মী। ওহাক নংলমলরোই ফনা কুইনা লেপলমলগনি। ঈবেম্মনা ফিবক্লদ্রবী, থাখুমফিতনা নওকোল্লবী অতুগা মৌওইনরবী থাবুম নচেক্তনা ঐভোন্দা লৈশল্লক্ত্না হংলকখি— "কৈদৌরে য়াম্রা?" ঐহাক ওহাক চওক্লরম্মী। পাথংখিরম্মী। শেম শারহুনা খুমখি— "হকচাং অসি ওমদরে।"

"করি ওইনা—?"

"কোকসি চীকপনা লোইরে।"

"কয়াম থীনা চাক্রে?"

"মীংসি মরে—। হকচাংসি নীক্রে—।"

মহাক য়াহং হংবা লেপথরে। ঐসু থংহৌদে—ঐগী ওকী অময়ুং নাথোংদা মহাকী মখুত্না কয় কয় নবীরকই। মহাকী মখুত্না ঐগী হকচাংদা নমলক শোক্লক্রে থংলকপদা করিগীম্নো ঐগী তুউ পুম্বা কৈনা শোকপগুম অহুক শাথিনা চুওখ্রিবহু। তুউ অসি চুওখি— অশাওবা পুম্বা মনিল ওম্নহুনা মাংহম'গুমখি। থংনবা মীকুপ্তো ওহাক য়াংলুবগুম ভোক্লরবা অশাও য়াথলশিংহু তেক্ত-কায়র অমুক হজররক্ত্বা হকচাংবু থকথক মীকহনখি। অসিগুম্না ঊরতদহু মুজি য়াংব [illegible] ওইরবী। [illegible] [illegible] [illegible] লৈমিরবগি পাজলক্তে। [illegible] য়াম্না থাগ [illegible] [illegible] [illegible] হোমনদি [illegible] চপ হুংনা [illegible]

অতুবু ঐগুম্বা অমনা পনথুং নাইত্রবা পাল্লবা তাইবংসিদ হিংহনা লৈরমগদবসি কদায়দনো? কদায়দনো খংদবতনা মীকুপশিংত্থু ঐহাক হুংনাংনরম্মী। হুংনাংহনা লৈরি। চানীং থকনীংবা হৌগ্নীং তুম্নীংবা, ওয়মক হকচাংদা পকখিরে। খীংলকলিব পুংশিংসি তারগা ঐহাক থাই হুজিক অথেংবা অহিং ওইরে মীপুম তুম হৌপ্নখরে। চাক চাদ্রে। চাও চানীংদে। চম কংশল্লকপতনী— মহুগীদমক্তদি ঈনাক্ত ঈশিং, নীং ত্তয় খিন্দুনা লৈরে।

পোইন্নু—। ঈগ্নাই—।

ওসি অমুক ঐহাক্ক ঈমুংদা লৈরিডৈদা ঈবেম্মনা কনাগুম্বা মীশক অমা অনীগা মা ওাংনহনা লৈবা তারম্মী। খোঞ্জেলহু হেক তারকপদা ঈমুংদা লৈন লৈন ঐহাক থম্মোঈসি থুক লাওখি। খোঞ্জেলহনা ঐগী চানবীহৈরবা ডাক্তরবাবুবু নীংশিংহনখি। খোঙজীন ফাওবা প্রপ প্রপ খোকচৈ। মপানগী খোঙজীন হেক য়োৗরকপদা ঐগী থম্মোঈগী চৈনাহু ওম্মোক্ক চুম খেওনরম্মী নীংজক চপ মাম্মনা ডাক্তরবাবু লাকলম্মে। ঐনা হৱাওজনা তুমিন য়েঙলিডৈ ঈবেম্মনা ৱারী শারম্মদগী ঐঙোম্দা থংওন ওনশিল্লকুনা য়াম হুংশিবীবা মতৌহু উৎলহনা "চাওবা" কৌরমই। অতুংগী ডাক্তর বাবুনা ঐবু কৌবীরকই—

"চাওবৌ—।"

ঐহাক লুকথৈ।

ঐবু চাওবা হায়না কৌবসি পুক্তিগী ওইনা ঈহান হায় তাখিব-নৱা করিনো ডাক্তর বাবুনা কৌবীবনা ঈপক পকচবোই থৈ। অসিগুম্বা মথোন খোঞ্জেল অসিনা কনা লৈত্রবা ঐবু য়াম্না হুংশিবীবা মতৌনা অনুম 'চাওবা' হায়না কৌবীবসি ঐনা তারক্তবা মতম করাদা লকখঙলক্রবা! হৌখি— মতম অম্মা খোঞ্জেল হুসিহনা ঐবু মীহুপ

কাংদে কৌবীরমই। অদুগা খৌদাবীরম্মী। ওসিদি অদুগুম্বা খোঞ্জেলদু য়াম্না থাপ্লরে— থাপ্লনা লেপ্লরে। খম্বক্করগা খম্মোঙীনা পেল্লা খুমজগে খঙ্গবা পেন্নমক নত্তরবস্থু থরতং মমি শামি ওইনা ফাওবা খুমঙম-জখিদে। তুমীন লুকথজরিঙৈ ডাক্তর বাবুনা কৌবীরকই মনাক্ত লাও হায়রনা। ঐহাক তপ্প তপ্প চংশল্লম্মী।

"মুংঙাইতবরা নং—"ডাক্তর বাবুনা ঈবেম্মদা অমুক য়েঙ ঐঙোম্মা অমুক য়েঙ নোকমী নোকমিরদুনা হঙলকই— "ঐনা হায়ম্রো মুংঙাইজগনী নং। হায়য়ু মুংঙাইতবরা ?"

ঐনা নোম্বরিবা ইঙক্ক নোমজে (য়াম্ন মুংঙাইজরি)।

অদুদগীদি ঈবেম্মদা ওনশল্দুনা ডাক্তর বাবুনা হায়—

"অদুদি ঐ চংঙগে করিগুম্বা মরক্তা হল্লক্রবদি য়াম্ন থুনা ঐগী ইনাক্তা (ডাক্তরশং) দা অমুক্তা চংলকউ হায়য়ু— ।

"ফনি—" ঈবেম্মনা খুমখি।

চংখিগদৌরে—। ঐহাক কনা কুইনা লৈতাবা ওমলমদে। ঈবেম্ম-খোয়গী মমাংদা থরতং হঙগোয়সিন্না হঙগোয়গুমসিন্না খন্দুনা লৈরম্মী। ডাক্তর বাবুমুক চুরূপ থক্কনবদি কনানো ? ঐ অমুক্তসু উঙ্ত্রি। ঐহাক চুরূপ উপু অমতং থমজঙে। মদু থন্নাইনা তানা পীজনীংই। ঐন ওহাক খঙ্গানরিঙৈদা ডাক্তরবাবু চংকদবগী খোং থাংবা হৌরক্লে— সিদদি পীগ্রগে খল্লদুনা ঐনা থামজে। ঐনা থামবদা ডাক্তর বাবু'দু খোং-থাও লেপ্লদুনা লৈরে। ঐনা ঐগী কান্নংদা চংশন্দুনা— মুমীৎ কয়ানি মমাংদগী— লোৎচ থমজরক্লিবা— অহাওবা চুরূপ উপু অদুমতং মোন মখাদগী পুখোক্লুনা ডাক্তর বাবুদা পীজরম্মী। মদু উরগা ডাক্তর বাবুনা হায়—

"চাওবা— ঐগী— চুরূপ— ।"

ঐ তুমীন লুকথজে। খুত্তগী চুরূপ উপুদু লংনল্লনা লৌশনবীরম্মী। অদুগা লুপা মঙা চংগী অম লৌখোক্লুনা— ঐঙোম্মা পীরম্মী ঐহাক লৌশল্লী— ওশেংনা লুপাদু পামজে— মহাক্কী মরল চাজনীংই— পাক

চাওরবা তাইবংসিদা ডাক্তর বাবুগী মরাইহেমুক য়ুংশিবা, মাগী মরলমুক চাজনীংবা, হাওজবা— অতুগা কাওডমজদবা— লৈতে। কৈমস্থু লৈরোই। য়ায় পামজনা— মাহোৌবদগীদি নত্তে— য়েংহুনা-য়েংহুনা লৈজনবর্গী।

রাকচৌং থাহৌ—।

ঐগী রাশক চেংত্রবা ঈরাথল অসিগীদমক্তা ঐহাক নীংঙদবা, অহুগা পেঙদবা অমা পোকলে। ঙসি অসি রাকচিং থাগী থানিদ য়ুমৌংনি। থাবলসিবু য়েঙগুরগা মোঙ থাওক্রবা অহুগা অদুগ। ইস্থম লৈচিলনা পানা শন্দোক্তনা— মপুং কারবী থাজা অসিগী মমায় মায়থোং অসি অহুগা থাবল অসিগা তিনশর্মখহুনা শেমলক্লীবা অতিয়াগী মশক শক্তম অসিবু— পুম্নমকসিবু— য়েংলুরগা কুইরবা য়ুমৌং কয়ানি সিঙ্গী মতুং— ঙসিদি রাশক চেংত্রবা ঈরাথল অসি— অহুগা থম্মোঙ্গ অসে ঈশানা বোকঙমদব ঈরাল পীজরক্রি— ।

থনখি—, রাম্না রাশক চেংশ্রবা ঈভৌ অমদা হোঙলরোইদব- মঙুম— 'ঐতাক য়ুম অসিদা লৈররোই— থাদোক্ন য়াম্ম থাপশ্রবা মকম অমদা চংলগনী' হায়না অহুমু থনখি রুদোপদগে, চংঙম থোনা লৈরমত্রবা— চাওরবা অহুগা চোক্তখত্রবা, ঈচাও-পাংখি ঈথক মচা মচাশিংহুনা কয়ারক-কয়ারক হুম্ন চোঙ ফজহুনহ্নু মপাঙ-পাঙগল থেক্রবা মতমদা পাংরায়দগী নাঙ্গেকে হোক্নকরিবা—পাংয়ায়গী ঈশীংলক্তা মশক কাওবা মাংনহুনা অহুমক তিনশন লুপশরখিবগুম, তীন কাংদগীম্নু হেন্ন তোনশ্রবা ঐনা অসিগুম্বী হৌনখংত্রবী, অমচংনাঈত্রবী য়ুগী অসিগী মনাক নক্তনবা— য়ুমসিদগী য়াম্ন থাপ চেনথগে নত্তরগা চংশ্রগে হায়না থম্মা থোঙ্গশাওননা— থজানহুনহ্নু— অহুকঁ ঈচং থোনা থনখিবা ঈরাথলহুদী ঐহাক ঈশাকয়ওনবা থংহৌনা মোঙম-নোঙমগী মাঙথখিহুবা— শাঙ- থবা য়ুমীং কয়ানি— কন্নি অমক্তা থনখিদগুম— কাওথোক্নত্রে,

কাওথোকনুব্রে— অদুগা নীংশংলুব্রে—। অদুগুম্বী তমথীরবী ময়াম্বাংশিংদু অমুক হন্না থৌদারক্কবদগী— ঐহাক্না ৱাখলশিংদু নত্তবগা খোইশাওনরবা ৱাশক অদু কাওথি-কোকথিবা নত্তে। নোঙম-নোঙমগী ময়াথংগী তমথীবা চাঙ হেনগংলক্লিবনি—। অদুবু খংদে অদুক খোইশাওনরবা ৱাখলদু থম্মোইদগী মতৌ করম কোকথিবনো। করিগুম্বা ঈবুংঙো লৈরবদি— ঈবেম্মনা অসিগুম্বী তমথীবী ময়াথওসি কদৌঙৈদদু ৱাথংবীরক্কে। ওসি অসিমকদু— ময়াথং-তু ৱাথংবীরকখি অদুগা মাগী—মুগী ওইবী থোংলবী মথোং— মথোংগী খুনীং— খুং অদুগা কোক পুম্নমক কোঙগোল থোক্লবা সাপোন নোইরক্তুনা— নোইরক্তুনা— তমথীবগী মশক্কি খল্লবা ঈথোদাংশিংদু ঈখুৎমক্ক পাংথোকখি—মতমদুদা—ঐহাক অশাও ৱাখলসি নীংশংলুদে—। ঐহাক নীংশংলুদে— হুজীক্তা— থানিল ওইবী মপুং ফারবী থাজনা তিযাদা লঙলরবা, তিয়ানা— লৈচীল নোঙকাই থাঙদ্রবা অদুগা অপাবা ইস্বম লৈচিলনা পানা শন্দোক্তুনা হেন্না নীংথীহল্লক্লবা, অহীং সিদদি— কাওথোক্লরবা ৱাশকশিংদু— কৈদগীনো— থম্মোই চাক্লবগী মশক্ত নীংশীংলক্লে।

ঈবেম্মসু অদুগা মপুরোইবা ঈবুংঙোসু হুজীক্তী তুম্লবতা নত্তনা মং কয়া কয়া মঙনরম্লগনী মরমদি অহীংসি ওম্থোক্ল থেংলে। থেংদনবু কদোগনী ঈমীৎ অসি কল্লা অমফাও কুপঙমদরে। অঙানবা বোনগী— মৈনা লঙহল্লবা চেক্ল লৈমায় চল্লবা হাংলবা মাঙগোলসিদা— হুজিক ঐহাক ফমদুনা পুম্নমকসি ইশল্লী। তুম্লরোই। ঐহাক তুমখিরোই—।

নীংশংলক্লে—। ঐহাক—মতম কয়া শাওনা কাওথোকলুবরবত্ত— হুজীক্তি খোঈশাও ঈৱাখলশিংদু— ওম্নমক নীংশংলক্লে। নীংশংলক্লে হায়বদু মঙাররে— হৈব্রবা ৱারী লিবা মুপা অমগী মচানগী তাক্লকপী— “অকনবা লাম্মে” অমনা— অত্তাবশিংগী মকমদা মৈশা লাঙহল্লবদি লৈতবগুম— নীংশংলক্কনসু গুম্লগী নীংশংলবদা মঙাররে—, চৌখিদ্রেঙম থম্মোইবু অদুক হাক্ল মথৌনা লৈহন্ন ৱাশক তেমশিংনহল্লবদি লৈরদরে।

মরাখংশিংহু— অহুক হাক্ল ওমথীবনী থলহল্লদরে— থনগে হায়বনু ওৎলক্তে'। হৈনবা হায়বহু মসিয়া— নত্তবরা ? মসিদা ঈশা ঈতোমতনা ঈশাবু মপক খংওমজদথে ওবচহুনা লৈরে।

কুইনা কমহুনা লৈরক্লে— ঈতোমতা। পুং অনীয়োম ওরক্লে—। কুইনা থন্দুনা লৈরক্লগা— ঐনা ওক্লীবা অসি কোকচবমক ওমত্রবগু অওকপা ঈশাগী ৱাহংসিদা ঈশানা পাওখুম থরতংদি পীজরকলি হুজাক— "লংজাশিংগী মরক্তা অপীকপা মশাহুনা চাম্ম চাম্মবক হুমজ-থপচবগা— তপ্ন তপ্ন হ্ববা— লংজাগী পাক্লবা মশাগী অনীরক্তংগী ওইবা মশাগী অনীরক্তংগী ওইবা মশাহুগা চপ মাম্ন'থোকথবে—। মাম্নথোকখরে— অহুগা— কাহুনা চীন্দম্নথোকপীগ্রে।"

"য়ুমগী মৌ'হুনা মতৈদা শাওজবনি— মতৈনা ঈমুং চংলকপগী খুক্লমগী মথোন্তং তারকপদা মকোক চেংনা খুমজগ্লথরে—"

"তেনবা অহুনা অহানবা মতম থরদা — হৈনজত্রবা পোনগী মহুংহুদা চীঙ্গাকশিংহু চাদ থক্ত মশা থপ্লহুনা', অহুগা থম্মোঈনা খোষ্টশাওননা অশাওবা মতৌ উৎচরম্বনী— হুজিক্তী হৈনজত্রবা পোনহুংগী চীঙ্গাক-শিংহু— য়াম হৈননা চারক্লে, অহুগা য়েক্রবর্'ন নীংলম্বা মীওইবশিংগী মরোলহু লোল্লহুনা, য়াম্না হৈ-শিওগ্রবী, অহুগা মীওইববু মুংশিজগ্রবী শাম্নহুনা পোন'মুঙ'হুদা নোওমা মুমীৎ চুপ্পা খুদীং ৱাচোই ভাংলহুনা লৈরবীনী।"

"পুম্নমকসি নত্তবরা ?"

অমা থংদে অমা থংদে— য়ুমসিদগী চৎপা অহুগা চত্তবা অহু— ওয়মক্ল ঐহাক থম্বনীংলক্তরে— অহু পুম্নমকী মহুৎ— ঐবু করেম্নবগুম হুতিগী ইমাংদা— লৈংলিবা মরী পীক্লবী—ঈবেম্মগী অশংবা মচুগী থাথুমক্তি অসিতংদি ঐহাক লোম্না লৌশন্দুনা থমলমলগে—। করি কাম্নবা ? মহুদি— ঐহাক থংদে।

নী'নী পানবা— শু'ভরামাথোই, জানীথোই—।

ঙসিদি—ঐহাক ঈস্নরনা ফনা থেংলরবা অসি কাওবা কি থাদ্রে। শুং ১১ রোম তারমলনী। ঐহাক্তি ইহুম চৈনা কোককাত্রিবনা থারবা ফিজাওশিং থাদোকত্রি। ঈবেম্মদি ওয়মক লৌথোকথরে। শামতুগী থবাক থারবী— অঙাংবী মচুগী মতু চোয়বা খুদাং চোনবী অতুমতং লিংলহুনা মথোং মথৈনা অথাবা কৈজুপ্পা চেংনা ওমশলহুনা— মাগী অনানবা ফমুংতুদা উপ্ন হীপলম্মী। কাহুদ— মা-ঐতনী। ঐনা— কৈমায় থক্ত ঈথুউ-দা খুদাং শোরহুনা তুমীন ফম্মী। তুমীন তুমীন লৈনরম্বদগী ঈবেম্মনা হায়—

"চাওবা— ঈস্তোব— থাগৎলু—।

ফনা কুইনদি চংই—। ঐহাক ঈস্তোবতি থাগৎলে —।

"শওগোম লোল্লু— নং-ঐ— থকসি।" য়েঙথোরক্তে।

ঐ শওগোম লোল্লী—।

শওগোমহু শোগৎলরবদা ঐহাক্তা থাওথবা ঈনং নওহন্দনা মহাক্তা ভম হীপলম্বদগী কুমথরক্ত্না ঈমাংমক্তদা ইস্তোব'মথক্তগী অশোক্তা শওগোমহু অমোদবা কি অমনা কোনগী মনা অনী লাহুনা থাওদবীরম্মী— অতুগা লীক্লীগী গিলাস অনীতুদা শঙ্গোমহু হৈ। ঐগী ঈমাংদা, সিনা নংগী শরুক্তী— হায়গুম গীলাস অমা থীনবীরম্মগা— অতোপ্প অমহু মানা পুরগা ফমথক্ত— অথাবা কৈজুপ অতুনা মথোং ওমশলহুনা ফম্মগা থকখি।

ফনা কুইনা, ঐহাক রাখল থরতং থল্লুগৈ ইশরুক ওইবা শঙ্গোমহু থকলমদ্রে। ঈমাংদা মচী লেংদবমথৈ— অথনবা গিলাসতু অতুমক লৈরম্মী—। ঐনা য়েঙথৎলুবা মতমদদি ঈবেম্মহু শমঙ্গোম থকপা লোইরহুনা চুরুপ মচৈহুমা থোংলবী মচিন্দুদা ফুৎ-ফুৎ চিওলহুনা— মৈথু রা-রা কানা লৈরম্লে। ঐগী ঈশরুক ওইবা শওগোম লেওম হাইদ লৈরম্বহু উরগা ঈবেম্মনা হংলকই—

"থক্ত বরা নংদি— ?"

“[illegible]— ঈমাগা— থকহনগে—”

কনা কুইনা তুমীন-তুমীন অমুক লৈরম্মী। চুকপ অহু ইশাং শাংনা হুপোঁকলুরগা— লীংলীবী মতু চোম্বা শামতুগী ফুরীং অহু মমাই ওহোক্লহুনা লৌথোক্লম্মী— কনেক ফিথক থুনা চিঙথংলম্মী। (ঐহাক্কী নীং উইশঙ্গে) ৱাখলন-থনকম থংগ্রিঙৈ শামতু ফুরীং লীংজুবনা ঈচাঙ্গবা উনশাতু তৈথোক নাম্থোক্লবা মনাক্ত লৈবা মোনপ্রবা অয়ুক্কী সুমিদাংগী খুদৈহু লৌথংতুনা, পাক্লবা মনমনা ইঙোনলোমদা ওনশন্দুনা লৈথরে। ঈকৈন্নগী তুংয়ান ফিভম, মরমচংকা ওম্ন তৈনবী মঙংদা কয়াদা নীংথীজপ্রবা। অসিমুক মাগুম তুংয়ান ফজবীশিং ওয়মক্ত মরমচং অসিগুম চংনরম্বা তারবা তাইবং মাংনবগী মশক— তুংয়ান নীংথীবীশিং করিগী তাইবংসিদা পোকহনবীরক্লিবনো। পোল্লবী নম, হুইকপ্লবী লেঙ, নাক য়েংকী, হকচাং মরুগী থোল্লবী মরাং কায়রবী উনশাগী শক্তম অহুগা কনেক ফিরৈ লীক্লিবা, য়াম্ন চেঙলবী খ্বাংতুগী মমি, উরে— নিংথীবী হকচাংগী য়েংহৈ উইহেন্রবা তাংথক্লরবা, ফিমুংদত লৈজরবী ঈ থাংগ্রবা কয়াংশিং। ঐগুম্ন থোনা য়াওখিদবা কনা লৈরমগনী— লৈরম্লোই— ঐহাক থাজবা ঙমজদে— য়াওরম্বা থোক্লবা করিগী ঐহাক নাপলজরোইদ্রগে। মহু নংখিদরে। ঐহাক্কী শক্তমহু য়েঙঙমজখিদে— ঐহাক লৈঙমলক্ত হুনা হৌগংলক্লে শঙগোম গীলাস’তু চেংনা পায়রগা য়াম্ন ওপ্ন মায় অসি ওহ্নোক্ত.না— মগী কাহুদগী ঐহাক মপান ওম্ন থোবচরকলম্মী। মহাক— ঐবু উবা, উদবা, নাম্থোকদবহু অহুম্মক নাম্থোকলমগনী— ঐন্নু মাবু হুম্না য়েঙলুদে— মাসু— ঐবু কৌরক হঙলহৌদে। পুম্নমকসি ঈশল্লে— লোইরে— ঈশক্লক ওইবা শঙগোম গীলাস’তু মপুরোইবনা থোওইবীত্রবী, শকহেজ্ববী ঈমুংগী মোগুম মচি লেংদনা ঈমাংদা হুজীক কাঁওবা লৈরী।

ৱাকচীং থা— । লোইরমথাইখ

কদোইডে লোইগলবনো হায়বা চপ·ভাবা হুমীৎ অহুমঙী থংগ্রবস্থু চাওরাক্ন ৱাকচীং থাগী থাগ্নোই মতম ওইরক্লবা লোংমাইজীং হুমীৎনী ।

ঙসি লোংমাইজীং হুমীৎ অসিগী অয়ুক অঙনবদা (মতমতু পুং ৭/৮ তারম্নগনী) ময়া পুম্বা য়াওগ্রবগুম নাক-য়েংবী থজায় নাকন অমীমক কোপশল্লবী হম্নুঞ্রবী— শারিনা মকোক খুম্বী মহাং হম্নুবী অমা ঈবুংঙো মোত্তিগী য়ুমদা লাকলম্মী । মহাক কনানো হায়বগু খংখিদে । তৌবদি মহাক্ন লাক্লিবা অসি মরী ইরৈ লৈমদবা ইথং থংনদবা ইমুং অমদা হেক লাক্লবদি মান্দে । ইবুংঙো মোত্তিগী কাদা ঈবুংঙো পোথারিডে অহলচুনা ঈবুংঙোবু কৌবা খোঞ্জেলচু ঐনা তারক্লুনা ইবুংঙোদা মপান্দা অহল হুপী অমা লাকলি হায়না ঐনা চংচহুনা ত্তমজৈ । ইবুংঙো থোক্লক্লবা :শেম শাহৌই— ঐনা হান্না কানুংদগী থোকসকখি । মাঙগোলদা লেপ্লীবী অহল অসি অহানবা হুমীৎ ওইনা ঙসি য়ুমসিদা লাকপা মাল্লী—ত্তশেংনমকগু অচুম্বা ওইরম্নে, ঈবুংঙো মোত্তি থোরক্ত্লনা লাক্লীবী হম্নুবী'হুবু তরাম তরাম ওক্লচুনা ঈমুংগী কাদা পুশন্দুনা চংমীম্নথরে । অয়ুকসিদা পাক চাওরবা ঈমুং অসি ঐ অতুগা ঈবুংঙো মোত্তি, ঐখোয় অনীত মঙায়হৌবা অয়ুক ওইরম্মী । ঈবেম্মদি মমলি-মমলিরিঙৈদা কারহু মশামক্ল থৌরচুনা মপাম চংখি । ঐনা ঙম্বা থবক মখৈ মখোয়গীদমক ঐহাক্ল হোৎনরম্মী ঐনা ঙমদবশিংচুনা ঈবুংঙো মোত্তি মশামক্ল পুথোক পুশিন তৌরচুনা লাক্লীবী হম্নুবীচুবু নীংথীনা পীজ-পীথক তৌচুনা ওক-লম্মী । ইকুই কুইনা লৈরমদে । করিগীদমক লাকপনো হায়বসু থংদে । পুং অমরোমদং ফমলম লৈরম্নগা ঐনা মাঙগোলদা তুমীন কমলিডে ঈবুংঙোগা হম্নুবীচুগা ঈমুংদগী থোকমীম্নরক্লে । থোংগাল ফাওবা অচুগা রসকি মচুংদা ভোংহনবা ফাওবা, থীন্দোক্ল্রগা বস থৌঞ্রবদা ঈবুংঙো মোত্তি য়াম্ন হুঙশুক্লনা হঞ্জলকলম্মী । ঐহাক হম্নুবীচু কনানো হায়বা

থংনীংবা অমত্তং পোক্কনরক্লনা ঈবুংঙো মোতিনা মাঙগোন য়েরক্লবদা ঐন হংনিংনা—"লাকলমলিবী হন্নবীহু কনানো ?" হংজকই। ইবুংঙো মোতিন্থু মুততক্কনা কনা কুইনা খুম্নীরমক্লগা—কাইনথঙনা— য়াম্ন থাখল তৌন তৌন তম্ম খুমলকই "ঐহাক্কী মরী মতানী— মহাক মঙায়ম্নে—ঐগী মরী মতা হায়বব্ন।"

মুমীৎ য়ুঙলকপা অতুরায়দা ঈবেম্মা কান্নহু থোরহনা মপামদগী হন্নকলম্মী। কান্নহু গান্নীশংদা থামলুম্নগা হাথু-হাথু ইমুং চংশনখিবতং মঙায়ম্নি— (মতমহু ঐ মপান্দ লৈ) হন্নবী অহুগা ইবুংঙো মোতি— অনীনা চান্নম থক্লম্নগী কপ প্লেট ময়ামহু থেঙনক্লম্নমাল্লে ঈবেম্মনা হংখিবগুম তৌই "হন্জীকপু কনা লাকল'বগে" ঈবুংঙো মোতিনা "কনাম্নু লাকলমদে— ওফিসকী কেরানী অমা লাক্লম্মী।" "কেরানি অম!" ঈবুংঙো মোতিনা ওইদবা ঙাংহনা ঈবেম্মগী মফমদা কন্নিগীদমক হন্নবীহুবু লোংথলীবগে ? ঐহাক ঙক্লী।

ওনলকপা কালেন থা—।

থম্মোঈসি ঙসিদি ইনৌ নৌথরে। য়েঙউ য়েঙউবা খুদিং ঐহাক্কী ঈকমদা ঙসিদি থম্মোইগী অহুগা থাখলগী মুংশিকমতা ওইরম্নে। থা কয়ানো— পাহনা য়েঙই— থা মরী অসি ঐহাক করি অমা চেমায়শিং সিদা ইশন্নক্লরে। অহুবু ঙসিদি নীংশং নীংশং ওম্নমক ইশননীংলক্লে। শাংলবা থা মরী অসিদা থোকখ্রিবা থোদোক কোঙগায়শিংহুদি ! মশীং থীঙম্নরোই অহুগা ইশনগে হোংনরক্লবসিদদি করিনো ওম্নমক্ল চয়েংনহ্ননা ইরৈ লৈত্রবগুমই। — নীংশংলক্লে !

নোঙমা, তমথীরবা মুমীৎ অমা থোকক্লে। মুমীৎ অহুনা অহুক তমথীখ্রিব'হুদি মতীক চাত্রবা এলেক্ট্রিক থাওমৈগী মরালনি। করি মুমীৎনো ? মহুদি কাওথম্নে নীংশংবা থোক্করে। মুমিদাংনি— অহুগা ঈবুংঙো মোতি হন্নক্লম্নি। মুমীদাংহনা, মাম্নী কাম্নুংদা ঐনা ঈবেম্মবু

ঙাংলহুনা য়ায়ব তুমীব কমহুনা লৈখি। টৈপাল মথক্তগী রেন্ডিওদু মা-ঐগুং তাননবা ওইনা খোঙ্জেল য়ায়ব শীর-শোর-খাহুনা খোঙই। ঈশৈশী পরেঙনা অমা লোইরব অমা-অমা লোইরব অমা, লোইবা লৈত্তবগুম শকই। ঈশৈশিংদু—মাদু-ঐসু তোঙানবা মথমদা কয়হুনা তানৈ। কম-থক্তুদা তুমীন ঈশৈশিংদু তানা-তানা হীপলবদগী ঈবেন্মন। ঐবু কমথক্তা, মাগী কমথক্তা, অদুগা মাগী মনাক্তা কৌশন্দুনা কমহল্লমী। শুপ্লবা ময়াংলেন অদু খুৎনম তপ্প তপ্প নমহল্লনবা। অসিগুম্বী ময়াখঙশিংসিদি কুইশল্লক্লবনা ঐহাক থম্মোঈনা অথীংবা পীজ ঙমখিদরে। অদুম্মক নমই। নমই—নমখি—অদুগা মহাক্কী মশাদু ঐনা শোকখি। মহাক্কী মশাদু শোক্লগা ঐহাক্কী ঈথীলনা কমদৌখিবগে হায়বদু ফোংদোকলুবগী কহি কানগদগে অদুগা করি ওইজবা লৈগদগে। মদু পুম্নমক—শা-ঙাংম্লবা পুন্সিগী— অশেংবা মহাও থংজন্নবা— ঐহাক্কী ঈশক, তোল্লবা ঐগী পুন্সি অদুগা থম্মোঈ— মখোয় ঙম্নমক্ক য়োমশন্দুনা মনিল কক্লা অমত্তং কাওবা থোকহন্দনা থমখিবগুম্বে। ঙম্নমক্ক করি কাম্নবা— ফোংদোকলুবগীসু অদুগা নীংশংলুবগীসু – অমত্ত কানদবোই নীংই। ঐহাক—মাগী উনশা উঙম পারবী ফুরীৎনা ফুপ্লবী ময়াংলেন্দুদা ঐহাক্ক করিনো থংদ্রবা ঈৱাখলগী মপৈ-মপৈদু খনবা হোৎনরহুনা, তুমীন, তপ্প তপ্প নমলহুনা লৈখি। নমলী, ঐহাক্ক ৱাখল খনবসু লোইদ্রীতৈ হকচাং খুৎনমগী মপুংগু ফাদ্রিতৈ অদুগা লেপ্তুনা শক্লীবা রেন্ডিও ঈশৈ পরেংদুগী মমুং চনবা, সুপা অমনা কয়, হেক্ক লাওনা শকচরকইবা ঈশৈদুগীসু লোইশনফম চাদ্রিতৈ ঙাল'-লমলিবা ঈমুংগী অদুগা মাঙগোলগী অঙানবা মৈ পুম্নমক ৱাশক্লবগুম থঙমুৎ মুৎনখি। মৈ মুৎপগা চপ মানৈ ঈশৈ'দুসু তুমীন লৈপ্রে। ঐহাক্কী অকক্লন্নবা তংদানঙমদ্রবা ৱাখল থরক্তংদুগু অদুগা থরক্তং নিল খোঙলম খোঙ্জেলশিং'দুসু ঙম্নমক তুমীন-তুমীন মাং তাক্লখিহুনা পুমচীক চীকখি। ঐহাক করিনো খল্লীতৈদা করি অমা খুকৎপা লৈত্তনা ঈবেন্মনা হীপ্প হীপ্প হায়রকই—

"মৈ মুৎখরে—"

ঐহাক অদুমক তুমীন লৈ। অমম্বা মরক্তদা— ঐহাক নঙলীবা খুৎনমদু ওহাক লেপ্পখী। কুইনা লেপশিল্লবদা ঊবেম্মনা হৌওুম ঐওোম্বা হায়রকই

"লেম্বত্রা— মরাই ভাজারকনী নমু—।"

ঐহাক্তী করিসু খুমখিদে। অমুক নম্বা হৌই।

মৈহুদি কয়াদ কুইনা ভাল্লকখিত্রবা। অমম্বা মরক্তদা ঊবেম্মনা হায়রকই করিগুম্বা ব্বাহৈ থরা। ঐহাক খংখিদে। ঐম, খুৎনমদু থরভং কম নমই থোংলবী উনশাদুদা।

নোঙমনা—। মহাক্তী ফনেক ফিগা'দু শুদোকউ হায়। মসিবু অনৌবা থবক্লা? নত্তে। ফি পুম্নমক ঐহাক্ত শুই। ঐনা যিদু শীল্লো হায়না মহাক্তী কাঙ্গুংদা চ'শল্লী। মাল্লী, ঐ নিংশংলি— ঐহাক্তা মাপ্পী কাঙ্গুংদা চংলুই ঊবেম্মনা লাইরীক পারম্বগী মমায় ঊরৈ লৈথোরক্কনা "শুকুরগেরা নংবো" হায়না শুপ্পগী অমুক্তং হৌডলক্লগা লেপখৎলক্তনো ঐগী ঈমাংমক্তদা, মতুং শুংহাক্তনো অদুগা ফনেক-ফিবানগী কম লাক-শল্লবা মখ্যাংগী কিবৈ'দু থরভং হী'কাম হীক্কে'ম্লহল্লহুনা অদুগা—অদুগা—। নত্তে, পুম্নমক ঐবু মীওইবনী থম্ববগী মতৌমক্তনী। নীশংনীংঙাই ওইহন্দবনা কৈ। থৌওই-মাওইবীত্রবা মতৌদা কিপাদু লৌথক্তনো ঐওোম্বা শীবীরকই। চংশন্দুনা টেবল মথক্তী শক চুম্নবা মিস্তশেল'দুদা থরভং নোম্বরদুনা মমায়দা তোংলীবী মৈচাক পুবী মতৌ মাল্লবী উল্লীং-শিংদু অম'মমতং মেৎলদুনা লৈথ্রে। তোক্লদি—, হরাওবা-হরাওদবা—। করি কাম্নরিবগে—? মদু পুম্নমক তোল্লবা ঐগী ঈফমদদি তমথী শক্তম-তনা কুপশিন্দুনা লৈরবা নত্তরা?

করিগুম্বদা—, করিগুম্বা মীকুপ্ত থনখি—"হীওবগী করি কামম্নিব?" হায়না। কামবা—? কামবদি লৈত্রে। ঐহাক ইশানদু খংজে— কামকম লৈত্রে—, অদুগা— কামকম লৈত্রে। কামকম লৈত্রে— অদুগা অত্তমক থরাইনা হকচাংগা অশুক চেৎনা পকশম্নদুনা হক্তীক কাওবা হিওদনো লৈরিবসি কনাদবু হৌডুগনী।

মোঙমদি— খদোক্তি অসি অমাখা খমদ পাকখিত্রে। লোকখিরবি। অহুগা হল্লাওখিরখি। মতিংদা মতম খাইদগী ফুমীকুল ঈবেন্দ্রগা ঐগা অহুক থবাই তানা। তানা পোক, পোম লোকমীরখিমহু ? কাওখরে। কৈহ লৈতবা— অহুগা ক্লান্তদি মথোইনা থেগনা হল্লাও থারী অমদি ওই- রমনাগনী। নত্তবদগ্ম মা-ঐ কৈদগী অহুক পোম লোকখিররমগাদগে। মরমহু কাওখে— নীংশবা থোকলে— অহুগা— লোকখিরখিবা শত্রুদ- ক্লদি ঐহাক—কাওভমদনা নীংশংলকী। নীংশংলী— ফুমীত্তুলা ঈবেন্দ্রনা কয়াদ পোম লোকশ্রবা— থাংওমদনা লোকথুনা, অহুগা লোকপাতনা পাওগন থেক্লবী মত্তৌ— মথে লাওনবী মমায়থোংহ— ঐহাক য়েংওম- খিদ্রে। য়েঙলুরখা, মশা শাবান— অহুগা মমায়থোংবু য়েঙলুরগা থদোমাঈমী অপেনবহু মংখী। পোম লোকখী ঐগু। ঐনা লোকপা উরগা— নীংশা থবেংনরিবী ঈবেন্দ্রগু শিথ শিথ অমুক লোকপ্রে।

মহারাজ লোনবীবা খুং মোজা (শামতুগী) অমা হৌখিবা ইহুন থাদা— ঐহাক থরায় তানা, অমুক মুংথীজ থায়দবথে উপচবী।

হমুবীহুনা অয়াম্বা মতমদা লাকই। ঈবেন্দ্রবু থবাই তানা মূনা- মুনা য়েংই— কৌনবা অহুগা তোরোংনবদি থক লৈতে। মহাক তত্তনা লাক্লিবসি উরগা লোঙমা ঈবেন্দ্রনা ঈবুংঙো মোতিদা "হমুবীসি কনাগো ?" হংই। মহুতদা খংখী— ঈবুংঙো মোতিনা মখে হমুবীহুবু ঘনমক খুংশিঙ্গরবসু ঈবেন্দ্রদা মরীনি-মতানি হায়রবসি খংহনীংদে হায়রগা। ফুমীত্তুলা ঈবেন্দ্রমা অগুম হওখিবদা ঈবুংঙো মোতিনা ঐগী ঈমাংদা ইহৈ হৈনীংদনা ইবেন্দ্রদা খুমখি—

"কনাগু নত্তে— পাবা লৈরিঙৈদা— ঐথোয়গী অচানবী মীনাইহা ওইরম্বীনি।"

"হজিক্তি তোকপ্রবা— ?"

"তোকপ্রে—"।

মোঙমদি য়েঙিওলী ঈশৈ অমা লাকখি। অগুক কুইনা মুনজিদা লৈহনা য়েঙিওলী ঈশৈ তারকপসিদা— খংনোজবু খুক লাওহনবা ওমা

ঈশৈ অমক্ত য়াওখিদে। থব্রায় তানা ঈশৈ অমত্তহ্ তাখিদে। ঈশৈগী মুত্তশিবা, ককবা, অত্থুগা মুংঙাইকম্ মহৌশানা 'সিনি হায়না— মশক খংজবা নত্তে ঐদি। অত্থুবু হৌখিবা য়াওশং মরাহ্না— য়াম্না তুনশ্রবা, অঙনবা অমুক অমদা মৈতৈলোনগী ঈশৈ অমা রেডিওদগী তাখি। থমোঈ অসি থুক লাওখী। অত্থুগা মতুংদা ঈশৈ হায়বহ্ অসি ওইরে খংখি'-গুম— থমোঈনা মুংঙাইজবা অত্থুগা অপেনবা ফংজখি। ঈশৈহ্, ঈশৈত্থুগী বাহৈ ৱাতাশিংহ্ নীংশংলী— "তাইবং কৈথেল কাহ্না, মুংশিববু মশক খংগে হায়না থিরুই, অত্থুবু শকী কৈথেল ওইরম্মী —"। ঐনা নীংশংহ্না ঈম্নিবসি ঈশৈগী ওইবা শৈহেক-শৈদাহ্দি কাইরম্বা থোক্লবম্ বাহৈ-শিংসিদি অসিনি। অত্থুগা— "ও!" হায়না য়াম্না চাক্ল চিঙলমলগা ঈশৈগী বাহৈশিংহ্ অসুম্নহ্ হায়রহ্না— মুপাহ্না কনাদনো'মা হংগুম ঈশৈহ্ শকই— "ও, করি ঈরালবু লৈবগে?"। "করি ইরালবু লৈবগে" বাহৈসি নত্তরগা বাহংসি ঐহাকম্ হংনীংলি। কনাদবু হঙলুগনী? মুপাহ্নম্ কনাদা হঙলীবনো হায়বা ঐহাক থংখীবা নত্তে।

ঙসি—।

পাক চাওরবা ঈমুংসিগী শামফম কাদা— উগী টেবল মথক্তা— ঈবুংঙোগা ঈবেম্মগা চাগী অঙোবা বোল মচাহ্ থোম্নরহ্না বোল থোম্বী শাম্নে। ঐনা লৈমায় থক্ত তুমীন ফম্নহ্না অতাবা বোলহ্ খুনগদবগী ঙাইহ্না লৈ। বোল খুনবা— ঐগী ঈথৌনী। ঈবেম্মম্ ঈবুংঙোম্ মুপা ঙাক'কুমম্রে। অককপা অঙোবা মচুগী খোংগ্রাউ অমমম অত্থুগা হকচাং য়াঙলবা অককপা ফুরীৎ অমমম শেংনৈ লীংনৈ। ঈবুংঙোনা হেল্লী হৈবা। য়াম্না হেল্লী। হৈ-শিঙলবা ঈবুংঙো মোতিগী খুৎথোমশিংহ্ ওকচনবা হোংনবদা, চোঙ ফনবা অত্থুগা কোরনা চেঞ্জবদা য়ুম্বান মৌওইনম্রবী ওইবী হৌনশা মপোম মতেক কায়রবী— মাংওইনবী হকচাংগী কয়াংনা মীং থক্ত লঙনবা অঙোবা ফুরীৎতু কাওনা মীংয়েঙদা তনীক তনীকলম্মী। করিগুম্বদা নোকচৈ, করিগুম্বদা বোন্দু ঙাইহ্না লৈ, করিগুম্বদা চোংকৈ অত্থুগা অয়াম্ মতমদি ঈবেম্মহ্ অরাবগী শক্তম লাহুংখিরম্মী। মহাক্কী

নৌরবী শক্তম অহুনা অওক ড়াবদি শকচনে। থাহক্তনীংদে অহুনা য়েঙঙমদবা মতৌনী। মহাক্ত থাবদা ঐহাক্ত ঈশকক থরতং য়াহুনা অমা' পোকখীবা— অসুক কুইরক্লবসিদা ওসি অমিতনী।

নীনীগী মতুং—।

ওসিদি ডাক্তর বাবু য়ুমশিদা লাক্লগী।

করম্বা নুমীৎ কদৌঙৈ ঈবুংঙো মোঙ্গিনা থবক শঙবা মুপা নত্তরগা মীশক অমা ওইরক্লনা য়ুমসিদা নুমীৎ-চুপ্প অমতং ফমহুনা হীগুনা নত্তরগা পোংথাহুনা লৈরকপগে? থনবদা ঐহাক উবা কঙজদে। শাঙলবা মপুন্সি অসিমা অশুমক মতৌ অশুম্নতা লেনখীবা য়ানা লৈরে। লন থুম, মরৌ মশীং অহুগা মতীক ময়াইদি অনীগুবা লৈবাক নিংথৌগুয়ে— অরাংপা লৈতরে, পুন্সিগীগু তাথবা অহুগা লেংবা লৈররোই। অহুবু হকচাং অসিদি য়েঙবদা অনা শক্লোলগুমশ্রে। য়েংলু য়েঙলুরগা নাদে হায়বসি ঐহাক থক থাজবা ওমলমত্রবনি— অহুবু ওসি ডাক্তর বাবু লাক্লনা— মথোয় হকচাংগী মরমদা থারী রাতাই থর শামিন্নথি— মহুদা ঈবেম্মনা ডাক্তর বাবুদা হায়গুম-হওগুম তৌখি—

"ওফিস কি থবক অসিমা থাদোক্লবদি— তোক্লবদি হকচাং থরতংগু থাই শঙগদবনী।"

"মাম্নী— ঐসু অহুম থল্লোবনী। পোংথাদবগী হৌনবা মশা'সি ওস্তোক্ল শোম্বরে— অহুগা শোক্লে—।" ডাক্তর বাবুনা হায়— "হীদাক চাবগী কাম্নবহু লৈরোই, অনাবা অমত্ত নত্তবনীনা—।"

নুমীৎ থরনী মতুং কাদেন—।

ডাক্তর বাবু লাকলবা নুমীৎ থরনীগী মতুং ওসি অসি ঈবুংঙো মোঙ্গিগী কাম্নবী মহুংগী মমল য়াক্লবা মপোং (মচাক) অমা কক্তোকে তৌরগে হায়বগীদমক্তা ঈবেম্মা অমহুং ঈবুংঙো মোঙ্গি অনীমক্ত লৈকোম;

শেত্পনীবা। আহুনা অকোয়বা শবল চৈ কনীবা মীনাই অতোপ্পাইমবু ঈথুংলিদ্না অমুক হন্না লাকনবা৷ মুবগী মীনাই ওইরম্লদগী তাদ্রোকখ্রে।

"মুমীদাং লাইরবদা ঈবেম্মগী মপাবুংহু চমপ্রাসিও করিও মুমসিদা লাকলম্মী। ঈবুংঙো মোতি লৈতে। মচানিঙোলহুগা করিবু ঙাংনবা লাকপনো থংদে। পুম্নমক্কী চান-থক্লবা লাংথোক লাংশন্ন পুম্না ঈবেম্মনা তৌই। পুম্নমক থুংলুরবা মতুংদা— কাচিন অমদা তুমীন কমজরীবা ঐগীসু ঈবেম্মনা চান-থক্লবশিংহু ঈশরুক থুঙবীরকই। কয়াদ তাংগ্রবা থৌদৌনো— অহুগা শক্তম্লো!

মুম্মিদাও ঈবুংঙো মোতি হল্লক্লগা ঈবেম্মনা কাঙ্গুংদা চংখী। চুরুপ মৈথেং পুবকউ লাওরক্তুনা ঐনা ঈবুংঙোগী কাঙ্গুংদা চুরুপ মৈথেং পুন্ন থিনজন্নবা চংশল্লুবনা কাঙ্গুংহুনা ঈবুংঙো মোতিগী কন্নাক থক্ত য়াম্ন তনৌজববী ঈবেম্মনা চাউমত্রিবী মুগীমচা অমগুম হেদোইননা কমহুনা ঙসায় মপাবুং লাকলম্বগী সবমদা য়ারী শাহুনা লৈরম্মী। ঐহাক চুরুপ মৈথেগুদ্ পুরদুনা মপান অমুক থোরক্লে।

কালেন থা—। ঈয়াঈ মুমীৎ—।

ঐহাকী য়াথল অসি হৌখিদ্রেগুম নীংশং থৌনা অহুক হান্ন লৈরক্লে। য়াথল পুম্না থুনা-থুনা কাওগল্লক্লে। তৌবদি— কুইল্লবা মুমীৎ কয়া কয়ানীগী মতুং কাওথোকলুরবা থৌদোক মচা মচাশিংসি হেক হেক নীংশংলকই। অসিগুম্বা নীংশং মতমশিংসিদা কাওডমদবা থৌদোকশিংসি অমুম্ন চেমায়ম্নশিংম্নিদা ঐনা হেক হেক ইশঙ্গবনী।

নোঙমা— অহিংহু য়াম্ন মমথক্লে। থামম্বা-অহিং অমদা ঐহাক কৈথিম্নবা অহল ওইরবা ঈপাম্বু থংবৌজনা কৈরণীনো থম্মোইনা থংনীঙ্গ নীংশংলকখি। মহাকসু নীংশংলকই,— মহুনা-পিরকাররবা ঐগী থগুমাইবু থাজনা পুঙমনা য়াহনবী। হৌম অমুমা তুথা।,অমক্ত [illegible]। থামনগী মমলনা

অতুগা চীরুবা অহীংহু মীং পাংনা পাংল অহুমম লৈরম্মী। থেংলরুবা মতমদা, ঐহাক্স কমথক্তগী কুমথহনা ঈমুংগী লময়ায় কাওহনা মাঙগোলদা থোকখী। ঈবুংঙো মোতিগী থোংনাওহু মিংশেলশিং হুত মঙাইরম্মী। মমুংগী অশংবা অমসুং অঙাংবা ফিখলশিংহু থহরমদে। মথোর অনীমক মমুংদা ফিখল ছাইথগনী হায়বা নীংশংবা য়াওনদনা তুমরুবা ওইরম-গনী। য়েঙলমলগা লেপলম্বা তৌদনা ঐহাক থোং হাঙদোক্লা মাঙগোন থোকলম্মী। অকিবা, হকচাংদা অকিবা করিম্নু শকথিদে। ঐহাক য়ায় তুমীম ঈতোমতা মমলবা (মাঙগোল মথৈদি মৈ মুংলি অতুগা ঈমুংদগী মৈঙান থর থরতংনা নিনফুও নিনকুও ঙালহনখি) অহীং য়েংলহনা কমলিঙৈদা মংগুম হাগুম— ওম্বোক্ল থাজদনা অহুগা থংহৌদনা ঈবেম্মনা ঈমুংদগী থোরকলম্মী— থংহৌদে— হওলকই—

"কৈদৌরি— চাওবা নং?"

"কমজরী— ।"

মহাক মথা তানা হওলমদে। চংশল্লক্লনা— অমম্বা মরক্তদা— ওম্বোক্ল নক্লন— ঐগী ইনাক্ত শাহুম চাওনা কমথরকখি। হৌখিঙৈ ঐহাক্ল নংখিদরে। ঈবেমগী মনাক নক্তনবা, থরতং চংথোক হন্দোক্রবা— থম্মোঙ্গনা থনখী অহুগা মীকুপ কয়া— তেমশিংহনা হন্দোক্রবা হোৎনখি— ওম্বা লৈখিদে। ঐহাক ওম্বা লৈখিদ্রে হুমীত্তো। মহাক্কী মুঙশিবা মনম চেল্লবী, শরা শল্লবী মশমশিংহু মথুংনা মচা থায়র থায়রহনা ঈনাক্ত শামহনা লৈরে। মনম চেল্লবী, মশম শমলাংশিংহনা মনাক নক্লবা ঐগী লেঙবান্দ অহুগা মায়দা শমলাং চোইনা চোইনা ফুর-য়ৈররে। ঈশাম্নু থংখিদবগুম তৌখি, শমলাংশিংহু ঐনা য়াম্ন কিজনা থৌনা শোম নাশোম অহুগা মহাক থংহন্দনা শমলাং থরা থরতং থুংনা পায়শজহনা নাতোন্দা পুশনখী অহুগা মশম শম-লাংগী মুঙশিবা মনমহু ঐনা কয়াদা থম্বায় তানা তানা নমজরবা—। ঐনা মশমগী মনমবু নমলুরিবগী মরমদি? অহুগা হুংশিন্নবা মনমহনা ঐগী ঈফমদা পুরকখিবা অপেনবা অহুদি? ঐহাক মথোর ওয়মক অমত্ত

থংখিবা নত্তে। মরম মমলুক্তে মাথগী লমচাংনবা অঙম অহুম কেন-গংখি। মীকুপ অহুমবু ঐহাকপু ঐনি মীংশংবা ওমজরবদি অহুক থৌনা লৈবা ঈতৌহুদা মহাক্কী নমহুদা ঐগী ইথুংনা মত্তৌ অহুম খোরুং পায়রবা। ওমলবগত্রা ? ওমলরোই। কদৌঙৈ— ওমলরোই। অহুমু মীকুপ অহুমা ঐহাক পুম্নমকপু কাওখোক্তুনা ইথুংমক্ক ঈবেম্মগী নমদা পায়রম্নে। ঐগী থুংথরক্লদা ঈবেম ফম কুইনা— অয়েংপা লৈরমদনা— ভুমীম লৈরমগা ঈবেম্মহু থীক থীক য়াম্ন থরায় তামা নোকলকলম্মী। করিগীদমক অহুক থরায় তানা নোক্লীবমো থংদে। মরম থংখিদে— অহুগা করিগুম্বা মাথক অমনা ঈতু ঈমাম চুওহনখী। ঈরালহু য়াম্ন থুপ্রবা মীকুপ ঈশানা থংজরক্তুনা হকচাংদি থক থক নীকখী। য়ুম্নেনবী অমগী মতীক ময়াই লৈরবী হকচাংগী কয়াংতা ঐহাক লমচং লাম্লুরমাম্লে হায়রবদি মীকুপতুদতা থংজরক'কুম থম্মোইদা অকিবা ফাওরকখী। ঈরালহু থৈদোক্লবগীদমক্তা ঐনা— নোকলিবহু থরতং হম্বরকপা ঙাইরমলগা ঈবেম্মদা হংবগুম হায়জে—

"ঈবেম্মা— হকচাং নমজৌ হায়বীখিদরা ঐবু ?" খুং শত্তোকচৈ।

"ঐম্মু মহু থরী" ঈবেম্মনা থরাই তামা থীক থীক নোক্লহুমা মথা তারকই— "মহুগীমি নোকলীবসি। মথুত্ত— থরায় পামবগুমজে— মত্তরা" হংলকই "ঐনবু মনাক্ক ফমরবদি হকচাং অম্বা ?" হংলকই "মত্তরা —?" নোকতুনা লৈখি।

"ঐদি হায়বীখোই মীংজরম্নে—।" ঐনা হায়—

য়ুমীত্তু ঐহাক—। ঐহাকপু লাইনা কনবীখিবা নত্তবরা ?

ইম্নম থা মঙ্গুংগী থোদোক অমম্ন নীংশংলম্নে। ঐহাক অথাবা কৈমুপতু নাক-য়েং করি অমত্ত অহোবা লৈতনা য়েপশজরহুনা, মুঙশিং চংহন্দনা লুম্না হীপচবনী। করিগুম্বদা অম্বাঙলোমদা অহুগা করিগুম্বদ মথাম্নোমদা ওম্ন ওম্ন য়াওনীংলকই। অহুমু য়েপশনলিবা কৈমুপ'মু কারগনী থন্দুনা য়াওনবা লৈতনা তুমীনু হীপঠে। তুম য়াখিদে,

য়াখল খরতং খন্দুনা লৈখি। থেংনী থেংলে— ঐহাক নীংশংলী। লমজাওগী মমাং থংবা, তুরেল খোংবান তাবদা (লৈকায়দুনা) অঙাওবা অমা লৈ। অসিগুম্বা থেংলবা অহিংগী মতমদা হেক হেক লাও-খোঙলম্মী। অহীংতুদগু মহাক্ন হৌনা হৌনা পেম্ন পেম্ন নোকলখি। মহাক্কী খুনোক্ন তাবদা মানা নোক্লীবনী থংন থংনা— অতাব খুদিংগী থম্মোঈদা অকীবা, অত্থগা তুজুংবা ফাওহনলী। অমুক নোকপত্থু তোক্লুনা— মত্তমশাংনা ক্লাম্নক্নরগা—অচিকপত্থু থুগায়ত্থুনা—ঐহাক্কী অত্থগা থংনৈ— অত্থগ থংনৈ— হায়রদ্ধুনা মপুন্সিদ তিম্ন-থংনরকপা অত্থগা চাম্নরম্বা মীশক-শিংগী মশীং থীঙমত্রবা মমীংশিংত্থু লাইরীক থীগুম অরেম্ন লৈত্থনা থীত্থুনা লৈ। ঐহাক মাগী মরাইহৈশিংত্থুদা অত্থুক হাক্ন থরায় লুপ্ন তারুবা নত্তে অত্থবু চীক্লবা ইস্থম অহীংত্থুদদি মখোঞ্জেলত্থুনা মপাঙ্গন লৈন-লৈন, হৌন হৌনা ঐগী নাকোংদা তারম্মী। মাগী মখোঞ্জেলত্থুস্থু তাঙুম তৌ, য়াখল খরস্থু খনগুম তৌ মকম অমা ঈথং থংদনা হীপ্নীঙৈ ঈবেম্মনা ঐগী কাগী থোংজীন-নাক্ত লেপ্নরগা ঐবু কৌরত্থুনা হায়রৈ—

"চাওবা— তুমলবরা নংবু— ?"

"তুমজত্রি— ।"

"লাও— থোরকউ— মপান ফমলুসি। তাত্রা—অঙাওবসি কম্ন কম্ন লাওরিসে ?"

"মপাঙ্গ—" ঐন চেপথংলত্থুনা হঙলুই— "মাঙ্গোলদা ঈবেম্মা ?"

"হোঙ্গ— মপান্দা— ঐ তুম্বা য়াত্রে। কম্নীংলকই। ঐবু থম্না শংলুরাও।"

ঐহাক ঈবেম্মগী ময়াথং হীক্তোকপা ঙমজখিদে। অচৌবা ফিত্থু লৈমায় শ্রো-শ্রো চিঙনা ইম্নত্থুনা থোংত্থু হাংদোকচরত্থুনা তুংথ, মাংথ, মপান থোকলকই। মাঙগোলদা কম্মীম্নম্নই।

"তুম্বা গুকয়া য়াদে।" ঈবেম্মনা ম্না ঙাংবা হৌরকই "গুকয়া-য়াদে— নহোই ঈবুংঙো হৌদোকপগা তাবীবা পোং নত্তে। ঈশী-শীগুম তুম-থম্নে। ঐবু শংউ।"

ঈবেম্মনা শাঙলবা নীংশা অমা হোন্দোকখি। শাঙলবা নীংশা খুৎহোলদোক্লনা ঐগী খমোঈদা শাফু কন্না ওম্বোক্লা, শাফু কন্না য়ৈখি।

ঈঙা থা— নিপাল নী পানবা।

ঐখোয়গী ঈমুং পুবা অনৌবা মীনায় অমা লৌশিন্নরীবা অসি ঙসি কুমীমুক হায়রক্লে। মহাক মখৌ য়াম্ন চীনলী। ঙহাক হাংবগা মহাক য়াম্ন ন্নারবা মতৌ মীথুংকম কাদ হীপই— অতুগা করিগুম্বদনা তুমথোকচবা য়াওই। অয়ুক খুদীং মহাক ঐনা থোঙবা চাক চায়— মুন্নিদাঙনা ময়ুমদা হনখী।

হুজিক্কী— কালেন লোইবতং মঙায়প্রি— য়াম্না ঈশৌ লাঙনবা মতম্নী। ঈবেম্মনা (নোঙথী নোঙমঙত্রবদি) ঈশৌ লাঙনবা অয়ুক মুঙ-থীলগী মতম পুম্বা— অরংবা চিনা সিলিক্কী লৈমায় থোঙনা— চঙ্গবা অঈংবা ফিজোলদু শিজনৈ। ঐহাক মাগী কাদা লৈ। ওম্বোক শীনগ্রবা হৈ মহীদু মাগু-ঐগু গিলাস অমমমদা থকমিন্নরম্মী। হৈ মহী থকপা লোইবদা ঐঙোন্দা হঙলকই—

"থকপা লোইরব্রা —?"

"লোইজরে —।"

"অদুদি—" মমায় ওম্বোক্লদুনা "কুদামশিংদু লৌথোরকউ— লাম্ব কঙদে।"

ঐহাক— মাগী কমলাক্কদা মরৈ। লাম্বা কঙদে। থম্মোঈ শোক-খিবতনা মতমদুদা ঈরৈসিনা— গুপগী ন্নাহৈ অমফাওবা খৎ-ঙমখিদে। মহাক নীংশংলকলমাক্লে কমথরক্লে— হায়রকই—

"কংলব্রা— ?"

ঐহাক তুমীন লৈ। কুদামশিংদু অমমমতং ওইনা লৌথোকই। মীংকী পি! তাঞ্জনদু।

শগোলশেন—।

করিনো নোঙমা নোঙমগী ওইনা ঈথৌনানা যাংথরকপা অত্তম অত্তমক হেজনরুমাক্তে—ঈবেম্মগী মকমদা অশাওবদু-শাওজবদু— য়ানীং-বদু-য়ানীংদবদু ওম থাহরক্লে—, মহাক্না হায়বদুত— মহাক তৌবদুতা— ঐগী পুন্সি. ঐগী লম্বী— অদুগা ঐগী অপাম্বা ওইদুনা লৈরক্লীবনিনী—!

হুমিদাও—।

ঐহাক ওইথোকপা ৱাও'মদা লৈগ্রবা ৱারী অমা নীংশংলক্লে। মতমমতুংদদি ঐহাক তশেঙ তশেঙবা মীওইবা হায়বদু ওইরি। পাথং পুস্তকক ফাগংলকপা (চহি ১৫-১৬) মতম'তুদা লীকোন শায়কম অমদা ঐহাক তনৌবাগা য়াম্না চীক্ ৱারী শামিন্নথিবদু—। মহাক মচাম ঐনা ঐগী পুন্সিদা—মুংশি ৱাহৈ থরজং ঙাংজ শকচহৌবা। ঙাংজ-শকচখি কদৌগনদগে— খোঙকাপ্ অমফাওবা থাওজনবা থমহৌমনা মীওইবগী পুন্সি— অদুগা শক্তম ওমমক মাঙখিবনা হানখরে। মহাক্না—পুন্সিগী মহুক্তদা—য়েঙবগী শেনবা নাইজখিদবী শক্তম অমা—মহাক্কী শক্তম-তুতনী৷ তুজীক্তী— ওইররোইদবা মং অমনা ঐবু করেম্নরগে—। অদুগুম্বা ৱাখলদু— শা-ঙাদগী হেন্না তোনথবা ঐগী থম্মোইসিদা লম্বী লম্ফাংননা চংলক্লে— চংলক্লে অদুগা ঈমীংকি মীংয়েং খুদীং ঈরেম্মগী মশকপু মীকুপ খুদিং থানা শেংনবা লৈতনা উতুনজা মরৈরক্লে। ওইথোকপা হায়বনা করিনো— ওইদবা হায়বনা করিনো— ঐদি— মাগী মশক অসিনদু পেন্ন পেন্নবা য়েংজনীংবগী। ঐহাক থম্মোইদা ঈতৌক চাদবা ৱাখল করিত্তি তুমজদে—। করিদু তুথকদে— মায়থোংসি পেন্ন. পেন্ন-পেন্ন য়েংজনীং-বজনী। মায়থোংসি পেন্ন. য়েংজনীংবজনী।

লাঙবন থা—। নীপাননী পানবা।

ঐহাক কদায়দা লৈরিবগে? করম্বা লম্বীদা খোংদারিবনো?

ঐ কনা অমত্তনস্থু য়েৌওমত্রবা লাইরৈপাক্ত ম্নাগী দোলাই'দু তোঙল-হুনা, খোঁজালগী মশক ওইরবা, মনম চেল্লবা লৈগী পয়েঙ পরেঙতুনা ঙক্ক লৈতেঙলহুনা। লাইরৈপাক্ত থুঙলরিব্রা? অদুগা, মহু নত্তরগনা। ঈরালনা পুঙম থাঙওমদনা—য়োম্নতুনা, মচীন তুম্নবা শাঈবী তিংথঙনা শৌ শারব অপুম হনাইনা থল্লবা, অদুগা মীৎ তাঙহনবা ঙম্ন মম্নবা। ওক্ক মম্নবা শরোঈ শারৈবাক্তা— হিংফম থংলনা। ঐহাক হিঙলরিব্রা? অরেম্ন অমা কৈদনো থংজ ঙমলক্করে—। ৱাথল পুম্নমক মচোই—মচোই মাংলক্রে—।

ঙসি (হুজোক্তী অহিংনি)। ঙসি, লাঙবন থাগী— থাঙফম থংদনা ওমচাক্লরবা— শারবা মুংথিল, (মুংথিল অসিমুক অদুগা মুমীৎ অসিমুক চানবী হৈবা— মুমীৎ অসিমুক তমথীবা অদুগা মীকুপ থরশিংদুগুম অদুক লৌনম চাওবা করম্বা মুমীৎ অমা পুন্সিন্নুঙ — লাকথিগদ্রা অমুক। লাক্লরোই— লাকহৈবা মুমীৎ নত্তে) ওমচাক্লনা শারবা ঙসিগী মুংথিলদা হৈ মহিদু পুরকউ হায়না ঈবেম্মনা খোদাবীথি। অদুগা মনুং ঈথং থখবা মাগী চীক্লবা কান্নুংতুদা— ঐহাক্ল হৈ মহিদু পুশন্দুনা চংজখি। ঈবেম্মনা লৈরম্নিবা ফিভম অদু য়েংলগা— খেঙলবা, অদুগা মক্লবা থাশিন্নী অহীংগুম থম্মোঈনা অকীবা অমম্নং হঙ্গোইবা পোকলম্মী। মশা পানবী হেলোইগুম ঈমীৎ পেম্ন য়েংজনীংবা পোকলম্মী। অঙনবা অয়ুক্কী মুমীৎকুম চীং লেম্বী ওইরম্মী। মৈন্নুঙগী ম্নাগুম তথক্করম্মী। হকচাংদু অদুগা হকচাংগী কয়াংশিংদু ঙম্নমক ফিবক্লরমক্রে। থংদবা নত্তে— ঐহাক চংলক্লে হায়বা থংলবনী— অদুবু মহাক গুপ্নগী থরতংস্থু চেকশন খোমজনবা লৈত্রে। মতমদুদা— ইশানা থজখি— "ঐহাক মীওইবা অমা নত্তে। থম্মোঈ—মতৌসিদা— নহাক করিবী অদুক ঙক্লা খোক্লী।" ইশানা মীওইবনী থজ— নাপল'নজহুনস্থু— [illegible] য়াম্নবা মীওইবগী ক[illegible]নদি ঐহাকপু মীওইবনী হায়বা কনানস্থু [illegible]। হুইদগী— নত্তরগা মৈঙান

লৈত্রবা অমম্ব কা-দ-গীশু হেম খোঁ'ওইনৱীদ্রে। মফমসিদগী— অহুকী মতীক থুনা চংলিবা মথে— ঐগী অকবা ওইগনী। ওইগনী— থম্মোইগী লৈতাবা ফওগনী— কৈদৌঙৈ মীওইবনী খঞ্জরুবা ইশাগী নাপল কায়রোই, খঞ্জ, অহুবু খোং থাংবদি পোকথৌদগী খোংথাং হৈরক্তবগুম শুগী খোংথাং অমতংসু থাংহুনা চংখোকপা ওমখিদে। ওহাক খঞ্জাননা খোং-জীন'নাক্ত তুমীন লেপ্লীঙৈ— মমায় লৈখোরকপা ভৌরক্তনা ঈবেম্মনা হায়রকই—

"কৈদৌরে— হৈ মহিহু থরুসি পুশম্লকউ—।"

ময়াথংনী। ঐহাক চংশন্দুনা ঈবেম্মগী মনাক নক্ক লেপ্চখি।

হুপ্ন মরাং কায়না, শুক্ক হৌরবদা, হুপলক্ত্রদগী—লৈ অমনা লোং-কনী হায়বা লৈতনা ফোওনা থিনগংলক্তনা, য়াম্না ৱাওনা, মতোমতা, তরং তরং- মীংয়েঙশিংগী মমাংদা ফুগাইনা শাংপগুম হকচাংগী কয়াংশিংবু চেকশম্ন থুমলগী মফি ফিজোলশিং হীক্তোন্নমহুনা সরা শম্ন চাইন— অহুগা পৈহুনা লৈরবা কমথক্তদা ঈবেম্মনা শেংনীং চানীংওায় লৈজদ্রবী কনাগুম্বী অমগুম— কয়াং খুদিং ফিবক্লদনা— কমথক্ত হীপ্লহুনা লৈরম্মী। করিনো— কনানবু লাংলিবা য়েঙহৈদ্রবা কুমৈনো? য়েঙলুঙৈ—থরতং তুং-জরম্বা ঈৱাখল পুম্বা হকচাংদ পকথিদবগুমশ্রে। খুংনা পায়রিবা হৈ-মহিগী লীক্লী'হু লৈমায়থক্ত থাদথিরম্মী। (কায়দি কায়দে) মখোলহু তায়রুগা ঈবেম্মনা মমায় ওনশক্তনা ঐঙোন্দা হংলকই—

"নখুংতগী লীক্লীহু তারে খংদ্রবরা নং।"

ঐনা খুনগংলি।

হৈ-মহী থক্তরে। কনানসু হৈ মহীগী ৱাকমহু হৌদোক্লদে। ৱাকম অমত্তসু ঙাংনদে।

কনা কুইনা কান্নুংহুদা চীক্ল লৈনরম্নগা ঈবেম্মনা কাগী খোংশিংহু চেংনা লোনশিল্লম্মী। ওম্নমক— চেংনা লোনশল্লম্মী। মৈ থানদ্রবা অহীংগুম মমলকলে। শকথেংনদ্রে। মহাক্তী মখুংনি হায়বদি ঐহাক থংই— খুজিগা লোইনরবী মখুক্তনা ৱাহৈ ক্লরক্তসু হায়রনা— অমম্ব মরক্তদা

শা-ওাদগীনু হেন্ন ভোল্লবা ঐবু থুং পায়হনা চিংবীরম্মী—। চিংবীখি,—অহুগা চিংবীখি—। ওসি'সি ঐহাক পুন্সিগী কাওররোঈ। মংলা তাই-বঙলা ঈশানা থংওমজরক্কে। থংদে করৌনী— পুন্সিগীদি কাওররোই। থৌদোক অহু থোকখ্রে থোকখ্রে ঈশানা য়াজদে। হৌখ্রবা মীকুপ অমগীদমক্তা হৌখ্রে হায়না ঈশানা থাজবা ওমজদ্রি। থংদে, থংরা ওমজদে, ঐহাকী পুন্সিনা কয়ম্বা ঈথৌদাং অমা পাংলীবা। থৌজালগী মঙাল অমা ফংজররক্লীব্রা নত্তরগা মপোকথীবগী মহৌশা ফংফম থোকপা পুন্সিগী অরোইবা ঈরালগী চৈরাক্ক কংহনবীররব্রা ?

থাংজ—।

কোক ভাওবগী লৈনা অমা লাইচেন্নগদৌগুম হুমীং নীনী ওয়ে কোক'সি উক উক ভাওহনতা লৈরক্লিবা—। ফবা লৈতে।

লৈবাকপোকপা—।

কনাবুও থংহম্নাংদনা লোংলকপা— ওস্নিদি য়াখিদ্রে। ওম্নক ঐহাক হকচাং ওমখে হায়বসি থংনখরে। য়ুমগী মীনাইনা হায়— ঐনা কপ লাওরহনা "শিগদোরে কনবীয়ু" হায়না কম কম লাওরকই হায়না। ঐহাক শিগদো-ভশেংনা ঐহাক থংদে অহুবু কোকসি কম ভাওরক্কনা ঐহাক শিগদো-ওম— থম্মোঈ য়াম্ন পীকথরকপা— মীকুপশিংহুদি ঐহাক নীংশংলী—অকীবগী মশক্কী।

মেন্না থা— তমানিথোইনী পানবা—।

ওসি অসিভং হকচাংন থম্ন হুংওাই। চাক চানীবা পোক্কই।

মেন্না থা কুমমাপলনী পানবা—।

মা-ঐ নকশন্নবা ওসিদগী অমুক হৌরে। থম্মোঈনা থন্নী— ঈন্নালগী মশক্লী ছায়না। য়ান্নিবা মথৈ থাপ্প লৈননবা হোৎনৈ। য়ান্নিবা মথৈ মহাক্কী মশক উদনবা হোৎনৈ। ওন্নমক অরেম্বত তাদ্রুনা— মহাক্কবু য়েঙ-জনীংলকই। তমথীরবা লমচৎতু চেমায়শিংসিদদী অমুক ইশন্নরোই।

শজীবু—। মঙানী পানবা—।

ওসিদি অকীবা মুমীৎ অতু অতুগা মীকুপ অছু হৌখিবা থাবুম ৯ ছায়গৎলক্লে। শাওলবা থাজৎশিং অসি লমচৎশিং চৎনদনা হৌহনখিবা নত্তে, অতুবু তমথীরবা লমচৎশিংতু ঐহাক্ক চেমায়শিংসিদা ইশন্নরোই নীংখিবনা অশুক কুইবসি ঈশন্নক্লবনী। ওসিদি থুং অসি থামওম-লক্লে। নীংশং নীংশংলুরগা— থোদোকশিংতু ইশল্লোই ওমলক্করে। কাওখিবনা অন্নাংপা থর য়াওরবসু— মাগা-ঐগা লমচৎতুদা চৎমিন্নখিবা অয়াম্বা— নীংশংবদা থোকপা মুমীৎ মথৈদি ঈশন্নগে থন্নে।

মেন্না—।

১ মুওথিল—

২ মুওথিল—।

হিয়াংগৈ—।

৩ মুওথিল—(পুং অনী— নওরগা অহুম —কানুও)।

৪ মুমীৎ য়ুওলকপা— (ঐগী কা মচুং)।

৫ মুমীদাং অমা (ঐগী কাং ঈবুংঙো হন্নক্লিৈ)।

পোইন্নু— ।

৬ মুঙথিল— (রেডিও তারস্বদগী) ।
৭ মুঙথিল— (ফম'থক) ।
৮ মুঙথিল— (ঐবু হন্ন হন্ন কৌৱকপদগী) ।
৯ মুমীদাংৱাই—(য়ুমগী মীনাই হনগ্রগা— ঈবেম্মগী কান্নুও) ।
১০ কৌশল্লগা— মমান্নবী ময়াম লাকপদগী তোকখী ।
১১ মুমীৎসিগী মুঙথিল— ।
১২ মুঙথিল— (থা লোইরমদাই) ।
১৩ মুংথিল— (ঐগী পাঙগন্না খ্বাইদগী হেন্ন চোকথিবা মুমীৎ) ।
১৪ মুঙথিল— ।
১৫ মুঙথিল— (ঈবেম্মা অঙাওমীগুমখি হনবা লৈখিত্রে । থারোই) ।

ৱাকচীং— ।

১৬ মুঙথিল— ।
১৭ ঙহাক্তং লৈরগা— ।
১৮ অহুমলক গুবা— ।
১৯ অথেংবা অহীং— (মাঙগোল) ।

ফাইরেন— ।

২০ অহিং— (কোন্নুংগী কাংশি বীংলকখি) ।

লমদা— ।

২১ মতম খংদ্রে— । নোঙমাইজীং মুমীৎ— ।

২২ মুংথিল অমা— (মাগী কা মমুংদা মা-ঐ মুমীদাংবাইরম ফাওবা লেনমিন্নরম্মী)।

২৩ অথেংবা অহীং— ।

২৪ মুঙথিল—।

২৫ মুঙথিল— ।

২৬ মুঙথিল—(মমুং গংবা কা)।

২৭ মুঙথিল— (ঙসি তরানিথোইরোম শুখরে)।

মা-ঐগী অরোনবা লমচৎকি মশীং মসিতনা মপুং ফারমলগনী ছাযবা ঐহাক থাজদে। কয মরুম কাওথিবা য়াওরমলগনী। নীংশংলুরগা মংগুম থাজদবা পোক্নী। অকী রাথন্ন হবচাং পুললী।

শজীবু থা—। ইবাঙ্গ—।

ঐগী থোংদা তেক তেক কাপতুনা যান্ন তুমীন্ন হোৌদোক্লে। নোংযাঙ্গ মতুং পুং অনীরোম তারমলগনী। ঐগী কা মমুং।

থাংজ—।

ঙন্নমক নীংশংলুবগী অকীবা কোক্তিহৈ— ঙরাংতগু মহাক ঐহাক তুজুংনীংঙাই ওইরবা লমচৎ অতু অমুক চৎমিন্নথরে—। ঙন্নমক শীংথেক শীংথা পাক্লরগা ঐহাক ঈতোমত্তমক তুজুংজৈ। হরাও রাথন্ন থম্মোঈবু খুমহৎলকই। য়াই চুরবা অতুগা তমথীরবা লমচৎসিদা ঈবেম্মগা ঐগা কয়াদা কুংনা হালেংবা লৈতনা— লমচৎমিন্নরক্রবা! খল্লুথগা— ঙন্নমক নীংশংলকলগা— হোৌরবা মতুং লুক্নীক্লমক থ.ম্ম.ঈনা অকীবা পোকলক্লম্মী। ঙন্নমকসিবু নীংশংলক্লীবা অসিমুক করম্বা রাথনগী থোৌইনশিন্নো? পুম্নমকসি নীংশংলকঙৈ— ঈবেন্দবু ঈবেম্মা— হায়না চীন্ন

কৌজ হায়জবা ওমলক্লে। থম্মোঈনা নীংজবা ওমলক্লে— মহাক্কী মকমদা অকী হঙোইজরম্বা ঈৱাখল পুম্ব— ঈকমদগী অসুম অসুম মাংথরক্লে অদুগা মশকপু উরকই, ওম্নমকপু নীংশংলকই— শুপ্পগী মুংশি ঈৱাখন্নমক মওয়াহৌরে। ঈকাই খুম্ননীংবগী ঈতৌ অমুক হন্না উৎনীং- লক্লে। মাগী থৌগন—ঐন করম তৌগদগে— তৌফম থোক্তে হায়না থম্মোঈনা ৱায়েন চুম্ন ৱায়েনলক্লে। মহাক্কী মকমদা ঐনা নোঞ্জবা— নোঞ্জফম থোক্তে। হৌখিদ্ৰেগুম— ঈথুং অসিনা ঈখা তাবী মাগী মফি ফনেক কদৌনুং শুফদে। শুফদে।

ম্নমীদাং— ।

ৱাখল অসি হোংবা লৈত্রে। থম্মোঈদগী মুৎপা লৈরক্তে।

নিংথৌকাবা— ।

মহাক্ত তৌ হায়না থৌদাররক্লবদা— করম্বা থবক্লো— ঐনা তৌরোঈ হায়গদবা। হঙোইবা অদুগা হঙোইদবা— করম্বা ঈথৌদাংনো ঐনা নাথৈ ওমগদবা? তমলকপা ময়াথংদু ওাক্ল চংচবা তাবনী। সিনা মপানথোংগীনী— অদুগা থম্মোঈনদি হঙোইরবা থৌদাংশিংদু পাংনীং- দবনা— য়ারি'মথৈ নাথৈনবা হোংলৈ। মহাক্ত উনদ্রবদি— মভোন্দগী থপ্প লৈরবদি— মহাক্ত ঐগী ঈকমদা হঙোইরবা থৌদাংশিংত্ত থৌদা বীরক্লোই। মরমসিদগী— ঈমুং অমত্তদা পুম্ন লৈমিন্নদুনশু ঐহাক য়ারি'- মথৈদি মহাক শকথেংনদনবা হোৎনরবনী। কান্নওদগী মপান থোক্তনা ঈতোমতা লৈরক্লবনী। য়ুমগী থবক শুবা মীনাইনা অরোনবা থোংদা মথুংনা নমত্থনা ঐবু হন্ন হন্ন কৌরম্মী— ঈবেম্মা মশামক লাক্তনা মশীং লাকওমদনা কৌরম্মী— পুম্নমক তানা তানা তাশন্নদবা শারদুনা অয়াম্বা মতম ঐহাক কান্নুংদতা লেল্লক্লবনী।

য়ুমশকৈশা— ।

থাও শুঙফমদগী অদুগা মীথুংশংদগী মী কাংবু থরা লক্লে। মী কাংবুশিংসিনা— হিঙ্গোল-শম্বল পুম্বা তনান-তনান শেঙদোক্লম্মী। মরমদি মরো নোঙমাইজিং নুমীৎ অসি— ঐখোয়গী য়ুমদা মনিপুরগী অচৌ অশাংমখৈ পুম্ন চাক চানগদৌরি।

নুমীদাঙ—।

ঙসাই মখৈশু, মীয়াম্ন লাংবদা মহাকপু অমুক ফাওবা লৈতানা য়েঙজবা ফংজখিদ্রে। চুজীক্তী থবক নোম্বা লাকলম্বা মীপুম্বা হম্মগ্নে নুমিদাং ওইরে— অদুবু মহাকপু অমুক্তফাওবা উনবা ফংদ্রে। করিগীদমক্ত মহাকপু অমুক য়েঙনৌংলুরিবনো? করিগীদমক্তা মহাক্কী শক্তমবু য়েঙথরোই খল্লুরবা ঐগী থম্মোঙ্গীনা অশুক ঈখৌ লাঙলক্লীবনো। ঐহাক কান্নুংদতা লৈরগে খন্দুনা অশুম্মক কান্নুঙদতা লৈ—। অমুক্তংদি য়েঙগে খন্দুনা— মীৎয়েংনা— অহোবা থোঙসিদা মহাকপু মুনা মুনতা য়েঙহুনা লৈ, ঐহাক লেনফম খংদরে।

নোঙমাইজীং—।

চুজীক্তী মীনীলতনা চন্নাংনরমলবা ঈমুং অসি উনশু ন্নাইশুম চীকলে। অরাং-অনীল পুম্বা থাপ্ন-থাপ্ন চেন্নখরে অদুগা ইবুংঙো মোতি ঈবেম্মা অনীমক মৈঙাম্ন তবুঙচল্লবা মখোয়গী কান্নুঙদা চীক্ল চীক্ল ন্নারী শারম্বা তোক্লহুনা চীপ্ন তুম্নখরে। মুপা নুপী ওইবগী কেনা নাওইনরবা খোঙ্গেলগী চিবোম্নবা ন্নাগৈশিংহুগী মচুৎ চুজীক্তী— পুম্ন য়াহীপমিন্নবা অমদি য়াওনমীন্নবগী য়াওন-শান্নমশিংহুতং য়াম্ন তপ্ন তপ্ন

তারে। ঐগী কান্নুঙসিদা ঐহাক ছীপঙম তুমঙমদনা লৈরে। করি ৱাখলবু খন্দুনা ঐহাক্ন তুমঙঙ্গদ্রিবা? করি ৱাখলবু খনবনো — ঈশানগু খংজদে। মীকুপ খুদিং ৱাখল, ৱাখলগী ৱাখল মক্তনী। মীকুপ অমদা ঐগী ৱাখল্ল উরম্মী— ঙসিগী য়াম্লবা অতুগা খেৎম্নরবা ম'ম্লথোং শকওং অমদি শক্তমশিংগী অচৌ-অশাং ময়ামতু। খরনা মপুক মপাও ফগদবা মানবা, খরনা চীং লেমগ্রবা, কিগ্রবা অতুগা খরা অমনা য়াম্ন মুঙগুক্নগনবা মানবা। করিগুম্বদনা মুংশি-ৱাখলনা নোঙথাংগী মতৌগুম ঐগী থম্মোঈদা চংলকলম্মী। মুংশি ৱাখলগী মতাংদদি ঐগুম্বনা কনাগুম্বী অমা লৈজখিবা লৈহনা কনাবু ঐগী ওইরম্মীদকো হায়না নীংশংজনীংঙাই লৈগদগে—। কনা অমত্তগু লৈজদে। গুপ্নগী তনৌবী, মঙায়। মহাকগু— ঐনতা থঞ্জখিবীনী—। মহাক্নস্ন খরমখৈদি ঐহাকপু খনবীরমগনি— অতুবু ফোংদোকখিবা লৈতবনা মা-ঐ তোঙান তোঙান অতুম্মক মবৈনখি। অতুগা মতমতুদা— থম্মোঈনা তনৌবীতবু নীংজখিবগুম ঙসিদি ঐহাক্নী থম্মোঈনা মংনি খংনা খংনা মহাক্নী শক্তমসিতবু থাঙম-লাপঙমদনা য়েংজনীংলক্লে। ঈবেম্মগী শক্তমবু অম্লুক শেংন শেংন করিগীদমক উরক্লিবনো? মরম লৈতে—। লৈতে— অতুবু শক্তমসিনদি ঐগী ৱাখলগী মীৎয়েং— মীৎয়েং-মীৎয়েং খুদিং— খৎতুনা লৈররে। মুৎপা লৈরদরে। ঐবু ৱাহল্লরে। শন মপুগা— মনা মশিং লিঙজ-থাজবা হিঙগোল মপুগা— খামঙমদনা খৎন-চৈনরকপগুম, মুংশি ৱাখম্নরক্নগা— লৈবাক লৈমগুল্লবী ঈবেম্মগী মশকপু করিগীদমক্তা ঐগী ৱাখম, উরক্লিবনো — করি মরিবু লৈনহুনা ৱাখম মাবু লামশল্লুবনো, করিগীদমক মাবু ঈথৌনরক্লিবনো ………… ? ৱাখল পুম্নমকসিনা ঈপোম কম্ন কম্ন হৌনরক্তনা— মহৌশানা পিদোম্নজরবা ঐগী থম্মোঈবু মায়কৈ চাম্ম চাম্ম থোক্ন চিঙথায়বীরক্লে।

নিঙথৌকাবা—।

য়ুমগী থবক নোম্বা মীনাইনা কোয়চেন চেনলদুনা— ফম্ত হৌদি খোমদোকই— ৱাই নুং শীংতোকই— মশাদা অশংবা লৈজদে— অদুগা ঐহাক্ন খোংনা খুৎনা লাম্বা ফংবা মফমদা য়াম্ন তপ্ন তপ্ন— ওরাং চাখি-থকখিবগী লুখাক চগুমশিংদু মচি মচি খুদিং পৈশন্নুনা থমই—। ঐহাক্ন ঈথৌ লোইরদুনা ওহাক ফম্লিডেদা চেক্নী ফক্লাংদুগী ৱাংমদা মুপা অনী—অনীথক মুগুক মুগুক ৱারী শানবা'দু তারম্মী—। অহানবদা মুপা অমদুনা করি হায়থ্রবনো ঐ তাহৌদ্রে। খুমলকলিবদুদি ঐখোয়গী থবক নোম্বা য়ুমগী মীনাইনি। য়ুমগী মীনাইনা শোম্বাংননা হায়রকই—

"খংদে— অসিগুম্বা মীওই অসিবু করি কাননবা ঈমুংগী মীনাই ওইনা থমলিবনো—? মমীংতা মঙায়রে— করিগু তৌবা ঙমদে—।"

ঐহাক্ন তাখি। তারমদবনা য়াম্ন হেন্ন ফরস্বনি। তাক্নরগা মীকুপ খরদি ঐহাক থম্মোঙ্গী অসি ডমথৈ থেঙন শোকখি। শোকখি। থম্মোঙ্গ শোকখি, অদুবু অচুম্বা ৱাফমদু লাক্নবদদি ঐহাক ঈশানসু য়াজবা পোকচরকই—

"ঐগুম্বা অমবু করি কাঁনগনি খন্দুনা নগুরগা করি কানফম লৈদুনা চাওরবা য়ুমসিগী মীনাই ওইনা থমলিবনো?"

হুমিদাঙ—।

ঙন্নীক্নী হুমিদাঙ ওইরে। য়াম্ন থেংলে অদুগা চীক্নে। ঐহাকপু মীনাই ওইনা লোশললিবা অসি করিগীনো হায়ন খনবসি লেপ্প লৈরক্নে। মরম খরতংদি ঊবা ফংজরক্নে—

ঐহাক— মীনাই অতৈন তৌ য়ারোইদবা—ওহোক্ন কুপশ্রবা মকুপ মতাই ওইবা ঈমুংসিগী থবক কয়া তৌদুনা লৈরি।

ঈমুং ভসি ফাওবদা থুংনা চৎচবা ঙমদ্রবা কৈদৌঙৈদম্ ঈমুং অসিদগী অরোন অথুপ্প পোৎ-চৈ অমম্ভ হুরান্দুনা, থাপ্প চৎলরোই। ঈথুম্ভ শিন্নরফাওবদা ঐনা য়ুমসিদগী পাক চৎখিগনি ওইথোক্কে।

হুভগোইনরবা, থৌদাং কয়া ঐনা তৌহুনা লৈরি, মুপীগী ফনেক ঐনা শুই। করম্বা মীনাইনা য়াগদগে— ? হেক হায়রুবা মুমিত্তা তোল্লবা মীনাইহু কৈগুম নত্তরগা নোংশাগুম পাঙগল লৈখৎলক্কনা য়ুম্মুরেনবা অমহুং য়ুম্বরেনবীগা কম্না থৎনরক্কনি। ঐদি কদৌঙৈ— অয়েৎপা পীদনা— হুঙগোইরবা থবকশিংহু ভৌহুনা শিঙমদ্রবা পুন্সিবু নাওকোন্দুনা লৈজে।

ঐদি থা-থাগী ওইবা শেঞ্জা পীদে—। পীবগী কানবগু লৈতে। মথোয়দি শেঞ্জা পীদ্রবদি য়ুমসি থাদোক্লুনা চিংনদনা চৎনখিগনী।

ঐদি মাগী চান্নরবা মরুপ (ডাক্তর বাবু) অমনা চেকশম্ন শিন্নবীরকপনি—। অতৈ মীনাইদি ঐগুম মরী-মথোং থিবা য়াদৈ।

ঐদি মপু নীংবা হুইগুম লৈজবগনী—। মথোয়দি পুক থন্নবা কোয়না শেন তানলিবা ময়ুম মকৈ লীঙলিবা মতু-মচা পানবা ঙাক্লনী।

ঐদি ঈবেম্মনা ফনেক মুরু হায়রকপদা "ও! তোনথরেদকো" হায়না থম্মোঈদা খঞ্জগনি অহুগা অয়েৎপা য়াওদনা থৌদাং য়াজগান। মথোয়দি, মহুম হায়রুবদা—তিন শিৎনবক্কনি—মথৌদাংহু খোংপাক্ল কাওথোক্লমগনি—। অহুগা মুপা ওইবা মপোক্কী মায় ঙাকলমলগা ভমথীরবা য়ুম অসিদা মপুন্সিগী ওইনা খোঙগুল তানরক্কবা ঙম্নগদবা ঙাক্লনি।

হুই অমনা য়ুমদা য়াম্ন কানৈ—।
মীনাই অমনা য়ুমদা য়াম্ন কানৈ—।
অহুবু মান্নহনগে হায়বদি কৈদগী য়াগদগে।

ঙা মচাশিংগী নত্তরগা ঙান্নশিংগীদমক্তা খোংবান থম্বীবগুম তৌই— ঈশিং শামুশিংগী নত্তরগা পাক চাওরবা ফিল্লালনা মমায় থেৎপা নিংথৌরেলগী হিজাওশিংনা, তপ্প তপ্প নত্তরগা কম্ন কম্ন হোন্দুনা

চংনমবগীদমক্ত ওমথৈ থেওওমদ্রবা অপাকপা ঈপাক থম্বীরম্বগুম ত্তৌই। 'ঈশীং ওাক্তনী মাম্নৌ' হায়বদি কৈদগী য়া'দগে।

কৈদৌওৈদস্থ য়ারোই।

অত্থবু ওম্মকসি ফোংদোক্ত্না মহাক্তা চীন্দা পাওদা থংনরুহুনা করিবু কান্নগদগে। থৌনা ফু:দাক্লীংদে। হায়নীংবতা হায়ক্তসন্থু। থৌনাশিংসি নীংথীনা তুংশল্লগে। অরেম্বদা মাংহল্লোই। হয়েং করিগুম্বদা ঐগী পুন্সিবু শেম্বীরকপা নোওদম্ব-চীংও্ মাগা শকথেংনওমলকপা থোকলবা—তুংশল্লিবা অরৈবা ঈথৌনাশিংসি পুথোক্তনা শিক্তম্নহুনা, থোংদাক্রম লৈত্রবা তাইবংসিদা ঐবু ইত্তৌ অওম পেকহন-হীংহনবীররিবা অসিগী মরমত্থু খিগংকনি। য়াম্ন নীংতাই চাওথ্রবা অওাংগুম— মানা তাক্তরি ফাওবা ঐহাক থক হনবা লৈরোই। মতমত্থুদা মহাক্ত চানবীদ্রবা— মরমত্থু তাকপীদ্রবা— ঐহাক অশাওবা পুম্বা কোকখিহুনা লেপ্তনা শিম্বরকপা ঐগী মীৎলুগী পিরাংশিংত্থু তরং তরং মাগী মফমদা উৎচহুনা চংম্নগনি—। মত্থুদস্থু মহাক্তা চানবীদ্রবা— লেপত্রবা ঈমীৎ মিৎলুগী পিনা, তৌওম্নবা নোওদম্ব মাগী খুয়া-থম্বালবু চামথোকচগনি। মত্থুদা মহাক্ত পেনবীবা ওইসন্থু। নিক্তগনি— "ঐবু য়াম্ন থুনা মথংগী মপোক্তা লৌশনবীরো— অত্থুগা— তিন-কাং ওইনবু পোকহনবীরবস্থু ঐগী লেংদবা অশেংবা ঈশক অমতংদি পিনবীম্নু নংনা।"

ঈওা থা—।

নোওক্তু থানা ফুমওম্নরক্লবদা ময়েক শেংলম্বী 'তিয়া, অমওবা নোওহৌ মপৈ-মপৈনা মচি-মচি কুপশন থওম্নরকপগুম ঈওা থাক্তৎনরক্ত্না অমুকশু ঈওা থাগী মচেংনরম্বী থাক্তনা মীওম তৌওমক্তদ্রবী মত্তৌ মকোয় মাম্নরক্লবসিদদি থম্নোঈ অসি মহি চেম্নবা মৈম্নুংগী

য়োংকুম মহিং লাওনা শৌদোকলম্মী, মতৌকচাবা মচিঙ্গাক চাবা ফংজত্রবা — ঈপুন্সিবু ঈশানা হুম-হুম তোয়না-তোয়না য়েঙজরকই, অদুগা ঐগী থম্মোঈ, হকচাং অমসুং ঈৱাখল, মথোয় পুম্নমকপু অৱা খুদম্ম অম্মুম অম্মুম চেৎনা-চেৎনা লাকশল্লক্লে।

মুমিদাঙ— ।

ঈথৌদাং লৈরিঙৈ, মীৱাং মীনিলনরিঙৈ, তয়ুক মুঙথৌলগী মতম-দদি খন্নীংঙায় ঈৱাখল ঈরৈ লৈরমদবগুম তৌই। অহীংগী মতমসি ওইরক্লবদি তুমীন ফম্বা অদুগা হিপ্পসিদদি কৈ-কৈদগীনো মশীং লাক-ঙমদ্রবা ৱাখলশিংনা থম্মোঈ অসি ফুনগৎলকই। করিগুম্বদা হরাও নুংঙাইবগী ৱাখলসু থল্লকই। মথোয়দুদি মথৌনা য়াম্ন লৈতে—, কুইন পুন্সিবা ঙম্নদে— অদুগা মশীং য়াম্না য়াম্নদে— মরমসিনা মশিং য়াম-লবা— অদুগা থৌনা লৈরবা অৱাবা ৱাখলগী মপৈ মপৈরক্তা য়াম্ন লাইন তিনশন্নখিদুনা নুংঙাইবা ৱাখল থরতংদুসু থৌনা লৈরবা অৱাবা ৱাখল ওনখি। অয়াকপা থুমহিনা থল্লবা থুমহিগী ঈপাক্তা ভচম্বা ঈশীংগী খুজোক মঙা-ম তরা-মতং হৈজল্লুবা— অয়াকপদা অদুম্মক তিনখি।

ঐগী হরাও নুংঙাই ৱারীশিংগী মমুংদা অয়াম্বা পাক-চাওরবা লমদি অঙাং ওইরিঙৈগী মতম্ন কনশনখিরম্মী। ঈপা লৈরিঙৈ অদুগা ঐনা য়াম্না পীক্লিঙৈ- স্কুল তমলিঙৈ— ফীজেৎ চাকচাগী মরমদা অদুগা পাখং ফাগৎলকপগী মুপ্নগী মতম থরতং— মতুংদদি ঐহাক্তী পুন্সিনা মায়থীবা ফঙদবা পুঙকম'তুনি। মদু লাকখিঙৈ ঐগী পুন্সি অদুম্মক অৱাবতা অদুগা নীংঙমদবতা— করি কান্নৈ পল্লুবগী? অদুগুম্বা শাংলবা অৱাবা ৱারীশিংগী মরক্তা য়াম্ন থাজদনা নুংঙাইবা ৱারী অমতং মচীন তুমখৎলকখি— অদুগুম্বা নুংঙাইবা ৱারীদু— পাক চাওরবা ঈমুং অমগী মতৌক লৈরবী য়ুম্বুরেনবী অমগা, ঐগুম্বা— হিঙলুবগী অমুক কান্নত্রবা তীন কাংগুম্নবা মীশক অমগা, কোঙ'ফদবা

অয়োনবা লমচৎ অমা হালেংবা লৈতনা লেপ্ত-খমদা চৎমিন্নরক্লিবা 'সিনি। মসিদা— মীওইবা অমগী ওইবা পুন্সিগী শেন্দোংদু ফজরে হায়না থম্মোঈনা পেঞ্জরকই— । পোকলকপগী মহৈ য়াঞ্জরে থঞ্জরুই— অতুবু মসি পুন্নমক অৱাফমতা অমুক ওইররে।

মপুন্নোইবা ঈবুংঙো মোতিনা য়ুমদগী কয়া হেন্দোরক্তুবসিদদি— ঈবেম্মনা মহৌশা মতৌ—ঐবু মনাক্ত কৌশনবীদবা হৌরক্লে। মহাক্কীদি য়েৎচফম লৈখরে— ঈথিলতুগী কোক্লফম লম্বী ফংখ্রে। ঐগীদি সুপ্নগী মহাক্তনী। মহাক্ত ঙায়জরম্বদা— মহাক লৈত্রবসিদদি—মশোং কাংলবা ঈৱাখলদু কাংলক-কাংলকপা খুদিং ঈশাতনা লৈখা তান— নমথজগদবা মঙায়রক্লে। মরমসিদগী অরৈবা ঐগী ইথৌনা পুম্বা শিজন্নজতুনা ঈহৌরক্লিবা তমথীরবা ঈৱাখলবু নমথনবা কন্ন হোৎনরবই। হুজীক্তি তমথীরবা ঈৱাখলদুদগী নাম্ভোকচতুনা অমুক ঈথৌ লাংবনা খাঙম পুঙমদবা তৌদ্রে। অতুবু হুবচাংদগী ঈথীল ৱাখলতুনা কোকখিতুনসু মহাক্কী মহং নুংশি রাখল ওইনা থম্মোঈনা তুংতুনা লৈহৌরে। মহাকপু পুন্সিগী লোইনবী ওইহনগনী হায়না থম্মোঈনা মরক মরক নেমশীংলকপগুম তৌরক্লে। ওইরোইদৌবা ৱাফমনি। হায়দোক্তুনা মী তাখিবদি লাইরি—ঈশানা ঈশাদা তত্তনা চৈহৎচৈ—। চৈহৎচৈ—। চৈহৎচৈ কদৌনী— ৱাখলতুনা মীনুংশি হৈত্রবা মতৌহুদা কোকপা লৈতনা ঙসিফাওবা ঐগী থম্মোঈদা নপশন্দুনা লৈরে। ঐবু নীংঙমহন্দ্রে।

মথংগী অয়ুক— ।

ঐনা হায়— "চৎখিগন্নু— মতম খৱা লৈমিন্নসি—।"

মানা হায়— "লৈনীংই— অতুবু চাওবা ঈনেম ঈকুতুনা মুংঙাইৱরোই— চৎপ্রগে।"

ঙসি মুমীৎ মখিনি লৈরগা য়ুমগী থবক নোম্বা মীনাইতু তোকখিবা তারবনি।

য়ুমশকৈশা —।

ঙসি অসি মহাক্কী চাকৌবা মুমীৎনি। য়াম্ন মুঙশিনবা মওংদা মহাক মীনাই ওইবা তোকখি—। মুংশিফমম্ন থোকই— মহাক্কী য়াম্ন তপচবা অদুগা কায়জদবা মীশক্কী—। চাকৌবসিদা মাগী মুপী অদুগা মচা মরীথক পুম্ননা লাক্লম্মী। মখোয় য়াইরিপোক্ত (মাগী মুপীসি য়াই-রিপোক নীঙোম্নী) মকু মনেমগী মনাক্ত (মুপী মম্নমদা) লৈক্লগদবনি।

ঈরাঈ—।

য়ুমগী মীনাইগী মশক উরক্লবা অসি ঙসিদি মুমীৎ নীনী-ছুম্নী হায়রক্লে। মহাক তোকখিবা মুমীত্তুগীদি ঐগী ঈথৌ মহৌশাগুম মশীং য়ামখৎপা হৌরক্লে। ঐনা ঙমদবা থবক ফয়া অমা লৈরে, মখোয়-তুনা ঈবেম্মা মশামক্ত তৌরে। মহাক্ত ঐগুম ইমুংসিগী থৌদাং খরতংবু পুৱসি উরগা ঐগী থম্মোঈনা কৈদগীনো হরাও তয়াম্বগুম তৌরক্লিবা— অদুগা অপেনবা অমা ফঙলক্লিবা'সি?

মুঙথীল—।

ঈবুংঙো মোতিনা চংথোকখিবতং ঙাইরতুনা ঐহাক কামুংসিদা ঈথৌ লাঙনা লৈরক্লি। মরম— ? মরম লৈ। থয়াৎ মীতম্নক্লরবা চীংমুংগী কৈনা নত্তুরগা অশুকপা উমংগী কৈনা মীওইবগী মহাও কাওঙমদনততনা য়াম্ন ঈথৌ লাংনা চীংমুংদু নত্তুরগা অশুকপা উমংতুগী মফম খুদিং কোয়না কোয়না চেন-চত্তুনা নাইতোম তাহৌরবা মীওইবা অমতং থীরকপগুম মাগা (ঈবেম্মগা) হকতীনমিম্ননীংলকপতনা, কাওঙমদ্রবা লমচৎতুতনা, মম্নগী মৈশাত্তুতনা— থম্মোঈবু ঙসিদি থাংঙম পুঙমদনা ওৎপা হৌররে।

ঈবুংঙো মোত্তি চংখোকখ্রে—।

অদুবু মহৌশাগুম মহাক্ন ঐবু কৌশনবীরক্করে। ঐহাক মশোং কাংলবা ঈথীল চৈনাসিবু ফাথরদুনা, ঈবেম্মনা কৌরকপতং ফম্ন থানা ভাইরদুনা কান্নুংসিদা লৈ—। কৌরকপা লৈরক্কবদা ঐহাক ঈশানা মৈচাক পুনা পুনা ঈবেম্মগী কাগী কান্নুংদা চংলম্মী। কান্নুং য়ৌরম্মী—য়ৌরে কদৌনী— ঐহাক তুমীন মরৈজখি। মশক উজবা ফংলে—ফংলে কদৌনী— ঐহাক থাংভমদনা মুনা মুনা য়েঙজরদুনত লৈখি।

অহীং —।

থাংভমদরে। চৈনা অতু করিগীদমক ঐবু শকথংনহনবীরম্বগে ? শকথং-নহনবীরমদবনা— মপোক তোল্লবা ঐগীদি— হেন্ন ফবা নত্তরা ?

নিংথৌকাবা —।

থাখল অসিতা থন্দুনা মুমীৎশিংসি হৌরক্লে। থনদবা ভমখিদে। করিগীদমক্তা ঐবু অশুক মৈচাক পুহনবীবনো ? নহালৈঙে মহাক্ন তত্তনা ঈতীন্নবা ফংহনবীরিবগে— তত্তনা হকলোয়নবীরিঙে— কদৌঙৈ ঐগী থম্মোঈনা থাহংসি হংগে খল্লমদে। হুজীক্কী— মপুন্নোইবনা মতম মরাং কায়না য়ুমদা লৈরক্লবা অঙ্গুগা তোয়না নাগুকে-নাওগুইনবা ফঙলক্লব-সিদদি ঐবু অচীকপা মফমদা কৌশনবীরক্করে। মতমসিদা— থাহং-শিংসি থম্মোঈনা হংদ খংদবা ভমলক্করে— তমথীথী মতৌ লমচৎ অদুবু করিগীদমক্তা ঐঙোন্দা মানা মতম থরদংগী ওইনা শিন্নবীরম্বগে ? ঐহাক খংলে— মপুন্নোইবনা মহৌশাগী মতৌ হৌভনা— অয়োনবা

লমচংতা থবায় য়াওশল্লক্লবদা— মাগুম্বী অমনা মতম খরতংগী শান্নপোৎ ওইরম্বা— ঐগুম্বা অমবুদি কৈদগী নীংশংবীরগদগে— ।

মতম খরা মহাক্ল ঐবু লমচংমিন্নবীরম্মী— । মরম খরগী মথাদনী মতুদি । ঐহাক মরমশিংতু থংই— ।

মহাক নুপী ওইবীগী ঈহৌবু—
অতুগা চৈনাবু থাংঙমগন্দবীনী ।
মহাক করাম চাওবীনী— অতুগা নাহেগনবীনী ।
ঈথৌলগী মৈচাক তোয়না পুগনবীনি ।
ফিগোম্নবীনি— খুউ-খুবোম থাগনবীনি ।
ইথৌলগী ঈহৌনা মীকুপ হাংদবীনি—
অতুগা থাংঙম-পুঙম হৈতবীনি ।
লমচং কাম্বীনি ।
য়ুম্বাল নাইদবীনি ।
নীংনা লৈতা-নীংফম্নগনবীনি ।
খরতং শোনবা ফিজেৎ ফিগাই, পোৎশক থেংনরগা,
থম্মোঈ লাঈহৌ কান্ন মৈচাক পুগনবীনি ।
অতুক হাকনা মৱাখল চেত্তবীনি ।
তুম্নবী নাতোনগী মতোন্দা অতুগা নাক্লমদা
মরীক মরীক্লবী হুমাং তোয়না তোয়না কাংগনবীনি —।
মথা লোইশন ঙমদবী— থাবুম্নবীনি ।
মনাক নকপা, চৈঙাক নত্তরগা থোংজিন্নচিংবদা
হকচাংনা তাংজবী ওইনা— ঙাথু থেংথুগনবীনি ।
অরোনবা থাথুমফি— মকালাম্না উহনবীনি ।
ঈশৈ ঙঙবদা, খোম্বোক্ল চুম্ন ঙঙগনবীনি ।
মপুরোইববু লাইগুম থম্দোক ঙমদবীনি ।
লুংশি মৈশা লাংলক্তবীনি ।
অতোনবা মীশক উরগা,

মীচুংশি ওইবা ৱাখল চেল্লক্লনা—
খরতংদং ওইরবসু থম্মোঈনা নৌথ-পেৎথ ঙমদবীনি।
অনৌবা ফিজেৎ চাকচেং'তা থরাই লুপচবীনি।
মীৎয়েং তন্দমবীনি।
চানবান খোইমুগুম্নবীনি।
ৱাঙাং মকে পুবীনি।
ৱাখন য়াওদনা— মীচান মীওক হৈবীনি।
মমীৎ ৱারক ঙমদবীনি।

ঐহাক থম্মোঈনা য়াজে — চৈনাহ্ন কোক্লনবা— মতম খরতংচুদা মহাক্ন ঐবু হকলোয়মিন্নখিবনি। য়ুমগী মীনাইগদি লমচৎমিন্নদ্রগা করিগী দমক্তা ঐগা লমচৎমিন্নখ্রিবনো—? মরমতুসু ঐনা উবা ফংজে —। মীওইবা অমনা মীওইবা অমদা চংজফম থোকপা খরশিংতুগী ৱাংমদা লৈঙ্গবা লমচৎ ওইখিবনা লমচৎ অতু নত্তরগা মৈচাক অতু কোকহল্লু হায়না ঈবেম্মনা য়ুমগী মীনাইদা থক হায়খি চংখিদবনী। ঐগী ঈফমদদি— মহাক্ন অতুগুম্বা পন অতু থায়বীখিদে, থায়ফমগু থোক্তে— ঐদি তিন কাংনি। হুইনি অতুগা হৌদোংনি। মীওইবা মশেন্দি করিগুম্বা মতমদা লমচৎতু চংনখি নত্তরগা ঙাংনখি হায়না— নোংম নত্তরগা নোংম কন'না খংবা ফোংদোক্লরকপা—। ঐদি ৱাথোক্লফম ওইরবা ৱাহৈশিংহ্ন কৈদগী ঙাংথোক্লগদগে—। পুন্সিগীগু ওইথোক্তে।

ঈঙেন থা—

ঈঙা থাজৎ হৌখিহুনা হুজীক্তি— ঈঙেন থাজৎনরক্লে। হুজীক্তি চৈনা'হুনা ঐবু অহুক হাক্ন থাংঙমদবা মৈচাক শীরবা ঙমদ্রে। নীংদি মীংশংলকই— অহুবু কৈগু লৈতনা থন্দোকপা ঙম্মে। অহুদি— ঐহাক লমচৎ চুমদ্রিবরা? লমচৎ চুম্মে হায়না থঞ্জে।

থাংজ —।

তোলহন (অনৌবা য়ুমগী মীনাই) গী মুপীদু লৌবাইদগী (ময়ুমদগী) অচৌবা মাইরেল অনী পুরদুনা য়ুমসিদা লাকই। মশক ফজে। তপই।

মোঙমাইজীং —।

ঙসি অসি ঈবেম্মগী নোঙমৈ কাপ্প চৎপা মুমীৎনি। ঈবেম্মখোয় মুপী ময়ামগী ওইবা নোঙমৈ কাপ্পগী মরুপ অমা লৈ। ঈবেম্মনা শোয়দনা মকোক ওইরকনি হায়না কম্ন থাজদুনা মথুৎ চারবা নোঙমৈদু অঙনবা অয়ুক্কগী তক্লুনা লৈরম্মী। মতৌদু ঙহাক য়েঙলম্নগা মায়'সি লৈখোক্লুনা ঐহাক ঐগী কান্নুঙ তম্ন অদুম্মক লাক্লে— মরমদি মশক অসি য়েঙলু-য়েঙলুরগা থম্মোঈনা মীকুপ খুদীং নৌথবতা ওইরকই —।

নিংথৌকাবা —।

ঈবুংঙো মোতি অমদি ঈবেম্ম অনীনা য়াম্ন তুমীন্ন অরোনবা ৱারী অমা ঙরাং মুমীদাং শাখি। অকীবা ফঙলবা মশীং য়ামলবা শেনগী মপৈ অমা মক্ষম থংদনা মাংখিবগী ৱানী। কনাগী শেন্নো, কনানা মাংহল্লিবনো? ঐহাক থংখিদে। ঙসিদি ৱাফম'দু তশেং তশেং ফোংদোক্লরক্লে। ঙরাং অহিং মীথুংশংগী মেনেজরদু লোম্ন চেনখরে —। মরমসিদগী মীথুংশংদগী পুৎথরমলিবা লুপা লিশিং নিপান অসি মহাক্ন হৈনখিবদা তারবনি।

লৈবাকপোকপা —।

"ফংগনী নীংদরে—।" হায়রকখি ঈবেম্মনা হায়।

ঈবুংঙো মোতি তুমীন লৈ।

ঙ্কি শেংলদুনা অদুগা কারদু থৌরদুনা কৈদনো চংখি। ঈবেম্মগা ঐগতা মঙায়হৌরে।

মুমশকৈশা —।

মুমীৎ নিনী-হুমনী অসি ঈবুংঙো মোতি মুংবংনবা মতৌদা লৈরম্মী। শেলদুগীম্না— নত্তরগা করম্বা ৱাথলগীনো মদুদি চপ-চাবা থংদে।

মুঙথীল —।

"মীওইবা হায়বসি" ঈবু'ঙো মোতিনা ৱাথল থল্লদুনা হায়— "থাজকম লৈতে। পুম্নমক ঐবু হাৎনবতা ওইরক্লে।"

"হাৎথেদনা কমদৌনি—।" ঈবেম্মনা খুমই।

"করিনো—" ঈবুংঙো মোতিনা হংই—"করিনো নংনা হায়রিবদু?"

"শেন্দুবু হায়রিবা—। লিশীং নীপান্দুনা —"

"নত্তে—।" ঈবুংঙো মোতিনা মরক থংলকই— "মাগী শেন্দুগী ধা নত্তে। মদুবু হেনব শেন ক্য়া— শরুক চাম্ম হেন্ন পীবা ওমখি-গনি ঐ —।"

"অদুনবু হায়জবনি —"

"মদুগী নত্তে ঐনা ঙাংলিবসিদি— য়াম্ম পুকচেল পীকপা অদুগা থাজবা মাংহনবা 'সিগীদমক্তনি— ।

তুমীন তুমীন লৈনৈ—। ঐগু—।

ঈবুংঙো মোতিনা অশুম হায় চেনগ্রবা মেনেজর'হুদা, অদুবু ৱাহৈতুদি ঐঙোন্দ পাল্লম্মী। অপাম্লনা হায়রক'কুম ঐগী থম্মোঈ শোক্লম্মী। মনাক নক্ল লৈঙমজরক্তে। ঈশানা য়াজৈ— "ঐগুম্বা তীন কাংদগী হ্ন হেন্ন ত্তোনগ্রবা অমনা ফাওবা মরুম্বী শাতুনা থাজবা পুম্ব মাংহন'ওম্লবা অসিনদি—' মীওইবা মশেন্দদি অমুক হায়রক্তুনা কান্নরৱোই।"

ঈরায় —।

থা-মথায় অমরোম হেঞ্জল্লরুবা মতম অসি ইবুংঙো মোতি শেন-থুমগী মরমদা য়াম্ন কুপশনবা নুপা অমা ওইরক্লে। ঈবুংঙোনা হায় - "শেন হায়বসি কোমথোক্কপা ইয়া য়ারমদরে" মরমসিদগী শেন-থুমদা অতুক হাক্লা কুপশল্লমদবা মীশক অমা ওইনা য়াম্ন চম্ন লৈরম্বা— ঈবুংঙো মোতি— মুমীৎ খুদীংগী শেন-থুমদা পাতুনা লৈরক্লে। পুম্নমক লোইরমাল্লে— ঙসিদি অচিকপা কানুংদা ঈবেম্মগা— য়াম্ন চীক্লা র'রী শামিন্নতুনা— য়েঙলু-য়েঙলুবা মায়কৈ খুদিং শেন্দ পুংথরম্বগী মরমদা নৈনতুনা লৈরম্মী। ঐহাক্লা তুমীন তাতুনা লৈ। হুজীক্ত চপখৎলুবদা পুংথতুন লৈরম্নবা শেনশিংতু ঈবেম্মদা তমলম্মী—। চেক্কোনগী— মুতিগী চেল্লীবা বস অনীগী— থাওশুংফমগী— লাইরীক নমফমগী অতুগা মীথুং-শংগী— পুম্নমক্কী ওইনা পুংথরমলিবা শেনসি পুন্ন লুপা লীশীং তরা-নীথোই— হেক্লুক লৈরম্লে। লীশিং তরানীথোই— !! তাবতদা ঐহাক থুক লাওখি। করম্না হনগৎকদৌরিবনো খনখি। অতুবু শেনসিনা মুংথহনবা ঙম্বা ইবুংঙো মোতি নত্তে। হনগৎনবা হোৎনবা চহি তনী চংব থবক নত্তে হায়রবশু ঐহাক থংই—।

নোঙমাইজীং —।

পুম্নমক অরেম্বনী— ঐনা ঈথৌ লাওলিবদি "নংগী চেংলৌহুতনী"

ঙমীদাঙ—।

লোম্ন-লোম্ন থম্মোঈনা, পেম্ন-পেম্ন য়েংজে।

থৱানথা

ঈমুং মন্নুংগী খোক্লীবা অৱা-অনাগী মৱমসিদা ঈবেম্মদি য়াওশন্দনা লৈখোকই—। ঈবুংঙোনা মৱন্নাই তাগুম পুংথৱমলিবা শেন-থুমশিংসি ফুকৎনবা মতোমতা লেপ্তুনা অকনবা থবক পায়খৎলী। মৱমশিং-সিদগী ঈবুংঙো মোতি মহৌশাগুম মথো চানবা থবক শংদবা নুপা হায়বদে। অমুক ওইরক্লে—।

নোঙমা ঈবেম্মনা হায়—

"অগুম্না পুন্সি লেনবসি নুংঙাইবা থোদো নত্তে—। পুম্নমকসি য়েঙশন্নবা অকক্লবা নুপা অমা থা-থাগী শেঙ্গা পীতুনা থম্নসি—।"

ঈবেম্মগী ৱাফমসিদা ঈবুংঙো মোতিনা খুমখি—

"অকক্লবা মীশক অমত্তু নত্তে— মরী-মঙা (৪/৫) থমলিবসিনি, মেনেজরশিং—। মেনেজরশিংনা য়েংশন্নকপশিংতু ঐনা অমুক হন্না য়েঙশনবতনী—।"

হায়রিবসি অচুম্বনী— মপু অমা ওইবগী তৌদফদব'দুতং তৌবনী। কা হেনবা থবক নত্তে। মসি ফাওবা য়েঙশন্নবদি ঙম্নমক মাং-তাকহন্নব শীনবগা চপ-মান্নরগনী। অচুম্বা ৱাফমসি লাকপদা ঈবেম্মতু মথা তাখিদবনী। ঐন খল্লী— "অনি'সি য়াম্ন খেন্নরে— অতুগা খেন্নরবা, মীশক অনীগী থম্মোঈ নত্তরগা পুন্সি অনীসি তরাই-তরাই তিশন্নবা ওইরোইদোরি।"

শগোলশেন—।

ঐহাক্ন পামজবদি থরতং লৈজরিবা খস্ত-ঙম্বগী ঈৱাখলশিংসে তুম্ন মাংহনবীবনি—। য়াম্ন থুনা ঈমীৎ অনীমক তাংহনবীবনি— ঈনা-নাক য়েং অনীমক পংহনবীবনি। য়াম্ন থুনা······ য়াম্ন থুনা পুন্সি অসিব,

মতোল লোম্নহনবীবনি—। করিবু কানবা ঐহাক্ক অস্নুম অস্নুম হিংহুন লৈবগী—?

ঐহাক কপচবতা—, মী-পোও খংখী উথীগনি হায়না লোম্ন লোম্ন অরোনবা মফমশিংদা— অতুগা খোঞ্জেল খোক্তনবগীদমক্তা খোঞ্জেল ফাজন্দুনা হীক্ক-হীক্ক কপচবতা মওায়রে— ঈমুংগী খবক অমত্তু নোমদরে—। ঈথৌ তৌদে হায়না ঐহাকপু শুজ্জনবা ঈওক অসি পায়হুনা ঈমুং সিদগী ইস্থোকপীরবা— ঈমুংসিদগী নত্তে— পাক চাওরবা তাইবংসিদগী য়াম্না তামথবা করম্বা মফমতুদনো— ঈওক পায়হুনা ইস্থোকপীবনা ঐগী অফবা ওইরোইদ্রা? ঐহাক মহাক্কী মীকুপ খরতংগী ওইবা শাম্নপোৎনি। মসিদি ঈশানা খংজখিবা ওস্থোক্ক কুইগ্রে। খংলবমক্তদা করিগীদমক্তনো তমথীবী মাগী মমায়থোংসিদা ঐনা অস্নুক তোয়না তোয়না থম্মোঈনা অস্নুক হুৎন হুৎন য়েংনীংলিবা অতুগা মংগী মতৌগুম "হন্দক্কী মপোক্তদি থুংনররোইকো—" হায়না খল্লক্ত্না মহাকথক্কীদমক্ত থম্মোঈনা য়াম্ন শোক্ক ইথৌনা ফুদোক্ত্না অস্নুক হীক্ক-হীক্ক কপ্পীবসি? খম্ব-খম্বজক্করগা কপচবগী মঙ্গুং হশানা ইশাদা য়াম্ন তোম্হনা য়েওজরকই— চৈহৎচরকই— অতুগা ইশা ইতোমতনা ইশাবু য়াম্ন থরায় তানা-তানা পেম্ন নোক্কজরকই—। ঐ খংই পুম্নমকসিগী হৌরকফম লৈ—

ঐবু অস্নুক হাহনবা—
ঐবু অস্নুক তোম্হহনবীরম্বা—
ঐবু অস্নুক নীং'ওমহল্লমদবা—
ঐবু অস্নুক হিওকম খংহনবীরমদবা—
করম্বা নুংশি হৈত্রবা— পুন্সিবু শেম্বীবা— নোওদম্বনো?

লৈপাকপোকপা—।

অস্নুক কুইবা অসি ওশেওনমক শকথেংনদবগুম লৈমিন্নক্করে। অতুবু ওসিগী থেংলবা অহিংদা মহাক্কা ঐগী অরোনবা, কাগী থোংনাক্ত লেপ্পরগা ঐবু কৌরহুনা হৌদোক্কমী। ঐগী ফুম্বংনম্নবা, তাংদাওবা

খোংনেৎফম খজদ্রবা ঈরাখলশিংবু খন্দুনা লৈজবনা, ঐগী ইফমদদি য়াম্ন লুখ্রবা ঈথৌ অমা ওইরম্মী। মরমসিদগী তাংদাংনঙমদ্রবা অতুগা মচাইনরবা ঈরাখলশিংডু খন্দুনা লৈরিঙৈ মহাক্না মীকৌডু ঙহাক তাক্ল-দ্রবসু— (অনী অহুম্নক শুরমলগনি) ঐহাক মখোঞ্জেলডু তারক্লম্মী। খোঞ্জেল অডু তরুঙৈ ঈরাখল পুম্বা মাংখরে—। ঈরাখল পুম্বা কায়খরে—। ঐহাক্ল হৌগৎলগা অরোনবা খোংডু হাঙদোকচৈ—। মানা হায়রকই—

"তজ্জীক ফাওবা নংগী নবুংঙো লাক্তরি—।"

ঐহাক তুমীন লৈ—।

"লাও—" মখা তারকই— "লাক্তি্র ফাওবা ঐবু শংলুব'ও—।"

ঐহাক তুমীন লৈ—।

মতুংদা চৎলি, অতুগা মাগী কান্নুং'ডু য়োরম্মী। মহাক নীংশা ফুইন-ফুইনা হোল্লতুনা— তরু তনানলবা ফমথক্তদা ঈথৌ লাংলবী শক্লোন্দা ফমথখি। ঙহাক হীপলম্নগা অঙানবা মৈশিংডু তুম্বা থেম্বা ওইনা মুখৎলম্মী। কাডু ইমম মম্লে—। মম্নবদি মহাক লৈতানা তুমথবা ঙমগদ্রা ? ঙমগদ্রা ? মডু ওইখোকপা য়ারোই —। য়ারোই —। অমম্বা মরক্তদা ঐহাক নিংদোলগী মিন্থুল কাংলকলম্মী। কৈবু উরগা করম্বা উমদা চাওরকপী শক্তি অমোমনো মিপাইজরোইদবা— অতুগা মমাৎ মনা তথক তথকচরোঙদবা ? ঐহাক কাসিদা পন্তুনা লৈনীংলক্লে। ঐহাক্তী তাইবংসিদা লৈরিবা মীওইবশিংগী মরকসিদগী ঈশানা য়ানা য়াম্ন থাম্ন লৈজরবনী—। মতমতুদা— ঐহাক্ল—মীৎকী পি তানা কপচখি অতুগা খঞ্জখি—"কিরিগীদমক্তা—অসিগুম্বা পুংজাসিদা— ঐনা কল্লীবনো ? করিগী দমক্তবু ঐনা মুপা থোকপা ঈথৌনা পাংথোকপা ঙমদবগে ? সিবু হঙবা হৌনবা ৱাহংলা— ? লৌচিল্লনা নক্তরগা থাওনগী খোঙচৎনা থাবলবু ঙক্লা মমহনবনী— ঐগী পুন্সিনা ঐহাকী খম্মোঈবু অতুগা ঈথৌনাবু পাঙ্গল থোকহনদবনী—। ঐগী মিৎকি পি তানা শিন্থরিঙৈ—ঐনা মৱাহৈ মতেক অমতং তাখী'ঙম তৌই— মতমতুদা ঐনা হায়নীংই—

"অতুক হুংশি হৈত্রবী নতৌ তৌরগন্নু— ঐহাক্কী ইপুন্সি অসিবু লৈতানগী শবোক'কুম অতুক তরাইথে'ক্ল শিজন্নরগন্নু —।" অতুবু ঐগুম্বা অমনা অসিগুম্বা ৱহৈ খরতং ঙাংথোকলুবনদি তাইবংসি কায়দ্রিবরা— নত্তরগা য়াম্ন অঙকপা য়াওন অমা পীবগুম থোক্লোইদ্রা। খল্লু-খল্লু খুদীং অশাওবসু শাওদবসু ঈমীৎ মীৎলুগী 'পি-পিরাং শিন্থফমত ওইনা থোক্লরে।

মতম খরা ঐগী খম্মো'ঈবু অতাওবা ঈৱাখল খরনা কুপখি—। মহাক্কী থোৎ নৌরবী অতুগা ফিবক্লদ্রবী উনশাশিংগী হুংশিবা মনম, মহাক্কী ঈচু তানা চামথোক্লবী— মচা তারবী শমলাংশিংগী হুংশিবা মনম্ন ফুঈনা য়াঙলেন তম কামলকপী, থা'হানগৎনবী নিঙশাগী শাফু— অতুগা ...., ঙম্নমক ঙসিদি ঐগী ইকমদা থম্মো'ঈ কায়নবগী মশক্ত লৌররে। ঙন্নমক, খল্লু-খল্লু ইৱাখল পুম্বা 'তিথাগী মওংনাইদ্রবী লৈচিলগী মতৌ-গুম্নবম্মী। হুঙশাগী মঙাল অতুগা উন মখোয়গম্নংম্মী—। মগী হক-লে'য়নরুবগা, অৱবা নীংঙমদবা অতুগা অচাকপা ঈৱাখল পুম্বা ঙহাক্তুদি ঈশীংগী কোঙগোলগুম্নখি।

মশীং য়ামলবা থোংথাংশিংতুদা—মা-ঐ ঐখোয়নাগী পাংগলনা কয় দা চোকথগ্রবা— অতুগা অৱাবতু কে'ক্লবা পোৎথাবদা মতম কয়া হৌহনগ্রবা। থোঙগাল য়োরক্লবা কারগী অঙঙবা খোঙ্জেলতু তারকপদা ফিজেৎশিংতু লোইশন্নরম্মী— অমম্বা কাতু মৈনা ঈরং লংথৎহল্লম্মী—। লৈমায়থক্তা— য়াম্ন কাচিন ওইবা মফমদা ঐহাক্ল তুমীন ফমতুনা লৈ। ঐহাক্কী মতম খুদীং তুমীন্নতা লৈজবা তাবনী। ঐহাক য়াম্ন তুমীন্ন কাগী চিদাই'তুদা ফমজরম্মী। মফি মরোল হোঙদোকপা লোইরবদা ঐহাক কাদগী থোকখিনবা ঈবুংঙো মোতিনা তাকপীরম্মী। চীংঙ নত্তরগা নোঙদহা, মখোয় পুন্নমক ঐহাক্লা ইম্থোকগ্রবনি— পুন্সিবু কনবীবগীগু, হিঙহনবগীগু অতুগা পুন্নমককিগু। মখোয়গী মফমদা ঐনা হায়জ-চংজগদবা হায়বতুদি লৈত্রে। হৌরকপদগী অগুক হুংশি হৈতবা মতৌনা শেম্বীরকলবসিদ—।

ঐহাক খংলে— হায়ঙ্গ চংজরুবগী করিবু তোঙ্জগনি অতুগা কৈদগীবু নুংশি চানবীরক্কনি। ওইথোক্করে। মরমসিদগী লংজরিবা ঈরালসিগীদমক্তা 'ঐবু ঙাকপীয়ু' হায়না হায়ঙ্গগদবসি মালেমদবু হায়ঙ্গসিরা— অতিয়াদা, ইপাক্ত অতুগা চীংজাওশিংদ— কন্দবু হাযজসিনো— ঐহাক হায়জক্কমতু থংদনা তুমীন লৈরম্মী। ছিংচাবরা-শরোইরা কন্দানো ঐগী চংজ-য়াহৈবু তাদীগদবা অমতং লৈববদি তাবীসনু— লৈত্রগনা, অহুম্বা নুংশীৎকা মরুপ মপাং ওইতুনা পুন্সি অসি অশুম্বক য়ানা-য়ানা মাংথিদ্রি ফাওবদি থাংজসন—। তাদীগদবা কন নো— মাগী নাপ্পদা থুঙনবা চংজ-ঈয়াহৈশিংসি নুংশিৎনা হুমখিসনু —।

"ঈথালনা ঈথোংগী থোংথাং থুদীং যোমন্ত্রা ঐবু?
ঐবু কনগুম্বা অমগী মফমদা ঙাকপী হৈতনা লংজরুরব্রা?
য়ায়েনবীয়ু- অতুগা ঐবু ঙাকপীযু।"

ঐহাকপু ঈরাল্দগী ঙাকপীরিব্রা? নত্তুরগা চৈরাক চৈতম্নবীরিব্রা? ঐনা থেংলবা অহিংসিদা ঈমীৎ মীৎলুগী পি শিন্থরতুনা মরম খংদেলৈতে হায়বা খংন থংন, মলরু-মংহনগুম অশুক থম্মোঙ্গ শোক্ক কপহন্দুনা লৈরিবসি—,

য়ুমশকৈশ —।

"নৌব লাক্লীবা য়ুমগী মীনাই অসিদি নুপা থোকপা মীশক অমন। নুপা অতুগা নুপী অনীমক্কী পুন্সিবু য়াম্ন মুন্ন মশক থংবা মীওই অমনি মাদি। মহাক্কী— নুপী য়াম্না নৌনা থনবা, নুপীবু যাম্ন ঈকায় খুম্নবীবা অতুগা লৈংয়ে খংতুনা য়াম্ন চেকশনবীবা মীশক্কী—। মহাক মশামক য়ুমগী মীনাই ওইরতুনসু মাগী নুপীবুদি কাদোইঙদগু অকরুবা মীশক কনা অমগী থোগন তোঈহন্লোই হায়বসি মহাক্কী পুন্সিগী কয়াৎ ওইরম্মী —।

মাগী নুপীবুস্থ য়ুমসিদা মীনাইনুবী ওইহন্নবা ঈবুংঙো মোতি— অল্পগা ঈবেম্মা অনীমক্ত মঙোন্দা কয়ারক তক্লে। মাগী নুপীবু মখোয় অনিমক্ত ইমুংসিদ, য়াম্ন থমনীংই —মরমদি নুপী অদু মশা তনান তনানজৈ— ৱাঙাং শঙাং ফজে— মীচান মীওক হৈবী নুপীনি—। অদুবু মপু- রোইবা ওইরীবা য়ুমগী মীনাইনা ৱাফমসিদা য়াবা লৈতে। ৱাফম অসি য়ানদনা নেমথনগ্রবা ফাওবদা করিগুম্বা খর ঐঙোন্দা ঙঙহুনা লৈহোই। মরমসিদগী— ঐনা ঈবান্নিদা ঙাইবা মতম ঙাইদহুনা হংই—

"করিগীনো ৱাফমতুদা য়াদবদি— ?"

"করিগী য়ারুনি— অদুক তমথীবাহুবো —।"

"তমথীবা— !" ঐনা ঙক্ত হংই— "তমথীবা— !"

"হোই— তমথীবনি—। নহাক্কি থংলোই—" মান' হায় "ইতু-ইচ'বু অকক্রবা কনা অমগী থোগন তৌহুনা পুন্সি লেনবসি তেমশিংলিবা মপুরোইবা নত্তরগা মপা অদুগী মরাল অদু কয়াদা চাওগ্রবা—। ঈথুংনা মখোং শোমজহুনা ৱানা থাজহুনা পালহগ্ররক্রবা— হৈবু নত্তরগা লৈবু নমঙম-চাঙমজদনা— লৈমাবদা কৎকদবনী হায়বা মতম অদু ঙসি নত্তরে থংউ—। ঐহাক, পুন্সি তোনবনা মীগী মীনাই ওইহুনা শেন তাল্লী— নোং অমা ঙানবদগী নুমীদাংৱাই— শাঙলবা মতমশিংসি মীগী থোগন্ত তৌহুনা শেন তাল্লী— পুয়মকসি মখোয়গীদমক্কি অদুগা— ঐগী অৱা- পোৎথাফমস্থ ঐগী ভুপী অমস্থং ঐগী ইচানি—। মহাক— নোমজসন্থ লঙ নাইজসন্থ অদুগা লৈনাং তৈজসন্থ— পুন্নমক পুন্সি হিঙনবা লম্বীদা চংনবনী— অদুগা থোৎ নৌরবী মাগী হকচাংদু—ঈশুং ঈমান্নবা নত্তরগা মম ন্নবী লেঙমান্নবী কনা অমগী থোগন তৌহুনা কেমহনবদি— কয়াদা চাওগ্রবা ঈরালনো—। সিবু য়াফম থোকপ্রা —?"

ঐহাক থম্মোঈদা মহাকপু থাগৎচৈ— ঐনা পামজবা নুপা ফঙলে—। ফঙলে কদৌনি— ঐহাক তুমীন লৈ। অসিগুম্বা নুপা অমবু মপুন্সিগী লোইনবা মপুরোইবা অমা ওইনা ফংজন্নিবী মহাক করম্বা

মমাংগী মপোক অমদা— করম্বা অহেনবা মথৌদাং অমা পাংথোরক-পীনো ? মরাইবক ফমল্লি। ঐহাক্না লুকথরদুনা ওহাক ৱাথন খললি-ঔদা য়ুমগী মীনাইনা খংহৌদনা মখা শমথরকই—

"ঐহাক য়াবা ওয়োই—। কাম্নদে—ৱারীসি তোকসি" ঐবু মুম্ন য়েঙল্লুরমাল্লে— মানা মরী-ঈরৈ লৈনদনা হঙলকই "নং নশাদু ওমদবরা— য়াং ঈকং কংলে— কৈদৌই—?"

করি খুমগনি। খুমগদবা পাওখুমদি ঈমাংদা সিনি খংদনা তাদুনা লৈরম্মী— অদুবু অমতং খনগৎতুনা মঙোন্দ অস্থুম তৌরে হায়না খুমঙম খিদে। ঈশানদি য়ানীংবা পোকৈ— য়াং কংথরম্গনি। অহীং খুদীং— অদুগা মশীংলাকওমদ্রবা তালক্নবা মুঙথীল খুদীং— ঈবেম্মগা হকলোয়-খোংদামিন্নবদা— অদুগা অমুকসু অহীং কয়া— ৱাখল্লুনা তুমহন্দবনা— মুশা ওইবা পুন্সিগী ঈরীক মরু ফংনা কংথরম্গনি—। ঈরীক চেন্দ্রবা কনানা হকচাংগী কয়াৎ খুদীং য়েঙবা মুংঙাইদুনা লৈবগে—। লৈকংলাদি লৈকংলানি। —অদুগা লৈকংলাদি লৈহাও চেন্দ্রবনি—।

অশুক য়াম্বসিগী মমুংদা শুপ্নগী অমতংদশু পুথোক্নুনা খুম্বা ঙম-খিদে—। কুইনা তুমীন লৈরুরগা ঐনা

"খংদে— করম্নো—।"

খংদবা ! করিবুনো ? হকচাং কংথবগীরা—মতুমু খংই। পুন্সি অদুগা ৱাখল— মখোয়গীসু খংই। ওম্মক্কী মরম খংই। অদুগা— খংদে হায়না খুমখ্রিবা ? মতমদুদা ঈশানা ঙাংথোকচখ্রিবা "খংদে" হায়বা ঈৱাহৈসি তারগা ঐগী থম্মোঈনা— হকচাং পোলাংসি ফুক্নদোগুম থাক্ন-থাক্ন য়াম্ন থাক্ন-থাক্ন নোকখি।

শগোলশেল—।

ঐহাক মতম খুদিং ফমথক্নগী হেন্দোক্লীংদে। হকচাং'সি ইনম নমই—। ঈপং পংশল্লী— অদুগা থম্মোঙ্গী নোংথবা চাং য়াম্ন হেনগৎলে। হকচাং মফম খুদীং চীকলক্লীবা-নাত্রকলিবা কুইরক্লে— ঙসি ঙরাংসিদগী লেংনীং-শানীংদবা হেনগৎলক্লে—। অসি পুম্নমকসি ওইদুনসু, কনা লৈত্রবা মতমদা ঈবেম্মনবু কৌরক্লবদি— ঐহাক অনৌবা পাঙগল হাপকৎলকই। পাংগল হাপকৎলকই— অদুগা হকচাংন নাহে-নাহেনা— নত্তরগা তুরোই-তাম্লোঙ্গননা মহাক্কী মনাক্তুং য়োননবা চংচে। মরমদি মাহাক্কী চেঙলো'তুতং য়েঙলবা ঐহাক— অন্না-অনা ঙম্নমক কাওথোকপা ঙমজরম্মী। কয়াদা কনগ্রবা শকথংদবা লীচিঙনো। ঐহাক্ক থম্মোঙ্গী শেঙনা মুংশি মিতাজরুরবী মহাক্কী মুঙশিবী শক্তম্মী। মহাক্তুং য়েংজ-উজরগা—, মহাক্তংগী শাহুম ফঙজরগা ঐহাক শিরবস্থ শিখিবা, —মসিতনি। তমথীরবী মশাজং অদুগা মতোঙুদি ঐহাক নীংশংলক্তবা মতম কুইরক্লে। ঐহাক থংই— কনা লৈত্রবা অচীকপা মতমদা মহাক্ক ঐবু কৌশল্লক্লবা অদুগা ঐহাক্ক চংলুরবা— মতমতুদা মা-ঐ লংজ খোংচৎতুদা খোংদামিন্নরম্মী— মহাক্ক খোংলেপ্নবা পামত্রিঙ্খাওবা— ঐহাক মাগী খোংলোয় ওইরম্মী। ঙসিস্থ— ঐহাক অস্তম হৌখী।

কাম্লুং অসি য়ৌরক্লবতংদা থংজৈ— ঙসিদি ঐহাক তশেংনা নাত্তে। চরমগী তিন কঙলে— অশাবা ঈনিল কারক্লে অদুগা হিল্লদ নাহেরে।

থাংজ,।

ঐহাক মুমীং-নিনী শুরে চাক চারক্তবা— অদুগা মপান থোরক্তবা— করিগুম্বা-— থমজগ্রবা শেন খর-খরতং পুথোকচদুনা য়ুমগী মীনাইদা ছায়জদুনা লৈহগ্রক্লবা অচোয় অপা খর-খরতং চাজে। চাক চ'নীংদে।

য়ারিব মথৈ— ঐহাক নারে হায়বসি খংহন্নীংদে। লোৎচবা হোৎনৈ। চাক চাবা শাতুনা লৈ— অতুগা চাবা য়াত্রবা চাক শরুক্ত ঐহাক্লা লোন্ন-লোন্ন হৈদোক্লম্মা। ঐনা পোপতুনা অসি যৌনা নারে তারবদি ঈবেম্মনা ঐহাকপু কৌশল্লক্লবোই। মানবু কৌশনবীরক্ত বদি ঐহাকী নীংজ ৱাখল পুন্থ মরু ফঙনা মাংখিবা চপ মান্নদ্রিব্রা ? মরমসিদগী ঐহাক নারে হায়বসি কনা অমত্তস্থ খংহন্নীংদে। ঐহাক অশাবা ঈনিল্লতনা ৱাখল মাংবা য়াওরকই— অদুবু ঐনা মাংদবা শাতুনা কাম্ভংতুদা চংই— "হবচাংসি ঙমদ্রে লমচৎতু চংলবোই" খন্দুনা যেংজনবতংগী ওইনা চংলুই — অদুবু লমচৎতুদা ঙম্মক খামঙমহৌদনা পুনশনখী।

মিংথোকাবা—।

খুং-শা পুন্নমক থক-থক নীকলে—। বা ঙাংবা ঙমদরে—।

মুঙখোল—।

ঙন্নমক্ল ঐহাকপু নাবে হায়বা খংনখল্লে
ঐহাব লোৎপা ঙমখিদ্রমাল্লে॥

থাকচীং—। লৈবাকপোকপা—।

থা মঙারোম শিদোঙুম নাকুবে ঐ। ঙসি অসিদি অঙনবা অযুক্তগী হৌনা হকচাং খরতং নুংঙাই— কুঙীক্তি ফনা নুংঙাইরে— চাক এমশাং মহাও থংলে।

ফনমক ফতুনস্থ— হকচাংগী চোকথবদি অদুক হাক্ক হনগৎপা লৈত্রি। মীৎ—না ক্রোক ক্রোকলি হকচাংগী ভস্থবা কোকক্তি অদুগা চন্নমগী

তিন মনীং তম্ন চোৎচবা লৈত্রি। হৌগৎপদা কমলাকসি পুঙমদবনা ঐহাক নাবা ফত্তুনস্থু মতমচুপ্পা ফমথক্তদা লৈরি।

ঈরাঈ —।

হুমীৎ হুম্নী-মরীনী শুরক্লে অতুবু পাঙগলসি হনগৎপা লৈত্রি। ফমথক্তদা লৈ। করিগুম্বদা য়াম্না চৎনীংলকপা যাওরকই— মতমত্তুদা ঐনা পীক্লবা ঐগী কাগী অকোয়বদা মীকুপ থরতং হনগৎ·হন্দা চৎতুনা শান্নজে। ঐনা চৎচবদি অরাবগী মশক্নী—। ফমচৎ চৎচৈ। নীং-তম্ন তিঙথোকপা য়াত্রবা ঈকমলাক ওইবনা থুউ শৌনা ফম্ন ফম্ন চৎচবনী। মতু-তুম থোইনা অৱাবা হেনগৎহল্লী মরমসিদগী ঐহাক চৎনীংবগী চৈন তু যাথজরতুনা ফমথক্ত তুমীন ফমতুনা লৈজরম্মী—। কাগী থোংদি য়াম্ন লাওনা হাঙদোকই—। করিগুম্বদা— ঈবেম্মনা শমতুনা লাকপা থোক্লবদি ঐহাক্ল ঈঙকসি থরতং চেপথজরতুনা মহাক্লা ঐগীদমক্তা করিস্থু খনবীদনা চৎখিবতু যেঙতুনা লৈজহৌই। মসি ফাওবদা য়াম্না লোম্ন হুবান-হুরান যেঙজবনি। অশেংবা মমায়থোংনা ঐগী অহাংবা থোংগী মপা-দদি শুপ্নগী মীকুপ অনী ফাওবা ফানা ফোংবীরম্বা নত্তে— ঙহাক্তংনি। অতুবু মতুদা ঐনা পেঞ্জবা ফংই। মশক্ক য়াম্ন যেঙজনীংই— অতুগা য়েঙজরগা থম্মোঈনা পেঞ্জে। পেঞ্জে— অতুগা থা চীকচরকই— ফমথক্তা লৈরিবা ঐনা ঈথুং থুংতুমসি তাশঞ্জে— য়াম্ন চাক্ল ঈমাৎ মীৎলুগী পি শিন্থজে— মসিদি করি মতৌনো ঐহাক থংজদে।

হুমিদাংৱাই —।

থা-মঙা মপুং নাক্লরবা মতুংসিদা ঙসিদি ঈবেম্মবু তশেং-তশেং মিৎনৈ পেন্ন-পেন্ন উজবা ফঙলম্মী। উরুঙৈদগী—

থম্মোঙ্গী অসি পোক্লরি—
মচু পুবা লৈরাংগী শঙ্গোম-শঙ্গোমনা লৈথুল মচুগী শাক্রিবগুম—
অরা য়াথম্না মরৈ তম্নরুক্লা শুরকলরি।

চনীংনা মকা লামলম্লে। মায়থোংনা পোৎলুমরম্লে। খোংথাং তপ্না থাংলম্লে— মহাক থাবুম মঙা থাজংননা মিরোলবী ওইহুনা লৈরম্লে। থম্মোঙ্গীনা হৱাওবা অমসু পোকচরকই— করিগীনো হায়বদি থম্মোঙ্গীনা খংনখংন খংশন্নদে। মীৎনা য়েঙনীংই—, য়েঙনীংই— য়েঙগমজদে। ঐহাক মাবু য়েঙগমজদ্রে—। ঈমীৎনা য়েঙথররোই।

অহিং—।

হুকীক্তী অহৌং ওইরে। খেংলে। উচেক ৱা'য়া কাওবা খোঙনদ্রে। ঈংখিবনা শুপলুবা লৈজুপ খুদীংমক্তী কান্নবা খংদে। তুম্না য়াদ্রিবা অসি য়াননবগীদমক্তা ঐগী মোন মনাক্তা হৌদাক লৈ— অদুবু ঐহাক থক চানীংলুদে। তুমথখিবসু পামদে— মমুৎ তাদ্রবা ঈৱাথল অসি মমুৎ তাঙমদনা, নীংঙাইদনা তুমথপ্রগা কৈদনো ঐনা সুংঙাইগদবা?

মহাক মীরোম্লে। মীরোল্লীবা অসি তাইবংসিদা লৈরিবা করম্না সুপা'হুগী মরল ওইকম থোকই? খল্লুবগী কান্নকমসু লৈত্রে— অরেপ্প মীশক্ত য়াম্ন লাইনা উবা ফংই— শুপ্পগী মীকুপ অমা ফাওবা লোয়না খেন্নদে। ৱাফম'সি লাকপদা— মীশক অদু ঐ ওইহুনা ঈমাংদা ঐগী ঈশক্ত তক্তনা লেপ্পরি। লেপ্পরি— অদুবু মচুদি ঈশা ফাওবনা য়াজনীংদবা থাকম্নী। ঐগুম্না অমনবু শাক চাওরবা অদুগা মক্তীক ময়াই লৈরবা মালেমথকসিদা ঈরেম ঈথাক ওইবা ঈচ অমা থমলম্না— কনানবু য়ানীংগদোরি?

কয়ামুক খল্লী—। ডং তাবা ওমজদে। বাখলসিতদা অহিংগী অশাংবা মতম— মীকুপ অমতংগুম থোনা লৈতনা হৌখি। তুমহোন্দরে—। অহৌং অসি হৌখরে। নোঙঙাল্লমদাই— মা কান্নুগী থীংলকপ

অদুগা খোংথাং চাওন-চাওন কাম্লক্লুবা অঙঙবা শরীকী খোঙ্জেলনা, য়াম্ন হৌন-হৌন, অদুগা য়াম্ন ঙঙনা ঙঙনা তাররে।

হুজীক্তি নোঙ ঙাম্লগনি—।

অয়ুক

কনাস্থ য়াহৌ ঙম্লদে। ঈবেম্মস্থ অদুগা ঈবুংঙোস্থ মখোয় অনিমক য়াহৌ য়াম্ন থেংনৈ। কনাগুম্বা অমত্তগী খোঙ্জেল তাদে। ঐহাক ফমথক্ত ৱাখল তৌনা-তৌনা কয়াম কুইবা মতম হৌংনখ্রবনো থংদে— ৱাখল তারকপদা অহোবা অদুগা অপীকপা থোংনাওগী মখুলশিংদা— অংনবা অয়ুকী হুমীৎকি ঈংলবা মঙাল ফাওরক্লে। অয়ুক শাংবা মতম অরেগ্নদা মাংহনখিবা নত্তে। ঐহাক লেপ্তুনা খল্লক্নী— মীরোল্লীবা অসি কনাগী মরলনো? মপু অদু মশাং থাঙমত্রবা মীওইবশিংসিগী মনুংদা কনা-গুম্ব'হুনা ওইহৌরিবনো। অরৈবা ৱাখলগী খোংথাংহুনা ঐগী মীচং চংবীবা শারহুনা ঐঙোল্লোমদা লৈশল্লকই অদুগা লৈশল্লকলিবা খোং-লৈহু'দি ঈশানা থক য়াজবা ঙমজদ্রি—।

থাংজ—।

য়ুমগী মীনাইহুনা লৈকোনগী লৈ পাম্বীশিংহুদা য়াম্ন কুপ্ন রেংশল্লী অদুগা ঐনা অপুংবা লৈ পাম্বী অমগী মখোংদা ফমহুনা পোক্লক্লদৌরিবা অঙাং অমগী অশেংবা মপা'হু কনানো, কনানা অশেংবা ললসির্গী মপু ওইগদৌরিবনো— হায়না কুপ্ন খন্দুনা লৈ। খুৎনা, মত্থৎ কুপ্লবা অদুগা মোল্লবা লৈমায়থকী নাপীশিংহু পৎ-পৎ থৎলমী—। থৎলিবহুগী কায়-কমস্থ থংদে— থৎকে হায়নস্থ খনলুদে অদুবু লৈতা'ঙমত্রবা ৱাখল'সিমতং

খনবা হোৎনবদা ঈখুৎনা ঈৱাথসগী মতেং পাওবগুম থংপা ওইবা তাই। ৱাফমসিদা কুপ্ন খন্দুনা তুমীন লুকথতুনা লৈংউৈদা লৈ পাম্বীশিংতু য়েঙলহৎদগী য়ুমগী মীনাইনা ঐঙোম্দা খংহাইননা ৱারী শাবা হৌরকই—

"লৈবাক কুমৈ ওইখ্রেহৈ ঈবো —।"

ঐনা করিবো হায়না হংগুম মাঙোন্দ য়েঙথৎলী।

"ঈবেম্মনা মীরোম্লিবসিবু হায়রিবা —"মানা মখা তারকই "লৈবাক কুমৈ থোক্তোগুম ঈরাং লাংনরে।"

ঐনা ঙক নোমই ততুগা য়াম্ম কঙনা খরতং নোকই।

মানা ৱারি শাবা হৌরকপতুদা— ৱাখলপুম্বগী ৱাংমদা ঐন .লপ্ন-তুনা—, ঐগী তং-তাবা ঙমত্রবা চনৈনরবা ৱাফম অসি পুখোক্তুনা মহাক খন্ন-নৈনগে খল্লকই—। মহাক্ক খরতং চোম্থনা লৈকোনতুদা লৈরম্বা থোক্লবা — শোয়দে— ৱাহৈ অমতং ওইরবসু ঐহাক মাগী মফমদা ফোংদোকলম-গদবনি— অতুবু নোঙদম্বনা ঐবু কনবীবা নত্তরা, ঐনা ঙহাক চনৈনারঙৈ য়ুমগী মীনাইতু কৈদনো হাথু-হাথু চৎখি—। ফোংদোকহৌত্রে—। হুজীক্ক তুউ চুঙলকই— করিগুম্বা ৱাফম অতুবু পুথোক্তুনা— ঐনা য়ুমগী মী-নাইগা খন্নরম্বা থোক্লবদি— মতমতুদা তাইবংনসু, মালেম্নসু-তিয়ানসু, চীংনসু-হুংশিৎশিংনসু, লৈরাংশিংনসু অতুগা — তাইবংসিদা লৈৱিবা থৱায় পানবা-পান্দবা পোংশক খুদীংমক্ক তোল্লবা ঐগী ঈফমদা য়েঙন-রমগদবা মীৎয়েং-লমচং— অতুগা নোক্ক চৈনবীরমগদবা মৱাহৈ খোনফম শিং— ও! শিখিবনা হেম্ম কৈ। ফোংদোকহৌদবা অতুগা খন্নহৌদবা অসিনা ঐহাক মখোয় পুম্নমক্তগী নাম্থোবচংহৌবনি।

হুমীৎ য়ু বা মতুং —।

খল্লু খল্লুরগা ঐহাক অৱাবা ততুগা নীংৎমদবা অমত্ত লৈরক্তব-গুম্লে। কনাগুম্বা নত্তরগা কনাগুম্বী অমগী মফমদা তৱানবনি হায়না খংহজ্ঞনীংঙাই লৈরক্তরে। বনানো ঐগী ঈফমদা অম্নুক তমথীনা

লাললবসি ? কনানস্থ নত্তে— । ঐহাক্ক মীওইবশিংগী মরক্তা অত্তম পুন্সিনা মীতমললকলিবা'সিতনা ওইরম্লে । ঐহাক্ক করিগুম্বা অসিগুম্বা ঈশৰ্কশক্তম'সি শকচেন্নত্তুনা— মীওইলকসিদা লৈজরমত্রবদি— ঐহাক কয়াদা মপোক হেঞ্জরমগনি —।

সুওখিল—।

ঐ থংলে — মীওইবনা খ্বাইদগী লুনা-চান্না হোৎনবসি মাগী-মাগী পুন্সিনা মহেল্লম্লে, অদুগা শকথেংনবা লৈতনা মীওইবনা য়াম্ন ৱাঙনা থাংগৎচত্তুনা ঈৱাংচরিবনা থরাইতবুনি ।

শগোলশেল —।

ঙসিদি ঈবেম্ম য়াম্ন থেংন চাক চায় । মহাকী চগুমশিংহু ঐনা শেঙগনি । কোল-লীকশিংস্থ ঐনা ফেংগনী । মসি খল্লুরগা মহাক্ক চ'ক চাবা য়েঙলম্বদগী— হকচাং পুম্বা থামঙমদনা— অদুগা পুঙমদনা থক-থক নীকসক্কুনা ঐহাক ঐগী কান্নুংদা চংলক্লে । চংলক্লে কদোগনি অদুগা কনাদবু তাইনগনি । ঈশাদা ঈশানা হম্ন-হম্ন তাথী তাওইজবত মথংই । নীংঙমদবা ঈৱাথলনা— নুপা ওইবা থম্মোঈসিবু মকুপ কয়া থোক্ক সেগায়বীত্তুনা অদুগা চৈনাত্তনা ঈমীৎ মীৎলুগী পিবু লেপ্ত-খমদা শিন্থজবতা মথংই ।

ফাইরেল থা —

ঐহাক কনানো— করিনে — কৈদনো অদুগা কনাগী মনাই— অদুগা কনাগী মপুনো ?

থমশকৈশা— অহৌং—।

ওমচাক্লরক্লিবা অতুগা তশেঙ-তশেঙলে হায়না লেংত্রবা খুদম কয়াস্থ ফঙলবা ঈরাখল অসি ঐগী থম্মোঈনা ঈচং থৌনা চুম্নে হায়না লেপচত্নস্থ ঈচীনসিনা কাংথোকচবা নত্তরগা থম্মোঈনা ফাওবা নাপল কানা "চুম্নে" হায়না খক খনঙমজক্রি। ঐহাক কনা অমত্ত ওইরমত্রে। হুজীক্তী ঐহাক তশেঙ-তশেঙ থংবা ওমজরে— ঐহাক অসি ওই-থোকপা ওইথোক্লবা, ঙকপা ঙক্লবা কনাগুম্বী অমগী মপুদি ওইররে। ঐহাক মীওইবা অমনী নত্তরগা হিঙবগী কান্নত্রবা করিগুম্বা কাংলুপ নাইদবা নাইতোম তাবা থরায় অমনী। কান্নকম থংত্রবা ঐগী হকচাং পোলাংগী মন্নুংদা হাপলক্লিবা তশেঙ-তশেঙবা থরায় অসি, অসিগুম্বা হকচাং পোলাংসিদা হাপচনবীরক্লনা অরেম্বা মতৌসিদা অগুম্ন মাং-হনবীরমগদৌ শরুক পাক-চাউরবা থাঙলবা অতুগা ঈশঙ কান্নবা চীং-ন্নুংদা তাবা ন্নুংজাউ অমদা হাপচনবীরম্বনা হেন্না ফরমগনী। ন্নুংজাউ অমনা ঐগুম লেঙবা ঙমলবা, ঐগুম লাও-খোংবা ঙমলম্নবা অতুগা থরায় পান্নমলবা তাইবং মীরোলগী থারীদা শোয়দনমক থারীনফম থোকপা অঙকপা মতৌ অমা ওইন্নমগদবনী— অতুবু কৈগু লৈত্রবা ঐঙোন্দা হাপচনবীরকপনা মীওই থারীদা অঙকপা অমত্ত শীঙমলমত্রে—থাজবা অমস্থ শীঙমলমত্রে—করি কান্নরি? অগুম্নক তুমীন মপুন্সি লোমগ্রগনী মা। চুম্মী লৈকমদি ঐহাক তশেঙ-তশেঙ থংলে। লমচং নাঈত্রবা হকচাংগী কয়াংশিংনা লুচিংহুনা, মখোয় মখোয়গী পেন্ননবা হোংনহুনা, পুন্সিস্থ থরায়স্থ অতুগা ঈরাখল পুম্বগু লংজ লৈবাক্তী য়াম্ন গুরুবা মঙাল অমত্তং উফংত্রবা লৈন্নুং'হুদা হৌগং কাংখং ঙমহন্দনা তাহুনা লৈহল্লরে। মসিগু ইতোমতনা থংজৈ।

মীনাই কোক্লে। খনঙমদে। ঐগী ঈফমদবু মীনাই হায়বা ঈরমচং অমা তোঙঙাল্লীত্রা? ঐদী, ঈরাখলগীগু চংনবীগীস্থ খোংগীগু, খুংকিগু-

অতুগা য়াম্ন মতু শোম্ন কুপলিবা ঈমীৎকি পাশিংসিগীসু, ঈশানা কুপ-চবা মীকুপশিংসিগীশু, পুন্নমকীশু—, ঐদি ঈনাইগী নাইথাংদ ওইদুনা লৈজরবসিদা।

হুজীজক ঐাহক্কা ওইজরিবা হায়ববু— পুক্সিসিদা ওইথোবপা ভুম্ন-রোইদবা ঈরাখল অমগী লেংত্রবা মপু অমতং ওইজরিবসি মঙায়। সিমদি শেঙলে—। তশেঙ-তশেঙলে। থম্মোঈনা থৌনা লৈনা য়াজবা ভুম্নে—

"পোক্কদৌরিবা অঙাং অসি ঐহাক্কী অশেঙবা ঈচানী"

শগোলশেন—।

ঙসিদি ডাক্তর বাবু লাকলম্মী। ঈবুংঙো মোতি লৈতে। ডাক্তর বাবুগা য়াম্ন চীং লেম্বী তপচবা মতৌ মানগ্রবী লৈশাবী অমগা—। মহাক কুচু ঙৌবী নুপীমচানি—। য়েঙবদা নুংশিবা মতৌ চেল্লী অতুগা হকচাংগী শওংদু তোঙগানৈ। তাম্ন চঙলকপা উরবদা ঐহাক ঈবেম্মদা তাকচনবা কাম্নুং তম্ন চংশল্লী—থোংজিন য়োরকপদা— ফমথক্তা হকচাংগী ফি পুম্ন' ফিগোম্নহল্লদুনা মীরোল চৈনা থাংগুম থোং খুৎ তিঙথোক্লদুনা ফমথক্তা শমলাং চোইনা ফমলিবী ঈবেম্মবু উরম্মী। শক্তম অদু উরুঙৈ ঐহাক থোং থাংজনবা ঙমদ্রে। মহাক্কী মায়থোংনা থরতং শুগৎলপ্পী অরাবা শক্তম অমা চেল্লক্লিবসি কুইরক্লে। ঙসিসু শাঙলবী মশম শমলাংশিংদু— মাং অমসুং তুং নাক-য়েৎ মায়কৈ খুদীংদা ঈচোই চোইনা শদোক্লনা তাহল্লহনা মায়থোংনা লুকথরপ থোং তিঙথোক্লদুনা ফমথক্তা ফমলি। শেংলিবী ফনেক্কী ফীরৈ ফীরৈনদরে। চনীং অতুগা পুকনোপ মনম নুংশিবী মতৌ মাল্লবী পাল্লবী উনশাদুতা মঙায়রম্নে। ফিখুম্নদ্রবসিদদি থাবুম মঙা লানথৎলক মীরেল্লবী নুপী অমগী নাও-পুরবী— মমা শবলক্লিবী নুপী অমগী পুক্কী তশেঙ-তশেঙবা মওংদু ঈমীৎ-সিনা তশেঙ-তশেঙ উজবা ফংলে। মহাকপু উরগা ঐগী থম্মোঈদি থাকফম থংজরকতবতনী। কদৌঙৈদসু লৈতাবা লৈজবা ঙমজরক্তে।

পুম্নমকসিগী মথক— ঐগী ঈরীক ঈতীম্নখিবনা, মীরোল নাওপুনরবীনিকো হায়বসি থল্লু-থল্লুরগা ঈতোমতনা থম্মোঈ অসি নৌথজয়কলম্মী— । ঈশানস্থ থংবা লৈহৌদনা য়াম্ন থুগ্রবা ঈমীৎকি মীকুপ অমদা "ঐহাক্কী হুপীনি" খন্দুনা থম্মোঈনা নাপল কাখিবগুম তৌখি। অদুবু ওম্ফোক্লা থুগ্রবা মীকুপ অমদা থম্মোঈগী নাপলদু মশক মাংখিমখৈ থম্মোঈদগী অমুক মুৎথখি! মুডবংননা মাগী থোংজীন্দুদা ফন কুইনা তুমীন লেপ-লমলগা হকচাংনা হাইনা হুম্ন থরতংগা চংশন্নবা হোৎনরকপদা মীশক থর ঙঙন ঙঙন ৱারী শানরকপা থোঞ্জেল কান্নুংহুদা তারক্লে। থোঞ্জেলদু তারকপদা মহাক লুকথরম্বদগী— থংলৈ লৈথোরক্তুনা থংতরনা হঙলকই—

"কনা— কনানো— ?"

ঐন ঙক নোম্বৈঞ্জে।

"কনানো— মপান্দ ঙাংলিবশিংসি ? কনা লাকই— ?"

"ডাক্তর-বাবু— ।"

"ডাক্তর— !"

হঙলমলগা মহাক মশুপ-মশুপ্লবী অদুগা চোয়ন্নরুরবী মফি ফিজোল-শিংদু হাথু-হাথু শেৎচন ঈলশল্লদুনা— মশম মনা হাৎথ-নাম্বরদুনা— অপাকপা মিংশেলদুদা মমায় ওনশন্দুনা— অশোয় অঙাম থরতংগী চেকশন খামজনবা হৌই। লোইরবদা— মহাক মী উন্নফম কান্নুংদা চংশনখ্রে। মহাক্ল চৎখিবদু— ঐহাক লুকথবা ঙমলমদে। মহাক্কবু, তুংয়াম্নবী ওইরবস্থ য়েঙনীংঙ্ই। য়েঙল্লুরগা থম্মোঈনা নৌথরকই। পেহৌনরকই। অদুগা করিগীনো ঈমীৎ মীৎলুগী পি— লেপ্তুনা শিন্থজৈ— । হৌরক-ফমদি থংদে— অদুবু পিরাংশিংদুদি লেপখি-থমখিজ্রে। চৌল্লবা কান্নুংদুদা ঐহাক লেপ্লদুনা মহাক্কী নমওইনরবী কয়াৎ অদুগা নাহেরপ্লবী শাজং য়েঙদুনা লৈছোই। হৌরককম থংদনা, অদুগা ঈকায়বা নাইগ্রবা ঈমীৎকী পিছু মাবু য়েঙনা য়েঙনা ইফি ফিজিনা নাম্ভোকচৈ— ।

ঐনা থোরকপদা মথোয় ৱারী শাবা লোইরম্লে—। ঈবেম্মা ডাক্তর বাবুগা লৈশাবী মচাহুগা মথক থঙবা য়ুমথক তানবা য়ুমগী থাক

থাক্তু লমজাংলদুনা কাখৎমিন্নরম্মী। ঐহাক মহাক্কী মশক্তু উবা য়াদে। য়েঙনীংই। উনীংই। অদুবু য়েঙলু-উক্করগা থোনা পুম্বা উৎ ওন্ন মাংনখী। মনাক্কী য়াম্ন তাম্ন কৈদনো অমা তুমীন ফমলুরগে খনলি অদুবু লৈশাবী অসি কনানো হায়বা অদুতং খংনীংলদুনা ঙহাক পম্বরে।

কুইরবগী মতুংদা মাঙ-ঐঙ মাগী কা মনুংদা অমুক লৈমিন্নরে৹ ঐহাক তুমীন চপ লেপখী— অদুগা মানা— পাক্লবা মিঙশেলদা ঙনশন্দুনা ঐ অমা লৈ হায়বগী করি নাচুঙবীদনা অনৌবা মফি ফিজোলশিং হোঙ-লম্মী। মায়থোংনা য়েঙবদা খরতং ময়েং তাবা মাল্লবা অদুগা শমলাংশিংনা নাওপুরকপী মহৌশা শমগেনগনবী মতৌনরে। পাম্বোম মরুশিংদু চাং তাথরম্মী অদুগা অথুম্বা ঈহৌনা থনগৎলক্লবী থাবুম পুঙবা'নীনা নোই·পেম্নবা—। হুজাক্তি কয়াৎ খুদীংমক্তগী কল্লক্লফম ওইবা শক্তম পুম্বা কোক্লথরে অদুগা শুপ্নগী মুংশিফম ওইবা শক্তম-শিংতনা য়েংলু য়েংলুবা খুদিং তনৌরম্মে। অনৌবা শক্লোন চেল্লবা মাগী অনৌব কয়াৎশিং অদুগা মায়থোং— মখোয়সিবু উক্লরগা তমথোক হায়দোক ঙমত্রবা অদুগা ফোদোক্লবা ৱাহৈ লৈত্র'গুম্নবা মহু চাওম্নবা ৱাখল কয়ানা ঈথম্মোঙ্গদা ওৎলকলম্মী। ঙক্লী— করিগীদমক্ত কল্লক্লফম ওইবা মুপী ওইবী মহাক্কী মীরোন শাবানবু উক্লরগা ঈমীৎ মীৎলুগী পি শীম্ব-শীম্ব অদুক থম্মোঙ্গ শোক্ল কপলিবনো? হায়না। থাংফম খংলক্ত্রবদা ঐগী থম্মোঙ্গ শোক্ল কপলীবনো? হায়না অদুগা থাংফম খংলক্ত্রবদা ঐগী থম্মোঙ্গনা শকথেংনবগু লৈররোইদবা নোংদম্ববু পেম্ন পেম্ন থীনা-থীনা শৈঙ্গবতা মথংই। ঐবু হুই-য়োংদগীসু হেম্ন থোওই নাওইবীদনা অরোং অফোংনবী কয়াৎশিংবু তরাই তকোম উংলদুনা লৈরিবা মতমদুদা ৱাহৌদোকচবা ঙমজদবনা ঐহাক মহাক্ল মফি-ময়োল শেংপা লোইবতং ঙাইদুনা লৈখি। ফি শেংপদি লোইরে অদুগা অপাকপা মিঙশেলদুদা মায়থোংনা নোম্বরদুনা নাওপুরবী ওইথনা অশাবা ন্নিঙশানা য়েবদা, অকংবা উগী মকুঙম উনশা কাফংনরবী

অকংবা চীনবান্দু— থোৎ-নৌননবা অঙাংবা মচুনা তপ্প-তপ্প লৈতেঙ-শল্লম্মী। পুমলোঈ লোইরবদা তুংগী নমওইননা ৱাৎহৌরিবা কুদামশিংদু পানশল্লো হায়না ঐৱু কৌরকই— ঐনা কুদামশিংদু পানশন পানশন হুঙজে—

"লৈশাবী অসিবু কনানো— ?"

"নংগী ডাক্তর বাবুগী বাবুনী" মানা হায়— "ডাক্তর বাবুগী দুপী ওইগদৌরিবীদুনী— ।"

"মমীং— করি কৌবা— ?"

"তম্ফা-স্না। য়াম্ন চাওথ্রবা স্নানি। স্নখ্বা মোধুবীর হাম্নবা লৈবাক ফাওরিবা ঈশৈ শকপ'তুগী মচানুপীনি কাঙভম লৈকায়দগী ."

ঐহাক তুমীন লৈরে।

ফাইরেল— । থারোই—।

ঐৱু শা-শনগুম হেক-হেক লক্লরম্বা নুপামচাদু— উদগী তাদুনা শিরে হায় ভসী।

লমদা —।

অঙনবা অয়ুক্তা রেডিওদা মৈতৈলোলগী ঈশৈ পরেংলকই। ঈশৈ অমদা ঈবুংঙো মোতিসু ঈবেম্মসু অদুগা ঐসু, মঙা-তরুকলক চিঙ-শল্লক্লরা চা কপশিংদু— মনাদা থুংনা কোৎশল্লরদুনা অদুগা প্লেট মথক্তা থম্নরদুনা থৱায় য়াওনা তানখ্রে। নুপীমচা অমনা শকপনী ঈশৈদু—, ৱাহৈ মথৈদি ফারি ঐ—

"কৈদনো চেক্লা পায়রিবা— মঙলক্লে অতিয়াদা নোঙনা—

মায়কৈ পুম্বা মমথরে— চেক্লা নং কৈদবু পায়বনো—

পাংওরমগে থনরা ঐগী বা— চেক্লা ওইখিবনা লোক থংনরোই— মরমতনা হয়েংমুক্লী মপোক্লা— ঐনা চেক্লা ওইনা পোকনকে— তোওমিন্নসি কৈন্নাথক্ল— নং-ঐ হুংশি চীক্লোকমীন্নসি—।”

অদুমদি শকপা নত্তে— অদুবু কাওতমদবা থাহৈ থরতং অদুগা মওং মতৌ তুতনী ঐনা ইরিবসি। অসিগুম্বা ঈশৈ অসিনা মথোয়গী মফমদা লুংঙাইবা শারু অমদি পীথরে অদুগা ঐগী ইফমন্নদি— থম্মোয় কায়নবগী মশক ওইখ্রবনি। ঈশানা থাজে— “মথংগী মপোক্তুরা নত্তনদি, লমচং নাইত্রবা হন্দকী মপোকসিদদি পুংজা নত্তরগা মা-ঐগী অপুনবা পুন্সিদু কৈদগী ফংলগদগে।”

নোংমাইজিং —।

মণিপুরগী ফাওরবা গুরানবা (লুটরালা) কনহাই হায়বদু ফারে হায়না রেডিওদা লাওথোকলকই।

লমদা—। ঈরাই—।

থংলে— থম্মোঈ চাক্লবা লমচং অদু ঐহাক্না চৎচরুবনি। উরুরগা হেন্নকই থম্মোঈনা চাকচবা, ঈতিনমিন্নরুরগা হেন্নকই থম্মোঈনা পুঙম-লক্তবা— মরমসিদগী য়ারিবা মথৈ য়ুমদা লৈমিন্নতুনসু মহাক থেঙনা উনরুনবা ঈশানা শিঙ্গরবনি ।

শজিবু থা—।

ঐহাক চাক চানীংদে। য়েঙনীংদে। কনাবুসু য়েঙনীংদে— অদুগা চেমান্নশিংসিদা মুকচৈ পান্নতুনা কন্নি অমত্তসু ইশন্নীংখিদে। মরমসিদগী

ঐহাক থৌদোক কয়া থোকখিদুনমু করি অমম্ত ইরক্তবনি—। ঙসিদি শজীবু থাপী অহোবা চয়ালনি অদুগা শকরেঙ মিঙশেল য়েঙলুবদা ঈকোঙ্গীনা, শুজলবা ঈমায়থোংসি উমং ওইহল্লয়ে—।

থাংজ।

য়ুমগী মীন্নাইনা হায়—
"চাক চাদ্রবদি কৈদৌরে নং?"
"চারে—" ঐনা খুমই "চারে— ঐনবু চাক চাদে হায়বরা?"
"তৌদ্র—। চাক চাদ্রদুনবু নয়াং কংলিবনি—।"
"চারে—। চাদবা— লৈতে।"

"অদুদি নং নয়াং ওন্থোক্ল কংলে হৈ—। নকোয়ও নরাংও— কৈনো নং তৌরিদুবু—?" মানা মখা তারকই "চাক চাও" নং চ'ক চাদ্রে"

মহাক্নদি চুমগী চুম হায়জরকপা ওইরম্বা য়াই অদুবু ঐহাক্তী খংদ খংলত্রা হায়না অকীবা পোকলম্মী। করিগুম্বা চাক চাদ্রিবসি খংনরকপা থোক্তনা মরম থিগৎনরকপা থোক্লবদি ঐহাক্তী পাওখুমনীংঙাম্ন ওইবা মরম লৈতে। অসুম খনবদগী থম্মোঙ্গনা অকিবা অদুগা থুক লাওবা পোকচদুনা ঐহাক মাম থুনা কাম্মুং তম চংশজরক্লগা রাখল তৌদুনা লৈজরম্মী।

মোংমাইজিং —।

জমদা থা লোইখিগদৌরে। লোইপ্রসনু। মুমীদাংমাইরম ওইরকপা অদুগা কনাগু লৈত্রনা তীরুবা কাপী কামুঙসিদা ঐহাক্ল ঈতোমত্তা

ফমহুনা লৈ। অচিকপসিদা ফম্নগা ঈৱাখলগী চনৈনবা চাং অম্নম অম্নম হেনগৎলকই। য়েংশ্ৰৱোই ছায়না কন্ন তেমশীং ৱাশকশ্ৰবা মশক্ত চীক্ল চীক্লগা হেনগৎলকই য়েঙনীংলকপা। খাংঙমলক্তে। করিগুম্বদা ঈমীং অসি উইশঞ্জৱন্মী অহুবু শক্তমহুনা ঈমাংদা শং শং লেপ্লে—। মহাক্কী শক্তম উঁৱকউে ঐগী ঈপুন্সিবু কোনশল্লমই— অহুদগীদি— খংদে ঈমীং মীৎলগী পি লেপ্ত খমদ শীম্বৱকই। নোংথাংগী মতৌগুম্ন কৈদগী হোৌৱকপনো ছোৌৱকফম খংদ্ৰবা ৱাখল অমনা মুঙশিজশ্ৰবা ঈচা অমগী (মুপী ওইবা য়াই— অহুগা মুপা ওইবা য়াই) শক্ত— নোক্লহুনা চোঙলহুনা অহুগা ঙাওজৱহুনা শান্নবহু ঐগী ৱাখলগী, অহুগা য়েঙলুবা মীৎকি মীৎয়েঙ-মীৎয়েঙ থুদীংদা থংলৈ। অহুগা শক্তম লাকশনবা ঙমহন্দনা য়ান্ন থুনা মীৎয়েঙদগী অমুকস্থ হেক মাংখী। ঙম্নমকসিদি ঐগী কপফমত ওইৱগদোবা নত্তৱা?

নিংথৌকাবা—।

ঙসিদগী ঐহাক অনৌবা পুন্সি অমা যৎজৱে— মতম চুপ্প— লৈকোন্দতা ফমজবা—। লৈকোনগী অমা ফঙজৱে— মতম চুপ্প লৈকোন্দতা ফমজবা—। লৈকোনগী মনা পুংবা লৈপান্থী অমগী অপুংবা মরুমদা অহুগা নাপী থক্তা ঈতোমত তুমীন্ন ফমজৱন্মী। অগুম্নতা ফমজৱগা খাংঙমদ্ৰবা পম্মোঈগী লৈতাবা ফঙজগনি থল্লে। মীৎকী পিদি অগুম্নক লেন্তনা তাহুনা লৈ। ঐগী মীৎলুগী পিসিদি ৱাৱকপা য়াদ্ৰবনি— ঐ খংলে— মাগী মফমদদি অৱাবা-মুংঙাইবা অহুগা লৈতাদবা অমত্ত খায়দ্ৰবনি। মৱমসিদগী ঐগী পিসিদি মফম মতম খায়দ্ৰবনি। মফম খুদীং অহুগা মতম খুদীং মহাক্ল মনীং তৌনা শীম্বহুনা লৈ। মী উথিগনি হায়বসিগীদমক্ত ঐনা অকীবা পোক্কচে— মৱমসিদগী— ঐহাক মী উনৱোইদনা মফমদতা নাথৈজবনি। ঐনা ঈমীৎকী পি তাবসি ঙসি

ফাওবগী মনুংদা মীওইবা কনা অমদি লায়রবুনা তুমীৎ-কাং ফাওবা উহনখিদ্রি হায়না য়াম্ন থাজনা খঙবনি। ঈচু ভাত্রবা অতুগা মরাইবক থীবনা লমচৎ নাইদবা শক্লবা ঐগী ঈমীৎ মীৎলু'সিদগী পি ভারক-ক্লগা— মহাক্ক ফনমক তক্ক তক্কজহুনস্থ— কনানো মহাকপু পিনি হায়না থাজবীগদবা ? —।

লৈবাকপোকপা। মথংগী অয়ুক—।

পিনি হায়হুনা কনানস্থ থাজবীরোই ঐহাক থংই। ঐগুম্বা থরাই পানবা অমনা ঈমীৎকী পি শিম্নজবসি উরগা ৱারে-চাক্লে হায়না খনবীবগী মতুৎ— অউবশিংগী মফমদা অওকপা অমা ওইনগনী। অওকপ'তু ওইনখিনি অতুগা মরমতু হংনরক্কনী, মতমতুদা— কপ্লিবসিগী মরমদি অসিনি হায়না পুথোক্ক্‌না মখোয়গী মফমদা খুমওমগদবদি হন্দক্কী মপোকসিদা ওইথোক্করে। মরমসিদগী ঈমীৎ মীৎলুগী পিন শান্থবা— ঐনা কনাবুগু উহন্দনবা— চেকশন খোমজন হোৎনজবনি। অতুবু ভরাংদি ওম্নমক অরেম্বা তাপ্রে। ঐহাক্ক ওইথোক্লরোই থংলবা ৱাখল অমা খন্দুনা লৈখি। ৱাখলহুদি— য়াম্ন চোঙ কল্লবা ঈচা অমগী মরমদনী— মহাকী য়েঙবগী পেক্সবা মশক্কী মরমদনী— অতুগা ফাগী হৈরবা মরমচং অতুগী মরমদনী—। মহাক কুইররোই— নোঙমা নত্তরগা নোঙমা— নোঙমা অমদদি মফমসিদা শোয়দনা থুঙলরগনী— অতুবু ঈচাগী মুঙশিবা মশক্ক্‌ উনা-উনা ঈখুৎনা শোকওম-শোকওম্ন ঈচানি হায়বা ফওলরোই—। ফোঙদোকচবদি তরাইথোক্লহুনা য়াম্ন লোম্ন অতুগা চেকশন্ন— ইতোমতা থম্মোঈনা খঙবফাওবা ওম্নরোইদবনিকো— হায়বসিনি, ঈপোক অসি থীনা তমলকইদকো— হায়বসিনি অতুগা মাংপ্রবা ঈথৌনাশিংতুবু কৈদ-কনাগী মথুত্ত লৈরিবগে হায়বসিনি। ৱাখলসি খল্লুৈ থম্মোঈনা নৌথরকপগী ৱাংমা লানখিহুনা মচেৎ লিশিং

থোক্ত চেৎখায়রকুমলকই। তাইবং অসি য়াম্ন চাওই অতুগা মালেম-সিংদু য়াম্ন শাকই হায়না তাঈ। অতুবু পাক্লবা মালেমসিগী কৈদনো মকম অমত্তংদন্থু ঐহাক হিঙনীংবা লৈরক্তে। শিখিবনা কৈ— শিগ্রসিরা থরকই। অসি পুন্নমক ওইতুনন্থু ঐগী ঈচাসি হায়না মিত্তমলকদৌরিবা অঙা'ংহু অতুগা মায়থোংচুতংদি শুপ্পগী মীকুপ অমতংদ ওইরবস্থু য়েঙজ-নীংলকপনা ঐহাক মতম থরতংদি অশি থয়াত্তগী নাম্বোক্ত্না লৈখিগে থঙবনি—। ইদোম মুতিগী ঈমীৎ মীৎলুগী-পি শিন্থজবনী।

শগোলশেল—।

হন্দক মরক অসিদা অয়াম্বা মীশকশিংনা ঐবু মুশুক মুশুক য়েঙ-নরিবসি করিগীনো খংদে।

ঈরাঈ—।

ডাক্তর বাবু যুম্ন পানগনী হায়না ওসি তারে। থম্মোঈনা খল্লি— "পানসমু—। য়াম্ন য়াইকসনু —। পুন্সি তোলোইসনু—।" ঐহাক তাইবংগী পাও অমত্তবু খোঁশাদে। শুপ্পগী ঈচাহুতংনি খোৱাংজবা—। য়াম্ন থুনা উজবা— মহুদগীদি ঐহাক পেল্লগনী অতুগা কয়াদা থুনা—চোম্ত-রমদনা পুন্সি লোমখিবা ওমগ্রগনিদো। ঐনা হেক-হেক কেংজরিবা অরংবা থাং অসি করিগীদমক্তনো হায়না অমুক-মুক থম্থজরকই—হেক থম্থকরগ ঐগী থম্মোঈনা থুমলকই— "শিনবা— য়াম্ন থুম্ন থিনজন্দুনা—।" মসিদা ঐহাক ঈশানা তুজুংবা পোকচৈ। শিনবগীদমক্তা ওইরবদি মতম থরতং রাংলি। ঈচা উদনা ঐহাক শিহৈরোই। মরমসিদগী থাং ফেংবসি লেপলগনি হায়নস্থু খনলে— ঐ।

কালেন থা— ।

অগুক কুইরকপা অসি ঐহাক মুথৈসু পায়রুদে, চেমায়সু হাই-গৎলুদে— অতুগা করিসু ঈগে খনলুদে, শজীবু থা লোইরে হায়বসু খংহৌদনা ঙসিতমক ঈথং খঙনা খংলকই— কালেন থা হৌরে হায়বা—।

অহানবা চয়োল —।

ঙসি কবি ন্নমীৎনো খংদে। অহানবা চয়োল্লীদি খংই। থোকপ্রে খংহুনা লৈরবা, মংলান্নথবনি খন্দুনা নাথৈব্রবা, অত্থ্গা অহাংবা রাখলনা নমহৎখ্রবদা— ঙসি করিগীদমক্তনো রাখলনা— থোকখিবা থোদোক খুদীং অমত্ত রাত্ত-পাদনা নীংশ্রংলকইবসি।

অক্লীং —।

তাইবং অসিদি য়ায়মীনমল্লে। থাজনীংঙাই করিসু লৈরমত্রে। ঙসিনা নিঙথী— হযেঙনা— অতুগা হয়েঙনা—। অদিগুম্ববা ওমচাক্-রবা ঈৱাখলশিংসিনা ঙসি ঐচাকপু মতৌ অসুম ওমচাক্লনা হিঙহল্লগনি হায়বসি হৌখিউ পুক্সিতুগী মশীং থীওমত্রবা য়াম্নবা মীকুপশিংতুগী মহুংদা শুপ্পগী মীকুপ অমত্তংদ ওইরবসু করিগীদমক ঐবু খংহনবীরমদবনো ?

নোংমাইজিং —।

উরাং অতিং— ঐহাক মং য়ায় ক্লংঙাইরমদে। মংদা ফজবা খুদম থৌদাক নত্তবগা শক্তমশিং উরম্না মীওইবশিংনা— মংতুবু ফত্তবা মং কৌনে—অতুবু ঐগী মংদি মতু নত্তে য়াম্ন হরাও ভয়াম্নীংঙাই ওইবা মংনী।

ঈবেম্মসিনি হায়'ন তৌই— নুপী অমনা ঐহাক পাক্লবা— অদুগা শুক্লবা উমঙ অমদা থেঙনরম্মী—। ঙহাক'মুক নুপীদু কনা অমত্ত লৈজদ্রবী শীংজনবী নুপী অমনী হায়নমু তৌই। উমঙদু মীনা চীক্ল চায়না ঙমদ্রবা স্না কৈথেল অমনী হায়নমু তৌরকই। ঈরঙ লঙলকই—। নীংদী নীংশংলি অদুবু মংদু ফিরেপ অমদী ঈনায় নাইদে। ঙহাক লৈরগদি নুপীদু ঈবেম্মমক ওইনা ঈমাংদা চপ লেপ্লখী। চপ মান্নখী— থৌদোকমু অদুগা য়ুমসিমু। ঈবেম্মনা হায়খি— "নুজীক্কী নহাক্কী ঈরীক্ল শেমখিবা অঙাংসি কুম-থা শুরক্কদোরে— চাওবা ঐহাকপু কৈদনো পুরো য়ুমসিদগী থাপ্ল চেনগ্রসি —।"

মংদুদদি ঐহাক কয়াদা থৌনা লৈগ্রবা— ঐনা হায়খী—"ঐহাক্কী ফিভমসি য়েঙউ— য়েঙল-য়েঙলগা খংলক্কনী ঐহাক মীওইবা অমা নত্তে। নুইনি-য়েন্নী-হৌদোংনি —" হায়না-হায়না ঐনা নুই খোঙদৌনা, হৌদোংনা খোঙদৌনা অদুগা য়েন্ন খোঙদৌনা মাঙোন্দা ওনশন-ওনশন খোঙহুন। তাহল্লুরগা হায়খি— "তুউ— ঐদি মখোয়গা করিমত্তা শেং-নবা লৈতে। নংনা হায়নীংবা অমা হেক্ক হায়য়ু— নুই হৌদোং অদুগা য়েন অমা হেক্ক কৌ মীওইবনি হায়নদি খনগন্নু ঐবু।"

খংদে। মথংদা— ঐনা মতম কুইনা লোত্তুনা থমলক্লবনি হায়না তৌবা উচেক লাঙমৈদোংগী মশাগুন্নবা, থারবা অদুগা পাক্লবা মুগুক মুবা ঈশা নাক য়েংনীদু ফন্দোক্লনা পাইখৎলম্মী। ঈথং খ'হৌদনা লৈচীল মরক্কগী ঈবেম্মদু চোঙথরক্লনা— ঐবু— ফাগুম তৌই। অদুগা মতমদুদদি— ঈবেম্মদু হিংচাবী অমনী হায়নমু তৌরকই— ময়া লীশীং লীশীং খীগৎলহুনা ঐহাকপু কিহল্লম্মী। কিহল্লম্মী অদুগা মংদু নাথৈখি— ঈবুংঙো মোতিনি হায়না তৌবা নুপ। অমনা মরম ঈরৈ লৈতনা পাক্লবা খাং অমনা ঐবু য়ানগনি হায়না য়াম্ন লাও খোংলকই— মতুদা ঈবেম্মনা চেনশনলক্লনা— ঐবু চেংনা কোল্লহুনা নুপাদুগা কন্ন খংনৈ— ঙহাক লৈরগদি— নুপাদু মৈচাক্তুনা ঐখোয়নীগী মাংদা— উং ওন্দুনা

পৈরে। অহূগা অঙৌবা— ঙৌশোক ঙৌবা হুই অমনা কৈদনো চেন-শল্লকই— মহূ ঐখোয়গী ঈচাহুনি হায়নহ্ তৌই— হুইহুগী চোঙ-কল্লবা মঙৌহুদা ঈবেন্মহ্-ঐহ্ ওহোক্ল হৌন-হৌন নোকমিন্নখরে। অহুদগীদি .... মং অহু মথা তাখিদরে। মৈঙানগী মৈঙানমক্তা—।

ঐ খংই— মং ফাওবনা তোক্লে খংলবা ঐগী পুন্সিবু করেম্নবীরে।

জুঙথীল —।

মংন মংনী— ঐহাক্ল করিহ্ থবনবা ঙম্মী— অহুগা ঈচা অসি ঐগী লেংঅবা ঈচানি হায়বসিদি লোৎপা পামলক্কবা ঈবাথল অমা পোক-লক্ল। ফোংদোকপা পামদৈ— ফোংদোকলুগদবহু কনাদনো—।

থাংজ —।

য়াম্ম কুপ্প থল্লে— কুপ্প থল্লে— অহুগা ঈচাহু মশক য়েংলুবগী কাম্নরম্নোই হায়না থম্মোঙ্গনা হারেপ তারে। মশক্লু উক্লমগা মপোক অসি নীংঙমদবগী চাঙ হেনগৎলকনি— মৈচাক মৈশানবা হেনগলকনি— মাবু ঙাইহুনা লৈবগী মহুৎ— মহাকহ্-মমাহ্ অহুগা থোনা লৈজবা মপা ঐহ্ পুন্ন পুন্সি মতোল লোম্মীদখিবনা য়াম্মা শাফরে হায়না থনলে—।

জুঙথীল— ।

য়াম্ম শাফরে— মা-ঐঙ অহুগা ঈচাঙ। সিদগী হেনবা— নীংঙমগদবা— পেনগদৌবা অহুগা সিদগী হেন্ন মৈচাক কোকহনঙবা অতৈ লমী লৈংজ্রে থনলে।

নোংমাইজীং —।

ঐনা অরোনবা অহৌংদা থাং য়েংখী। অদুগা অরংবা মশেক কারবা থাংদি ঐনা ঐগী কান্নুংদা য়াম্ন লোম্ন য়েংতুনা লৈ—।

ডাক্তর বাবু লাকই—। ঐ থই। মথোয় ৱারী শাবনী থোক্লেল তাম্নি— অদুবু ঐহাক মহৌশাগুম করিস্থ থৌশাবা পোক্তে।

মুমিল্লাঙ— ।

নহানউে হৌখিউে মতমশিংদদি থাংসি উরগা অগুক মিপাইরমদে। কিরমদে অদুবু ওসি থেংলবা অহৌংসিদদি— মশেক্ক লঙনা কারবা— অতুম্বা মচীম্ন লৈতেঙ ওইবা হৈজ্রাং'সি উরগা, ঐহাক চীক্লবা কান্নুং-সিদা ঈতোমত ফমজবা ফাওবা ঙমলক্তরে। হকচাং, মায়, মীৎ, কয়াং খুদীংমক— অনপ্প হুমাংনা পুম্ন চোঙথংলক্লে।

শিল্লিং— ।

"ঈবুংঙো মোতি সাহেবকি মচা" — ! — !

য়ুমগী মীনাইনা শম্বৈল্লে কক্ক কক্ক চেং খপ্প লাকপী হন্নুবীদুগা ঙসাই পোক্লক্কদোরিবা অঙাংসিগী মরমদা ৱারী শাখি ! পোক্লকদোরিবা অঙাং-সিদি মন্নাইবক ফবনী, মহাকথক্তদি হুংঙাইরিবসি অমুক্ক হেনগৎ-লক্কদোরিবনি— অদুগা অক-হুংঙাইগী ৱারী কয়া—। ৱারীশিংদু ঐহাক থজ্জায় য়াম্ন য়াঙন তাম্নমনি— অদুবু য়ুমগী মীনাইনা "মোতি সাহেবকি মচা— ।" হায়বা ৱাহৈ পরেং অমা হায়খিবা তাব্রকপদগী— ঐহাক তাঙম-হৈঙমদবা অমা পোখিকহুনা মথোয়মীগী মন্নাক্কতা য়াম্ন থাপ্প

চংথোক্লনা থাংজৈ। হুজীকথাওবদা ঐহাক— মহাক্কী ৱাকমহুদা য়ানীংদবা কৌক্লি।

"অঙাং অসি কনাগীনু ওইবা য়ারোই—, য়ারোই।"

য়ারোই। য়ারোই হায়না কনাদনো ঐনা থৌনা লৈনা ফোংদোক লুগদবা। ফোংদোকপত্থ ওমলরোই—। মরমসিদগীনি ঈচা অহু ঐগী ঈচানি হায়না ফোংদোকচবা ওমত্রফাওবদা— মীতোপ অমগী মথুক্তদদি ঐহাক ঈচাবু শিন্নরমোই হায়না ৱাশকলিবসি।

অথেংবা অহৌং—।

কুইরগা হেন্নৌ ৱাখল মাংলকপা—।

শিনীংলকপনা থাংওমহল্লক্কনে। ঐহাক ভাওরে।

ঐনা থাং লৌথোক্লনা মুন্ন, য়াম্ন মুন্ন পায়হুনা য়েংই। থাংসি অতিক চাবা থাং হায়বত্থদি তংশেং তংশেং ওইরে।

লৈবাকপোকপা—।

লওলবা থাংসিনা থুম্নবা থৌনবা!! ঐ থংই— মহাক্কী উনশাদি য়াম্ন থোৎপীনী অত্থগা তনৌজবীনী। খোংলবী অত্থগা নৌরবী মহাক্কী করিগুম্বা হকচাং কয়াৎ অমদা— হেক্ক থৌনবদা— মতম কুইন ফেং-লক্লবা থাংসি খংহৌরোই থুম্না চুংশনখিগনি, অত্থগা মাগী থুপ থমলিবী থরায়হুম্বী খোঙুল লীহুনা পুন্সি চুপলুগনী, অরোনবা ফিজং লীশীং মীশীংনা থদুনা চেকশম লোৎলীবী থরাইহু মুমুররতদা— মহাক্কী হকচাং পোলাংসি মপু পান্নবা মুনহম ঈহাং হাংহৌরগনী। হাংলবা হকচাং পোলাং অমনবু ভাইবং কুইম কৈন্নগী য়াওঙমগদগে। খুদক্তা— মীকুপ্ত—

পিথনৱগনী— অদুগা মতমদুদদি— ঐবুস্থ ঈশানা মতুং ইম লমজীংজহনা অদুমক চংখিগনি। পুৱমকসিদি ঐহাক্তী অপেনবগী শক্তমী—।

হুমীৎ মুঙবা—।

ঐগী থম্মোঈ নীংহন্নৱকনু নং।
চাক চানীংদে। ঈশরক্ত— ঐনা লোম্না হৈদোকই—।
কাদগী মপান থোক্লীংদে— ফম্নীংদে। করিনো ঐনা তৌগদবসি ?

হুজীক্তী শীম্থরিবা পি নহাকস্থ— মপোক থীৱবা পুন্সিগীদমক অদুক থম্মোঈ শোক্লগনু— অদুগা শিন্থবহু লেপ্লো—।

হুজীক্তী ঐহাক লগ্নীদুদা চৎপদা লেপসবনী মৱমসিনা— য়াম্না কুঈনা কুঈনা য়ুমদাংজফম লৈত্রবা— থম্মুং য়ৈরবা অদুগা থা'হাগৎ-হল্লবা শাঙ্গম চাওরব নিঙশা— নহাকশু হুজীক্তী তোক্লো। য়াম্ন তপ্ন তপ্ন চীংন লেম্ন অদুগা লৈত'না হোক্লো— করিগীদমক নখোয় অম্নুক মিপাইনরিবনো— মীকুপ থরতং শুপ্নগী মীকুপ থরতং মঙায়রে— য়াম্ন নীংঙমদবগী মশক ওইরবা পুন্সি অসি হৌগ্রগনী। ৱানরম্নু।

হুঙথীল—।

ঐবু থামলগদবা মীস্থ লৈতে। ঐবু ৱাখলসিদগী কায়মহন্নগদবা কনানো ? কনাস্থ লৈতে। অকায়বস্থ করি অমত্ত থোকহৌরোই। ফোংদোক্তবা ৱাহৈশিংসিবু— কনানা থংহৌগনি ? কনাদস্থ ফোংদোক-লমগদবা লৈতে অদুগা কনানস্থ থংনহৌগদবা লৈতে। মীস্থ-ঐস্থ অদুগা পীবুকনুং লৈরিবা ঈচাস্থ ঐখোয় পুন্ন পুন্সি লোশীনখিবদা

পুন্নমক্ক ওক্কহৌগনী। ওক্কহৌসন্নু। অঙকপা বাগ্নীবু ওক্ক লোইশনবদা করি কায়বগে? মরম নত্তরগা বাকমত্তুদি কনা অমত্তনসু থংনহৌররোই।

হুমশকৈশা— ।

ঙী অমা হাৎপা হায়বসি কন্নিসু লৈতে। তৌবদি হাৎলুরিবা শ্রীহাকপু তাইবংসিদা লৈতবা তাই। শেনগা-শেনগা নত্তরগা পোংকা-পোংকা শিন্নবগুম— থরায়গা-থরায়গা শিন্নজবদম্ভু কৈদগী অনৌবা চৈরাক্লো ঐহাক্ক ফঙগদবা।

হুঙথীল —।

চারক থকলক্কবতনা কোক অসি ঙাওরক্লে —।
রাথন্ন মাঙবগু, ঈ-নীংগী খোংচৎপু ওন্নমক পুমলেপ লেপহনবা ঙীনী মপুং সুরক্লে।

থাংজা। কালেন থায়ায় — ।

নুতীগী খন্দুনা লাকই। নুতীগী শেম শাহুনা লৈরকই। অহুগা নুতীগী ঈমীৎ মীৎলুগী পি শিন্থজহুনা হুমীৎশিংসি হৌখী।

মীকুপ অসি নকশল্লক্লমাল্লে খুৎসি ঈহৌরক্লে। তেংবানবগী নীং-থীবা শক্কম পুন্না ঈমীত্তগী মাংলক্লে, অঙাওবা হুইগুম্নক্লে ঈশা'সি।

অথেংবা অহীং —।

হুঞীক ফাওবা তপথবা লৈতরে। য়েংলু য়েংলুবা শক্কম খুদোং করিনো য়েক'শক্কম ঙাক্কমক ওইনা উরক্লে—মীৎতা।

অমুক অমুকনা ঈরাখল তারকই মতমশিংসিদতং, ঐহাক অসি ঐহাক্তী হায়রবা থংলকই। অম্বা মতমদি— পুন্সি অসি অত্তুগা রাখল অসি মচাক মথুম য়াওত্রবগুম তুমীন তুমীন্নত লৈনরে।

নিংথৌকাবা—।

হুমীং— পুং অত্তুগা মীকুপ পুন্নমক লৈ হায়রবা কাওরুই। থংই, নীংশংলকপা মতমদা ওসি অসি নিংথৌকাবনি। হুমিং অসি ঐহাক্ত খ্বাইদগী থৌনা লৈবা হুমিং অত্তুরা হায়না খল্লে। ওসি খরা-ওনফিংদা মথৌনা ফেংতুনা লৈরক্লবা লংলবা অত্তুগা পানা মচীন তুম্নবা হৈজ্রাংসি খুৎনা চেংনা পায়রতুনা মংগুম হাগুম মাবু থরায় লৌক্লনবগী দমক্তা খোংজীনকাওবা চংশনলুই। মতমতুদা মহাক তুমথজ্রিমাল্লে— মরমসিদগী ঐহাক ঐগী কানুংদা তম্ন অত্তুখ ইল্লকপনী। ওসি অহৌংসিদি অগুম্মক হৌখিব তারে—। হৌগ্রসম্ন—।

লৈবাকপোকপা—।

মপান্দা কনা কনাগুম্বশিং লাংলী। খোঞ্জেলশিংভু মশক অমত্ত থংদবগুম তৌই।

লৈ অমতং থংতুনা মোন মথাদা ফনা কুইরে থমখিবা— হৌজীক নীংশংলকনা য়েংলুবদা মহাক কুচু ওনলয়ে। অসিবু ঐনরা?

অহীং—।

হৌখিঙৈ পুন্সিগী মীকুপশিংদা— ঐহাক ইশানা থংজৈ—, অথেংবা অহীংদা উচেক খোঙবদা থম্মোঈনা অত্তক নৌথখিবা য়াওখিদ্রি। ওসিদি— অথেংবা অহিংসিদা য়াম নাইতোম তাবী মতৌ কান্নবী উচেক অমনা

কৈদগীনো খংদে খোঙলকপা তাখি। করি উচেক্লো হায়বগু খংহৌদে, মহাক কুইনগু খোঙলমদে। অদুবু— মশক খংদ্রবা মখোঙ্গেল অদুনদি থম্মোঈসিবু পেহৌনহল্লয়ে। ঈমীৎ মীৎলুগী পিনা লেপ্তনা শীঙ্থখী। শীঙ্থখী, অদুবু ঐহাক মাবুদি থৌওইরদ্রে—। ঐগী মীৎল্লগী পিদি পি নত্তে। মহাক্ল শীঙ্থরকপবু অঙকপা মতৌ ওইরিব্রা? নত্তে। মতীক চাদ্রবা পুন্সি অমগী মরূপ ওইজরকপদগী— মহাকী মথৌদি— মতম খুদিং অমুম্নতা লেপ্তরবনি—।

মতমতুদা—ওল্লমকপু কাওখোক্লমা কনাগুম্বী অমগী মকমদা, ঐহাকী থম্মোঈনা বাহৈ কয়া হায়জনীংখী। ৱা য়াম্না ওাংনীংলকই। ঈথীল অদু শুজীক হেনগৎলক্লে। অগুক থোৎ-নৌরবা থম্মোঈগী ঈৱাহৈ-শিংশি কনাগী মকমদবু পাওদমজরুগদগে—। কনাম্ব লৈতে। মপোক অসিগী মহাকপু ফংজবা অদুগা মকাদা ঈৱাহৈ থরতং পাওদমজবা ফংবদি, অদুগা— মতুদা খাজরুবদী— ওকুবা ঞরমচং ওইগনী—।

অহীংসি থেংলে। থেংলে কদৌনী— ঐহাক তুমডম হীপডমদনা লৈরে। থম্মোঈগী মৈচাক্তা—।

থেংলবসু থেংজসনু—ঐহাক—কোংদোক্লীংবনা খাংডম পুডমলক্লবা, পুন্সিনা ঈথম্নরমদাইগী— অরোইবা পুন্সি পাওদম অমদি ফোংদোকরুম লৈত্রবী মকাশক চেমায়শিংসিদা ওল্লমক ঈশল্লমলগনি—।

ঐনা মহাকপু ঈশানৌ হায়না ঈটীনমক্ল অমুক্তংদি পেন্ন কৌনীংই—

"ঈশানৌ—।"

ঈশানৌ কদৌবগে অহীং সিথেংলে। ওৎলরনু খীৎ ওৎলরম্ন ঐবু। মহাকপু অসিংল্লবী থোৎ-মেংলবী মিঙগৌসিনা— নমায়থোংবু থোঈদা খোয়দা য়েঙজরৱহন।— থম্মোঈনা য়াম্না পেন্ন পেন্ন কৌনীংলকই। মিঙগৌ অসিনা নমীং ওইনা নংবু অগুক পেন্ন-পেন্ন কৌনীংখিবা অসি নং-ঐগী (ওইবা) মতেরুবা পুন্সিগী মমুংসিদা নোংমতংগু য়াওখিদ্রি— — পুন্সিগী মমুংদা য়াওখিদ্রি।

ওসিদি ঐগী অরোইবা অহীংনি। ঐগী পুন্সিগী অরোইবা অহীং অসি কয়াদা চিকপ্লবনো—। চৌকপ'সিনহুম হেন্ন খোইদাঙ্ক ঐদি। চৎনরবা মরক্তু—চেকশল্লবা থম্মোঈগী ঈশাও পাওদমসি কদৌমুং নংগী নকাদা ফোংদোক্লীংদে—: ঐনা নীংবা থুডাজে—অহীংসি চীক্লে অদুগা চীক্লবা অহীংসিদা য়াম্ন তপ্ন, তপ্ন-তপ্ন নংগী খজায়ময়া নক্স চেঈখরবী ৱারকওমদ্রবী, নংগী নাক্লম'য়া নশম শমলাংশিংগী মুওশিবা মনমশিংদু নম্ন-নম্ন ঈশাও'সি চেকশম্ন পাওদনজমলগে—মতম চারে চান্নবী—।

করিনো? করম্না পাওদম খরতংবুনো? য়ামলবা ঐগী পাওদম-লক্তগী খরতং খন্দোক্তুনা ওসি অরোইবা অহীংসিদা ঐনা নংগী নকমদা চেকশম্ন পাওদমলমগদবসি? খনফম খংদে। ওম্নমক ৱাস্তু পাদনা পাওদমনীংই। ঐহাক খন্দোকলরোঈ—ফোংদোকনীংবা ঈশাও পাওদম পুম্না চীৎখদনা ফোংদোকলমলগে। নহাকসু খংমন্দে—। থোঈচংনখিগমু ওাইথো। য়েংউ—তমনানগদৌরিবসি ঐগী পুন্সিগী অরোঈবা পাও-দম্নী—। 'সিতংদি নীংতম্ন ফোংদোকপা ফওহল্লদনা ঐবু—। য়াম্ন শাওথ্রবা পাওদম ওইসনু, য়াম্ন নীংওমদবা অদুগা য়াম্ন তাওমদবা পাওদম ওইসমু নং তাও—তুমীন্নতা মতাবীয়—। ঐহাকপু সিতংগী ওইনদি নীংওমহনবীয়ু—।

নং, অহানবা নং-ঐগী খোংদা মুমীং'তু নীংশংদ্রব্রা? কাওরম-লগনি। য়েংউ—মুমীত্তদা ঐগী থম্মোঈবু তাঈবংগী অশেওবা মহাওদু তওহনবীখি নংনা। ঐহাক পেনখী। নং-ঐগী খোংথাংদুবু মশীং লাকওমলিব্রা। পুম্নমকসি তোক্লসি—ঐহাক্তী মীহো লাওদুদগী নোওমা নোওমগী অমুম অমুম নাম্বোরক্তুনা—থম্মোঈদা চেংনা ঈৱাৎলুরেদো নংবু—। ঈৱাৎলুরে, অদুগা নংবু ঐগী পুন্সিগী লোইনবীনি খনখরে—।

ঐনা অসি হায়বকপসিদা—নহাক অওকপা পোকলমগনি। "চীংনা মপি তারে—", নত্তরগা "লৈপুংনা মো খোংলক্লে" হায়না—খনলু। অদুগা সিমদি কাওগনু—ঐহাকী য়েহৈদ্রবা হকচাং পোলাংসিগী থুপ-

থবা কাচিন্দা অশেংবা থরায় অমনা নিংথৌ ওইদুনা পাল্লি। নহাক থাজত্রা? থাজফম থোক্তে। হায়জরিবা ঐ ঈশামকসু শিথ-শিথ নোকচনীংই।

নং-ঐগী ঈতীন খোংথাংনা লাকওমদা-থীওমদা মশীংনা ফন য়ামজ-খিদুনসু ঐহাকুম্বা অমগা খোংদামিন্নখিবদি নহাকুম্বী অমনা নীংশংবা থোক্তমখৈ য়াম্না লায়না-লায়না কাওরম্নগনি। ঐহাক খংদবা নত্তে— মীওইবা অমগী পুন্সিদা ককচেংনা চীকখিববু কনানা লাক্কনা মশীং থীররগদগে—? অদুগা ককচেংনা চীকখিবদুবু পুন্সিগী থোকখিবা থৌদোক অমনি হায়না খন্দুনা কাওডমদনা নীংশংদুনতা লৈগদৌরিবদুনা কনানো? নহাক কাওরম্নগনি, হুজীক্কি ঐহাক্ক নীংশংলে নহাক অদুম্মক কাওথোকপা য়াররোইদ্রা থল্লি। নীংশংলকপ্রা অদুগা নীংশংলক্লবদি— অমুক্তং নীংশংদুনা য়েংউ— অমম্বা য়াম্না মম্বা অরোনবা তাইবং অমদা নংনা থৌনা লৈত্রবা ঐহাকপু ঈথুৎ থুদাংদা চেৎনা থুৎশম্নবীদুনা অশুম অশুম পুশনবীখিবদু। অপেনবা ফওননবা, নংন নংগী ঈহৌ মৈচাকপু চৈকোক্লওম্নবা ঐগা শীংনাইদনা ফমথক য়াতামিন্নখিবদু চান্নবী—কনানসু, নংনসু— অদুগা ঐনসু অসুক্কী হায়না কদৌনুং শীংথেক শীংথানওমলরোই।

ঐদি অদুক হাকপা লৌশীংগী মথৌনা লৈজহৌদ্রে। অদুবু থরতং ওইকবা ঐগী ইথৌনা থরতংসি ওম্নমক শিজন্নজদুনা কুপ্ন খম্নজবদা ঐহাক অসি অতিয়াগী লৈচিল নত্তরগা— অমংবা নোংহৌগী মচেৎ অমদি নত্তমাল্লে হায়না খঙ্গে, নহাকশু খন্দুনা য়েংউ— ঐহাক অসিবু কনানো? করিনো? নহাক্ক ঐগীনি অদুগা ঐহাক্ক নংগীনি হায়বসি নহাক— মীওোন্দা তমথোক্তবসু থম্মোঈসুংদা য়াফম থোকই। থাজদবা তৌরগনু। নংগী থাবুম মডা লানখৎলকলবী নাওপুনবা নমায়থোংদু ঈহাকথক ওইখিবনি—, থাজো—। নহাক ঐগী থানবা য়াত্রবী পুন্সিগী লোইনবীনি। বাকমসি নংগী নফমদদি বাতানফম থোকমাল্লে খন্দুনা য়াম্না চীক্ক বাতানবনি। ঐহাক মীওইবা অমনী— অদুগা নত্তরবসু

ঐহাক্কি ঈরীক্ন, ম্বেওউ, মহাক ওসিদি থাবুম মঙা লাননা নাওপুরক্লে।

তোক্লসি— মুশা ওইহনবু কদোগদগে—? কদোগদগে চান্নবী ? কম-থক হাদ্রিবা কাওপোৎকুম্নবা— অদুগা খোংলোই-নারোই কনা য়াওদনা— মদোম লান্দারকপা লৈমাবগুম্নবা ঐহাক্কী পুন্সিসে অসুম্মক কেমজখিগনি, অসুম্মক হৌজখিগনী। ঐহাক থংই— মহাক্না ওমজবদি— নীংওমদ্রবা, ওম্হোক্ন নীংওমদ্রবা ৱাখল অমা খঙ্গদুনা অদুগা ৱাখলদুগী চৈনাদা মানা খাংবা ওমজরক্লদুনা মীৎলুগী পি শীম্নজবতনী। তোক্লসি। ওম্নমকসি তোক্লসি করিবু কান্নগদগেনে— চান্নবী মরা চত্রবা মক্ত তীঙ্গা লাইকংননা কেমলক্লবা পামেলদুনা মশা মরেং ফম্ন, মনা পুংনা শক্তুম্নদুনবু কয়াম কুইনবু পুন্সিনজবা ওমলগদগে— মহৌশা নত্তবরা— খরতং থাংজরম্নগা মনা পুংলবস্নু পুংনা মশা ফল্লবস্নু ফম্ন, অদুম্মক পামেলনা উকং পুন্সি পোলোইনজখিবদু— ।

অহীং'সি খেংলে— য়াম্না চীকখরে। মলোম হৈবী মশক্ন মমায় মায়থুমফি উপ্লদুনা, চান্নবী, নহাক য়াওদ্রবা ইদোম তারবা ঐবু, চীক্ল-চীক্ল, মরা-মখোল নাইদনা, কান্নুংসিদা ঐহাকপু— কনা লৈজদ্রে খন, তমথীনা ওৎ-নৈবা হৌরক্লেসে।

—মীকুপ্তদি নংলম্নরোই— পুংজাদা ওইরম্নগনি, যনা কুইরে ঐহাক্ল মুৰচৈ অসি চেম্নারথক থাদরদুনা ইবা লেপল্লুরিবসি।

ৱারী অসিমা নীংশংলকই। কুইশ্নবা মতমগী ৱারীনি। ঐনা অপীকপা মুপামচা অমা ওইরিবৈগী। মতমদুদি ঐহাক কয়াদা পীক্লিবা অদুগা পংজশ্নবনো। মতমদুদি ঐহাক কনাবু অদুগা করিবুসু থম্মোইদা হকখিবা লৈত্তে। অদুবু— ঐবু য়োকপীরিবা ভায়োনবী'দুতংদি ঐহাক থাওম-কাওওমদনা মুংশিজখি। মহাক্ল লাইদা কৎননবা লৈ,— মরক মৱক্ত খুন্দোল-খুঞ্জিল লান্না ঐনা থীরম্মী। নোওমদি ঐহাক মহাকীদমক লাইদা কৎননবা লৈ অদু পাৎ-তা কুমদুনা খিবা চৎলম্মী। লাইগীদমক ! লাইগীদমক, য়েক্লরবা মহাক্কীদমক ঐনা অদুক ৱাবা ঈথৌদাং অমা য়াক্লরিবা— ? হুজিক্ত খঙ্গরকই মাগী মফমদা কৎননবগী দমক্ত ওইরবদি

নীংথীরবা লৈবাংগী মপেন্‌মশৈদু ঈথুংনা খীক্লরগা লমহাংদা ঈথুং পেম্ল, য়াম্ল থেক্ল থেক্ল নোকচহুনা— শীংগুপ শামা শেগায়হুনা মাং তাক-হঙ্করমগদবনি। অহুবু মতমহুদি— ঐহাক করিসু থনথিবা লৈতে। শুপ্পগী হমুবীগী নীংবা থুংহন্নীংবতনী, ঐহাক্ল নীংথীরবা— থম্বালশিংনা খুরক হাং-দনা শাৎলবা পাং য়ায়হুদা অহুগা ঈথ্বাং থুম্লগদৌবা ঈশীংহুদা লেপ্লহুনা— য়াম্লা নীংথীবা, ওম্লমক্তুদগী— খ্বাইদগী ঈহেন হেনবা থম্বাল অমতং হেকচগে খম্ল, লৈন-লৈন য়েংলম্মী। থম্বালশিংহু ওম্লমক নীংথীনরম্মী— । নীংথীবগী নীংথীবা ভাক্ত করম্ববুনো— ঈখ্বাইমক্তগী হেনবা নীংথীবী থম্বাল-হুনি হায়না ঈথুংনা থৎকদবসি? করম্বা থম্বাল অহুনো— মসিনা মহেল্লবনি হায়না থৎলগা ঈথুৎসিনা হমুবীহুগী মথুংতা পীরুগদবসি। মরম-সিদগী— মতমহুদা—ঐহাক পাংয়ায়হুদা হুমীন, ঈখ্বাং ঈশিং থুম্ল লেপ্লহুনা লৈখি— ওসিসু অহুম থোক্লরে। পুন্সিগী পুংফমসিদা, নংগী নফমদা ফোংদোক্লীংলিবা মশীং থাওম-লাকওমদ্রবা থান্মোঈগী মুওশি ঈপাও পাওদমশিংসিগী মমুংদা খ্বাইদগী অহেনবনি থম্ল ঈপাও পাওদম থরতং থন্দোক্তুনা পাওদমলমগদবসি? ওম্লমক মু শিবগী মুংশিবভাক, ওম্লমক মুওওনবগী মুংওনবভাক, থরতং থনগদবহু থনকম থংলক্তুহুনা ঐহাক ওসিগী থেংলবা অহিংসিদা ঈথুংকী মুকচৈ চেমায়থক-থাদরহুনা ঈপাও পাওদম পাওরেপ্লক্লরবনি— ।

পাওদমগে থল্লম্বা ঈরাহৈ পুম্বসু অকাও ঈপাক্ত লুপখরে। থেং-লকলবদা,— অহীংনা অসুম অসুমমক চীকলক্লবদা, নখোয়গী য়াওন খোঞ্জেল— তাম্ল-তাম্ল— ঐনা ঐগী কামুংসিদা তাবা ফওলে। নহাক্কী মথে য়াম্ল লাওলবী ফাদোক্লবী ভহুগা মচোয়নরবী নশম শমলাং-শিংবু নপুরোইবনা ননশনখিবদগী য়াওনবদা শমজীং চৈনা ফাওরক্তুনা নহাক্ল মীৎ পাংদনা নাহেরকপা—, চাম্লবী— ঐহাক্ল ঐগী কামুংসিদা চীংলোন তরা লাম্ল খোংলকপা উচেক অমগী মখোঞ্জেলগুম— য়াম্ল মতু শোম্না, অহুগা য়াম্লা মুংশিনা তাবা ফংলে। নাখোয়গী— অহুগুম্বা নশাজৎ-শিংহুদগী থোরকপা খোঞ্জেলশিংহু তারক্লগা ঐগী চীক্লবা কামুওসিদা

ঈতোমত খম্নজে— চান্নবী থম্মোঈনা খোঈৱাংনজৱে।

অদুগা— ঐগী মীৎলুগী পিনা অমুক তোয়না তোয়না শীন্থৱিবা অসিগী মৱমসিনি মীওইবশিংনা ঙক্লহোৌগদৌৱিবা— অদুগা অঙকপদু কোক্লনবা ঐনা মৱমদু হায়দোবচক্লৱবসু— মৱমদুনি— হেক তাবদা মীওইবশিংনা য়াম্ন হৌন-হৌন নোক্লহৌগদৌৱিবা।

ঐহাক মৱমদু কনা অমদসু হায়দোক ফোংদোকলম্লোই। হায়-দোক্লদবা ঐনা হায়দোকলমল্লবদা মৱমদু খংনহৌবা হায়বদুদি ওইদৱে। কনানগু খংনহৌৱোই। খংনহৌবসু পামদ্রে।

কৱিগুম্বদা, ঈশা ঈতোমতনসু পাওখুম পীঙমজৱক্তবনা ৱাখল অসি ফম্বংনৱকই—। অদুবু— শীন্থৱিবা ঈমীৎ মীৎলুগী পি, পি পুন্নমক নহাকথক্কীনি হায়বসিদি পাওখুম থুদীংমক্ক ইপক্ত পক্ত্না লৈৱগদবা বাহৈনী। কদৌনুং কোকপা য়াৱৱোই।

অহানবা— মতম খৱদা— ঐহাক নহাক্কী নৱমচৎ অদু য়েক্ল লমচৎ ওইৱম্মী— নহাকপু তমথীবীনি খনঃ নংনা লৈবা মক্কমদগী য়াম্না থাপ্ল চেন্দুনা নত্তৱগা নাথৈদুনা পুন্সি লেল্লুৱগে হায়না কয়াৱক হন্ন, হন্ন-হন্ন তেমশীংলম্মী।

তেমশীংলম্মী— অদুবু কদৌনী তেমশীংই হায়বদু মঙায়— তাই-বংসিদা পোকলক্লৱবদি হকচাং পোলাংনা শিনাইনৱৱগনি হায়বা খংনৱবা মীওইবা কাংবুনা শিবদগী নাম্থোক্ল লৈক্লগদবা তাইবংসি নক্তবা অতোপ্প মক্কম অদু লৈতবনা, নোঙমা নত্তৱগা নোঙমা, নোঙমা অমদি শোয়দনা শিনাইক্লগদবনি হায়না খংলবা তাইবংসিদদা হন্না-হন্ন পোক্লৱ-বগুম— অদুগা শিনখিবগুম— ঐহাকশু মপোক্ল তোনমনখিবনা, তমথী-শাজংনবী ননাক্কগী য়াম্ন থাপ্ল হিঙলুগে হায়না থম্মোঈনা কয়াৱক হন্ন তেমশীংজদুনসু থৌনা লৈত্রবা ঐহাক, মতম অগুক কুইৱকপসি তমথী-নশাজংওইবী নংগী পুন্সিদুগী শাইনোন'য়াদা, নাচোমগুম অগুম্মক নপচা-থেংচ ঙসীকাওবা পুন্সিনা লৈৱক্লিবসিনি।

নহাকশু খংলিগনি— মী চাদবা কৈ কয়া লৈরে হায়বা, কৈ কয়া'ম— অদুগা ঊহৈগী মহাও কাওরকুবী তেনৱা কয়া। মতম খরতংদি কৈ অদু মীমু-মীশাবু মীহৌরম্বনা মহাও কাওডনলমদবা য়াই, অদুগা চীঙ্গাকশিংদু হৈনদবনা অশেম্বা পোন নত্তরগা অক্লাদুগী মনুংদুদা তেনৱাদুনা মতু মমান কেন'মথৈ হৈনদনা শাখপচরম্বা—, অদুদগীদি মখোয় ঙম্মক তুমীন-তুমীন লৈনখিবা ঙাক্ত নত্তরা— মতৌশিংসিদা কয়ানমু অঙকপা মতৌনি হায়নরম্রে—।

নোঙ ঙানগদৌরে। থোংনাওগী অহোবা মখুলদা ঊরে— অমম্বগী মথৌনা য়াম্না হুম্বরক্লে অদুগা 'তিয়াগী থৱানমীচাক মশীং য়াম্ন হুম্ব-নরক্লে— খরতং লৈনহৌরিবশিংসিমু— মীৎ থক্লবা মঙাল য়াওনব্রদুনা মৈমুং চংলুরগা ঈংথরক্লবা তকখোক্তিবা লুপাগী লৈতেংগুম ঈমক মকশন্নখ্রে।

নোঙ ঙানদ্রিঙৈ, ঐগী ঈথৌনানা লৈরিঙৈ— চান্নবী, নংগী না'প (য়েৎল-ওইরা ঐগী মপোক থীরকঙৈ চীনবান য়াদা ওনশল্লকপা অমদা) দা চেকশন্ন ঈপাও অমতং পাওদমলমগে নহাক তাও। ঐগী মীত্ত, য়াম্ন লোনবা থম্মোঈমুংগী ঈমীৎকী মীৎয়েংদা, ঙসিদি, মীওইবা মখল অনী, ঊরে। শা-ঙাবু খোংনেৎনরিবা মীওইবা— লৈবাক-লৈবাক খুদীংগী লৈমাবা-লৈমরেনবীশিংদগী হৌত্তনা চানীং থক্লীঙাই লৈত্রবা লাইরবা য়ুমনাইদবা মীওইবা ফাওবা অদুগা চান্নবী— শা-ঙাদগীসু শকক লীশীং-লীশীং হেন্ন লৈথা তারবা মীওইবা (ফমদারকঙৈ থৌনা য়াওদ্রবা নীংবা কায়রবা লৈবাক লৈমাবশিংদগী হৌদুনা হুরানবা-চীম্বীবা মীওইবা ওইনা পোক্তনশু— শক্তম শুদ্রবা— হিংনিংদ্রবা, লমচং কাম্বী, ওক্তবী কোকঙমদবা লৌনগনবা লাইনানা নাত্তনা— শিসি শিঙমদ্রবা মীওইবগী মরকশু তিনঙমদ্রবা— মীওইবশিং)।

ঐদি ওন্ন-তৈনরে। চাক্লীবশিং অমদি লাইরবশিংবু থম্মোঈনা অত্তুক হাক্ল মুঙশিগে থল্লদে— নহাক শাওবরা শাওখিগনু—, মখোয়গীদি চংজক্ম লৈ। তাইবংসিদা হুরানবশিংগী চংজকম লৈতে। ওক্তবীশিংগী তাংজকম

নং থক থীজল্লোই— মফম ফমদারকউ— মথৌনাল্লা নাথৈনখিৎউ—মৈচাক্ল ওমচাল্লরবা লৈমাবগী থম্মোঙীগী মৈচাক থক কোকঙমলোই— চম্নবী, থম্মোঙীত্থবু কৈদনো, ঐবু শাওখিগন্নু— নং অমুক্ত তাকউ— মীওইবা লক্ত পোক্লত্থনস্তু—, হৈকোন্দা হৌবা মহৈ য়ান্দবা অচপ্পা উপান্বীগুম কান্নকম থংদ্রবা— শক্তম শুদ্রবা —মীওইবশিংগী থম্মোঙীগী মৈচাক – নহাক থংদ্রা ? অত্থগা, চান্নবী – শিল্লগনি থংলবা — মীরাল্লদি তরাইথোক— অহীং-অহীং খুদীং চেজ্জেং থাগোন য়াহীপ য়াতামিল্লনা, নুঙশিবা ল্লাল্লী শান্মি-ল্লত্থনা, ও! চিনচুপমিল্লত্থনা লৈমিল্লরকপী মতালোই ফাওবনা থাপতোক-ত্রবা— লৌনগনবা লাইনানা ফঙমদনা নাত্থনা লৈরিবা— মীওইবশিংগী মৈচাক নহাক থংদবরা ? মথোয়গী – লৈকম ইস্থোকলবা মথোয়গী পুন্সিগী নাথৈকম— মফমত্থ— ঙসি— অশুক পাক চাওরবা কোরৌহনবগী মঙান ফাওবনা থুংনা শন্দোকঙমদ্রবা— তাইবংসিদা পীঙমলিব্রা ?

নহাক মথোয়বু নুঙশিবীয়ু। মথোয়গী কনা লৈতে। মথোয়বু নুঙশিজ্জে ঐ—। চান্নবী— মথোয়বু নুঙশিবীয়ু—। ঐগী তুংইল্লকউ।

নহাক সিমদা শোয়দনা খল্লমগনী—নহাকথক লেপ্পাই থম্মাইদনা শীন্থ-রিবা ঐগী ঈমীং মীংলুগী পিশিংসিগী— শুপ্পগী লমন অমতংদি শিঙগে হায়না—। ঐদি করিস্থ পামদে। স্নাগী লূত্থপ অমা পাইত্থনা ঐঙোন্দা লমল্ল লনশিংনত্থনবু কদৌনি ? করি তোঙগনী? শেনদোঙ করিত্ত লৈতে— খল্লী ঐদি। ঐদী হুই-য়েন মখোইশিংদগী স্থ হেল্ল মওং নাইদবা মুংজাও-দগীস্থ শক্লক লীশীং-লীশীং তোল্লবা— করাম্মরবা নত্তরা ? ঐ স্নাগী লূত্থপ থক পামদে—। পামদে— পুন্সিগী পামদে চান্নবী।

ঐহাক অপাম্বা অমতংদি লৈ। থম্মোইনা য়াম্মা পামজবদী লৈবাক অসিগী স্না কৈথেল অসিগী মল্লাইমত্তদা অপাকপা লম মচেং অমতং কনশন্দুনা থম্বীল্লম্মু—নংগী পুন্সিগী মনুংদা (হমংনী হায়না খল্লী– মোতিগী য়ণল্লা লনগৈলত্তগী নংগী শক্লক ওইনা—, ঐগী বা'সি সৌ—, লম-হাংত্থ লৈকবা শেন্দী শীজল্লরম্মু) লমত্থদা নীংথীবা য়ুম থক শাল্লমগত্থ অত্থগা মফমত্থদা— মীওইবশিংনা ঈত্থোকপীরবা চংজফম-তাংজফম

লৈত্রবা হুৱানবশিং— য়ারেক্লজসন্নু, মপুন্সি হাকপা লমচৎ কায়রবা কৈথেলগী ওক্কবীশিং অহীং-অছীং খুদিং লমচৎনজসন্নু—, মীওইবশিংগা যেঙননীংদ্রবা শক্তম সুদ্রবা মীওইবশিং লোৎনজসন্নু,— মতু-মচা ফাওবনা নাকোই লমচৎনরকউ— থাংঙমদবা মৈচাক্ল চাক্তুনা কাহৎলবা—থম্মোঙ্গ ঙৌরবা— লাইওং করিনো থংদনা থম্মোঙ্গ মৈচাক্লনা নারবা— মীওইব-লক্তা চন্নবীদ্রবা— কপচবা ফাওবা পেন্ন-পেন্ন নীংতন্ন কপচবা ফংজদ্রবা কয়ামা য়ারেকফম থিজরক্লরবদা— য়ারেকচসন্নু, অতুগা চান্নবী— মখা পোল্লম্বা মনাইনা মায়থীবা পীতুনা মথৌনা মুনথ্রবা— ঙক নোনবদি পাম-দবা— লীংজেন পানবা— করম্বা লৈবাক্তগীনো— ফমদারকউ লৈমাবা অমনা তূমীন শুপ্নগী মতোমতা— খা চীক্ল মফমতুদা লাক্তুনা পোৎথারসন্নু নোঙমদি।

নহাক— ফনমক লাইর-অনানদুনদু— চাহফম লৈৎশিংবুদি ওমুক নুঙশিরুরনু—! ঐগী তুং ইল্লকউ—, নহাক তোনবদগী তোল্লবা, ঈন্থোক-পীরবা মখোয়সিবু নুঙশিরন্মু—।

ঐহাক স্নাগী লুহুপ থক পামদে। পামদে, পুন্সিগী পামদে হুজীক্তী।

করিগীবু অস্তুক শাংনা ইরুরিবনো— ইগে হায়না থমবম থৈনা— কৈদ চৎনথ্রবা অতুগা ইরুরিবশিংনা করম্বা মুমিত্ত ইরমগে হায়না থনথ্রিবনো। অশুক য়াম্না ইগে থনবা নত্তে। চান্নবী নহাক্ল মতম অমদা ঐবু য়াইচুরবা লম্বীতুদা ঈথুং শম্নতুনা পুবীথি। ঐহাক কাওদ্রি অতুগা পুন্সি অসিগী অশেংবা মহাও অংতু ঐবু তংহনবীথি— ঙসিদি ঐহাক্ল নংবু অমুক লমজীংজবা তারে— লম্বীতুদা। লম্বীতুদি— য়াম্না নীং তমথ্রবা লম্বীনি। চান্নবী— মফমতুদা তাইবংসিগুম অতুক হাক্ল মীচং-মীথায় নাইদে হায়না তাই— মফমতুদ চান্নবী— শক্তা কৈথেলতু কাদে—, য়াম্ন মম্বানিশু হায়নৈ— অতুগা য় ম্ন ঙানবনিশু হায়নৈ। অতুগুম্বা মফমতুদা ঐহাক্ল নংবু অতুগা মীতম্নক্তিদ্রবা নংগী থাবুম্ন মঙা লোক্লকবী— পীবুকম্নং ঈতুম্নরিবা ঐ-নংগী শক্লাইত্রিবা ঈচা নখোয় অনীবু ঙ্গেং-ওই

ওইবা ঐগী ঈখুৎ নাম্ম-নাম্মনা চেৎনা খুংশন্নহুনা লমজাংহুনা পুরগে—।

ঐগী তুং ইল্লকউ — ছোৎলো— অয়ুক ওইরে।

লম্বী লমজাও— মীনিলনরক্লে— ঈশানৌ।

লৈবাকপোকপা —।

মুমীৎ য়ুংলে। য়ুংসনু। ঙসিদি ঈবেম্মনা চাক থোংই। মানা থোংবা চাক ঐনা চাবা তাই। চাক্তি শুকচা চানীংদে। অতুবু অয়োইবা পুন্সিগী মুমীৎসিদা মখুৎমক থোংবা চাক্তু শুপ্পগী চন্না অমতংদি চাখিগে খনবদগী ঐহাক, ঐগী চাক শক্তু— য়াম্ন তপ্ন তপ্ন চাথৎলম্মী।

মুমীদাংবাই —।

লৈকোন্দগী চংলক্লে, ঐ,

পুন্সি লোইরেদকো হায়না শুপ্পগী অমুক্তং খল্লকই।

লুজীক—

পুন্সিদি লোইরেদনা—,

কদোদগে লোইখিসনু— ।

খাদোক্লগদবনি খল্লক্লগা—, তাইবংসি মীৎলৈ পেন্ন অমুক্তং য়েংজনীংলকই। য়েংলুরগা অনীংবা ঈন্নাখল লৈফেনখিগদ্রা কিখিবনা ঐহাক্ ঐগী কানুংদা ঈমীৎ চেৎনা উইশন্দুনা থাংজৈ। য়েংলুবগীসু কান্নদ্রে — নোংথৌ নোংমংলবা মুমীৎ অসিনা থম্মোইবু মৈচাক শীন্নবতা খংলগনি,— খংলে।

মুমীৎ তাবা —।

মুমীৎ তারে—। য়ুমগী মীনাই ময়ুম্মদা হনখিবা কুইরে।

মীকুপ খন্নতং ঙাইরেদো—।

লেপ্লো, ঐগী থম্মোঙ্গী, খোংথাং হল্লগনু। লেপ্লোবা—।

রেডিওগী ঈশৈসি কয়াদা কম শকলল্লবা। ঙসিদি খোঙ্গেল অমত্তসু তানিংবা পোক্কে। ময়কসিদা লাইরীক পারিবী মখোঙ্গেল তারে, ঐনা খুৎতা থাং পায়। অরুংবা মশেক কারবা থাংসিনা ঐত্তোন্দা থৌনা হাপকৎলক্কে। মহাক তুমখিসনু। চংলসিল্লা থল্লকই মহাক লাইরিক পাবা লেপলমম্ক্রি। হকচাং পুম্বা করিনো— মংগুমগ্রে। চংথীরোই। মীৎলূগী পিশু তারকই। থারু-থারুশু নোক্লীংলকই। কনাবুশু নীংশংলক্কে। মহাক তুমখিসনু।

ও! মহাক্কী মোল্লবী খুৎকি খুৎনান্দু হুজীকবু নত্তরা মহাক্কা নানখিবহু।

অহিং —।

রেডিও খোংখিগ্রে—। চেক মোক লাওখিগ্রে—।

ঐহাক চংলগে থল্লক্রে— মরমদি মহাক্কী লাইরীক পারবী খোঙ্গেল লেপখ্রে।

হৌগৎলুরবনী— অমুক হল্লক্তনা ফম্মরে।

হন্দক্কী লেপ্লবনি। থম্মোঙ্গীনা লেপ্লবনি। খোং অসি থাংলে— ঐহাক চংলে।

ঙসিদি— নত্তমগী— খোংচৎপি ওম্বোক্লা তপ্পা চৎখ্রেদা। করিগীনো হুজীক ফাওবা মহাক্কু তুমথ্রিবা?

* * * *

[অশুম্বা অইবা চেনায়শিংহু লোইশল্লম্মা]

ঈবেমহলহু অকীবনা অহুগা তু-চুংখিবনা কুচু কুমেন পুন্নমক ওনখরে। চেমায়শিংহু তপ্প-তপ্প খুমজল্লুরগা পাক চাওরবা ঈমুংহুগী মফম

খুদীংমক্কী ওইবা মৈশিংদু অমত্ত চীৎথদনা থানগৎলম্মী। অঙাওবীগী য়ুম ঈমুংদু মৈগী মৈ মক্তুনা পুমনং লংহল্লবফাওবদা অপেম্বা লৈরক্তুরে। ঈমুংগী মফম খুদীংমক মৈনা ঈরং লঙনা ঙান্না থানগৎলগা ঈবেমহল কান্নুংদুদা তুমীন ফমলহুনা লৈরম্মী। থম্মোঈনা খল্লকই—

ইরমলিবা মরাহৈশিংসিদি তাইবং কায়নবা মশক্কী কনাগুম্বনা উঙ্গবদি, পুন্সি অসি লোইরে—" খল্লক্লুনা ঈবেমহল অইবা চেবুল অদু যাম্না লোংঙ্গবা মফম অমদা থমজনগ্গে হায়না "অরোৎপা মফমদু কৈদনো ?" তুমীন থন্দুনা লৈরকই—। অচুম অরান ? কনানা লাল্লীবা অদুগা কনানা চুমলিবা—? পুম্নমক খন্থওমবগী থৌনা ঈবেমহলদা লৈরমদে। থৌরাং পুম্নমক থমখো থম্বায় মাংলমগনি নত্তরগা পাওশিংসি মীনা খংনখিগনি হায়বসিতংনি ঈবেমহলনা কিরিবা—। অদুগা— অশুম্ব থম্মোঈ শোক্লম্বা— মনাই চাওববু য়ুমসিদগী য়াম্ন তান্ন থমগ্গে খল্লকই। মদুসু থম্মোঈনা য়ানীংলক্তে— থাপ্ন লৈখিবনা হেন্ন ফত্তবা ওইরক্কনি— অদুদি মপুন্সি চুপ্পা মচীন মেন্দুনা মাগী মনাক্তদা লৈহনবা হায়না ঈবেমহলনা ঋারেপ তারম্মী।

চেবুল অদু অদুগা থাং অদু কনা অমত্তনা খংখি উখিদনবা খাই-দগী লোৎপা অরোনবা মফম অমদা ঈবেমহলনা থমজল্লরগা মনাই চাওববু মফম কৈদ লৈবগে হায়না থিক্ক-য়েঙলুনবা কাগী থোং অদু য়াম্ন চেকশন্না হাংদোকলম্মী।

ঈবেমহলগী হকচাংদু থক-থক নীকলী অদুগা মমীৎশিংদুনা লৈজব-মখৈ লাওনা-লাওনা পাংথোক্লুনসু ঈমম-মম্নতা লৈনরম্মী। মনাই চাওবা হুজী ৯—হুজীকমক শকথেংনদুনসু করিগুম্বা ঋাহৈ খরা ঙাংনগদবদি লৈতে। ঙম্লোই। কৈদ লৈরিবগে হায়বদু য়েঙনীংবতনী—।

পাক চাওরবা ঈমুং অদুগী মফম খুদীং ঈবেমহলনা চৎ-চৎতুনা মনাই চাওববু থীগে, য়াম্না লোম্না, মানা লৈরমগদবা মঙং অদুতং য়েংগে— খল্লী। অদুবু মহৌশানা মীয়োললকলবী ওইবগী হকচাংনা

মরুম হেনগৎলকপনে, অকীবনা লুতোন শাৎনা মীপাইহনখিবনে— চুন্নগী-চুন্না ওইবা মখোংগী খোংথাং ফাওবদা চৈঙাক ঙমজরক্ত্রবী কমগাক্তনা হকনীং পোৎলুম পুঙমলক্তবনে খোংথাং খরতং নাহে নাহে থাংলমলগা ঈবেমহলদু খোংথাংন ঙমলক্তরে হকচাংন— তুরোই ঙাম্মোইনরক্রে— ।

ঈবেমহলদু চেক্নী ফক্লাংশিংদুদা মথুৎনা চৈঙাককুম পায়র-পায়রদুনা ঈমুংগী মফম খুদীং শিন্ন— মপুরোইবনা য়ুমহন্নরক্ত্রিঙৈদা চত্তনা মনাই চাওববু থীহৌনবা হোৎনরম্মী ।

অহানবদা য়াম্ন চেকশন্ন অদুগা য়োঁঙমদনা মনাই চাওবগী কাহ য়ৌরক্লম্মী । খোংথাংদু মহৌশানা লেপখিরম্মী অদুগা নীংশা ফুইনা ফুইনা হোল্লদুনা, থাপলপ্পনা মনাই চাওবগী কা তম্ন মীৎয়েংনা য়াম্না মুন্ন য়েংলকই ।

কা অদু মহৌশা নত্তরে । থোং লাওনা হাঙদোক্তনা লৈরে । অঙানবা মৈঙাম্ন কাম্নুং'দু ম্নঙথীলগুম অমম্বা মচেৎ মত্ত য়াওদনা ঙাল্লে ।

নীংশংবা থোক্তে, মতৌ করম্ন মনাইগী কা-গী থোংজীন্দদা মশাদুনা লেপলমলিবানা হায়বা । ঈবেমহল্দু মনাই চাওবগী থোংজিন্দা লৈরাম্ন— মীৎয়েংদুনা মুন্ন চাগদৌগুম— য়াম্না লংনা শংদোক্লদুনা, লৈমায় থক্ত খুউ— লৈমায় শৌন উপলদুনা মমায়না লৈমায় থেঙনা তকশল্লদুনা অঙাংবা ঈরক্তা অশাবা লাইগুম লেঙদ-হাইদ তুমীন তাদুনা লৈম্নিবা মনাই চাওববু য়েংলম্মী ।

থাজবা ঙমলমদে । ঈবেমহল্দু শংত্রিক য়েঙন— য়েঙন— অকিবা পক্ত্রবী ম্নপী অমগুম মনাইগী মনাক্তদা য়াম্ন চীং লেম্বী মতৌ নত্তরগা অশাবা ম্নংগী লাইনা করিগুম্বদা অশেংবা থবায় পাল্লক্তনা চৎলকপগুম— চংশল্লক্তনা ঈশিংদুদা খুৎনা শোকলম্মী— থবায় য়াওদ্রবা মনাইগী হকচাংদুদা মীওইবশিংনা মহ কাম্লবা লিল অমতং পায়নবা হোৎনবগুম — মংগী মতৌগুম শোকলকলম্মী ।

হেক শোকনুবগা— মাগী অরোইবা খুংকি খুৎশোক্তং খোৱাংনা ঙাইতুনা লৈরম্বগুম – উপ্প লেংদ-হাইদ লৈরমলিবা মনাই চাওবগী হকচাংদু কাম্লং শিন্না শন্দোক্লিবা অঙাংবা ঈগী মরক্তদা মাযাথাং লোংনা ওল্লকই— অদুগা থবাক য়াযদ' অমসুং পুক্লেংপ্পা হন্ন-হন্ন খীল্লবা মতু'দা শদোন তম্ন থাংখোক থুন্ন খীনজল্লীবা থংবু চেৎনা পাযরম্বগুম তৌরম্বা মখুত্তনা খংহাই হাইথরক্তনা অনংবা ঈরক্তা কেন্তরক্লিবত্ত উরক্লম্মী।

ঈবেমহল ৱাখল য়াওদনা মীৎকুপকনি হায়বা কাওনা ঙহাক শংত্রিক য়েংলম্লগা— থম্মোঈ ফুক্লবী মতৌ— পাক-চাওরবা ঈমুং অদু শিন থুংনা কম্ন লাওরম্লগা মখুৎ অনীনা মমায়বু চেজেৎ খনশল্লতুনা ঈমুং থুংনা কোইচেন চেনবা হৌরকলমী—।

লম্বী চৎপা মীশক খরনং নত্তরগা য়ুমথ নরিবা মীশকশিং ওইরমগনি মহৈ-মহৈ চেনশন্নরক্তনা— য়াক্লবী অদুগা হৌরবী খোঞ্জেলদুগী হৌরক-ফম থিনরবগুম ঈচুম তাফমতুদা পরেং পরেং লেপ্পররে। তশেংনমক্তী— মখোয় পুম্নমক অরোম্বা ৱারীদু অমত্ত খংনবা নত্তে।

থাবুম অনী অহুম হৌগ্রবদদি য়ুমগী মনাই চাওবনা শিখিবগী অঙৱপা, মরম খংদ্রবা ৱারী অদু অসুম-অসুম্মক নেমথখিত্তুনা কনানণ্ড ঙক্লত্তুনা নত্তরগা নীংশংনত্তুনা লৈনদ্রে। অদুবু ঈবেমহলগী থম্মোঈন্নং মথৌনাগী অহনবা কাওনাইদবা লৈত্রবা তমথিবা মৈশা কনবা মৈচাক অমদি লোই-তুনা লৈরে।

মখুংমক্ক ইরম'লিবা ৱাহৈশিংসি লোৎশন্দুনা থমলিবা অসিনা ঈবেমহল মীকুপ খুদীংগী ওইবা থম্মোঈগী তৱাবা ৱাখল তসি কোক-হনবা ঙমত্রিবনি। চেবুল অসি তুম্নবা শেগায়বা, য়াম্ন কুপ্প কুপ্প, নত্তরগা মৈদা থাদেক্তনা ৱাহৈ পুম্নমক উৎ ওনহলখিবা— মদুতদা থম্মোঈগী ফম্বংনরিবা ৱাখল অসি কে'ক্কনি হায়না খল্লী। শেগায়তুনা নত্তরগা— উৎ ওনহন্দুনা—।

অতোপ্পা মীনাই অমা থমাদ্রবা মখৈদি, হায়দুনা মোত্তিনা মনে থোকপী— তেলিপতিদগী হনুবী'দু কৌদুনা য়ুমশংবী ওইনা থমলম্মী। মরক মরক্তা— ঈবেমহলগী মপাবুত্ত অমদি মমাশি মচা নীঙোল্বু কুম-থা শুজল্লক্লে হায়না য়েঙশনবা লাক্লে। মী লৎপা মতম ফঙলক্তরে— করিগুম্বদনা মমান্নবীশিং— করিগুম্বদনা মপা-মবুং অদুগা করিগুম্বদনা খংনচান্নবা কয়া—। অহাংবা মতম ফঙলমদে—। চেবুল অদু শেগাযদুনা নত্তরগা মৈ থাদুনা মাংহল্লুগদবসি মফম কৈদনো থনফম খংলক্তে। মাংহনবা ঙমলরোইদ্রা, — থল্লুরগা হেন্ন-হেন্ন মাংহন্নীংবগী চাও হেনগৎলকই। য়ুমসিদদি ওইদরে। করিগুম্বদা শেগায়রিঙৈ নত্তরগা মৈথারিঙৈ য়ুমশংবী হনুবীনা নত্তরবসু কনাগুম্বশিংনা থেঙনবা থোকখ্রবদি বাকমদু লোৎপা য়াররোই। হঙনরক্লোইদবা কনানো? মথং মথং ঙম্নমক হঙনরক্কনি। "ওইথোক্কনি উদ্রবা মরমসিদগী য়াম্ন থাপখ্রবা মফম অমদা— মী কনা ঙাক্লোইদবা মফমদা (মফমদুদদি উমং ওইবা য়াই, নত্তরগা পাক্লবা লমহাং অদুগা চীংনুং, ওইনীংবা অমা ওইবা য়াই, কনাবু থংখি উখিরোইদবা মফম ওইরবদি), মফমদুদা— মথৌনা লৈরবা মৱাইহৈশিংসি শেগায়দুনা নত্তরগা মৈ থাদুনা মাংহল্লুগনি।" ঈবেমহলনা খন্দুনা লৈ।

থোকখিঙৈ থৌদোক কয়াগী মতুং— (ঙসিদি)!

"তুম্নবা— মাং তাকখ্রবদি থম্মোঈ অসি খরতংদা ওইরবসু ছাংজ-য়াংজরগনী" অশুম হায়না ঈবেমহলনা মতম কযাগী মমাংদগী খঞ্জখিন্দু কান্নদবা ৱাখল তারকলম্মী—। তেন্দোং য়ান্দুনা, তেঞ্জৈ ৱাত্ত-পাদনা পুরদুনা শাদাল্লিবা শাদানবগী, অমা শোয়খ্রবসু অমা লেপ্তুনা কাপশল্লকপা মচীন তুম্নবা অদুগা য়াম্ন মদু চাওরবা তেঞ্জৈগী মতৌগুম্নবা চেবুল অদু মাং তাকহনখ্রবসু— অতোপ্পা ৱাখল মপৈ-মপৈনা, থম্মোঈবু লেপ্তু-খমদা ওং-নৈদুনা লৈররে। মতোমত তানা লৈবা য়াদে। শক্তম-শিংদুনা তশেং-তশেং চোওথোরক্লুনা মীৎয়েংগী 'মাংদ শং-শং লেপ্নবে। উরক্লিবা শক্তমশিংদু ঙম্ন অকীবা অদুগা য়াম্ন হঙ্গোইখ্রবশিংগী শক্তম

ওইরম্মী। করিগুম্বদা, করিগুম্বদা নত্তে মতম খুদীং অতুগা মীকুপ খুদীং শক্তমশিংতুনা মরাল অন্ত উৎল-উৎলতুনা কুম থা গুরক্লবী ইবেমহলবু য়াম্ন পেন্ন-পেন্ন লক্লবীরম্মী। ঈবেমহল, নোঙমা নোঙমগী পোৎলুম্নবা হৈল্লক্লম্মী। মশক্ত য়েঙলগা হৌখিঙৈ মতম খর খংলম উৱমদ্রবস্থু হুজীক্কী অতাক অশোংনরক্লতুনা, মপুরোইবনা হংলক্লে—

"হায়য়ু— নহাক কৈদৌরে— ?"

"কৈদৌরবগে— ? কৈগু তৌদে ঐ"

হু চারবদা চাদবা শাতুনা খজিক্তং নোকমিরম্বগুম্বনি। ঈবেমহল মশানদি খঙজে— মশাত্ন য়েংবা য়ারম্লবোই। ৱাখল য়াওদ্রবা করম্বা মীওইবগী হকচাং পোলাং লৈবগে ? অঙাওবস্থু অতুগা ঙাওদবশিংস্থু মাগী মাগী ওইবা ৱাখলদি ঙম্নমক লৈনবা ঙাক্লী—। হকচাং পোলাংনা ৱাখলগী মতেং লৌজে। অম্নাবা নত্তরগা কেমলক্লবা ৱাখলনা শক্লরবা হকচাং পোলাংনা করিগুম্বদগু তেক্ত কায়দা লৈজবা ঙমদে। লাঈম-মৈশা ফংলরবা উগী উশাগুম, অতুগা উশাতুদা নপচবা উনাশিংগুম অৱাবা ৱাখলগী মৈশাতুনা হকচাং পোলাং'হু শক-চু ওনহল্লী। "মসিদি মীওইবা অমদা ৱাখংদবী ঈতৌ লংজক্লবা ঈরালগী ফংজবা ঈতিক চাবা চৈরাক্লী"— ইবেমহল ৱাফমসিদা মশানা য়াজরম্মী। মরালগী চৈরাকসিনা মাংবু হীক্ল-হীক্ল কপনীংবা পোকহল্লকই, করিগুম্বদনা তাইবং অসিগী করি গুম্বা শক্তম অমতংবু হম্ন য়েংনীংলক্তবগুম মমীৎ-মনা চোজেৎ উইশনমেনশন থাংজরক্লম্মী। পুম্নমক অসি করম্বা ৱাখলগী অবক্লবা চৈনানো হায়বস্থুদি ঈবেমহল খংজদে। খংজদে, খংগে হায়বস্থু খল্লুদে। খংজবস্থু পামজদে—।

শীবুকন্নং-মীরোল্লীবা অঙাংতুগী মরমদা মক্লচাওবা ৱাখল্দু খল্লকই— "অঙাং অসি কনাগীগু মচা নত্তে— অদুগা য়াম্ন হঙ্গোইক্লবা শক্তম চেনবা মচানি" হায়বসি। ৱাফমসি থম্মোইনা য়াজতুনস্থু খল্লুবা য়াদে। খল্লুবগা

ঈবেমহল করিগুম্বা হিদ.ক অমা চাহনা মিতম্মজরক্কদবগী অঁকক্লবা। মতম-'হুত্তং ঙাইহনা লৈরবা শীবুক'হুংগী অঙাং অহু পুবক্লংদা উৎ ওম্ম অহুম্মক মাংহন্নিংখিবা পাম্বগী ৱাথল অমা পোক্লম্মী। "হৌরকফম অঁহুগুম মহাকস্থু শোয়দনা মিতম্মরক্রগনি। অহুদি—, কনা উঁদ্রিবৈ পুকন্নুঙদা অহুম্মক মপুন্সি কেমজখিবনা ফত্তবরা ?" য়াম্ম কুপ্প খল্লক্লবা মতুংদা,—"অহুগুম্বা শক্তমহুদি বনা উঁদ্রিবৈ উৎ ওম্ম মাংজখিবনা ফৈ।" ঈবেমহল চপ য়ুঙনা লেপ্লে। খল্লু-খল্লু খুদীং খোংদাফম লৈরক্তে "মীহাৎপীনি মহুদি। মীহাৎপীহু ওইরগে। মহুদি মীওচৎ থীবনী। মীওচৎশু থীরগে। মীপুম্বনা মরমহু হুঙনরক্কনি—। মরমহুস্থু—।" ঈবেমহল— অঙাওবী-গুমলকই "পুন্নমক অসিগী মরমহুদি কদৌন্নং— কনা অমগী মফমদ ফোংদোকহৈদে—।" সিদগীদি ঈবেমহল থৌনা পুম্বা মাংথখিহনা— তুমীন হবচাং নীক্ল-নীক্ল লৈজরম্মী।

গুম্নগী খোম্থাংহুমত্তং থম্মোঈম্মং হুম্ন-হুম্ন য়ৈহৌই— "মহাক্তি— চন্নাওনীংঙাই ওইদ্রবা অঙাং ওইগনি। মহাক্তী— ঐগী পুন্সিবু তোয়না-তোয়না লক্লুগদবা অঙাংহু ওইরগনি। অঙাংহু ওইরগনি। মহাক্ক ঐগী পুন্সিবু মিকুপ হাংদনা হুমবা লৈতনা করেম্মরগনি। মরমহুস্থু হুংনরগম্মু। নীংশংলুবত্তংদা ঈশাবু ঈশানা হিংলী কাওহনঙম্বমথৈ মথৌনা লৈ। ফত্রবা মরমগী মরমহুদি। ঐহাক্তি মীহাৎপীস্থুনত্তে—। মীহাৎপী নত্তে—, অহুগা থম্মোঈ কনবীস্থু নত্তে।"

ঈবেমহল অৱাবা পুন্নমক পক্ত বগুম তুমীন্নতা লৈখরে। অতোম্প লম্বী অমা ফংলম্মী। অস্থুক কুইবা মতমসি ঈবেমহল য়াম্মা লৈতাম্রবী মতৌদা লৈরক্লিবসিগী মরমদি— অঙাং'হু পোকওমদনা মহাক শিজখিবা অসিন্নি। অহুবু শিজনবগীদমক্তা কম্নি থোইদোকপা শেম-শাবা ওম-হৌদ্রিবৈ ঈবেমহল পুংজা-থক্তুদা লেপ্তুনা লৈরম্মী।

"ঐহাক মাবু হাৎপা ওম'রাইদবা !! মীৎ তাংলবা মীম্নাম মপৈ-সিগী হৱাও তয়াম্নবা মরক— ঐহাকস্থু তীমথীবা তাম্নক্লবরা !!!"

ঈবেমহন মৈচাকলক থাংওমলক্কবতনা অহীক্লরকই, অদুগা মীৎয়েংদুনা করিগুম্বদা— য়াম্ন নোঙথী নোঙমঙলবা 'তিয়াদুদা য়েঙলম্মী— । কুপ্লবা তক্লবা নোঙলীক থরতং খীকথরম্বা থেংনৈ— । নোঙ তারে, ঈবেমহন খংই "ই লবা শাকুসিনা ঈরালবু চামথোকপীসন্নু— ।"

য়েঙমদনা য়াম্ন কুইনা খাংলম্মী। পুন্সিগী ওইনা য়েঙথ্রবরোই হায়না খনথ্রবা শক্তম অমা য়েঙনীংবনা খাংওমলক্তিব্রসিনা করিগীনে। ? ঈবেমহল খংওমজরক্কে, য়েঙনীংবনা খাংওমলক্তব্রনা— কনা লৈত্রবা ওহাংবা অদুগা তাল্লক্লবা মতমদুদা লোঙলম্বদগী ঈবেমহল থরতং চেপথরক্লনা নাকওইননা তাদুনা লৈরিবা পুং ৫ শুরবী নুপীমচাদুবু কীন-খংন, অদুগা য়েঙওমদনা য়েঙলম্মী। ইবেমহল অঙকপা পোকলম্মী—কুচু পাল্লবী, নাতোন তুম্লবী, মমীৎ-মনা তক্ল তক্ল পাঙলিবী অদুগা অমুবা শম্লা চোয়বী নুপীমচাদুবু উরকপদা ঈবেমহল ফুক হৌগৎলক্লনা— লুকথরক্লনা শংত্রিক মুম্না য়েঙলক্কে। য়েঙলু-য়েঙলুরগা থম্মোঈনা কপ্পীংলম্মী—, থম্মোঈনা মকা লাম্না নোকচনীংলম্মী— অদুগা থম্মোঈনা হেদোই-হেগানজ— হরাও তয়াম্নরক্লম্মী— । পুম্নমক্কগী ওন্নমতৌ— ঈবেমহল মচীন-মচীনবাম্না নোকমি নোকমিজরিবৈ খীওওম-খামওমদবা মমীৎ মীৎলুগী পি চেম্থরক্লনা, লোঙনা হীপলিবী পুং ৫ মহায়গৎলক্লিবী নুপীমচাদুবু পমথৎলদুনা—হরাও-তয়াম্ন, অদুগা মীৎলুগী পি তানা চাগদৌবগুম হনবা নাইদনা য়েঙলক্কে।

করি খংজদ্রি নুপীমচাদুবু য়েঙন-য়েঙন ৰাখলনজরকই— "ঐ-মাবু হাৎপা ঙম্নরোইদবা !!! মীৎ তাংলবা মীয়াম মপৈগী হরাও-তয়াম্নবা মরক অসিদা ঐহাকশু তীনখিবা তারক্লবা !!!" খংহাই খংজিনবা— মনিং তমজথ্রবা ৰাখল খুংলৈ য়াংন শাথুপ্পখি— । শাথুপনথ্রব মতুং ঈবেমহলদু মায়থোং য়াম্ন নুঙশুক্লঞ্জে— অদুগা থম্মোঈদা তুমীন খল্লম্মী— "ঐহাক কপশিবনি— য়াম্ন থম্মোঈ শোক্ল কপলিবনি— অদুগা চৈনাদুদা ঈমীৎ মীৎলুগী পি অসি লেপ্তনা শিম্থরিবনী। কদৌঙৈ লেপকদৌরীব্বা খংদে— অদুগা ঈমীৎ মীৎলুগী পি'সিনা কনা মশুংলাংগীদমক্তবু অশুক

ঈচং খোন— খোনা লৈনা শীন্থরিবা ? মত্তুম্ ঐহাক থংদে।" ঈবেমহল ছীপওমদে—। মরম থংত্রবা অদুগা লেপ্তুনা চেন্থরক্লিবা মমীৎ মীৎলুগী পি— কনাগুম্বশিংনা উখি-থংখিগনী হায়রবগী করিগু খোশাদনা খোম-চুপকী শঙ্গোম থক্লগী নুপীমচাদুবু মীংলৈ পেল্ল পেল্ল-পেল্ল, য়েঙলদুনা— খংহৌদ মচীনবাম্না নোকমিরক্লে।

করিগুম্ব মীকুপশিংদুদা ঈবেমহলনা মত্তোমতদা হঙজে— "নোক-মিবা পুন্সি অমুক হৌরক্লবরা ঐবু ? নুংভাইবা পুংকমশিংদু ঈকমদা থুডলরবা ?" অদুগা য়ানীংদবশিংদু ঈবেমহল মশানা খল্লে— "হৌরে, ঐহাক নোকমিরে মীকুপ থরদী, অদুগা নুংঙাইবা পুংকম হায়বদুদী ঐহাক মশক খংবা নংত্রি— চীনবাম নোকমিরে— থম্মোঙ্গী মৈচাক্তী খুৎনোক খুদীংগী হেক্লক্লে অসিবু নুংঙাইব। মত্তৌরা ? মৈচাক অমদি লৈরে। য়াম্ন মৈশা কনবা ওমচাক্লরবা, থম্মোঙ্গনা পুডমত্রবা মৈচাক অমদি লৈরে। কনা মগুংলাং চাকলক্লীবা মৈচাক্লো—? মদুদি— কনানবু খুমলগনি ? কুইরে ৱাহং অসি হঙদুনতা লাকলিবা— খেৎনরিবা হায়ববু হৌখিডে মতমদা ৱাহংসিদা ঐহাক্ল হঙগোইজরম্মী ঐহাক্ল তুক্কচরম্মী— অদুগা ওনিংবা পোক্লম্মী। হুজীক্তী—, ওসিদি—, মদু পুন্নমক উৎকুম য়াইগুম্ব মুৎপ্রবা ! অসিতনী। মখোয় ওন্নমক মুৎখ্রে— ওনীংবস্থ— অদুগা হঙগোইবগু—। গুপ্পগী চৈনাদুতং মঙাই-হৌরে। চৈনাদুনা ঈমীৎ মীৎলুগী পিবু কায়রবা ঈযুৎখুম— য়েংউ লেপ্পুনা চেন্থহন্নীবসিনী।"

সিনা নোঙমগী ৱানী —।

নোঙমা—। ঙুমীৎ অদুদি নোঙখী নোঙমওলবা, য়াম্ন তমথাবগী শক্লেম্নি পুরবা অদুগা অতিয়ানা মাংখোং মক্ল অল্লাবা মশক পুখিবা, হিঙহৈত্রবা ঙুমীৎ অমনী। নীংবা কায়থরক্লীবা— অতিয়াগী নোঙমওলবা মতৌদুবু য়েঙলুরগা মৈনীং কুমলীবী ঈবেমহলনা ফমথক্ক ফম্ন ফম্ন মরল্গী কোকওমত্রবা মৈচাক্তা মদোম তুমীন ওমচাক্লগিডে হকশেমবী নরসনা

চংশল্লক্ত্রনা মমাংগী তান্নীবা চেমায়ত্থদা য়েকলিবা অয়েকপা খোন্নিনবা লাইরুদা শংত্রিকত্থ য়েংলগা অশুম হৌখিবনি—

ঈবেমহল খল্লু-খল্লু ঋাখল খুদীংদা খম্মোঈনা তুজুংনরিঙৈ শুগাগী পাওখুম অমতংশু খুমখিদ্রে।

· ঈবেমহলশু অত্থগা নরসশু য়াম্ন তুমীন-তুমীন লৈনখি। ঈবেমহলগী মাংদা অঙৌবা চেবাংত্থ তাত্থনা লৈ। অত্থগা চেবাংথক্তদা মুক্কী মচুনা খোংলি কন্নিগুম্বা লৈই খন্ন— অশাংবা, অকোইবা অত্থগা অখোইবা। "খোন্নিগী লাইনিঙদনা" নন্নসত্থনা খল্লি— ঈবেমহলগী তন্নংনরবী মতৌত্থদা অত্থগা মাংদা তারিবা মওং মরীল নাইত্রবা অয়েকপা লৈইশিংত্থদা ঋাম্ন মুন্ন য়েঙলমলগা ঋাম্ন ঙকচরুবগুম নরসত্থনা তুমীন লৈন্নম্মদগী মখা তান্নকই—

"কন্নিশু খুম্নীদ্রে—! নত্তে মহৌশা লাই য়েকপা তম্মীন্নব্রা—?"

"লাই য়েকপা— ?" ঈবেমহলনা ঙক্ক হংলকই "লাই য়েকপা—? ঐবু ?"

"অহোই— !"

"তমলক্তে। কন্নিগীনো ? কদোরে ? কন্নিগুম্বদা ঐনা লাই য়েকপা উখ্রবন্না— ? ঐহাক লাই য়েকখিবা ঋাওখ্রবন্না ?"

"ও !" নরস'ত্থনা ঙক্ক মখা তান্নকই "ওন্নগানশিং অমনা অমবু মতেং পাঙনত্রবা— ? নান্নভস !! খুংনা য়েকখিবা— কোক্ক খংবীহৌদ্রবা ঋাম্দন্নফুল। হীপ্পীয়ু। খংজরে। ঈ পুন্নমক কোক্ক হায়গৎলেদনা। হকচাং শোক্লে। নীংথীনা পোৎথাবীয়ু।"


ঙসিদি অতিয়া মকোয়সি তরঙ-তরঙলে। হৈনম-লৈনম্না মপুন্সিগী ওইনা য়োম্নরে। অতিয়া অমম্ভং মালেম অনীগী মন্নকসিদা— তথৎ-তন্নাঙবা তৌদনা লৈনম অত্থবু অশেংবা মালংন অনৌবা খাওন-কুম ওনগী পাও য়েন্দুনা লেপ্তনা ত্থম্নে। অত্থবু অশুক কুইম্না মতমসি হৌখিত্থনম্ন— হৈনম-লৈনম চেনবা অনৌবা ঋাওন-কুম্নওনগী— খোজান

হৈবা মাললংবা ওইতুনসু— য়াম্ন মুংশি হৈতবা মরমচৎ অমদি— ঙসি ফাওবদা মহাক্ত মরাল কোকপীরে হায়বা পাও অমতং তম্বীরদ্রিবসিনি।

মীৎকী পিতু শক্তম লাকপা ঙমদ্রবা কনা-মগুংলাং লেপ্তুনা শীম্বব-তনী, অমুক, কপ্প কপ্প নাক্তগী অঙাংতু চেৎনা থাগোনগে হায়না তেমশিঙলকপতনি— অমুক্তং পেন্ন পম্নবা।

পম্নেদনা। চেৎনা থাগোল্লে। সিমক্তস্ত মৈচাক্ত,দি কোকপা লৈতে। কৈদগী কোকনি। ঈবেমহনা খন্নকই— "মপোকসিমগীদি ঈরালতা ঈরাল ওইহৌরগদবী— পিদোন্নবী—, য়াম্ন পিদোন্নবী— অতুগা য়াম্ন তমথীরবী পুন্সি হায়বতু অগুম্মক ওইতুনা লৈহৌরগদবী ঐনী।"

লোইরবা


MANIPUR UNIV
8848
LIBRARY
IMPHAL

মীওইবগী রাকৎ

মহাক্কী অশেংবা মপুন্সিগী য়ারীশু কনানও তাবা পাত্ররোই । মহাক্কী কনাগী মীংকী মীংয়েংদা করিও ওইনবীগ্রে । মীওইবা !! মতোম্তনও চৈহৎচৈ কৈদগী মীওইবনো, শা - ঙা, উ - রা, লগী -শীংবী, মহাক্না খঞ্জরকই পুম্নমকশিদগীও শরুক লীশীং - লীশীং তোঞ্জরে হায়ন ।মত্তম শাত্রবা থরায় অমা করিও কায়দনা যাংলে ! মদুগীদমক্তা মহাক্না মীওইবশিংগীদমক্তা - অদুদী মীওইবা তেংবানবনু শেমলক শারকপা নোংদমবা মখোয়গী মরল অমা যাংলেদকো হায়না অরা পোৎলুমনজরম্মী ।

তাইবংসিদি য়ায় তমথীগ্রে,

তাইবংসিদি য়ায় লৌনমগ্রে,

মহাক্না খঞ্জরকই ।

মরমসিদগী মহাক্না মশানৌগী হৈরোইনবী থজায় নাক - য়েংজা নায়রদুনা, হয় হয় নায়রদুনা নীশানৌ হায়না অমুক্কং থম্মোইদনা পেরা কৌজঙখনি ।। থরাক্তী পুন্নংকেম্ ! মদুগীদমক্তগী মহাক করিও খৌশারমদে ।।

পাচা

পাচাগী ফোংলবা লাইরিকশিং :

১ হয়াদ বেগম - ১৯৬৭.

২ না তাথীবা অহল অমা - ১৯৬৮

৩ হজ্জ - ১৯৭৫

৪. ইম্ফাল অমসুং মাগী ঈশীং নুংশাংকো ফাদুং

৫ অনৌবা পাও অমা - ১৯৭৩.

৬. লাঙ্গোঙ্গনার্গ - ১৯৭৫.

৭. লম অসিদা ঐবু থংব অমতংদি য়োরক[illegible]

৮ পিশী বারী - ১৯৭৫.

৯. থানিল - ১৯৭৯.

১০. কালিম্মাই মমাংদা লাইকক তংপসু য়াওই কত্তবসু থাওই - ১৯[illegible]

১১. মীওইবগী বাকপ - ১৯৯৬.

Cover printed at :
Salam Printers,
SAGOLBAND SALAM LEIKAI, IMPHAL